মণিপুরগী লোক্তাক অমাদি ঙৈথায়



অইবা:
অথোকপম বীরবাবু সিংহ

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯂꯣꯛꯇꯥꯛ ꯑꯃꯗꯤ ꯏꯊꯥꯏ ॥

মণিপুরগী লোক্তাক অমদি ঈথায়।

অইবা
অথোকপম বীরবাবু সিংহ



মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ
বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ, বিষ্ণুপুর

" কচ্চবা "



লৈচু তিন্নদবা লৈবাংনা লৈচন শেম
অবি অনৌ রাবীনা লৈবাং লৈহৎ ওই
মণিপুরগী লোক্তোক অমদি ঈথাযবু
তাইবং খোংলোয ওইবম্বী মাগীদমক
কচ্চৈ কংলৈ পোকপী নখোংখাদা
লৈনম চেন্দে লৎনবিনু পলেমও
কোনবিযু নমোম মাদু চেৎনা নথানুংদা
খুকমজৈ হন্না নখোং থম্বাল লৈবাদা।

অইবা : শ্রীঅথোকপম বীরবাবু সিংহ

ফোংজবিবা : অথোকপম নিংওললৈমা দেবী

অমদি

অথোকপম অনুথোয় দেবী

অনিনা

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ

বিষ্ণুপুর ব্রাঞ্চকীদমক ফোংজবা।

অহানবা ফোংবা : অগষ্ট ৫, ২০১৩ ইং

কপি মশিং : ১০০০

মমল লুপা : ১৩০/-

মখুম : সুনিল খমন

সত্ত্ব পুম্নমক : অইবগীনি।

লাইরিক ফংফম : অইবা, অযোংবী মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ বিষ্ণুপুর ব্রাঞ্চ অমদি লমলমসিংগী লাইরিক যোনবা দুকানশিং।

Printed at
Kwaly Printers, Paona Bazar Imphal
Offset Ketuk: Paona Bazar Imphal

ৱাহৌদোক

মণিপুরগী লোক্তাক অমদি ঈথাধনা ৈখোমগী লোক্তাক ঈনাগী প্রকৃতী (মহৌশা লাইরেম্বীগী) শক্তম্ সনৌবা খুৎশেম্মা অঙকপা ফংনা কায়ঠলকপা চুরেলশিংনা থেনকৎলকপা ঙঙলশিংনা মাংশল্লকপা অমদি পাৎ পুম্নমক ফুঙ্লকপা মসিদসু নত্তনো ভুখোং পুম্নমক মনিং তম্মা চেনবা ইমদনা মাংখ্রকইবা না উচেকশিং, মাংখিবা পুম্নমক অসি উকবদগী মীৎনা উজবা খবদং ঈরেবাকচাশিং দা পাওদমজবনি। মসিগা লোয়ননা মীওইবা জাতি খুদিংমক্ত থকশি নাশি লৈনবক্তবা চাকচা ঈযম অমদি মীঙ্গৌ থাংগোনা ভক্তি রেনাহান মংশল্লা ঈনা, মীনুংশি লৈনবক্তবা মীওইবা খুদিংমক্তা হিংবা থাইতম্লি রাখল ভাক্তা ওইরকপা লৈপন্দী রুয়েল চুপ্পী পাউবিবশিংনা কমদৈনা পাপাক ঙাক্কদগে হন্নবা ক গ্রাউনদনা চেকচেক লাকপা উকবদা অনিংবা থাখল কোংলেকচর উবিকী। মসিদি মনং মাগা লাইগা শম্নবিহৈগী আবলা নাপী খবসু থানা ওইনা অলঙ্কার লোয়ননা লৌতবী। নাইবিক অসি তাঙ্কক মীদ নোকাপা মমুতাক্তুনা উৎখ, তাঙ্কবশিং, মদা মাংলবা ঙ্রাকীশিং অদু মখাদা থাহিদোক্পা পিরি, পারিবিবা ভদ্রলোকশিংনা মসিদগীসু চাওখত্না ঙাওবিগনি।

অহানবা তাঙ্কক :

১। লো ক্রাক থোনবগী ৱাৰী।
২। লো কাকগা তাবকপা তুবেল অমদি খোংশিংগী মমিং।
৩। লোক্তাক ঈশ মাপলগী মমীং।
৪। ঈথায ডামগী শাফু।
৫। ভম অমদি লোক্তাক কমদৌনা কনগনি।

অনিশুবা তাঙ্কক

১। ঈথাযনা খুন্দাবকপা।
২। ঈথায ঈবেল ট্রাবেলী পোনবা।
৩। স্কুল তম্না শিক্ষাগী খেৎনবা।
৪। ঈথায লৌমোলগী ৱাৰী।
৫। ঈগাম্মন তোযা সমজাও খোংচৎ।
৬। খুমদা হলকদ ৱাৰী।
৭। চঙ্গাজী মবযল।

অহুমশুবা তাঙ্কক

১। ঈথায লাযবেনবা।
২। যৌতৌনী অকাঙজানবা।
৩। ফৌকৌবেল।
৪। কোৎনাই খুবম্বা।
৫। কাযেল মীওম্বগী ৱাৰী

মবিশুবা তাঙ্কক

১। মী খেল খবগী ৱাৰী।
২। [illegible] নুংবগী মবল খুনা।
৩। গীতা কর্ম্মযোগ নৈনবা মতাং।
৪। পোতল ঈবা।
৫। ঊীথগী খুন।

শোক- প্রকাস

মণিপুরগী লোক্তাক অমদি ঈথাযনা নিংবা কাইখিববু ফোংতোকচে। ঈথাযদা তুবেল অচৌববু ডাম শাদুনা পুমথিং থিংখিবনা লোক্তাক লৈমগী শক্তম কাইশলকপা উবদা অইবগী থম্মোয কাইনা রাজখি।

মীওইবগী খুৎ চংদ্রিঙৈদা লোক্তাক লৈমনা ফজবম্না প্রকৃতিগী শক্তম্ কোননা লাকপা মীওই অমত্তনা থাজববোই খংহৌববোইকো, খল্লুবদা নুংনাংনা রাজদুনা ইজব লাইবিক্সী। এডুকেসনগী মণ্ডাল লৈজদবা কবিশু খংজদবা ঐনা লোক্তাক ঈমাগী গুণবু শিংথাগে খল্লিবা ঐগী রাখল অসি মহা সমুদ্রবু কংনা শিংকে সনচীংবু কোক্লা রাইবগা থুগাযগে খনবগুম্বনি। ঐগী মীৎন উব খবা অখং অহৈশিংনা তাকপিবকপা পাওতাক খবগা খোমজন্দুনা মণিপুবগী লোক্তাক অমদি ঈথায হাযনা মীংথোন্দুনা ইজবা লাইবিক্সী। লাইবিক অসি ২০০৭ ইংগী অঙনবা জানুৱাৰী তাং ২দগী ইবা হৌদুনা মথং মথং রানা হোৎনদুনা ইবকপনা ২০০৮ ইংগী মার্চ থাদা ইবা লোইবে।

লাইবিক অসি নমথোক্লগে হাযনা নিংজবকপা মতম অদুমক্তদা অকাইব অমা লাকখী। মদুদি- মণিপুব গৌব ধর্ম্ম প্রচাব সমিতি বিষ্ণুপুব ডিষ্ট্রিক্কী বৈষ্ণব সভানা লুম্মবা পোৎলুম অমা ঐগী কোকথক্তা থাঙ্গৎপিখী। মবম অদুদি মণিপুবদা হৌজিক চংলিবা ঐখোযগী গৌব ধর্ম্ম অসি অচুম অবান থিদনা সম্প্রদায অসিগী মনুংদা মনিং মখা তমদুনা ইচায চাযবগুম্না উবে। নহাকসু সমিতি অসিগী মেম্ববনি, অদুগা ধর্ম্ম অসিবু প্রচাব তৌবিবা লাইবিক হাযবা কলা অমসু ওইবিবনি। মবম অসিনা ওঝানা অখংব খবা থিজিন্দুনা ঐখোযগী খুত্তা শিন্নৌ হাযনা বৈষ্ণবশিংনা তাকপিবে। বৈষ্ণব সভানা তাকপিবা যাথং হিকতোকপা ঙমদদুনা লাইবিক নম্না থাদোক্তুনা গৌব ধর্ম্মগী মবমদা ইবা বাগ ভক্তি প্রণালিকা কৌবা লাইবিক অমা বৈষ্ণবশিংগী কৃপানা তাং ৯/৯/২০১১ ইংদাফোংদুনা গৌডিযা বৈষ্ণব সভাদা লালথোকচখ্রে। মসিনা অপনব ওইদুনা মণিপুবগী লোক্তাক অমদি ঈথায হাযবা লাইবিক অসি নম্ব ঙমখিদে।

মথং ২০১২ দা অমুক নম্মগে ফোংগে হায়না নিংঙকপদসু অকাইব অমা অমুক লাকখী। মদুদি ঐগী ঈচা সেবকশিংনা চৈতন্য চরিতামৃতগী শ্লোকশিং অসি মৈতৈলোন্দা অন্বয় অনুবাদ তৌদুনা হন্দোকপিযু হাযবে। ঈচাশিংগী অপাম্বদু ঙম্মোই হাযবা ঙমখিদে। লীলাগী শ্লোকপু মৈতৈলোন্দা অন্বয় অনুবাদ তৌবা হাযবসি তবাইবা থবক নত্তে। মসিদা ঐনা লাইবিকসিমসু নম্বা হাযবসি কোক অসি পুবা ঙম্মবোই ইবসু লোইববনিনা ইংনা নম্মগে খন্দুনা নমহৌদ্রে।

শ্লোক ৭৭৭ মুল্লগা লোইননা অন্বয অনুবাদ লোইদুনা শ্লোক মালা শেম্মে, লাইবিক শবা লোইবে। মসিগী মবক অহাংবসিদা নমহৌবগে খন্দুনা তাং ২০/১১/২০১২ ইং তিযাঙ্গে ৭নি পানবা লৈপাকপোকপা নুমীত্ত করালী প্রেসতা পিশিন্দুনা নম্ব হৌবদ ঙাইবি। অদুবু লাইবক থিবদি ঐগী স্বধর্ম্মীনী পুন্সিগী অৱা নুংঙাই শরুক যাম্মিন্নবকপী সোবোকখাইবম নিংওল অথোকপম ওংবী শ্রীমতি ইবেতোম্বী দেবী কন্না নাবা হৌবকখী। মাবু লাইকন্নবা হোৎনবিঙৈদা লাইবিক নম্বদা মাইপুনবা ঙমখিদে।

অমুক হেন্না লাইবক থিবদি স্বধর্ম্মীনীবু কনবসু ঙমহৌদ্রে। তাং১৭/১/২০১৩ ৱাকচিংগী ৬নি পানবা শগোলশেন নুমীৎকী অযক্কী পুং ১০ ০৫ মী তাবা মঙ্গলগী মশক ওইবা নুমীৎ অসিমক্তদা সংসারগী লীলা থাদোকখী। লোইনবী হাযবসিদি মপুবোইবগী হকচাং তঙ্খাযনি। পুন্সিগী খোংলোয ওইবী মানা হনখিবদা ঐগী থৌনা পাঙ্গল তঙ্খায অমদি পুম্রে। নুপী হাযবি অসিদি বস মঙানা তিনবী মপুবোইবগী যুমগী মশক ওসবীনি।

গৃহং ন গৃহ গৃহিণী গৃহ মুচ্যতে।
(যুমবু যুম কৌদে নুপীবু যুম কৌই)
ঐ যুম লৈত্রে লম্নাংগ মান্নবে।

অদুবু লাইবিক্তি ফোংগনি, লোযনবীগী কর্ম্ম লোয়বে লাইবিক নম্বা হৌবে, পুন্সিগী লীলা ঙকই, ঐ অমুক নাবে তাং ২৬/৪/২০১৩ ইংদা চেম্বব কমসতা ওপবেসন তৌবে। নাবদি ফবে, ঐ লু কোক্সে আশাদি লাইবিক ফোংবনি। লুবিবদি পৈশানি পৈশা লৈতে, ঐ ঙাওবে। ঐনা চিন্তা তৌবা উবমানে ঐগী ঈচা নিংওললৈমা দেবী ঈশুনুপী অনুথোয় দেবী অনিনা মঙক্তা শিবা সনা লৌথোক্লগা ঐগী খুবাক্তা শিন্নবগা চপ মান্নবা হায়বকই ! ঈচৌবা পুপু মসিনা লাইবিক্তু ফোংউ ঐ আশাগী যেন্নিং হুল্লে, নুংঙাইবনা মীত্তগী পি তাই লাইবিক অসি ঈচা নিংওললৈমা ঈশু অনুথোয় অনিনা ফোংবনি ঈশ্ববনা ঈচা অমদি ঈশু অনিবু মপুন্সি চুপ্পা অফবা মঙ্গল পিনবিবা ওইসনু।



সেক্রেটরীগী ৱাবোল খবদং

শ্রীঅথোকপম বীরবাবু সিংহ বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্টকী ঈথায খুঙ্গংদা লৈবিবা মশাগী চহী ৭৭ শুববা ওজা অসিনা হনবা লৈতনা মখুত্তা কলম পাযদুনা লাইবিক কযা ফোঙদুনা মণিপুরী সাহিত্য পুন্খেদা খুদোল তমদুনা লাক্লি। মহাক মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ অসিগী অচংবা মেম্বর অমা ওইদুনা লৈবি। ইবগী লমদা চোকথবা নাইদ্রবা বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্টকী অইবা অমনি। মহাক লাইবিক হাযবা থীবগী শিনফমদা হৌবকপনি। হৌখিবা ইং ২০১২ মেগী তাং ১৩ দা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, পাওনা বাজার ইম্ফালনা "কলা ভুষন" হাযবা উপাধি অসি পীদুনা ইকায খুম্নখি। শ্রীঅথোকপম বীরবাবু সিংহ কলা ভূষন অসিগী পুন্না লাইবিক ৭ মণিপুরী সাহিত্যদা খুদোল তমখ্রবা মতুংদা ৮ শুবা ওইনা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চতা "মণিপুরগী লোক্তাক অমদি ঈথায" হাযনা মীংথোনবা ক্রিটিসিজমগী লাইবিক অমসুং চৈতৈন্য চরিতামৃত শ্লোক ৭৭৭ যাওবা লাইবিক অনী অসি খুদোল তশ্নীবক্তুনা ফোঙজবা ফংদুনা মীযামদা খুদোল তমজবা ফংজবসি থাইদোক্লা পরিষদ অসিনা লেমজনফম ওই হাযনা খনজে। লাইবিক অনী অসি থাবগা ব্রাঞ্চ পরিষদ অসিনা ফোঙজবা লাইবিক ৩৭ শুজবে। শ্রী অসিনা হৌখিবা খৃ ২০০০ দা "হীরম খুদিং হন্না যেংহৌসি", খৃ ২০০৩ দা "শ্রী শ্রী গোবিন্দ লিলা মৃত", খৃ ২০০৪ দা "লাইবিক থীব হাযব সঙ্কৃর্তণ", খৃ ২০০৪ দা "হিরোইনি ঐ" (শৈরেং), খৃ ২০০৪ দা "ভগবত ভক্ত ধ্রুব", খৃ ২০০৬ তা "ধর্ম্মনা তাকপা কলি যুগ" অমসুং খৃ ২০১১ দা "বাগভক্তি প্রনালিকা" অসিনচিংবা ধর্ম্মগা মরি লৈনবা লাইবিক কযা ফোঙদুনা মীযামগী খুত্তা যৌহনখ্রবা মতুং অসিদা হন্দক

মণিপুবী সাহিত্য পবিষদ, বিষ্ণুপুব ডিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ অসিদা ৮শুবা অমসুং ৯ শুবা ওইনা খুদোল তম্বীবকপসি পবিষদ অসিগী থৌপুবিবশিংনা কলা ভুষনগী পদবী ফংলবা ওঝা অসিবু হন্না হন্না থাগৎচবি।

"মণিপুবগী লোক্তাক অমদি ঈথায" হাযনা মীংথোলবা লাইবিক অসি তাঙ্কক ৪ থোক্লা খাযদোক্তুনা নৈনবি।

অহানবা তাঙ্কক :

১। লোক্তাক থোনবগী ৱাবী ২। লোক্তাকতা তাবকপা তুবেল অমদি খোংশিংগী মমিং ৩। লোক্তাক ঈশা মাপলগী মমিং ৪। ঈথায ডামগী শাফু ৫। ডাম অমদি লোক্তাক কমদৌনা কনগনি।

অনিশুবা তাঙ্কক .

১। ঈথাযনা খুন্দাবকপা ২। ঈথায় ঈবেল ত্রীবেণী থোনবা ৩। স্কুল তম্বা শিক্ষাগী খেৎনবা ৪। ঈথায লৌকোলগী ৱাবী।

অহুমশুবা তাঙ্কক

১। ঈথায কাযবেনবা ২। ফৌওইবী অকোঙজানবা ৩। ফৌকৌবোল ৪। কোৎলাই খুবম্বা ৫। কাযেল মীঙম্বগী ৱাবী।

মবিশুবা তাঙ্কক

১। মী মখল খবগী ৱাবী ২। বর্ন সঙ্কবগী মবম খবা ৩। গীতা কর্ম্মযোগ নৈনবা মতাং ৪। পোলোইবা ৫। তীর্থগী গুন অসিনচিংবা কযা নৈনদুনা তাক্লি। মকওইনা লাইবিক অসিদা নৈনবিবসি মণিপুবগী লোক্তাক অমদি ঈথাযনা লোক্তাক ঈমাগী প্রকৃত্তী শক্তম্ লু অনৌবা খুৎশেম্লা অঙকপা ফংনা কাযহল্লকপা, তুবেল খোংনুংনা থেনগৎলকপা, জঙ্গলশিং কোকথোকখিবদগী মাঙহল্লকপা অমদি পাৎ তুবেলনা ফুঞ্জল্লকপনা মনিং তম্লা চেনবা ঙমদবা অমসুং শা উচেকশিংনা মাঙখিবা পুম্নমক অসি উকবদা অইবগী থম্মোযদা নিংঙমদবগী ঈথক হৌবকই। মম্বিদা নত্তনা মীওইবা জাতি অসিনা থকশি খাশি লৈবক্তবা

মীঙ্গৌ থাগৌনা ভক্তি বেব্যহাব মাঙশিল্লকপা মীনুংশি লৈনবক্তবা মীনা শা ওন্দুনা হীংচা যাইতম্বগী ব্রাখল খল্লকপা অমদি প্রজাগী লন থুম ঙাকপী শেম্বীবিবা অচুম অবান বিচাব তৌবিবিবা লৈবাক্কী ব্রায়েল চুপ্লি পায়বিবশিংনা কমদৌনা লৈবাক ঙাক্কদগে খঙদনা কংঙাওনবিবা পুন্নমক অসি উকবদা কবি অসিগী থম্মোযদা ওমচাক্লদুনা লৈবিবা পুন্নমক লাইবিক ওইনা ফোঙদোক্লগা মীযামদা খঙহনবনা থম্মোযগী অব্রাবসি খবদংদা ওইববসু কোক্লগে খন্দুনা ঙসি লাইবিক অসি মীযামগী খুত্তা শিন্নজবনি। অবান অহুই কযা য়াওবল্লবসু খ্বাই খিবিক্লা তাকপীবকপা ফিগাওশানা যাজবি।

লাইবিক অসিদা ধর্ম্মগী মকওইবা লিচৎ শাজৎ পুন্নমক ময়েক শেংনা উবা ফংই। ধর্ম্ম তত্ব চংখোন্না খঙলবা শ্রীঅথোকপম বিববাবু সিংহ কলা ভুষন অসিনা আনা অযেক যাওদনা খুত্তা কলম পাযদুনা মখল কযাগী লাইবিক ইদুনা ফোঙদোকপা ঙম্বা ওইবসনু হাযনা ঈশ্ববগী মফমদা থৌনিজবি। লোযননা লাইবিক অনী অসি পাবীনবা মীযামগী খুত্তা শিন্নজবে।

মঙ্গল অর্শিববাদ পীজবি।

লমাবম তোমচা সিংহ
জেনেবেল সেক্রেটবী
মণিপুব সাহিত্য পবিষদ,
বিষ্ণুপুব ডিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ, বিষ্ণুপুব।

তাং
১৭/৪/২০১৩

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯂꯣꯛꯇꯥꯛ ꯑꯃꯗꯤ ꯏꯊꯥꯏ ।।

মণিপুরগী লোক্তাক অমদি ঈথায়।

অহানবা তাঙ্কক

লোক্তাক কদাযনো? খুৎ থিল্লগা তাকউ। ব্রাহং অসিগী চপ চাবা পাওখুম পিবা ইবাই লায়দে। মবমদি লোক্তাক হাযবা মফম অমা তোপ্লা লৈবা উদে। মসিগী মবমদা ঐখোয মীওইবগী হকচাংগা লোক্তাক লৈমগা চাংদমজৈ। মীওইবগী হকচাং হাযবসি জ্ঞ্যানেন্দ্রিয মঙা কর্ম্মেন্দ্রিয মঙা ইন্দ্রি তবানা পুনববু হকচাং কৌই। জ্ঞ্যানেন্দ্রিয় হায়বদি - মীৎ, নাকোঙ, নাতোন, লৈ, উনশা মঙা অসিনি। মীৎনা উই, নাকোঙনা তাই, নাতোন্না শ্বোব হোনবা মনম খংবগী থবক তৌই, লৈনা মহাও খংই, উনশানা শোকপা খংবগী মথৌ তৌই। অদুগা কর্ম্মেন্দ্রি হাযবনা খোং, খুৎ, যা, ঈশিংথোং, অমাংথোং অসিনি। খোংনা চৎপগী মথৌ তৌই, খুৎনা লৌবা পাইবগী মথৌ তৌই, ঈশিংথোং অমাংথোং অনিনা মনুংগী ফত্তবা মপান্দা পুথোকপা অমদি সৃষ্টি- সংসাব সেম্বগী মথৌসু তৌই। অসুম্না ইন্দ্রি তবা অসিনা পুনববু হকচাং হায়না খংবগুম্না লোক্তাক লৈমবুসু ঈশা মপন্না পুনববু লোক্তাক কৌই।

ঈশা মাপনগী মমীং

উঙাম্লেন, থমংখোঙ, ঈথিং, লাইফম মকোক, লৈঙাংপাৎ, সেন্দ্রা, ঙক্রাপাৎ, তাকমু, উত্রাপাৎ মাপন অসিনা পুনববু লোক্তাক হায়না


অহানবা ভাক্তক

ঐখোযনা খংনবী। মীওইবগী ইন্দ্রি তবানা মথৌ তৌবগুম্বা লোক্তাক লৈমনা মণিপুবগীদমক লোক্তাক ঈশা মাপন অসিনা মশা কযা পুথোক্লুনা মণিপুবদা লৈবিবা চিং তম্ ঐখোয পুম্নমকপু যোকপিবিবা ঈমানি। অসিগুম্বা মালেম লৈশেমখৈদগী লৈবক্লবা তাইবং মপুগী লীলা শানফম লোক্তাক লৈমগী মগুনবু তাইব, মীওইপোক কনানা ঙমখৈ ফংগা শিংথাবা ঙমগদগে। থিক- থিকবগা অ[illegible]ম অসুম পাকথোক চ[illegible] ওথোবকই [illegible] [illegible]বী ব্রাশোং যাম্বনা ব্রাবোইশিন পিবা ঙমদে। অদুবু যাম্না লুবিবদি লোক্তাকী ব্রাবী লীবগা লোক্তাক কমদৌনা থোনখিবনো হায়বা ব্রাহং অমদি [illegible] লাকই। মবম অসিনা মণিপুবগী লোক্তাক অমদি ঈথাযনা যাম্না। তেনব[illegible] [illegible] ব্রাবী মতেক অমতং মালেম হৌফম পুম্নমগী লোশনজে। মালেম [illegible] পযানা হাবদি কৌব্রু চিংদোন্দা লাইযাম [illegible] লোক্তাক থোংবানি [illegible]। শম্ভু [illegible]বীদি মৈত্রবাক অসিদি চিংলোন মাপন্না ইবোয কোযশিন্দুনা লৈবনা ঈশিং চেম্থোকযম [illegible] ঈশিংনা তবাং হৌদুনা [illegible]। মতম [illegible] কৌব্রু চিংদোন্দা [illegible] ফমদুনা ব্রাতানৈ। মফম অসি [illegible] খল্লবকপাদা ঈশিং অসি চিংথোকপা ঙম্লবাদা [illegible] [illegible] ঈশিং কিংথোক[illegible] [illegible] [illegible] লাংই, [illegible] [illegible] ঈশিং ব[illegible] [illegible]। [illegible] চিং [illegible] [illegible] [illegible]বকপদা লোংপোক [illegible] ঐনা ঙমগনি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লৌদুনা মথৈনা [illegible] [illegible] [illegible] থেংউ [illegible] ব্রাইদুনা চিং [illegible] [illegible] থোল্লি। [illegible] [illegible] তম্পাক্কী [illegible] লোইনা [illegible] [illegible] [illegible] ইহান [illegible] মফমদু [illegible] লাইযাম্না [illegible] মসিদা লাইযাম খুন[illegible] মসিদগী

লাইযাম্না লোক্তাক কংউ যাদবগী মবম থিবকপদা ঈফুং মাপন ফাওবম্মে। কনানা থিংব ঙমগদগে থিনবকপদা থোঙঙাক্ নুংথোঙ্ লাইনা ঐ থিংগে চোংথোক্লনা থিংঙকপদা ঈফুং নিপান্দি থিংঙে অমদি থিংবা ঙমদ্রে, হন্না হন্না হোৎনবদা থিংবা ঙমদদুনা ঙসি ফাওবা লৈবি। ব্রাবীসিদগী মণিপুরবু অহানবদা কংলৈপাক কৌই। ঈশিং তাক্লা কংই হায়বদগী লাইযাম্না লোক্তাক থোল্লী হাযবসিনি। মবম অমনা গুকনা লোৎলি হাযবদগী লোক্তাক থোল্লী হাযবসু লৈ, ঈবুধৌ থাংজিংনা চা কৌবা হিংচাববু মাগী তেঙ্গেলগা লোইননা তাক্লা তুম্না হাৎলী হাযবদগী লোক্তাক থোল্লী হাযবা ব্রাহৈসু লৈ, পুম্নমক অসি লাল্লোই পুযাশিং অদুগী মাগী মাগী মোৎতা হাযবনি। পুম্নমক অসি ওইদুনসু ঈশা মাপন্না পুল্লগা লোক্তাক কৌই হাযনা ব্রাবোযশন থমজগে।

হৌজিক ঐখোযগী লোক্তাক লৈমগী পাক চাওবা অমদি অরু অথেনগী মবমদা ঈকং থা নোংজু থাদা খেৎনবা মওং অদু- DISSETATION OR ENVIRONMENTAL DEGRADRATION LOKTAK LAKE MANIPUR না পিবা মোৎকী মতুং ইন্না মণিপুরগী লোক্তাক অমদি ঈথাযনা হাযবি। মীওইবগী খুৎ চংদ্রিঙৈ অঙনবা মতম প্রকৃতী- মহৌশা লাইবেনগী ঈমানা ওইহনবা ওইবম্না লোক্তাক লৈমগী অরু অথেল অমসুং পাক- চাওবগী মবমদা অসুম্না হায- লোক্তাক্কী মতাই অবোযবদা লুবম্বগী চাংদি মীটব ১০ গী চাং যৌনা লুবম্মী। অদুগা মযাযদনা মীটব ১৬ লুবম্মী। হৌজিক্লা মতাইদা মীটব ২ লুই, মযাযদনা মীটব ৮ লুই হাযনা চাওবাক্লা প্রমান পি, পাক চাওবনা ঈকং থাদনা কীলোমীটব ৬৪ গী চাং ওই, বরিষা- নোংজুথানী মতমদনা কীলোমীটব ১০৪ পাকই হাযনা চাংদম পি।

অহানবা ভাঙ্কক


LOKTAK PAT
24° 42 N
SILTING ZONE
LOKTAK LAKE
SENDRA
KEIBUL LAMJAO NATIONAL PARK
INDEX
SILTING
FLOATING PHOUMDI
NATIONAL PARK
WATER
STREAMS
24° 25 N
(NOT TO SCALE)
N
W
E
S
93° 40 E
93°55 E


মখানবা তাক্কক

NUNJSUL TURAL
THAUWA KHONG
CHAROI LOK KHONG
KHUJAIROK
LAMGANG
AKANG
KHONGDOUBI
THAMBAL LAWAI STREAM
KANGKHOI
IMPHAL RIVER

FEEDER STREAMS OF
LOKTAK LAKF

SCALE
0 3 6

SKETCH MAP OF LOKTAK (LAKE) PROJECT



CANAL
LOKTAK LAKE
LEIMATAK RIVER
IMPHAL RIVER
ITHAI DAM

1 HYDRO ELECTRICT POWER HOUSE
2 TUNNEL
3 C 'ANNEL
4 WATER (SHALL:)W)
5 LA'E
6 CANCL
7 RIVEP

লোক্তাকতা তাবকপা তুবেল খোংশিং:

মণিপুবগী তুবেল অমদি খোং ২৪ না লোক্তাকতা তাবকই। তুবেল অমদি খোংশিং অদুদি মখাদা হায়বিবশিং অসিনি। কাংশোযবী খোং, থাঙ্গলবাই খোং, হাওগ্রাম খোং, থোইবী খোং, মোইবাং তুবেল, ইকন্বী খোং, মযাং খোং, তেবাখুনিং খোং, সনাথোয় খোং, পাখংখোং, খোংদৌবী খোং, অব্রাং খোং, লমগাং খোং, খুজাইবোক,নিংথৌখোং তুবেল, চবোইলোক, থোংজাওবোক, থবাখোং কৈবাও খোং, য়ুম্নাম খুনৌ খোং, নম্বোল তুবেল, ওইনাম তুবেল নম্বুল তুবেল হাযবিবা তুবেল অমদি খোং ২৪ অসিনা লোক্তাকতা তাবকই।

কাংশোযবী খোংনা কীলোমীটব ৭কী লম শাংনা চেলক্লগা লোক্তাকতা তালকই। থাঙ্গলবাই খোংনা কীলোমীটব ১০ শাংনা চেলক্লগা লোক্তাকতা ঈাতল্লে। হাওগ্রাম খোংনা কীলোমীটব ৭ কী লম শাংনা চেলক্লুনা লোক্তাক তাবকই। থোইবী খোংনা কীলোমীটব ৮ গী লম শাংনা লাক্লগা লোক্তাক তাবকই। মোইবাং তুবেলদি কীলোমীটব ২১ গী লম শাংনা চেলক্লগা লোক্তাক লৈমা ঈমাদা ঈতিল্লে। মোইবাং লমখায খোংনা কীলোমীটব ২০ শাংনা চেলক্লুনা লোক্তাক তাবকই। ইকন্বী খোংনা কীলোমীটব ৬ কী লম শাংনা চেলক্লুনা লোক্তাক তাবকই। মযাং খোংসু কীলোমীটব ৬ শাংনা লাক্লগা লোক্তাকতা ঈতল্লে। তেবাখুনিং খোংনা কীলোমীটব ৭ কী লম চেলক্লগা লোক্তাকতা তিল্লে। সনাথোয খোংনা কীলোমীটব ৬ লোম চেলক্লুনা লোক্তাকতা ঈাতলে। পাখং খোংদি কীলোমীটব ৮ লাক্লগা লোক্তাকতা তিল্লে। খোংদৌবী খোংনা কীলোমীটব ৭ শাংনা চেলক্লুনা লোক্তাকতা তাবৈ। অব্রাং খোংদি কীলোমীটব ১০ গী লম লাক্লগা লোক্তাক তাবকই। লমগাং খোংনা কীলোমীটব ১২ গী লম লাপ্না লাক্লুনা লোক্তাক লৈমদা ঈতিল্লে। খুজাইবোক খোংসু কীলোমীটব ১২ গী লম লাপ্না চেলক্লুনা লোক্তাক লৈমদা ঈতিল্লে। নিংথৌখোং তুবেলনা কীলোমীটব ১৭ কী

লম থাপ্লা চেলক্লগা লোক্তাক তাবকই। চবোইলোক্লা কীলোমীটব২৫ গী লম লাপ্লা চেলক্লুনা লোক্তাকতা তিল্লে। থোংজাওলোক্তি কীলোমীটব ৩০ লাপ্লা চেলক্লগা লোক্তাক লৈমদা তিল্লে। থবাখোংসু কীলোমীটব ২৫ গী লম লাপ্লা চেলক্লুনা লোক্তাক তাবকই। কৈবাও খোংনা কীলোমীটব ২৭ কী লম চেলক্লুনা লোক্তাক লৈমদা ঈতিল্লে। য়ুম্নাম খুনৌ খোংনা কীলোমীটব ২৫ গী লম চেলক্লুনা লোক্তাকতা তাই। নম্বোল তুবেলনা কীলোমীটব ৫০ গী লম শাংনা চেলক্লুনা লোক্তাকতা ঈতিল্লে। ওইনাম তুবেলদি কীলোমীটব ২৫ লাপ্লা লাক্লগা লোক্তাকতা তিল্লে। নম্বুল তুবেলদি কীলোমীটব ১২৫ গী লম শাংনা চেলক্লগা লোক্তাক লৈমদা ঈতিল্লে। অসুম্না মণিপুবগী তুবেল অমদি খোং ২৪ না লোক্তাকতা তাবকই। মসি নত্তবা তুবেল অচৌবগী নোংপোক্তা চেল্লিবা ইবিল তুবেল, শেকমায তুবেল, ব্রাংজিং তুবেলনচিংবা পাৎ তু-খোং পুম্নমক ইম্ফাল তুবেল,তুবেল অচৌবদা লোযনা তাবকপা তিল্লবমক্তনি। লোক্তাক লৈমগী ঈশিংসু খোঁদাক অমদি উঙাম্লেন্না পুবক্লুনা তুবেল অচৌবদা তিল্লে।

মৈত্রপাক্ অসিদা চেল্লিবা তুবেলশিং অমদি লোক্তাকনচিংবা পাৎ তু- খোং পুম্নমক্লা পুলপ তিল্লবিবা ঈতিনকম অদু ঈথায খেবপুং (খেবুঙ্) ঈথায চিংজিল মপাগী অচৌবা ঈবেল অসিদনি। মফম অসিবু মণিপুবগী লোক্তাক অমদি ঈথাযনা ঈবোঙ অহুম পুনবা (ত্রীবেনী) হাযনা মীংথোল্লী। মদুদি তুবেল অচৌবনা অব্রাংলোমদগী তু- খোং, পাৎ তুবেলশিংগী ঈশিং মপৈ পুদুনা ঈবাওখোলগা লোযননা খোংনা লাওনা মবৈ- মবৈ তানা চেলক্লগা ঈথায চিংজিন্দা কন্না ফুবগা খেবপুং মখোং তম্না যাংনা চেনশিল্লী, খুগা তুবেলনা নোংচুপলোমদগী নোংপোক পাংনা ঙংদুনা লমজেল য়াংনা চেলক্লগা খেবপুং মখোংদা তুবেল অচৌবগা অঙকপা ফংনা চিলওক্লে। উঙাম্লেন খোংজাওনা লোক্তাক লৈমগী ঈশিং পুদুনা ঙাওনা খোংদুনা চেলক্লগা তুবেল অনিনা চিলওক্লবিবা ঈথায খেবপুং মখোংদা ঈযৈদুনা ঈথায়বৈ। মতাং অসিদা মণিপুবগী লোক্তাক

অমদি ঈথায়না মফম অসিবু ঈতিন হায়না কৌবি, অনিশুবা মমীং অমনা ঈথায় হায়গে। মণিপুব পুম্নমক্কী ঈতিনফম্নী হায়বদগী ঈথায়বু ঈতিন কৌবনি। তুবেল অচৌবা অমদি খুগা তুবেল অনিগী ময়ায়দা খায়দোকই হায়বগী ঈথায়বু - ঈথায় হায়বনি।

লোক্তাক প্রোজেক্টকী মবম নৈনবকপদা মক ওইনা ঈথায়গী ৱাবী য়াওদবা য়াদে। মবমদি মণিপুব পুম্নমক্কী ঈতিনফমদু ঈথায়নি হায়খ্রে। প্রোজেক্ট অসিবু মপাঙ্গন কন্না সহজোক পিবিবা তুবেল অদুসু খুগা তুবেলনি। খুগা তুবেল হায়বসি মবক ময়াগী তুবেল নত্তে, মণিপুবদা চেল্লিবা মমীং লৈবা তুবেলশিংগী মনুংদা শিংথানবিবা খুগানি। মবম অসিনা মণিপুব সবকাব অমদি লোক্তাক ওখোবিতি সাধাবন প্রজা মীয়াম ঐখোয খুদিংমক্না খুগা তুবেলবু মতম খুদিংমক্তা মশক খংনা নুংশিনা উফম থোকই। অসিগুম্না মণিপুব পুম্নমক্কী ওইনা মকওইবিবা খুগা তুবেলবু ঐখোয়না শক খংদবা অমদি হম্না য়েংবা তাববদি মণিপুবী ঐখোয় পুম্নমক্কী ওইবা অমাংবা মপৈ অমা শোযদনা লাক্কনি। ৱাবী অসিগী থোয়দোকপা মবমদি মখাদা অহানবা ভামগী সাফু হাযবা মতাংদা শন্দোক্না হাযবক্কনি। অনিশুবা মবম অমনা লোক্তাক ঈশা উঙাল্লেন অসিসু ঈশা পুম্নমক্তগী লোক্তাক্কী মকওইবা ঈশানি, মথক্তা প্রমান অমা থমজথী। মীওইবগী হকচাংগী ইন্দ্রিয়শিংগী মনুংদা থবক শুবিবা ইন্দ্রিযশিং অদু খোং- খুৎ যা ঈশিংথোং অমাংথোং মশা অসিনি। মবম অসিনা খোর্দাক্ অমদি উঙাল্লেন খোংজাওনা লোক্তাক্কী অমোৎপা পুম্নমক পুথোক্নুনা তুবেল অচৌবদা থাদবকই। ঈশিংথোং অমাংথোংদা লাইনা লৈববদি হকচাং পুম্নমকপু শোকহল্লী অদুগুম্না উঙাল্লেন পাৎ অমদি খোর্দাকপু মপুং ওইবা মীৎয়েং থমদুনা চেকশিন থৌবাং লৌখৎপা হায়বসি ঐখোয খুদিংমক্কী ঈথৌদাংনি। মবম অসিনা লোক্তাক কনশি প্রোজেক্ট চাওখৎহনসি হায়ববদি লোক্তাকখকতা মউবা অকোযবগী ফীভম যেংদবা লানগনি। মগথোং ফন ফজ্জববসু মখোং মখুৎ শোইনাইববা মীবু মশক ফজে হাযবোই। প্রোজেক্ট অসিগী

অহানবা তাঙ্কক

মপাঙ্গল পিবিবা অচোবা মথোং ওইবিবসি খুগা তুবেল অমদি খোঁদাক্ উঙাম্লেন্নী। লোক্তাক কন্নবা প্রোজেক্ট চাওখৎনবা মকওইবা লম্বী খিবকপদা ঈথাযদা যাম্না মকওইবা লৈ।

মহক্কী মেপ অম্লা লোক্তাক লৈমগী মশকপু চাওবাক্লা তাকই। লোক্তাক্কী ব্রাবী লাম্পজা থাঙ্গ চাংবুসু উবকই, থাঙ্গ চাং কনানা থোনখী তখেন নিংথৌ যোংহাপ্পনা মোইবাং নিংথৌ লাইফাচেগা অনিনা চীং অসিবু থাঙ্গচীং থোল্লী [illegible] লৈ, তখেনা [illegible] বৌনা লাইববা নিপা অমা লৈবম্মী। মমৈদা মবাইবক্ক ফন্দগী লাই নুপী অম। [illegible]দুনা পাম্নবদা লোমলাং যাইবংচান বৌবা মচা নিপা অম। মংজেবে লাইনপা কোক্কে যায়ওইবা থাং অমসু ফংজদুনা তখেন নিংথৌ[illegible] [illegible] চু। মদুগী পাও তাদুনা নিংথৌনা থাং পুবকই [illegible] [illegible] নিংথৌ [illegible] উকদা। গুসি অহিংনিতৌদি ঐ [illegible] তাজাগা [illegible] যাদুনা [illegible] মখুমদা [illegible]। [illegible] তখেন নিং[illegible] অদুন [illegible] চপ মান্নবা থাং অমা [illegible]। মথাং [illegible] পিবে। অ[illegible] মদুনা নিংথৌনা জৌশিন্দুনা পুজা [illegible] তখেন নিংথৌ নুংঙ্ উ[illegible]। তখেন নি[illegible] ইবাং নিংথৌ লাই[illegible]চেগা যাম্না [illegible] মকপা [illegible]। [illegible] নিংথৌনা [illegible] নিংথৌ [illegible] তখেন্দা চংদুনা [illegible] উ[illegible] [illegible] লৈ [illegible] অদুদি [illegible] থাং [illegible] মোইবাংনা [illegible] জিনক্লে। [illegible] থাম্বাল মাংহনবি [illegible] মোই[illegible] পুনক [illegible] লাংপদা মোইবাংগী নুংঙাই পাইখবে। মতম [illegible] লৈবগা তখেন নিংথৌ [illegible] থাং পিবিরো [illegible] মোই[illegible] নিংথৌনা থাং অদগা চপ মান্নবা থাং অমা [illegible] পিনবদা [illegible] থাদুনা [illegible]দুনা লৌ[illegible] ইকাইখনা মোইবাং [illegible] অদুবা থাং অদু পুথোক্তুনা পিবদা মাল্লি [illegible] [illegible] মরক শেংদবদু উবদা মতিক

লৈবা থাং অদু ফ্রং ফ্রং চোংদুনা মৈ হৌদুনা পাযবা ঙমদ্রে। মযাম্না ঙক্না য়েংনবিউঙেদা মোইবাং নানবী তুবেন্দা চোংথদ্রে। ঈশিং মনুংদা কোঙ্গোল কানা লোক্তাক তম্না চৎখি। নিংথৌ অনিনা মীযামগা লোইননা হি তোংদুনা তান্নবকপদা থাং মাদি চীংলক যচনবা মোইবাং খোযোন থাঙ্গকুণ্ডবগী শোবাক খাদাকপদা চংউবে। থাংগী মযায কনবনা শোবাকগী মখা ফাতৎলগা লুগী মথক্তা চোংখৎলগা চীংদা কাখ্রে, নিংথৌ অনিনা থাং ফাবা ঙমহৌদ্রে। মবম অদুদগী নিংথৌ অনিনা চীংগী কোলোযবু থাংকা চীং খোনখি লোন থৈখবক্লুনা হৌজিক্তি থাঙ্গ চীং কৌনবে।

মণিপুরগী লোক্তাক অর্মাদি ঈথাংনা থাঙ্গচীং খোনবগী ব্রাবী অসি মাইগৈ উৎপনি। অসিগুম্বা থাঙ্গ চীং অসিদা খোইযুম অথোযবা অহুম্না ঙাম্লোইবিবি। অহানবা (১) থাঙ্গবাকপা (মহাদেবনি) হাযনৈ। অনিশুবদা (২) চীংনিংথৌ (লোকনিংথৌ) কৌবম্না, অমদি অহুমশুবদা (৩) চাইবেল লাকপা লাই অহুম অসিনা থাঙ্গচীং অকোযববু ঙাক শেনবিবি। লোকনিংথৌ, অমদি চাইবেল লাকপা অনি অসি মতাও শান্নে হায, লাই অনি অসিগী হৌবকফমসু খা মাইগৈ হৌবী চিংদগী হৌবকই, উনিংথৌগী হি অমমম তোংলগা থঙ্গ চীংদা খুংবদা ঙনগা অমনা নিংথৌ ওইনসি হাযনা হিদান্নবকপদা ব্রাংঙ তম্ফা লাইরেম্বীনা মাং থাবকপা চাইবেল লাকপদা ঈতৈ ইবুংঙো হৈবাং চাখিসি লৈবাং পানখিসি খাম্বদা ঐদি ঈতাওগা লমজেন তান্নবকপনি চাববোই হাযবম্মগা তুনোন অচৌবা মাবলদা কন্না হিগোন্দুনা খোদাক হৌনবা হোনখি। তম্ফানা তুং ইলকপ লোকনিংথৌবু অমুক খাম্মী, ঈতৈ ইবংঙো হৈবাং পানসি লৈবাং চিনখিসি ঐনা অশম্না হিকম তাক্কনি খামদুনা চোক পোখবা নাতম্ফানা উঙান্লেন মম্মগা হোল্লু খোঙাক তাবনি তাকই। মনুংখিদা ব্রানী যাম্না লৈখ্রে, মদুদি নাপ্পচিক্না বতানৈ, নাপ্পী নামচিক খোল্লী, মনা যেংই মোনজাং খোল্লী হৌজিক ঈনা ঙাম শাবিবা চীং অসিবুনি। তম্ফা লাইরেম্বীনা অশম্বা লম্বী তাবদগী

অথোয়বা ঠাক্ক

লোকনিংথৌনা য়াংগু হিগায়বমদা হি হোলকপনা থাঙ্গ চীংদা হান্না থুংখিবনা চীংনিংথৌ হায়না মীংথোলখী হায। ইকায়ববা চাইবেল লাকপনা খাবোমদা হনজ্রগে হায়বকপদা চীংনিংথৌনা হনবিক্রগনু থাঙ্গ চীংদা ঐথোয় অনি পুন্না পানমিন্নবসি খামদুনা খোইয়ুম অথোযবা অনিমক থাঙ্গ চীংদা পুন্না লৈমিন্নবি। মবম অসিনা থাঙ্গ চীংগী মগুনবুসু খজিক্তং পঙ্গবনি। লোক্তাক ঈশা মাপনগী ঈয়ায় ঈবেনবুংদা লৈ। হাযবগীদমক মণিপুবগী লোক্তাক অমদি ঈথাযনা থাংকাচিং - থাঙ্গচিংবু অতাওচীং হাযনা কোলোয়ে। থাঙ্গচীংদি চীংশা মাপন লোংই, লোকশাগু মাপন চেনবা লোযবী অথোয় চীং শিদযায নাদযায় হিদাক পিবা থাঙ্গবাকপা চীংনিংথৌ চাইবেল লাকপা খোইয়ুম অথোইবা অহুম্না পানবা মবমদমও থাঙ্গ চীংনি। চীংশা মাপনগী মমীংদি কেগেচীং, ঈথিংপনথিং সেন্দ্রাপাংদচীং, চীংমৈবাকপা লাংওনচীং, মুকাপ মাছুচীং, তোবচীং, চিংজাও পাবোংচীং, কৈবুলচীং অসিগুম্বা চীশাং মাপন লোংবা থাঙ্গচীং অসি লোক্তাক ঈয়ায ঈবেনবুংদা তাওবী। পৃথিবীবু মহা সমুদ্রনা থাঙ্গমপাং ওইনা কোইবগুম্না থুমহি চেম্প্রবা লোক্তাক লৈমগী শেংলবা চম্লবা লাইজ ঈশিংনা থাঙ্গপাং ওইনা ঈকোয কোয়বী।

লোকশা মাপনগী মমীংদি- কেগে কংলৈহিশালোক, খম্বু চীংজেং লোক, ফেম্বা লোক, লাইখুললেল লোক, হৈগা লৈচীল হিগা লোক, অচোয লোক, নোঙ্গা লোক, নোঙ্গুম লোক হাযবিবা লোকশা মাপন অসিনি। লোক্তাক ঈশা মাপন্নী, লোকশাগু মাপন লোংবনি।

অসিগুম্বা মণিপুব সনা লৈপাক্কী লনগৈ ওইবা হি যায পোকপী ভাবতবর্ষ খগুগী লোংপোক্তা প্রবত্না ওইনা ভাল্লিবী পৃথিবীদা মণিপুববু শক তাকইবী লোক্তাক লৈমা ইমাগী মগুনবু বন্দানা শিংথাবা ভমগদগে ? অদুবু লোক্তাক লৈমা ইমাবু থম্মোয শেংনা নুংশিজবগী মীংনা উবা মচেং অমত্তং ফোংদোক্লনা তেংথা নাওইজবনি। লোক্তাক ঈমাদি মালেমগী মীযাম্না কলক মীহৌনবিবী, মালেম্না শকখংবী ঈমানি। মখংদা লোক্তাক ঈশা মাপনগী মমীং রাবীগা লোইননা হাযবী।

লোক্তাক ঈশা উঙাম্লেন

লোক্তাক পাৎকী মাইদগী মকওইবা ঈশাদি উঙাম্লেন্নি। বরিষা- নোংজু থাগী মতমদা লোক্তাক্কী ঈশিংবু কত্তু হাওদিনা লোয়ননা উঙাম্লেন খোংজাওনা পুথবক্তুনা ত্রিবেনী ঈরেন্দা থাদবকই। পাৎ অসিমু উঙাম্লেন খোনবগী ৱাবী অমনা মতম অমদা মোইবাং থাংজিং লাইনা চা কৌবা হিংচাবা অমা মাগী তেঙ্গোলগা লোয়ননা তুম্না হাৎলগা লোক্তাকতগী থাদবকপদা উঙাম্লেন খোংনুংদা উঙাম তাওবগুম তাওবকই হায়বদগী উঙাম্লেন খোল্লী হায়বা ৱাবী লৈ, লোক্তাক্কী মক ওইবা উঙাম্লেন ঈশানি।

থমংখোঙ

অনিশুবা লোক্তাক ঈশাদি থমংখোঙনি। থমংখোঙ হায়বা পাৎ অসিগু লোক্তাক্কী মক ওইবা ঈশা অমনি। মবমদি মফম অসিবু লাইনা য়াম্না খোয়দায় মবম অদুদগী থমংখোঙ কৌই হায়।

ঈথিঙপাৎ

ঈথিং পাৎ অসিবু ঈথিঙ খোনবগী মবমদি য়োইমোংবা, তাওথিংমাং কংলৈ নিংথৌ মচিন মনাও অনিনা মফম অসিদা কায়েন মীওম্বা হাৎখি। তাওথিংমাংগী তেন্না কায়েন মীওম্বগী মশা নাম্মা কক্তুনা থাদবকপদা চীং অনিগী কাবক অসি ফুনখিদুনা ঈশিং চেন্থোকপা ঙমদদুনা তাকমু পাৎ মৌখৎলক্তুনা মোইবাং অসি লৈবা যাবক্তুবদা মোইবাং লৈপাক মীয়াম চৎদুনা হোন্দোকপদা থা অমা চংই হায। কায়েন মশানা ঈশিং থিংই হায়বদগী মফম অসিবু থাঙ্গ ঈথিঙ হায়না ঙসি ফাওবা কোল্লোযনবী।

লাইফম মকোক

লাইফম মকোক্ মবিশুবা লাইফম মকোক হায়বা ঈশা অসিদি কৈবুল লমজাও থুমখোঙ কাচিন হায়বনচিংবা পাৎশাশিং যাম্না লৈখ্রে। অসুম্না অতে

লোক্তাক্কী মনুংদা খ্বাইদগী অকনবা মফম অমনি। মদুগী মবমদি মফম অসি লাইয়ামগী খুন্দিন্নফম্নী হায, মবম অসিনা মী পংচং চংনদে যাম্না কিনৈ লাইয়াম তিন্নফম্নী হায়বদগী লাইফম মকোক্ কৌই।

মণ্ডাশুবা লৈঙাং পাৎ

মণ্ডাশুবা লোক্তাক ঈশাদি লৈঙাং পাৎনি।পাৎ অসিবু লৈঙাং পাৎ থোনবগী মবমদি মফম অসিগী ঈশিং মচুগা অতৈ পাৎকী ঈশিং মচুগা মান্নদে ঙাঙ্লৈনৈ। ৱাবী অমা লৈ, অদুঙৈ ঈবুধৌ থাংজিংনা চা কৌবা হিংচাবা অমা মাগী তেঙ্গোলগা লোযননা তুম্না হাৎখি। হিংচাবশিংগী শক ঙাক ঈতনা পৃমঙাং ঙাংদুনা লৈবদা ঈমা লৈমবেন শিদবীনা থাংজিং চিংদোন্দা লৈবা ঈযোক কোমদগী ঈশিং থাদবক্লুনা শেংদোকখী, ঈনা ঙাংই হাযবদগী লৈঙাং পাৎ হাযনা মীংথোলনী।

সেন্দ্রা (শেনত্রা)

তবকশুবা লোক্তাক ঈশাদি - সেন্দ্রা (শেনত্রা) পাৎনি। মফম অসি সেন্দ্রা কৌবদি নোংমা মোইবাং নিংথৌ লাইগতোম পন্সীবনা মনাইশিংগা লোইননা ৱাযকৈ হি তোংদুনা লোক্তাকতা হোন্দোক্লগা লোক্তাক্কী ফন্দ, শক্তেম যেংই। নৃমীৎতু কোবৌ মৈশা কনবনা নিংথৌগী সনা হকচাং ওল্লাংবনা খাংবা ৱাদুনা মখুত্তা চাইথশেন পাইদুনা ঈক শান্দেঙই। মতম অদদা সনা খুড়ুগী চাইথশেন অদু উন উনা ন হেক্লুনা লাইজ ঈবোন্নুংদা নুপখী। মদু উনদা নিংথৌনা হাযখী - ঐগী ঈখুৎমক্তগী চাউথশেন নাম্থাক্লুনা তাখিবা মফম নংবু সেন্দ্রা হাযনা থোলমগে। হযেং পোউবৈ চাদোন শুদোন ফাওবনা সেন্দ্রা (সেনত্রা) হাযনা কোলোযনবসন হাযবম্বদগী সেন্দ্রা নত্তগা (সেনত্রা) কৌবনি।

ওক্রাপাৎ

তবেৎশুবা লোক্তাক ঈশানা ওক্রা পাৎনি। ওক্রাপাৎ হাযবাসি ঈপুথৌ

মোইবাং থাংজিংনা থোনবনিহায। থোযদোকপা ৱাবী অমা থেংনদ্রে, লৈঙাংপাৎকা থংননা লৈবা পাৎশানি।

তাকমু পাৎ

নিপানশুবা লোক্তাক ঈশাদি তাকমু পাৎ হাযবসিনি।তাকমু পাৎ হাযবা পাৎ অসিদি লোক্তাক মযায চপ্ চানা লৈবা লোক্তাক্কী যাম্না মকওইবা ঈশানি। মফম অসিদা মোইবাং থোংলেন্না চাওববা নুংপাক অমা থম্মী হায। লোক্তাকপু ঈশিং কংহনগে হাযবগা নুংপাক অদু লৌথোকই। ঈশিং চাওহনগে খল্লগা নুং অদু মেনশিল্লী। মদুগী মবমদি মফম অসিদা শুকণ্ড লৈ অদুনা নুং অদুনা মেল্লগা ঈশিং চাওখৎলি। নুং অদু লৌথোক্লগনা লোক্তাক ঈশিং কংই মবম অসি লৈবদগী তাকম পাৎ থোনবনি মশিগু লোক্তাক্কী মক ওইবা ঈশা অমনি।

মণিপুরদা ঈথায ৯ - উত্রা পাৎ

মাপনশুবা লোক্তাক ঈশাদি উত্রা পাৎনি। থাংজিং চিংগী চিংথত্তা ৮ যাককোম (পুখ্রি) অমা লৈ অদুশুম্না ঈযোককোম অদুদগী ঈৰৈমা ইবেম্মানা ঈশাং থাদবক্লনা উত্রা পাৎতা তাহল্লী। ঈৰৈমা ইবেম্মনা হাযখী। ঐগী লাইজ ঈশিংনা [illegible] লম মখৈদি হায, ৱাঙম চন্দোন পোইবৈ শুদোন্না [illegible]োমদ্রিমখৈদি নম্ তাইব মক [illegible]কাথি [illegible]বা মতমদা খোইয়ুম লাইগী থেংন্দবা ওইসনু। অসুম্না ঈৰৈমা [illegible]বেম্মনা হায়াখিবা অলবদগী ৬সি [illegible] উত্রা পাত্তা চাকথি ৱাখিবদা লাই তিন পংহৈ [illegible]োংনগন্দে।

মখক্তা মমাং থবিবা ঈশা মাপন অসি[illegible] পুল্লগা লোক্তাক ওইবনি। অসিগুম্না ঈশা মাপন [illegible]অসাগী অমুক মশা লোং থোরবকইবা পাৎশাশিং অদুদি লাইনা মখাংশিংনা শিংথাবা ঙমদনা লৈরে। মদুগী প্রমান অমমং শিাব - ভান্নেন হাযবা লোক্তাক ঈশা অসিনা কোল্লিবা লম পাৎশাশিংদ তোম সমজাও

অচৌবা লোক্তাক ঈশাশিং অসিগীসু তোংঙান তোংঙানবা মাগী মাগী পাংশাশিং লোইনা লৈবিবনি পুম্নমক অসিগী মরু ওইবদি মথক্তা হায়খিবা লোক্তাক ঈশা মাপন অসিনি।

মীওইবগী হকচাং হায়বসি মীৎ নাকোঙ্, নাতোন, লৈ, উনশা, ঈ, তোং, শক শিংলী ঈশিংখোং অমাংখোং পুম্নমক অসিনা পুলপ্ পুনবা অদুবু হকচাং হায়না খংনবগুম লোক্তাক লৈমবুসু ঈশা মাপন অমদি পাংশাশিং অসিনা পুলপ্ পুনববু লোক্তাক হায়না খংনবি। অদুনা মীওইবগী হকচাংবু শিংলী অচৌবা মচা ময়াম্না ঈচেল ওইদুনা হিংহনবগুম মণিপুবগী তুবেল অচৌবা মচা তু খোঙ ময়াম্না পুন্নগা লোক্তাক লৈমগী মগুন হাম্নী, লোক্তাকপু হিংহল্লী। মবম অসিনা মীওইবগী হকচাংগী ঈচেল পুরিবা শিংলী মচা অমতং শোম্বুবকপদা শিংলী অদুনা পুবিবা হকচাংগী শকক অদু লাইনা লাকই, মদুনা মবম ওইদুনা হকচাং পুম্নমক শোম্বুহল্লী। মরুওইবা মেন পার্ত ওইবা অচৌবা শিংলী শোক্লবদি অকন্না লাইনা পেবালাইশিসনচিংবা লায়েংবা ঙমদবা লাইনা ওইবক্তনা মী অদুগী মপুগী মাংহল্লী। লোক্তাক হাযবসি মণিপুবগী পুক্নী, তুবেল অচৌবনা য়াংলেন শরুনি, খুগা তুবেল ঈবিল তুবেল, থৌবাল তুবেলনচিংবা তুবেল মচা অচৌবা মণিপুবদা চেল্লিবা তুবেলশিং অসিনা শিংলী অচৌবা মচা ওইদুনা মণিপুববু মপাঙ্গল কনবা লৈপাক অমা ওইহল্লিবনি। মসিদ নত্তে পাং মচা মচা লৈবিবা- পুমলেন পাং, লৌশি পাং, ইকোপ পাং, খোইদুম পাং, ৱাইথৌ পাং, কেক্রু পাং খরং পাং, লম্ফেল পাং, হিজম যাযজম পাং, লফু পাং, সনা পাং, উত্রা পাং হায়বিবা পাংশিং অসি মণিপুবগী মরুওইবা পাং ঙাক্তনি। হায়ব্বিবা পাংশিং অসিগী মনুংদা লোক্তাক্তা শম্নবা লোক্তাক লৈমগী মশা ওইবা পাং কয়া অমসু য়াওবি। মসিখক্তসু নত্তে, তু খোঙ্ কয়া অমসু লৈবি।

লাই হাক্তক্কী ওইবা হাযবদি লাইনা তৌবম্বা খোঙ্শিং মীনা তৌদুনা শেম্বা নিংথৌবোল হাক্তক্কী তু খোঙ্শিং হাযবিবা পুম্নমক অসি লোক্তাকতা

তাবকপা কয়া অমা য়াওবি, তুবেল অচৌবদা তিল্লবা কয়া অমনি। অসুম্না মণিপুবগী তুবেলশিং অমদি পাৎ তু খোঙ্‌ খুদিংমক লোক্তাক অমদি তুবেল অচৌবদা তাবক্তবা লৈতে। তুবেল অচৌবা- ইম্ফাল তুবেল অমদি লোক্তাক্কী ঈশিংনা পুলপ পুল্লবিবা মফম অদু মকুওইনা ঈথায়দা ঈতিল্লবী। ঈথায়দা ঈবোঙ্‌ অহুম্না পুনবা ত্রিবেনী, খেব পুঙ্‌ মখোঙদগী অমুক মণিপুবগী তু খোঙ্‌ পাৎ তুবেল পুম্নক্কী ঈশিং পুদুনা তুবেল অচৌবনা মখা পাংনা চেন্থবকপনি। মবম অসিনা তুবেল অচৌবা হায়বসি মৈত্রবাক অসিগী যাংলেন শকনি। অসিগুম্বা তুবেল অচৌববু চিংমী তম্মী ঐখোয়না ঙাক শেঞ্জবা শেমজন শাজনবা তেক্ত কাইদনা থমজব হায়বসি ঐখোয খুদিংমক্কী ঈথৌনি। অসিগুম্বা তুবেল অচৌববু ঈথায মোঞ্জীং মপাদা ডাম শাদুনা পুমথিং থিংজিনবনা মণিপুব অসি পেবালাইশিসকী লাইননা নাহল্লী।

লোক্তাক প্রোজেক্টকী থৌবাং তৌবকপা প্রোজেক্ট হৌবকপা মতমদা মণিপুবগী চিং অমদি তমদা লৈবিবা সাধাবন প্রজা নুপী নুপা পুম্নমকপু মতমদুগী লৈবাক্কী খুর্জী পাযবম্বা মন্ত্রীশিং এম এল এ. লোক্তাক ওথোবিতি ইঞ্জিনিযাবনচিংবা অখং অহৈশিংগী ৱাহৈনা প্রচাব তৌদুনা খম থেংনা হবাওহনখী। ৱাহৈদুদি ঐখোযগী লোক্তাক অসি প্রোজেক্ট তৌবগনি, লোক্তাক্কী শক্তম মাংদনবা লোক্তাক্কী অকোযব অসি বাঁও বন তৌদুনা কোযশল্লগা পুখ্রীগুম্না থমগনি, হান্না লৈজবম্বা প্রকৃতীগী শক্তম কাযহল্লোই, লোক্তাক পাৎকী অকোইবা মতাইদা লৈবিবা পাৎশাশিং অসি লৌ উবা যানবা শেমগনি। নিংথৌখোঙদা তুবেল চাওনা তৌদুনা লৈমতাক লোক্তাক ফাওনহল্লগা হাইড্রো পান্দুনা মণিপুবগী কাচিন কোযা চিং তম পুম্নমক অহিং নুংথিল নাইদনা মৈ পুমঙান ঙান্দুনতা লৈবগনি। কোল কাবখানা ফেক্তবী কয়া লিঙ্খত্তুনা থবক ফংদ্রিবা নহাবোল চা কযাগী মথৌ পিবগনি। কেনেন মযাম তৌদুনা ঈথৈ লৌখোঙ শেমদুনা ঈশিং মবাং কাযনা শিজন্নদুনা চহি অমগী মনুংদা লৌবোক

অনিবক লোক্তুনা (দবল ক্রোপীং) তৌহল্লগা লৌমীশিংবু নুংঙাইহনগনি। মথক্কি রাবীশিং অসি তাবদা কযাদ নুংঙাইখ্রবা অদুবু অরাবদি থবক ওইনা ওম্থোবকপদদি নুংঙাইবগী মহুত্তা অরাবা ওইনা মহৈ যাল্লবিবা অসিনি। পুন্নমক অসিগী মরু ওইবদি লোক্তাকপু ঙমখৈ থমদনা পাক্তল্লা থাদোক্লগ ঈথায়দা ডাম শাদুনা থিংজিনবগী মহৈ ঙাক্কনি। মাংদমক মযেংবা তুংদি যেংক্ৌদবগী মহৈনা ওগা তৈনবা মহৈ যাল্লবনি। তুংগী লম্মী যেংহৌদবগী মহৈনা হৌজিক্তী মণিপুর রাজ্যদা অচৌবা শাফু অমা ওইবক্লে। হকচাংগী মরু ওইবা ঈচেল পুবিবা শিংলিনা শোক্ষবক্তুনা ঈচেল পুবা ঙম্মক্তবন পেবালাইশিং তৌবক্তুনা থোং খুৎনদ্রিবা ঈন্দ্রিশিংগী পাঙ্গল শোক্ষবক্তুনা মথৌ তৌবা ঙম্মক্তবগুম মণিপুর অসি লাইরনা কয়ানা নাম্বা ওইবক্লে। কনিগুম্বা অনাবা অমা হকচাংদা লৈবে খংলবদি লাইরনা ... ক্তবনা মতম চানা লাইযেংলে মতম চানা লাইযেংহৌদ্রবদি অশিবগী খাবাত্তা তাখি। মরম অসিনা ঐখোয়না ঐখোয়গী লোক্তাক ঈমাবু কননা। ঙম্লবা অখং অহৈ অমাদ প্রজা মীয়াম লোক্তাক থোর্বিবতি পুন্নমক কোক চুংশিন্নবা দরকার ওই। বারগুম্বা মতম লৈবিদৈখদা হোৎনহৌদ্রবদি মণিপুরী ঐখোয়গী ললগে ওইবা লোক্তাক অসি উবা যাঙবোই। ঙল্লিডৈদ হোৎনহৌদ্রবাদ প্রেম মখৈদা খুজিন্না শিকপা থোক্কনি।

অহানবা ঈথায় ডাম্না ঈরাবা শাফু

ঈথায় ডাম্না মণিপুর অসিদা অচৌবা শাফু অমা লাক্লে হায়বদি চং তম প্রজা মীয়াম্না মখা। ইঙ্গিন লেননা ঈরি। অহানবমাকদা ডাম অসিনা মাংহল্লিব অসি লোক্তাক ঈশা ওইবা ... পাংলি। মসিগী অচৌবা খুদমদী - পাং অসিনী অকোয়বা খো ... নদা হৌবম্বা শিংউৎ শিংলাং চনে ঈকং খান্দা ঈরাবা যেলাং কোম্প্রেক লাক্লে পুরে নবিম্বা মতমদা পাংযাযদা শাংলম্বা থলো থম্বাল শাবিকথানচিংবা খুৎশেম চংদনা ফজখম্বা ... লাইবেনবী ঈমানা পিবির

মমল যাম্নবা খুদোল পোৎ কযা ডাম অসিনা মক ফংনা মুথৎপিখ্রে। ডাম অসি থিংদ্রিবৈ মথক্তদি লমদম সোমদা লৈবিবা খুঙ্গংগী প্রজাশিংনা শিং ঈ ফান্দুনা শেন্দাল লম্বী ওইবম্মী, লংফৈ লাপ্পা চৎনবমদে। নুপী অঙাংশিংনা যেলাং কোম্প্রেক লোক্কে পুল্লে হেক্কুবগা মদুতনা থবক অমা ওইদুনা মচা মশুগী যুমগী অরাং অপা মেন্নবম্মী। হৌজিক্তি লোক্তাক্কী ঈশিংনা থুমজন্দুনত লৈবনা পুমতাক তাক্লা মাংহনবিখ্রে। উঙাল্লেন অমদি তুবেল অচৌবা খুগাদা মবাং কাযনা ফাবম্বা শাবেঙ, ঙাবেল, ঙানাল, ঙাবা,ঙাতিল, পেংবা থবাক খাবক ঙাথি, ঙাতোলনচিংবা মহাও লৈবা মমল যাম্লবা ঙা কযা মবাং কাযনা ফাবম্মী। কুম্মকপা ঙানা লোক্তাকতগী কাবকপা ঙানা খুগা অমদি তুবেল অচৌবদগীনি ঙাতিনফম্মী উঙাল্লেন শোযদা। মহৌশা ডাম অসি লৈত্রীবৈ মমাংদদি ঈফজবা কুম্নদা খুগাদা ঙাইহাক্তং খুংলুম্মুবদা চবা অমা হেক্তা ফাবকই। ব্রাইখু মবাং কাযনা ফাবম্মী, ঙম্মু শঙ্গুম ঙাক্রিজৌ ঙাবিল ঙাখা ঙম্মাইনচিংবা যাম্লা মবাং কাইনা ফাই। তৌনা কাও শাবগা থুম্বদা ঙা যাম্লা চংই, উতোং থুম্বদা ঙাবিল চংই, ইল চিংবা ঙা যাম্লা লকই, ইন্ধা খোনবদা খজীং পোকচাওবী যাম্লা লকই, ঙাশেপ ঙানপসু খুগাদগী ফাই, ঙমু ঙক্রা শাবেঙখোইবীনচিংবা ঙাহৈ, ঙাতুপ থবাক, পেংবা, খাবক ংদবা লৈতে উঙাল্লেন্দা, অসুমনা ঙা যাবদনা হিংবা ঙম্বা শেন্দাল লম্বী ওইবম্বদু হৌজিক্তি ঙাশা যাওবা মশক উবা ফংদ্রে। পুম্নমক অসি লোক্তাকপু ঙমখৈ থমদনা পাক্তক্লনা পুমথা থাদোক্লগা ঈথাযদা ডাম শাদুনা থিংবা ঈথায ডাম্লা পিবা অচৌবা শাকুনি।

অনিশুবা ডামগী শাফু

অনিশুবা ডাম্না মাংহনখিবা উঙাল্লেন লৌকোলগী বাবী অসিমদি থম্মোয শোক্লনুংঙাইতে। মবমদি ইং ১৯৫৯ দগী উঙাল্লেন পাৎ অসি লৌকোল নাপ নাপ লাওনা উই, মপাঙ্গলদি পংচাও চাওদবা মবিঙ্জেন্দী মী লাই কনামত্তা

শেন্বা হৌবকখী। উঙাল্লেন খোঙ্জাওগী নোংচুপ থংবা মাইগৈদা চোল্লাং য়াম্না হৌবখ্মী, মফম অসিবু ঐখোয়না চোল্লাং হৌবী লৌকোল কৌই। উঙাল্লেন লৌকোলনা কোনবা লমদি সনমখেঙ্ মবিলগী নোংচুপ্তা কাংসোইবী খোঙ্ খাসলেন লৈ। নোংপোক্তা উঙাল্লেন খাসালন খোঙ্জাও চেল্লে, অৱাংদা চিংমৈবাকপা লাংওনচিংনা ঙমখৈনি। মখাদি খুগা তুবেলনা ঙমখৈ ওইবে। অসিগুম্বা পাক চাওববা লম অসিবু লৌ ওহ্খোক্না মাইগৈ শোমদা লৈবিবা লাইববা প্রজা মীয়ামগী য়ায়ফনবা লমজিংবিবম্বা মং মঙজবম্বা কোক শিজন্নবম্বা নিপা অদু ঈথায় মচানি। ইবোমচা পিশক কৌই লাইশ্রম মচানি, লাইশ্রম অমুবসিং, অপোকপী ইকখুম্বম নিংওল লাইশ্রম ওংবী তিঙ্গোঙ্ কৌই। মচিন মনাও ৮ পোকই, নিংওল ৩ পিবা ৫ পোকপগী মনুংদা ৪ শুবা মচানি শ্রীইবোমচা পিশকসিং। শ্রীইবোমচাগী লাইবক থিবদি অপোকপা মপা নৌনা নোঙ্গাখিবনা মমা লুখ্রাবিনা নাওয়োক নাওকোলকই, অসিগী মনুংদা লাইসু লাইবৈ। লাইবিক তমহৌদে, লাইবিক হৈতবা মীদি লৈনম চেন্দবা নাওইতোঙনি হায়না অখং অহৈশিংনা হায়নৈ। মীৎ তাংবা মীগা লাবিক হৈতবগা প্রমান তৌনৈ, ঐগী মোত্তী মদু নত্তে, মীৎ তাংঙবসু লাইবিক হৈববদি হিংবা ৱাদে, লাইবিকপু হৈত্রবদি মীৎ তাংবদগী হেন্না তোল্লী। মীওইবা হাযবসি ঈশানা ঈশাগী লাইবক শেমজগনি হায়নবা লৈ, অদুবু ৱাহৈ অসিদি ঈবোমদোম লেপচবা ঙমক্লবা মতমগী ৱানি। খ্বাইদগী লুবিবদি অঙাং ওইবিঙৈ পুন্সিগী অহানবা হৌবকপা তাঙ্কক অসিনি। মতাং অম্বায়দবু মমা মপা লুচিংলিবশিংনা শেম্বী শাবিহৌদ্রবদি ফন যাম্না ফবা মীশক ওইদুনসু অযাম্বনা লমখাংদা মাংগল্লী। ইবোমচা পিশকসু পুন্সিগী অহানবা খোঙহৌ শোয়বক্লবা ঙাকপি শেনবিনবা লৈবক্তবা পিদৎ পাদৎপা যাম্না লাইববা ঈমুংগী মচানি। মাগী পুন্সিগী লাইবক্তি শেৎ চাবা মনিং থুংদবা নোংমতা অহাওবা চাবা ফংঙক্তবা লাইবক খিবা মীশক্নী। শ্রীইবোমচা পিশক্কী মীওইদি কুচু মুলং তৌই মবেপ ৱাংই মশা পায, ফুৎ মঙাগা ইঞ্চি ৭ লোম ৱাংগনি। হেক য়েংবদা

মমিত্ত থাকপা থুপ্তবা মীনা লাকচবা য়াদবা মী লাই কিদবা হক হক লাওবা মীশক্রী। শ্রীইবোমচা পিশক্কী থোয়দোকপা গুন অমা লৈ মদুদি - য়াম্না লাইবজববসু মাগী মাইথোঙ্দদি লাইববগী মমী তাদে, মাইথোঙ্ মকা লাশ্মী নোকমী নোকমীদা তৌদুনা মতম চুপ্পা লৈ। ফীজেৎ লৈতেংমক্ত য়েংউবদা মীনা তমজনিংঙাই ওই, মমল যাম্বা ফি শেং চায় হায়বগী ব্রা নত্তে খুদৈমক্ত শেংপ লুপ্তনমক্ত থাংদোবকপদা মওং তাই। চহি ২৭ - ২৮ শুবক্রবা মতম্নী ময়ুম পানবগী আশা লৈখিদে, মানা হায়বম্বা লৈ, ইতোমদা হিংবা ব্রাবিবা ঐনা য়ুম পাল্লগা মীবু কবিগী ব্রাহনগদৌবিবনো ? মসি মাগী পাওখুম্নী। শ্রীইবোমচা লাইবজববসু থশ্মোয়দি য়াম্না ব্রাংবা মীশক্রী হায়বসি মানা তৌবম্বা থবক্লা ফোংতোকই। মীওইবা হায়বসি মাইথোঙ্ তিন্নদবগুম পুক্রীংগী ব্রাখলসু তোংঙাল তোংঙাল্লী। কনা কনাগুম্বা মীওইনা মবনাই নুংঙাইনবদা খনবা মীগী য়েংদবা কাংলুপ অমনি। কনাগুম্বনা মাগীসু মীগীসু খনবা অমনি, কনাগুম্বনা অমুক মশাগী খন্দবা মীগী ফনবদা খনবা মীশক অমনি। অহুম অসিগী মনুংদা মশাগী য়েংদনা মীঙোন্দা পিথোকপা হাযবসিদি ত্যাগীনি- সনন্যাসনি অতাংবা মীশক্রী। অনিশুবা মীশক মাগীসু মীগীসু ফনবা খনবা মী অদু ময়ায় ওইনা সমাজদা অফবা মীনি হায়বা য়াই। শ্রীইবোমচা পিশক মশাগীসু মীয়াম্নুসু নুংঙাইহনবা পাম্বা মবনাই মতোমদ নুংঙাইবা পাম্বা মীতা অমদি নত্তে, মীয়াম পুন্না নুংঙাইমিন্নবা পাম্বা মীতানি। অদুবু কৈদৌনি, থশ্মোয়না ব্রাং লাইবক্লদি নেম হায়বদুমক থোকই। লাইবিকশু হৈতে, মশাশু লাইবৈ, লাইববগী মীচং কনাসু লৈতে, মতেঙ্ পাংবিবগী মহুৎতা মতমদুগী মীযাম্না ইবোমচা পিশক ঙাওবে হায়না মতুংদা ঙাংনবি। চাওববা উঙাল্লেন পাৎচাও অসিবু লৌ উহনগনি খল্লিবা ইবোমচাগী মকোক অসি চাক্লবনি মপুম থিংনবা থবক্রী। মবিংজেল মথৌনা লৈবা মীদি চংখিবা থবক্তা হনতোকপা হৈতে সিফাইগকা ওইবম্নবদি মনা চাওনা ফংগদবা মীতানি। ইবোমচা পিশক লাইবিক্তি মযেক অমা ফাওবা খংদে, লাইবিক হৈত্রবসু তুংগী মহৈ উবা নিপানি, থাগৎপা হবাওদে মবম চানা চৈবা শাওদে।

"ইং ১৯৫৯ দগী লৌ কোকপা হৌবকপনা ১৯৬২গী অঙনবা মতম লমদা থা পানখৎলকপা মতমদা খুগা অৱাং তোবর্বান লম্বী মযাদা হৌবা তেবা পাম্বী খবা য়াম্লগা কোকইবা লৌ অদুগী খুট্রী যুংবদা শিজন্নে। ইবোমচা পিশক্কা যাম্না নুংশিনা লোয়নবা মাগীদি ময়াম্বসু থোকপা মকপ অমা লৈ, ৱাঙ্খেম মচানি থম্বৌসনা কৌই, মুক্না কাংজে সান্নবদা মতমদুগী অফাওবনি। ইবোমচানা তেবা য়ানবদুদা নোংমা থম্বৌসনানা হায় - ইবোমচা' নংনা সবকাবগী লমদা হৌবা তেবা যাল্লিবদু চুমদেকো ৱা শোয়দনা থোক্কনি তৌনু হায"। থম্বৌসনাগী ৱাদুদা ইবোমচানা মোমোল নোক্লগা খুম্মী, তাতোল' ননাওনা তৌজবিবা থবক অসি প্রজা মীয়ামগী লম্বী চৎথোক চৎশিন নুংঙাইনবা তেবা পাম্বী খবসি যাম্থোকচবনি, লৌগী খুট্রীসু মসিনা যুংবনি খুম্মী। থম্বৌসনানা হায - ইবোমচা' নংসি ওম্থোকপা মীনিদকো ইবুংঙো, নংগীদু লাল্লী হায়বা নত্তেনে মীযামগী ফনবা তৌবনি ঐসু খংই। অদুবু সবকাবগী মপোৎনি মখোযদগী অযাবা অমা লৌবগা যাল্লু হায়বনিদা ঈযাম্বনা হাযবদি। ঙাংবদা ঈশিং লিত্তবা মীনি শিবম্দায হিদাক চংদে। " তাতোল' সবকাব হাযবসি প্রজাগী মমা মপানি, মমা মপাগী পোৎপু মচানা শেক্তবা লৈতে, হযেং কবিগুম্বা মখোযনা থিগৎলক্লগা ফন- ফনবা ঙাংনবগা লোইবে, ঐনা হবান্দুনা লোৎনা যানবসু নত্তে, তাতোল নুংশা থিবিগনু। ইবোমচা' নং শিব তাবেদো ঐনা হাযবসি সুক্তামক তাদেদকো। তাতোল' ঈযাম্বগী ৱা লৌদব তাদবগী ৱা নত্তে, ঐনা হাযজবদি হোৎনজবিবা থবক অসি ইবনাই নুংঙাইনবা ইতোমতগী নত্তে। লৌকোল অসিবু সেম্বা ঙল্লবদি মাইগৈ শোমদা লৈবিবা ঐখোয পুম্নমক্ লাইববা কোক্কদৌবিবনি তাতোল, লম অসিবু লৌ চাহৌববদি ঐদি শিববসু যাবে মীংচৎ থনম্মগা লোইবে মসিগীদমক ননাও শিবা কিদে তাতোল"। উপায লৈত্রবা থম্বৌসনানা "ফবে ফবে ইবোমচা' ঐনা হাযবা যাদ্রবনিনা নংনা থোকপা মঙ্গল ওইনবা হোৎনবো, ঈশ্বনা মাই পাকপা পিনবিবা ওইশনু"। অসুম্না মচিন মনাও ৱাবী শান্নে। অদুগী মতুংদা

ইবোমচা পিশক্না লৌ পবি চাম্মগী ময়ুং পবিঙ্ হুন্দুনা খুট্রী য়ুংঙম্বদু উবদা ঙক্কবা কনামত্তা য়াওদে। মফমদি হৌজিক লৈবিবা ৱাপোকপী খুনগী সলম মপা অসিদগী অৱাংলোমদা খুট্রী য়ুংলগা মদুগী নোংচুপ থংবা মাইগৈ মখে লৌ কোকপা হৌবে।

শ্রীইবোমচা পিশক পুকচেল চাওই, মীযামগী যায়ফনবা খনবা মীশক্নী হযবদা লাক্লোই। অদুবু পোকপদগী লোযনবা মীহুল অমদি মীনা হাযবা যাদবা অঙাওবা ৱাখল অমদি মঙোন্দা মীনা শিংনবা যাদবা অসিনি। মসিগা লোযননা লাবিক হৈত্তবগী দোষ্ আইনগী কানুন খংদবগী দোষ্ অমগা দোষ্ অহুম অসি মশাদা লৈবা উই। ঈথাযদা ফোবেস্তবগী কর্ম্মচাবি (থবক তৌবা) সেখো হাযবা অমা লৈ, লাইশ্রম মচানি ইবোমচা পিশক্কদি শাগৈ মচিন মনাও থোকই চফু কাযনবিবনি। অদুবু মানা খান্না যাদে, লম হেক্লী হাযনা শাওদুনা বিষ্ণুপুব পালসত্তা ইবোমচা পিশক্না সবকাবগী লমদা হৌবা তেবা পাম্বী যাল্লে মাবু ফাবগা দন্দী পিযু তাযনা কেশ অমা জাবিকুবে। শ্রীসেখো যান্না মবুক ফত্তবা মীদি নত্তে, আইনগী মাইগৈদা মীযেং থম্মুবকসু শ্রীসেখোনা পুলিস তাকপা লান্দে, মাগী তৌফম পোকপা অচুম্বমক্নী। অদুবু মীওইবশিংগী মনুংদা মীগী মবাল ঙাকপিহৈবা হাযবা ...ন অমদি লৈ। শ্রীইবোমচা পিশক শ্রীসেখোসিং শাগৈ অমত্তগী মচিন মনাওনি। ইবোমচানা যাল্লি হাযবিবা তেবা পাম্বী অদু সেখোগী পাত্তা মনুংদা তৌবা উ নত্তে। সবকাবগী লম ...ইবা লম্পী মপান্দা হৌবা লম্বী চংথোক চংশিন্দা ৱাই চিনবা উনি, মহাব হুদনবসু নত্তে ইফোং ফোংনা যানবনি, তৌবদবু মাগী মথোঙ্ হুঙনদি কনাগুম্না ওথোবিত্তি অমত্ত তাক্কমদলা অসিনি। মতাং অসিদা মীযাম্না নৈনবিবদি শ্রীসেখো ফোবেস্তবগী কর্ম্মীনি, মনাওনা যানবা উনি মানা বন্নবিববদি কবিসু নত্তে, কনবিবসু যাই। অদুবু কনবিবগী মহুৎ ইবোমচা পিশকপু কবিসু লৈতবা উ পাম্বী অমা অনিনীদমক শিব যাবা এক পান্দুনা কবিগী বেশ তৌকবিবনো ? ৱাবী শাসগী মবমদা ধর্ম্ম অমাদি আইনগী মীৎযেং কুপ্না নৈনবা যাই।

নং ১৭/৫/১৯৬২ ইং লমদা ২০ নি পানবা থাংজ নৃমিৎকী অযুক পুং ১০ মুক

তাবা মতমদা ফোকেস্তব সেখোনা বিষ্ণুপুব ওসি নবহবিগা কনস্তেবল অনিগা শ্রীইবোমচাগী য়ুমদা চংগুরুগা ইবোমচা পিশক লৈব্রা হংঙৈ।"কদায়দা চংখি" মনাওনুপা খোমৈনা খুম্মী "ঐখোয় তামচাদি থিংঙেল লৈকায় খুগা মপান্দা উ য়ানখি"। অসুম্না অচুম্বা অদুমক্ খুম্মী। পাওখুম অসিনা তাকপদি ইবোমচা পিশক্না য়াম্লিবা উ অদু হুবাল্লগা য়ানবা নত্তে ইফোং ফোংনা য়ানবনি, আইনগী লম্বীদা উ যানবা য়াদে হায়ববসু ইবোমচানা হুবাল্লগা য়ানবদি নত্তে হায়বসি ওসিনা খংফম থোকই। লৈতে হায়বদু খংঙবদা খোমৈনা তাকপা খুগা মপাল উ য়ানফম তান্না সেখোনা লমজিংদুনা মখুত্তা বাইফল অমমম পায়বা পুলিস কনস্তেবল অনিদুগা ওসি নবহবিনা পিস্তোল অমা পায়দুনা ইবোমচাগী উ য়ানফমদা খুদক অদুদা থুংঙবে। মতম অদু ইবোমচাদি য়াম্না ৱানা হুমাং তাবমখৈ মখুত্তা শিংজং পায়দুনা উ মশা কক্নুনা লৈ, নিংঙাইদনা থবক শুবী। কবিগুম্বা লান্না খলম্লবদি পুলিস লাকই তাবদা লোংলম্বা চেলম্বা যাই চেন্দে লোংতে ইতিং তিংনা থবক শুদুনা লৈ। মসিনা তাকপদি মহাক হুবানবদি নত্তে। অদুবু ওসিগী অহানবা ৱাহং অদুনা মৈ চুবগুম থোকখি। ইবোমচা পিশক হাযবদু নংলা? নংন হুবান্দুনা উ যানবগী কেশ অমা লাকই শিংজংদু থাদোকউ ৱা ঙাংনসি। ইবোমচা পিশক্না খুম্মী "ওসি সাব ! ঐ হুবানবা নত্তে" হায়বগা উ য়ানবা লেপ্লগা মঙক্তা যেৎপা খুদৈনা হুমাং তৈথোকই। "নংনা য়াম্লিবা তেবাদু কনাগী মপোৎনো নং খংব্রা"? অৱ ই অখুম ঙাইহাক ঙাংনৈ। "খংই সবকাবগী লমদা হৌবা তেবানি" "অদুদি কনাদগী হুকুম লৌবগা যাম্লিবনো? য়ানবা য়াবগী চে চাং লৈব্রা"? "লৈতে মীযামগী চংথোক চংশিন লম্বী চংপা নুংঙাইনবা যানবনি" "অদুদি নং হুবানবনি, শিংজংদু থাদোকউ কোট্রা চংসি" "ওসি সাব ! চুম্না চুম্না ঙাংনসি ঐ হুবানবা নত্তে"। "ঐনা খুলাই থাদোকউ হাযবিঙেদা থাদোকউ, নত্রবদি ঐনা পাইবিবসি নোংমৈনি"। "সাব ! ধমকা তৌবগা কিহনবদা চৎপা মীদু ঐদি নত্তে, ঐগী হকচাং শাবকপদা অকিবগী শকক য়াওবক্তে নংগী নোংমৈ কিব

মীশক্তু ঐ নত্তে, ব্যবহাব লৈনা ঙাংনসি” “হুবানবা ! হুবানবা নংনা ব্যবহাবগাকসু অমুক পাম্মীববা ? পুলিসকী ব্যবহাব লৈতবা অকনবা ৱাহৈদুনা অচাকপা মৈদা ঘী হৈবগুম থোকখী। শাওবনা লুতোন কাখিদুনা হায়বকই। “হাই মপুনা থৌজল্লগা মী চিকপা হুই ! ঐ শিব কিবা নত্তে খংউ” হায়বগা মখুত্তা উশা ককপগী থাংদু পায়বগা মীৎ ঙাংদুনা পুলিসাশিং অদুদা শংত্রিক যেংদুনা লেপ্লী। নুমিৎ অদু পুলিসশিং অদুনা ইবোমচা পিশকপ্ কৈজ্জ ও অমগুম্না উবগুম তৌই। নোংমৈ পাইখৎতুনা ভোল চিংঙগা সন্ধান তৌই। ইবোমচাসু মখোযগী নোংমৈ মকদু তেংপাক লৈতুমগুম্না মমীত্তা উই। দঙ্ লাওনা কাপথোবকই। অদুগ হাযবকই " থাং থাদোকউ " অহানবগী মকদু মশাদা পান্দে, ইবোমচা পিশক্কী মমাংদা মখোং মযাদা তাই উফুল ফ্রোঙ হৌই। থাং থাদোকপগী মহুত্তা খুলাইনা পাল্লবা ওক তোমচৎনা শিব কিদনা খুৎলাই পাইবিবা মী তম্না চেনশিনলকপগুম মীৎ অনি ঙাংদুনা ওসি তম্না চেনশিনখি। মতম অদু অযুক্কী পুং ১১ গা মিনিৎ ২ মুক্ তাবা মতম্নী। খুগা তুবেলগী খা ৱাং চাংজৌ অনিদা মীযাম্না ফিডৌ ফৌবগুম্ কুম্মৈ যেংনবী। অনিশুবা গুল্লী অমা অমুক খুৎলৈ থুনা যাংনা কাপথোবকই, খুবোমগী নাকন্দা পানবদগী ৱাটববুৎতা খেৎলগা থৈদোকখী। ইবোমচা পিশক্লসু হনবা লৈতনা থাংদু পাযবগা মখা চিক্কুনা ওসি তম্না চেনাশনলকপনা লম ১০ মুক্তা ভাইশললক্লে। অহুমসুবা মকদুমদি যাম্না মীপায থবাযনা কিনা কাপথোবকই, ইবোমচাসু অকিবা লৈতেনা ঙক্লবদি ওসিগী মঙক্ ককে হাযবা পান্দমদা হনবা লৈতনা চেনশিল্লকপদা নোংমৈ মকনা হানখিদুনা ফৈগন মক কমযাদা বাইফল মকনা পানাখিবদগী উপায লৈতদুনা লৈমাইদা তুখী। অঙকপা ৱাবী অমদি ঙসাই নোংমৈ কাপত্রিডৈ মথক্তদি কনাগুম্না মীওই অমত্তনা খামজিনখিবা যাওদে, মতম অদুদা কুম্মৈ যেংবগী মহুৎতা খাম্নীবল্লবদি ইবোমচা পিশক শিবম্মোই। খুগা ৱাঙ্মা মখাগী তোবর্বান্দা কুম্মৈ

য়েংঙম্বা মীযাম্না লাওনবকই। মীবু মবাল খবগীদমক নোংমৈনা হেক্তা কাপ্পা পুলিসশিং অসি হাৎলু। অসুম্না মীযাম্না লাওনবকপদুদা নবহবি ওসিগা লোইননা পুলিসশিং অদু পাখৎপগা লোইননা মথৱাই মাংগনি খনবদা খুৎলাইদু পাইবগা মশা ঙাকথোকচনবা থক্ থক্ নিক্তুনা লৈ। মখোযগী লাইবক ফবদি শ্রীইবোমচানা মীযাম অদুবু মখুৎ থাঙ্গৎতুনা খামজিল্লী। গুল্লীগী চৈথেংনা লৈমাইদা তুকববা ইবোমচানা হৌগৎলগা মীয়ামদা খুৎ থাঙ্গৎলগা হায়বকই। ঈচিন ঈনাও পুন্নমক ঐ কবিসু তৌবোই, ডাক্তবদা থুনা অমুক্ত পুবিযু ঈ যাম্না থোক্লে। লাইবক থিবদি মতম অদু অনকপদা ডাক্তবসু লৈতে, হৱা গাডিসু অমা অনিদগী হেন্না চেন্দে, অদুবু তঙাইফদনা সোবোকখাইবম ইবোবীনা থৌবা কুম্বী - ইম্ফাল চেনবা গাড়িদা হাপ্তুনা ইবোমচা পিশক্কী মযাম্না বাসধাবী মধুনা ডাক্তব যৌনবা পুখৎপদা ঈ হেন্না চৎখিবনা য়াম্না নিংঙমদনাঅবোইবা যাহিপ তাখি। শ্রীইবোমচা পিশক ক্ষেত্রী অশেংবনি, অবোইবা মতম ফাওবা মখুত্তগী খুৎলাই থাখিদে, যেক্লবগী মাইওক্তগী মমাই লৈখিদে, তশেংনমক মহাক্কী থৌৱাইনা লৈগী দোলাই তোংদুনা স্বর্গলোক ফংখ্রগনি।

ইবোমচা পিশক্না ঈথায কুম্বীগী লাইববা লৌমীশিংবু নুংঙাইহনগনি হাযনা মং তমজবম্বা অদুদি মশা লৈখিদ্রবা মতুংদা চাওনা মহৈ যানখী। তৌবদবু ইবোমচা পিশক্কী পুন্সিদি থম্মোযন ব্রাং লাইবক্লা নেম হাযবা মপোক্তুমক থোকখী। ওক্লা নিল্লগা লমহুইনা মনা লৌই হায়বা পাওবৌ অমা লৈ, মহাক্লা লৈখিদ্রবা মতুংদা মনাওনিপানা লম্বী যাৎলম্বা উঙাল্লেন লৌকোলবু শ্রীলাইশ্রম মধু বাসধাবীনা লমজিংদুনা কবাম ইবোযাইমা, সনসম কুলচন্দ্র, থৌনাওজম মুনান, খুবাইজম দাওজী মসিনচিংবা মীওইশিং অসিনা লুচিংদুনা উঙাল্লেন পাৎ অসিবু অচৌবা লৌকোল অমা ওইহনখী। চোম্লাং হৌবী লৌকোল হমব্রু হৌবী কোম্বীবৈ লৌকোল মসিদগী শস্তোবকপনা চিংমৈ চান্দপুব মনিং অসিনচিংবা লৌ কোক্তুনা অচৌবা লৌকোল অমা ওইবকখী। অসিগুম্বা লৌকোল অসিগী

মহৈ অদুনা লাইববা লৌমী কযাগী অৱাবা কোক্কুনা মবুক থনখী। পোইনুগী মতমদা ফৌবৈ পবেং পবেংনা চিংদুমগুম পৈখিবা অদু মণিপুরগী মীয়াম্না উববনি। অসিগুম্বা ঈথায লৌকোলমক্কা হাযফেৎ চাংদম্নবা যাবা লৌকোল অসিবু লোক্তাক প্রোজেক্ট লাকপদগী পুমতাক তাক্লা মাংহনবিখ্রে। হৌজিক্তি উঙাল্লেন পাৎ অসি হান্নগী শক্তম মচেৎ অমাফাওবা উবা ফংখিদ্রে, ফুমথি হাথি অমোৎ অকাযতনা পুমকুপ কুপখ্রে। অসিগুম্বা অমাংবগী মহৈ যাল্লবিবা অসি লোক্তাকপু ঙমখৈ থমদনা ঈথাযদা ডাম শাদুনা তুবেল অচৌববু পুমথিং থিংজিনবগী মহৈ ঙাক্কনি। মতাং অসিদা অকাওবগী লৈবোলনুংদা মতম কুইনা থুপ্পুনা লৈকববা শ্রীইবোমচা পিশক্কী মগুণবু অনিশুবা ডামগী শাফুনা নৌহৌননা নিংশিংহল্লী। নোংমা ৱাংখেম থম্বৌসনানা ত্রিনা খুকস্বদা ঈশৈ অমা শকই - এস এস সুবসবে হাযনা হৌবা ঈশৈনি। ঈশৈ অসিদি ইবোমচা পিশক্না যাম্না পামজবা মানা শকপদসু পকচবা ঈশৈনি।থম্বৌসনানা ঈশৈ অসি শকপা হৌব্বগা খংলেপ লেপ্লী, অদুগা অঙাওবগুম্না হাযবকই, ইবোমচা পিশক! নং অমুক্তা শকলকউবা নংনা খব হৈ হাযদুনা ইচাও চাওথোক্কনুনে, নংদি অচুম্বদা ঙাংবা ঈনাওনি। নংনা হাযবম্বদো কাওদে, তাতোল! ননাওনা হোৎনজবিবসে লৌমী লাইববা প্রাজাশিংগীদমক্কী, লৌ অসিবু মীযাম্না মহৈ চাহৌববদি ননাওদি শিখ্রবসু যাবে হাযবম্বদো নংনা হোৎনবিবম্বদো ঐখোযনা মহৈ চাবে লাকও ইবোমচা ঈশৈ শক্লবো হাযনা থম্বৌসনাগা লোইননা মীযাম পুম্নক্না কপ্লখী। উঙাল্লেন লৌকোল অসিনা ঙসি হিংঙল্লবদি শ্রীইবোমচা পিশক্কী মীংচৎ চাওনা লৈবমগনি, লাইবক থিবদি ঈথায ডামগী শাফুনা তাক্লা মাংহনবিখ্রে। মণিপুরগী লোক্তাক অমদি ঈথাযনা মতাং চাবিঙৈ অনিশুবা ডামগী শাফু হাযবা মতাং অসিদা শ্রীইবোমচা পিশক্কী হোৎনবা কন্নবা মবিংজেল মথৌনা লৈবা মীযামগী ফন্নবা হোৎনবম্ববু মাংহলনিংদবনা অকাওবগী লৈবোলনুংদগী লৌখৎতুনা লাইবিক অসিদা ইবনি, শ্রীইবোমচা পিশক মশা লৈখিদ্রবসু মাগী মগুণদি

মতম শাংনা লৈহৌবগনি।

অহুমশুবা ডামগী শাফু

কৈবুল লমজাও হায়বা মফম অসি ভাবত সবকাবনা শক খংলবা নেসনেল পার্ক ওইবা মফম্নী। অসিগুম্বা কৈবুল লমজাও অসিদা পৃথিবীদা তাংলবা শংঙাইশিংগী হৌবকফম লৈফম মযুম্নী। মফম অসিদা লৈবিবা শাশিং অসিদি শংঙাইখক্তা নত্তে, লমওক মবাং কাযনা লৈ, খ্রশা হুইথৌ শদুংনচিংবা অতৈ অতৈ শাশিংশু যাম্না মবাং কাযনা লৈবা কৈবুল লমজাওনি। শংঙাই হাযবা শা অসিদি মযামুক তাংবগে হায়বদা তাইবং মীগী মমলদগী শংঙাইনা মমল যাম্ব হেল্লী হাযনবি। শংঙাইনা মণিপুববু পৃথিবীদা শক তাকই, মণিপুবী ঐখোযগী অচৌবা অতাংবা ললনি। অসিগুম্বা শংঙাইনা মযেং তাবকপা হাযবসি ঐখোযগী মণিপুবগী ওইনা যাম্না লাইবক থিবা মাংজবনি। কবিগীদমক শংঙাইনা মযেং তাবব ইবনো ? ঈথাযদা ডাম শাদুনা তুবেল অচৌবগী ঈশিংনা লোক্তাকপু মৌখংহন্দুনা ঙমখৈ থমদনা পাক্তক্লনা থাদোকপগী মহৈনা কৈবুল লমজাওদা লৈবিবা শংঙাইশিংগী মযুম খুমজলকপনা শংঙাইশিংনা তংদু লৈতানা লৈফম চাফম লৈবক্তবদগীনি। মহৌশা ডাম থিংদ্রিঙৈদদী কৈবুল লমজাও, তোযা লমজাওনাচিংবা মফমশিং অসিদা শা উচেকশিংনা মবাং কাযনা মণিং তমনা নুংঙাইনা লৈজবকপনি হৌজিক্তি ডাম অসি থিংখিঙৈদগী শা উচেক পুম্নমক কৈবুল লমজাও, তোযা লমজাও থাদোক্তুনা মাইকৈ শলাই খংদনা চেন্নখিবনা ইবে লৈবক্তবে। খ্বাইদগী মক ওইনা মীপাইবিবদি শংঙাইনা কৈবুল লমজাওগী মযুম থাদোক্তুনা যাম্না তোইনা মপান্দা চেন্থোনবকপা অসিনি। তাং ৪-২-২০০৭ ইং, নোংমাইজিং নুমিৎকী অযুক পুং ৮ ৩০ তাবা মতমদা শংঙাই লাবা ফুৎ মবিমথায় ব্রাংবা অমা ঈথায়দা চেলকই। পাখং মচাশিংনা যোংখোক তেনখোক পাযদুনা তান্নবকপদগী ঐগী ইঙ্খোল মনুংদা চেনশিল্লকই। মতম অদুদা ঐগী ঈচানিপা শ্যামচান্দনা মখুৎ

থাঙ্গৎতুনা শা হাৎকে তান্নবকইবা নহাবোলশিং অদুবু খাম্মী। ঈচিন ইনাওশিং পুন্নমক শা অদু হাৎপা যাবা শা নত্তে, মমল যাম্বা শংঙাইনি। শ্যামচান্দগী ব্রাদু তাবদা নহাবোলশিং অদু খুৎলাই থাদোকখী। শংঙাই অদুনা ঐগী ইঙ্খোলদা চোংশিল্লক্লগা অব্রাং পাংনা চেনখিবদা পুখ্রী মপান্দা হঙ্গেল পৌবা যাওবা নুপী ঃল অমদা মচিনা লৌবগা লাইমাংদা তুশিনখি, মতম অদুদা শ্যামচান্দ অমদি মনাওনুপা অভিচন্দ্রা অনিনা চেনশিন্দু ফানবা হোৎনবদা অব্রাংগী খোঙবাল চোংলগা তেকচম তোম্বগী হব্রাইমুবী মবক্তা চেনশিল্লকপদা শ্যামচান্দনা তান্নখিদুনা শংঙাইগী খুদুঙ পাযদুনা ফাই। মদুদা যুং তক্লগ্নেম শংঙাইনা শ্যামচন্দবু চেন্দুনা পুবগা হব্রাইমুবী মবক্তা শংঙাইদু তুবে। শ্যামচান্দনা থুনা হৌগৎলগা শংঙাইগী খুদুঙ মখোঙ অনিদু পাইশিল্লগা শাদুগী মফৈগন মকদা খুকউনা নম্লগা মনাওনুপা অভিচন্দ্রনা থৌবী পুবক্তুনা মঙক্তা পুন্দুনা থম্মগা কৈবুলদা লৈবা ফোবেস্তবগী কর্ম্মচারীশিংদা শিন্নদুনা শংঙাইগী মথব্রায কনখী। কবিগুরুনা শ্যামচান্দনা হেংনবমদ্রবদি পৃথিবীদা তাংলবা শংঙাই অদু শিবমগনি। অসুম্না অতৈ মফম কযাদসু গম অসি থিংখিবা মতুংদগী শংঙাইশিংনা কৈবুল লমজাও ময়ুম থাদোক্তুনা তোইনা চেন্থোবকপগী পাও তোইনা তাই। হাযবিবা পুন্নমক অসি ঈথাযদা ডাম থিংজনবা লে ক্তাকপু ঙমখে থমদনা পুমথা থাদোকপগী মহৈনা ওইবা ঙাক্তনি, মসিগু ঈথায ডাম্না পিবা ডামগী শাফুনি।

মবিশুবা ডামগী শাযু

মবিশুবদা ঈথায ডামগী শাফুনা মাংহল্লিবা অসিদি পুক্লীং নুংশিবনা থম্মোয ফাওবা শোকই। মসিগী মবমদি মহৌশা লাইবেনবীনা মবম ওইদুনা লোক্তাক নৈমা ঈমানা মৈত্রবাকচা ঐখোযবু যোকপিগে হাযবগীদমক পুথোকপিবা ঐখোযগী অশেংবা ইবল ওইবা ফৌমক্কা চাংদম্নবা যাবা হৈকক মাঙখিবা অসি থম্মোয শোকই। হৈকক্ হাযবসি মণিপুরী ঐখোযগী অচৌবা

লন্নী। মসিগী মবমদি কবিগুম্বা মবক মবক্তা চাকতাংবগী অৱাবা থোবকপ
মতমদা মপাল্লোমদগী চেং লৌকদ্রবসু ঐখোয ঈশা ঈশানা লোক্তাকতগী হৈক
হেকউবগা চাক ওইনা থোংদুনা চানৈ। হৈকক্তী চেং মক অমত্ত যাওদনা হৈকব
ঙাক্তা থোংদুনা চাবা যাই, চেংগা যান্নবগা থোংবসু য়াই। হৈকক্ চাবদা লাইন
পোকপা রুনা লৈ হাযবা লৈতে, পাঙ্গল মযেং তাদে, পৈশা শুকতিং তিংদ
ঈশাগী লৌদগী ফৌ লোকউবগা কৈদা হাপ্পুনা থম্বগুম্না লোক্তাকতগী হেকউবগ
থম্নে। অবিবা হৈকক্তী লোংথ্রায়না থোন্নে, লীদুনা থম্বসু যাই, অনৌবা হৈকক্ল
মথক্তগী হেক্লে যাম্না কুইনা থম্বা নুংঙাইতে, অবিবা হৈকক্তী কৈ কোল্লগা লীদুন
থম্বা যাই। নোংম নোংমগী চবা চবা লৌথোক্লগা হান্না ঙাম্থোক্লগা থাঙনা মব
খোক্তোলগা থোংনৈ। অনৌবা হৈকক্তী হিংনা খোক্ল খোক্লগা থোংদুনা চানৈ
হৈকক্ হাযবসি লাইববশিংগী হিংননবা মমল যাম্লবা লোক্তাক লৈমা ঈমান
পুথোকপিবা চেং মখল অমনি। যাম্না লাইবনা হৌবকপা পুন্সি ওইবনা হৈকক্
মহাও হৈকক্কী মগুণ নিংথিনা থংই। হৈকক্লা ক্ষীব হৌবগা চাবদা মপা লৈতন
ওইনম্না হাওই, নিংথিনা ঙাম্থোক্লবা হৈকক্ অদু খোক্লগা ফিগাওদা হাপ্লগা থব
শুনা শুনা চাবদা চাক লাম্বা ফৈ পাঙ্গল কনখৎলি। অনৌবা হৈকক্ খোক্ল
হিংনা চাবদা অসুক্কী মতিক হাওই, উমঙ্গ্রা, মঙ্গ্রা অঙাংবা চাবদগী হেন্না হাওই
হৈকক্ যেল্লী শিংজুদা খজিং পোকচাওবী অঙৌবা হাপ্লগা শুবগী মহাওদি মপ
লৈতনা হাওই। হৱাই মঙ্গল অপোপ্পা নত্রগা অলুগা হৈকক্ যেল্লীগা ইবোন্দু
চাবা যাম্না হাওই। হৈকক্ যেল্লী বেশন তোৎলগা বোবা হৌবা যাম্না হাওই
মোবোক মেৎলগা নমদুনা চাবসু হাওই। ঐগী ঈপা অদু লাইববগী মৈনা চা
খুদিংগী লোক্তাকতা হৈকক্ হেকপা হেক হেক যাম্না তোইনা চৎলি চহি তঙ্খা
অমদি হৈকক্তা চাবগা হিংঙকই হায়বা যাই। ঙসি ঐগী হকচাংদা চেল্লীবা
অসি লোক্তাক লৈমা ঈমাগী ঈগী শকক যাওই মবম অসিনা লোক্তাক লৈমা ঈমা

অপোকপী ঈমাগুম্না নুংশিজৈ। অসিগুম্বা মণিপুরী ঐখোযগী অচৌবা ললগৈ লোক্তাকপু মীওইবা ঐখোযগী অনৌবা খুৎশেম্না পুমতাক তক্লা মাংহনবিবে। পুম্নমক অসিগী মহৈদি লোক্তাকপু ঙমখৈ থমহৌদনা ঈথাযদা ডাম শাদুনা তুবেল থিংজনবা ঈথায ডামগী শাফুনি।

মঙাশুবা ডামগী শাফু

ঈথায ডাম্না শাফু পিদুনা হকথেংননা শোকহল্লিবা খুঙ্গংশিংদি ঈথায ৱাপোকপী, কুম্বী, থাঙ্গলৱায, কৈবেলফাবী, চিংমৈ,চান্দপুব, কৈবুল, থাঙ্গ চিংগী খুঙ্গংশিং, মোইবাং খুনৌ, মোইবাং, মোইবাং লমখায, থম্নাপোকপী, নবালসৈনা, শুনুসিফায, ফুবলা, থিনুঙ্গৈ, নিংথৌখোঙ্, তৌপোকপী, উপোকপী, পোৎশংবম, নাচৌ, ক্বাসিফায, খোইজমান, তৌবুল, ঙাইখোঙ্, ঙাইখোঙসিফায, ঙাকচ্রৌপোকপী, লম্মাংদোং, ঙাইখোঙ খুনৌ, কৈনৌ, যুম্নাম খুনৌ, ওইনাম, নম্বোল, নম্বোল নাওবেম, মাইবম, উংলৌ, ইশোক, ৱাহেংখুমন, ককযায, লাংপোক, পুখ্রম্বম থিংঙেল, থৌনাওজম, শামুবৌ নাওবেম, ৱাঙ্গোয, পাঙনসিফায, মযাংইম্ফাল, ইচিৱা, কোম্লাখোঙ্, কোকচায, হিযাঙ্খোঙ, তেবা, খোর্দাক, লোংমাইখোঙ্ তুবেল অচৌবগী নোংপোক্তা খাংঙবোক, তেন্থা, অবোঙ, এলাংখাংপোকপী, থৌনাওজম অসিনচিংবা ঈথায ডাম্না শোকহল্লি। মসিদসু নত্তে, তুবেল অচৌবগী নোংপোক্তা লৈবা অচৌবা লম কযা অমসু ঈথায ডাম্না শোকহল্লী। খুদম ওইনা হাযববদা খোইদুম লমজাও হাযবা পাৎ অসি মহৌশা ডাম থিংদ্রিঙৈ মমাংদা হঙ্গাম, কোবী, অলুনচিংবা অঙকপা ফংনা ফবম্মী। খোইদুম লমজাওগী অলু হাযনা মমীং চৎলম্মী। হাযবিবা ৱাবীশিং অসি শেমজন শাজন্দুনা কল্লনা তৌদুনা হাযজনবা অমত্ত নত্তে, মণিপুরদা লৈবিবা

চীং অমদি তমগী মী পুন্নমক্লা খংনবিবা ৱাবী ঙাক্তনি। মসিখক্ত নত্তে হিবালমৈ মনিংগী পাৎ, লমজাও লাইশ্রম এলাংখাংপোকপী মনিং পুম্লেন পাৎকী অকোইবদা চাবম্বা লৌ একব কযামকম মশিং হায়ফম খংদনা ঈথায় ডাম্না পুমতাক তাক্লা মাংহনখ্রে। ঈথায ৱাককোক্কী অৱাং তুবেল অচৌবগী নোংপোক্তা লৈবিবা কোম্পুক হাযবা লৌকোল মচা অসি লম পিক্লবসু চাথোক লৈবা লৌকোল অমনি ডাম্না মাংহনখ্রে। ঈথায় চিংগী অৱাং নোংমাইখোঙগী মখা খুন্দোল পুনম চিংগী মপাদা লৈবিবা লৌকোল মচা অসি তাঙমথি লৌকোল কৌই। তাঙমথি লৌকোল যাম্না ফৌথোক লৈবা লৌকোলনি। লৌকোল অসিনা মীওই ১০-২০ গী লাইববা কোকহনখী। অদুবু মসিসু ঈথায ডাম্না মাংহনখ্রে। অসুম্না লোক্তাক্কী অকোইবদা তাবিবা খুঙ্গংশিং অসিনা চাজবম্বা ফববা লৌ একব কযামকম মশিং হাযঙমদনা লোক্তাক প্রোজেক্টনা মাংহনবিখ্রে। পুম্নমক অসিগী মক ওইবা লোক্তাকপু বীঙবল তৌদুনা ঙমখৈ থমদনা পাক্তক্লনা পুমথা থাদোক্লগা ঈথায ডাম শাদুনা থিংবগী মহৈ, ডামগী শাপুনি।

তরুকশুবা ডামগী শাফু

তরুকশুবদা ঈথায হান্না পিবিবা শাফু অসিদি মণিপুব পুন্নমক শিনথুংনা অঙকপা অকিবা খুদম অমা মীপুম খুদিংমক্তা পিবি। মসিগী মবমদি মণিপুবদ চেল্লিবা তুবেলশিং অচৌবা মচা পাৎ তু খোঙ পুন্নমক্কী ঈতিনফমদি তুবেল অচৌবনি হাযখ্রে। হাযবিবা পুন্নমক অসিনা অমুক পুল্লবিবা ঈতিল্লবিবা মফম অদু ঈথায ঈবেল খেব পুংখোঙদনি। মণিপুবগী যাংলেন শক লুজাও ওইবিব তুবেল অচৌবা ইম্ফাল তুবেলবু পুমথিং থিংজিন্দুনা ঈথায মোনজিং মপাদ ডাম শাদুনা লোক্তাকপু ঙমখৈ থমদবগী দোশনা পাক্তক্লনা মণিপুবদা চেল্লিব তুবেল, পাৎ- তু খোঙ পুন্নমকপু শোকহল্লী। মসিগী প্রমান ওইবা মবমদি মণিপুবদ চেল্লিবা তুবেল খুদিংমকপু ঈচেল তপথহল্লী ঈচেল ৱাৎলবা তবেলশিং অসি নোংম

নোংমগী খেনগহল্লী। তুবেলখক্তা নত্তে পাং পুম্নমকসু লোইনা মাংশিলক্লে। তু খোঙ পুম্নমক লোইনা ঈচেল নাইহন্দবনা লোইনা থেনগৎলক্লে। ঈথায ডাম থিংবিঙৈদগী নোংম নোংমগী মওং হোংঙক্লে হাযবসি মণিপুবদা লৈনিবা চিং তমগী প্রজা মীযাম্মা মাংদা ইঙান ঙান্না উবি। মণিপুবগী তুবেল খুদিংমক ঈচেল লৈতবা ঈশিগা মান্নবক্লে। মসিগী অচৌবা খুদমদি ইনক নক্লা পিব তাববদি খুগা তুবেলনি। খুগা তুবেলনা ঙাওবা ঈচেল কনবসি অৱাংবা চিংদোলদগী চিংমাইদা ঈশিং চেম্থবকপগুম অমদি পুন্দগী ঈশিং হৈদোকপগুম ঈবাওখোম্বগা লোহননা য়াংনা চেল্লি হাযবা য়াই। ঈবেল যাম্না লৈবম্মী, ববিষা নোংজুথাগী ম তমদগী খুগানা ঈহৌবকপদা হি ফৈনা লানবা ঙম্নদে। খুগা তুবেল অসি অদুক হাক্লা পাক্তে চেনজোং চোংঙগা লানবা ঙমগদ্রা থল্লী, লুবদি য়াম্না লুবম্মী, ফুৎ ২০ - ২৫ বোম লুবা মফম য়াওই। অসিগুম্বা খুগা তুবেল অসি হৌজিক্তি যাম্না থেনগৎলক্লে হায়বা য়াই. হান্না লুবম্বদগী শকক অহুমগী অমথক্তমক ওইরমগনি। পাকথোবকপগী চাংদা হাযববদি হান্নদগী শকক অহুমদগী হেন্না পাকস্রে। যাম্না খুদোঙ থিবা অৱাবা মবম অমনা ডাম অসি মতম অয়াম্বদা থিংদুনতা লৈ, কবিগুম্বা মবক মবক্রা খংথা থাবকপা মতমদা ঈশিং অদুনা মযেং খংতা তাখিবগা লোইননা বীববল ওইবিবা লৈবাই অসি নাক যেং অনিমক অকিবা ফংনা নিংথাইহল্লী। খুগা মপান্দা তাবিবা খুঙ্গংগী প্রজাশিংগী ঈংখোলশিংবু খুগানা লৌশিলক্লী। অসিগুম্বা মীযামগী অমাংবসিবু ডাম থিংখিবা মতুং ঙসি ইং ১২ শুবক্লবা ফাওবদা কনা গুম্না ওথোবিতি অমত্তনা ঙাকপি শেনবিবা লৈত্রী। খুগাদ প্রমান তৌকবানে, শোকইবদি খুগা খক্ত নত্তে মণিপুবগী তুবেল খুদিংমক ঈচেল হম্থবক্নুনা লোইনা থেঙ্গলক্লে হাযবসি মযাম পুম্নমক্লা মাংদা ঈঙান ঙান্না উবি। হাযবিবা পুম্নমক অসি লোক্তাকপু পুমথা থাদোক্লগা ঈথাযদা ডাম শাদুনা পুমথিং থিংজনবা ডামগী শক্তিনি। মশানা থেনগৎলবা তুবেল অদুদা ববিযাগী নোং কল্লা চুথবকপদা তুবেল মকন্দগী খংত্তৈ হৌবকপা ঈশিং পুবা ওমদবনা ঈশিং পাথনা বীভব পল মাওইদা হাযবাসিদি ওকফম

থোক্তে মশানা তাবনি। মবম অসিনা মতম খবগী তুংদদি তুবেলশিং অসি ফুঞ্জলক্তুনা তুখুল নাইদবা ঈশিং ঈপাক ওইবকপা য়াবগী চিংনবা ফাওই। ঐখোযনা থাজে বীভব পল তোবর্বান ব্রাংনা থোল্লগা ঈশিং ঙাক্কনি। মসিঙাক্তনা ওইথোকপদি য়াবোই, মবমদি মসিমক্লা তুং কোয়না কান্নবা ফংওই, মদুগী মবমদি তুবেলশিং অসি ঈচেল লৈতবনা নোংম নোংমগী থেনগৎলকই। তুবেলশিং অসিনা থেনগৎলকপগী মক ওইবদি চিংগী মতু কোকশল্লকপা অসিনি। উ- ব্রানচিংবা মতু কোক্লবা চিংমাইদুদা ববিষাগী নোং কন্না চুথবকপা মতমদা চিংগী লৈনাং মপৈ মপৈ চেম্থবক্তুনা তুবেল খোংনুংদা তাশল্লী। অদুগুম্ব লৈনাংশিং অদুনা মবম ওইদুনা ঈচেল লৈত্রবা তুবেল অদুবু ইলাই লাইনা থেনগৎহল্লী। ঈথায ডাম থিংদ্রিঙৈ মথক্তা ঐখোযনা উহৌ শংহৌবা খুদম খং লৈ মদুদি ঈচেল কল্লবা তুবেল অচৌবা, অমদি ইবিল তুবেল খুগা তুবেল যৌবাল তুবেলনচিংবা ঈচেল কল্লবা তুবেলশিং অসিদা অচৌ অচৌবা উপাল ব্রাপাল অমদি কৌশিং কৌবাং কযা তাওথবকই, মদু ঐখোযনা লোক্লগা শিং থানৈ। হৌজিক্তি ঈথাযদা ডাম থিংখিবদগী উশা অমফাওবা তাওবকখিদে। মসিমক্লা তুবেলশিং অসিগী ঈচেল লৈবক্তবগী অচৌবা খুদম্লী। হাযবিবা পুম্নমক তাস ঈথায ডাম্মা পিবা শাফু ঙাক্তনি।

অবোইবা ৭ শুবা শাফু

তবেৎশুবা পবাদা হাযবিবা, (পিবিবা) ডামগী শাফু অসিদি অকিবগী মশক্লী, খল্লুবদা শ্বব ফুনবমখৈ য়াই। লোক্তাক লৈমা ঈমাবু ঈথায় ডাম্মা অসুপ্পী মতিক অকিবা ফংনা ঈশা মাপনমক্কী শক্তম্বু পুম্ম্যাং মাংহনবিগ্নে। লোক্তাকী ঈশিংনা সমুদ্রগুম পাক চাওনা ঈপাল থাগী মতমদা ইলং লংনা ফজবম্বা নুংশিংনা ঈমাইদা য়ৈবকপদা ঈথক ঈপোম্মা জগোয শাবম্বা নিংথিবা শক্তম মাংগ্রে হৌজিক্তি থাঙ্গ চিংথক্তগী লোক্তাক্কী শক্তম যেংঙকপদা লোক্তাক মচেৎ মকান

ওইনা উবে। হৈকক্ যেল্লী যেনানা অশংবা ফীগে থোনবগুম নুংশিনা ফজবম্বা ভুবা ফংদ্রে, মহৌশা জত্তি কয়াগী উচেকশিংনা লোক্তাকতা চাক্তাবম্মী মযুম ওইজবম্মী, অদুগুম্বা উচেকশিংগী নুংশিববা থোঞ্জেলতনা অহিং নুংথিল কাংদনা পুম্নিল নিন্দুনতা লৈবম্বদু তাবা ফংখিদ্রে ঈতাক তাকপ্রে। থবো থম্বাল, থাবিকথানচিংবা মখল কযাগী লৈবাংশিংনা মণী মুক্তা, সনা কপা লীক্লাং পবেঙ থোনবগুম ফজবম্বা লোক্তাক লৈমা ঈমাগী ফজবা শক্তম পুম্মাং মাংখ্রে। হৌজিক্তি মদুগী ওন্ন তৈনবদা কবোকং মপৈ মপৈনা লোক্তাক ঈমাই কপখ্রে, চাওব চাওববা ফুমদাও মপৈ মপৈনা নেংম নোংমগী ফুঞ্জিল্লক্লী। ফুমশিং অসি লৈতাবা কযা অমসু যাওবে, চেন্থবা ঙমদ্রবা ঈথায ডাম্না লম্বী থিংজিনবিখ্রবা ফুমথি হাথি অমোৎ অকায মপৈ মপৈনা নোংম নোংমগী লোক্তাকপু থেনগৎহল্লী। নম্বুল তুবেলনসু লোক্তাক ফুন্নবা মতেং পাংশল্লী। কাংচুপলোমদগী হৌদুনা চেল্ল,কপা শিংথা তুবেল গা নাগা তুবেলগা ইম্ফালদা ইতিন্নদুনা নম্বুল তুবেল হাযনা মীং থোলবা নম্বুলনা খাইবম্বন চেকথোক মখা যাওদুনা খা পাংনা চেন্থবকই। নম্বুল হাযবী তুবেল অসি মযাং কংই পংচাও চাওদে অদুবু মবিঙজেল মথৌনাদি হক হক লাওই। পিকচৈ হাযবর্দান মৈত্রবাক চা পুম্নমক্লা শকথংবী মণিপুবগী খ্বাযদগী চা ওখৎলবা রাজবভন অচৌবা সহবদগী হৌদুনা লোক্তাক লমদা ঈতিনগে হাযনা চেল্লী। নম্বুল হাযবী অসি মণিপুবগী মনুংদা চেল্লীবা তীর্থশিং অসিগী মনুংদা মগুণ লৈবী তীর্থ অমনি, মবমদি কংলৈ লৈশেম্মকপদা সাওবক্লবা ইতিহাসকা শাগোন্নবকপা নম্বুল হাযবিসি শেংলবী তীর্থনি। তীর্থ হাযবগী অর্থদি শেংলবী হাযবানি, মীওইবগী পাপ্ কোকপিবা থম্মোযবু শেংবিবা ওম্মী হাযবদগী তীর্থ কৌবিবনি। মণিপুবী ঐখোযনা সনা কপা কযা তিংনা অবাপ্পা মকম কযাদা চত্তুনা তীর্থ স্নান তৌনবী। ইনাক্তা নক্লা চেল্লিবা তীর্থবুদি নমথি হানৈববা লাঙ্খোওগুম্না খল্লী। লৈ, তুল্লসী, ধূপ্ দ্বীপ্ কত্তুনা পূজা তৌজফম সুপচফম থোকপা নম্বুল তুবেলদা বোবা শেগাযবা, প্লাস্তিক চেবং পোল্লাং

শেগায়বা নমখি হানৈ লুখাক চগুম অমাগা মপৈ মপৈ নুংতিগী হৈথবী। অসিগুম্না চাওখৎ বা মচ মশা শিংনা শংলিবা অমাং অসোয় মপৈ মপৈ মদুবু নুংতিগী লুম্না হে দুনা নাহে নাহে কেল্লগা লোক্তাকপু ফুনবা ওম্না কন্না লেং পাংই। অয় বা থবক নৌহ চাওখৎপা কৌনৈ ফত্তবা থবক তৌববুনা চাওখত্তবা হায়নৈ ঐখোয়ন তৌবক অয় ফত্ত থবক্কী মহে অদু ঐখোয়না ফংগদবনি। নম্বুল কৌবী শেংলবী ঈথবু লুখাবকোম ওলহনবগী মহে অদু ঐখোয়না ফংদম থোকই। মবম অসিনা ঐখোয়না ঐখোয়গী মণিপুরদা চেল্লিবা তুবেলশিং অসিবু সমল লৈহনবনা ঐখোয়গী চাওখৎপা পুবক্কনি, লুখাকবোমগুম উাবদি ঈশা ঈশাগী ঐ ঐনা মাংনবা ইতোমতনা শেমজবনি মসিবু চাওখৎপনি হায়বা যাগদ্রা? ঐখোয়না ঈবৈপাকপু অফবা চাওখৎপা লৈপাক অমা ওইহনবদা খ্বাইদগী মল ওইবদি ঈশিং যদ্রাবনি ঈশিং কহনগে হায়রবদি মণিপুরদা চেল্লিবা তুবেল পুন্নমকপু চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা থম্লকপা থোকই। মথক্তো চৎনবী অমা লৈরম্মী, মদুদি শা ষণ্নচিংবা অশিবা মশা কথা তুবেলদা থাদবা চৎনবী লৈরম্মী। মতমদুদা ওইরম্মা ঈশিংগী কাওমগা কৈতেক ওইরিবা ঈশিংগী শাভমগা যাম্না খেৎনবা অসোংবা লৈ। মতম অমদা ওইরম্বা ঈশিংগী মওংদি মণিপুরগী চেল্লিবা তুবেল মটৌমা মশা তুবোং লাং খুদিংমখ মখিংবা ঈরেলা মনিং তন্না লোইনা চেলবান ঈচাদক্কি লমা। অমা য ওবা মনিং তম্না চেল্লিবা ওমান্দ্র। লেইনা ফাওনবিদ্রে। মবম অসিনা অসোং অক ৎ শম্ব অমা ফত্ত শাওথিদ থাদনা চৎনবী থা রিপা ওইকদ্রে। মখক্তো কয়াদিনা শ্নিখক্কগী ব্রা লন্ত্রে। মণিপুরদা চেল্লিবা তুবেল খুদিংমকপু ঐখোয় মাপন খাংগমা মহা ঈথনি হায়না পূজা তৌগাবনি। অসিন লৈবক নুপী মঙাংশিংনা ঈগু ঈজাম্বা অসোং নকাম চান্দা থম্বা শোংনা থেংনা পুনা তৌরম্লোইদবনি। খুদম ওইনা কন গুম্বনা শঙ্গী অমদি ওইহান্দা রেলেমিক মঙাংশিনবগী ঈবগ্গিন্নদে যম্না চেকশিন্না ঙাক

শেন্দুনা মায মীৎ ফাওবা তাশিলহন্দে। অদুগুম্না ঐখোযনা ঐখোযগী মৈত্রবাকসিদা চেল্লিবা তুবেল খুদিংমকপু ঐগী ওইনা থন্দুনা মীপুম খুদিংমক্না ঈশা ঈশানা ঙাক শেঞ্জগদবনি। ঈশিংসি বেঙ্গলী ভাষানা জিবন হায। জিবন হায়বগী অর্থদি (পুন্সি) হাযবনি। ব্রাহে অসি যাম্না চুম্মী। মবমদি মীওইব অমদি জগৎনা হিংলিবসি ঈশিংনা হিংবান, ঈশিংনা মোৎলবা ফত্রবদি মীওইবগী হকচাংদা লাইনা তিন্না লাত্তুনা পুন্সিবু মাংহল্লী। হৌজিক যাম্না লুশলকইৎবদি লোক্তাক্না নোংমা নোংমগী থেনগৎলকপা লোক্তাক লৈমগী শক্তম কাযশিল্লকপা অসিনি। তুবেল অচৌববু থিংজিন্দুনা ডাম শাবনা মাইগৈ অমবোমদা যাম্না চাওখৎপগী মতৌ ওইনা উজবগসু মণিপুব বাজ্যবু পেবালাইশিশকী লাইনানা নাহল্লী হাযবদা হাযমনবা থোক্লোয। চহি খবগী তুংদদি লোক্তাক ঈমাবূ ঐখোযনা উবা ফংঙমলবোই মরুভূমী ওইবক্লগনি। লোক্তাক শাংব্রবদা কদাযদগী ঈশিং লৌদুনা হাযদ্রো ইলেক্ট্রিক পানগদগে? মতম অদু যৌবক্লবাদি হৌজিক ঙাল্লিবা মৈ অসি বাজিকব (মীত্রংগী) মৈ ওইবক্লনি। হায়বিবশিং অসি লোক্তাকপু পুমথা থাদোক্লগা ঈথাযদা ডাম শাদুনা থিংবগী দেযনি, মহৈনি।

লীলসু শিনবা চৈশুসু তেকহন্দবা

মণিপুব সবকাবনা অশিল অবাং ওইদুনা ভাবত সবকাবগা খুৎশম্নদুনা শাখিবা ঈথায ডাম আসিনা লোক্তাক্কী শক্তম কাইহল্লী হাযবসিদি পুম্নমক্না খংনববা যাফল্লি। ইন্দিযাগী মনুংদা মমীং চাওনা লৈবা মণিপুববু পৃথিবীদা শক তাক্লীবা লোক্তাক পাৎ অসি মণিপুবী ঐখোযগী পুক্লী। অসিগুম্বা লোক্তাক পাৎবা শক্তম্বু মাঙ্গুথবক্লনা থেনগৎলকপা অসিমক্না মণিপুবী চংমী তম্মী পুম্নমক্কী লাইবক পিবা অচৌবা মাংজবনি, মবম অসিনা মতম পুম্নমক্তা লোক্তাক মাংখিদনবা মণিপুবী প্রজা ঐখোয পুম্নমক্না ডাং বিজাৎকী ওইবা অপিকপা ব্রাখল্লোল

অনিশুবা ভাক্কক

পুম্নমক থাদোক্লদুনা অপুনবা শক্তম লৌবা (শাগৎপা) তঙাই ফদে। ভবত্তা লৈবিবা প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা ঐখোযগী লোক্তাক প্রোজেক্ট অসিসু শিংথানবিবা অমনি। চুম্মী প্রোজেক্ট অসিনা চিং অমদি তমদা মৈ পিদুনা হান্না লৈবম্বা মৈগী অৱাৎপদু হায়বদি অৱাবদু খবমখৈদি ফগৎলে হাযবা লাল্লোই। অদুমকপু য়াম্না মবাং কাইবে অৱাৎপা লৈত্রে হাযবদি লালগনি। প্রোজেক্ট অসিনা কোল কাবখানা ফেক্টবী মচা মচা খবমখৈদি মণিপুব বাজ্যদা চাওখৎলকপা উই। মসিনা মবম ওইদুনা থবক ফংদবা কংঙাওনদুনা লৈবম্বা নহাবোল কযাবুসু মথৌ তৌহনখী। থবকশিং অদুদি সবকাবগী কর্ম্মচাবী ওইনা অমদি কনাগুম্বা খবনা মশাগী লানাই ওইনা তৌবসু যাওবী হাযবিবা থবকশিং অসি মৈ যাওদবা যাদে মৈ চংই। প্রোজেক্ট অসিগী মকওইবা ঈশিং পিবিবা অসি লোক্তাক্নী, লোক্তাক্নী ঈশিংনা কংখিবা তাববদি কদাযদগী ঈশিং লৌদুনা হাইদ্রো ইলেক্ট্রীক পানগদগে ? অসিনি মণিপুবদা লৈবিবা সাধাবন প্রজা মীযাম্না নুংনাংনর্বিবা ৱাকমসি। ঐখোযনা মাংদা হৌজিকমক ইঙান ভান্না শংত্রিক উবিবা। মবম অমনা লৈপাক অসিদা লৈবিবা পাৎ মচাশিং অসিনা মাংশিল্লক্লিবা। তু খোঙগী ঈচেলসু লৈবক্তে। মহৌশাগী ওইবা জঙ্গল কযা কযাসু পুমকোক কোকশিল্লক্লে হাযবসি ঐখোযনা উই, হাযবিবসি মণিপুবগী তম্পাকখক্তদা নত্তে, চিংগী লমদসু অদু মঙাই ফোবেষ্ট ডীপাবটমেন্টনা চিং অমদি তমপাক্নী সমশিংদা উ থাবগী থবক কন্না চৎথবা উই, মসি অচুম্বনি। অদুবু প্রজা মীযাম্না ভাব তানা মতেং পাংবা তঙাইফদে, ঐখোযগী সবকাবগী চাওখৎ থৌবাংগী লম্বী খুদিংমক্তা প্রজা মীযামগী সহজোক তঙাইফদে। প্রজা যাওদনা সবকাবগী থবক অমত্ত মায পাক্ন চৎথবা ঙমদে। কবিগুম্বা সবকাবনা চিংমাই অমদি তম্পাক্তা থাবিবা উশিংবু হুবাল লানাদা যাল্লোযদবনি, ঐগী ইখোলদা হৌবগুম্না যোক্দবনি। মসি ঐখোয পুম্নমক্নী অপুনবা ললনি হাযনা পাম্মুনা খনফম থোকই। চিংদা তাবা চিংমী ঈচিল ঈনাওশিংনা চিংমাইদা হৌবা জঙ্গল কোকথোক্কুনা মযম হোং হোংদুনা চহি

খুদিংগী পাম কোক্কুনা লৌ ইখোল কোযবগী চৎনবী হৈনবী থাদোকপা ফৈ। অসিগুম্বা চৎনবী অসিনা ঐখোযবু কযা যাম্না মাংহনবগে হাযবদা ঈতোমতগী ইখোঙবু ঈতোমতগী থাংনা ইখুৎমক্লা যানবগা চপ মান্নে। হৌজিক্কী মতম অসি যাম্না লুববা তাঙ্গো অমা ওইবক্নে. মদুগী মবমদি মণিপুব বাজ্যগী জঙ্গল অচৌবা নৈশনক্তবা অসিনি। জঙ্গলশিং অসিনা অইং অশা খাইদোক্কুনা ঐখোয়বু নুংঙাইহল্লী, জঙ্গলনা নোং মবাং কাযনা তাহল্লী। নোংজুথা ববিষাগী মতমদা জঙ্গলগী পাম্বীশিং অসিনা মশা মশাদা ঈশিং মবাং কায়না চিংন্দিুনা তুংশিন্দুনা থমহৌই, মদুগী ঈশিং অদুনি ঐখোযনা চিংজুম হাযনবিবা অসি অদুগুম্বা চিংজুম অদুনি কুম্বী কালেন নাইদনা চিংগী লোকশিংদা চেল্লিবা ঈশিং অসি। জঙ্গলনা শা উচেক্লচিংবা মবাং কাইনা অমুক লৈহল্লী। জঙ্গলশিং অসি লৈত্রবদি নোং লিক্লা তাগনি, কবিগুম্বা নোং কন্না খংতা তাবকপদা তুবেল কাইবা মবম চাদনা লৌ শিবা থোক্লিবা থৌদোকশিং অসি অৱাবমক্তনি। যাম্না মকওইবা অমনা মণিপুবগী তুবেলশিং অসিগী হৌবকফম মকদি চিংগী লোকশিংদগী হৌবকপা মক্তনি। মতু হৌদ্রবা চিংমাইদগী লৈঙাংশিং অদু ঙাক্লবা উপাল ৱাপাল কোক্লবা চিংগী লৈঙাংশিং অদু তুবেল খোংনুংদা মপৈ মপৈ তাশল্লী, মতম অদুদা ঈচেল লৈত্রবা তুবেল অদুদা হাজন্দুনা লৈহৌই মসিনা মবম ওইদুনা তুবেল অদুবু অঙকপা ফংনা থেনগৎহল্লী। ঐখোযনা তুবেলগী তোবর্বান খোলবা হোৎনৈ মসিমক্লা তুং কোযনা কান্নবা পিবদি ঙমদে, মবমদি তুবেলশিং অসিনা থেনগৎলক্লীবদি মীবুপ খুদিংগী লেপ্পা লৈতনা থেনগৎলক্লী। লোক্তাক কনসি হাযববদি তোবর্বান খোনবগী মহুৎ ঈচেল নাইবা তুবেলগী তুখোঙ খোংনুংবু লুনা তৌথোক্লুনা ঈচেল কলহনবা তাই, নম্বুলগী মপালবু পাকা চনবগুম্না খুগাগী

অনিশুবা তাক্তক

লৈবাই নাক যেৎ অনিমকপুসু পাকা চনগদবনি, মবম অমনা উঙাপ্লেন খোঙকুসু লুনা পাক্লা তৌদুনা লৈবাই নাক যেৎ অনিমক পাকা চনফম থোকই। উঙাপ্লেন পাৎকী হান্না লৈজবম্না পাৎকী শক্তম কায়দনবা ফুমদী হাওদি পুম্নমক মেচিন্নচিংবা খ্ৎলাই কয়া শিজিন্নদুনা তক তনান্না শেংদোক্লদবনি। ঐখোয়গী অচৌবা পোংথোক পিবিবা খুঙ্গংগী তুবেলশিং অসিবু শুকউ উদবা হায়বসি ঐখোযগী অবানবা ওইবক্কনি। সহবগী মাইকৈদা লশ্বী থোং লু নানবা লৈকং থোং সাং অসিদগীদি খুঙ্গংগী লমশিংবু শেম শাবতনা মণিপুব চাওখৎপা ঙমগনি। মবমদি মাইথোং ফন ফজবা ওইববসু মী অদুগী মখোঙ মখুৎ অদু সোইনাইববদি ফজবনি হাযবা যাবোই, খুঙ্গংগী লমশিং অসিনা (বোডি) হকচাংনি সহবনা মাইথোঙনি। লোক্তাক কনসি হাযববদি খুঙ্গংগী লমদা লৈবিবা তুবেলশিং অমদি পাৎ তু খোঙশিংবু কুপ্না যেংবা চংই। খ্বাইদগী মক ওইবদি ঈকং থাগী মতমদা লৈ হাযবিবা কিলোমিটব ৬৪ গী অকোযবা বীঙ বল কোযশিন্দুনা থম্বনি। অদু ওইববদি লোক্তাক্কী অকোইবদা লৈবিবা মিটব ৪০ বোমগী লম অসি লৌমীশিংনা লৌ উবা য়াগনি। অবোইবদা ববিষা নোংজুথা মবি - ইঙা, ঈঙেল, থব্বাল অমদি লাংবল থা মবি অসি ডামগী থোঙ পুম্নমক লোইনা থাদোক্লনা তুবেল পুম্নমক্লা মনিং তম্ন চেঙ্গীঙেদা ঙম্মীমখ লোক্তাক অমদি উঙাপ্লেননচিংগী ফুম্নচিংবা শেংদোকহৌবনি। মসিগা লোযননা চিং তম প্রজা মীযামগা খুৎশম্নদুনা জঙ্গল শেমগৎপগী খবক্তা পুক্নীং চংনা মাইপুনবা মফম মফম খুঁদংল বন মহসব কুংনা পাংথোক্লনা মসিনী মথমদা কুপ্না থংলবা অখং অ[illegible]শিংনা যাম্না তোইনা নুপী মঙাংনচিংবা খুঙ্গংগী মীমাস্থ ভাব তক্তনা হাযবসি [illegible] মকওই। মকওইনা লোক্তাকসু [illegible] [illegible] হাযবসিনা [illegible] কন্নবা অমদি

প্রোজেক্ট কন্নবগী মকনি। অদু ওইববদি লীলশু হাৎলে চৈশুসু তেক্তে।

ঈথায

মীওইবা খুদিঙমক্ মশাগী পোক্লফম খোইবী লিনছাং তাফম মবমদম্ম নুংশিজব মহৌশানি। সংস্কৃতনা প্রমান পি সর্গাদপি জন্মভূমি গবিযসী (নুংঙাই যাযফববা সর্গদগী পোক্লফম্মা হেল্লী) হাযবা ৱাহৈ অসি চুম্মী। ইম্ফালদগী কিলোমিটব ৫৩ বোম মখা পাংনা কুমথবক্লগা মোইবাং লমখাইদগী অমুক খা নোংপোক পাংনা হাইথবক্কুনা কুম্বী খুঞ্জাওগা থংনবিবা খুঙ্গং অসি ঈথাযনি। ঈথাযসি বিষ্ণুপুব ডিষ্ট্রিক্ট কুম্বী কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা পংচাও চাওদবা খুঙ্গং অমনি। মোইবাং লীলা খম্বা থোইবীগী লোইকুম লোইকা ৱাবী অমদি ফৌওইবী অকোঙ্জাম্বনা ঈথায চিংজিন তুবেল অচৌবা মপান্দা থেংনৈ হাযবা ৱাবী অসিদগী মণিপুবীশিংনা ঈথায হাযবা খুঙ্গং অমা লৈ হাযন খংব নত্তনা অযাম্বনা খংবিবমদে। অসিগুম্বা পিক্লবা খুঙ্গং অসিবু লোক্তাক প্রোজেক্টনা শক তাক্কুনা মণিপুবদা মমীং চৎপা চিং অমদি তমদা লৈবা নুপী অঙাং যাওবনা শক খংবা খুঙ্গং অমা ওইবে।

নুংশিজববী পোক্লফম ঈথায মীংচৎতি ফাওবে, মনুংদি ইহো হোবী মণিপুবনা ভাবত্তা তিনখিঙৈদগী চৈশাং শিংনা যেংউবদা মণিপুবগী চিং তম কাচিন কোযা থুংন চাওখৎলবা মতম অসি ফাওবদা মাংলোমদা চৎপগী মহুৎ তুংলোমদা হন্থবল্লী। মসিগী মবমদি মহৌশা লাইবেনবী (প্রকৃতি) ঈমানা পিবিবম্বা ললসু পুমতাক তাক্লা মাংহনবিখ্রে। খুৎশেমগী চাওখৎ থৌবাংগী মাইকৈবোমদা যেংউববসু মম্মী ফাওবা উবা ফংদ্রি।

ঈথাযনা খুন্দাবকপসি সাব চুবচান্দ মাহাবাজ কে সি. এস অই মণিপুবেশ্বব ঈনিংথৌ সনা হাকতক্তগী খুন্দাবকপনি। ইং ১৭৭৯ অদুৱাইদগী খুন্দাবকপনা ঙসি ২০১২ ফাওবদা চহি ২৩৩ বোমদমক ওইবী। মসিগী মথক

অনিশুবা তাঙ্কক

হায়বদি ৭৯ গী মথক অসিদি লমহাং জঙ্গল ওইনা লৈবম্মী। ঈথাযদা ইহান হান্না খুন্নোকপিবম্মা অহন অদুগী মীংনা চাংবা কৌই। ইম্ফাল এলাংলৈকাইদগীনি নিংথৌ খল্লী, শৌগ্রাকপম হজারী হায়বা ফম ওইবম্মী, মবম অসিনা শৌগ্রাকপম হজারী চাওবা হায়না মীযাম্না শক খংনৈ। অহন অসিনা নিংথৌগী সনা যাথংদগী শ্রীসোবোকখাইবম চৌযাইমা হায়বা অমনে, বাহেংবম থম্বালজাও হায়বা অহন অমগা মখোই অহুম অসিনা খুন্নোকপা হৌই হায়না ঐখোই পাজিনা ঐঙোন্দা [illegible]পিবম্মী। হায়বিবা অহুম অসিগা শ্রীতখেলম্বম তখেন তাবা হায়বা অমগা যুম্নাকতি রাংখেমনি। যুম্নাম পাথৌসিং, হুইদ্রোম জগৎসিং রাংখেম শর্বাসিং, রাংখেম শাজৌবীসিং হাওজম নিংথৌপা, হৈস্নাম মনিবপা, সবোকখাইবম অভাতোন, অথোকপম থম্বৌসিং, ঈথৌ হবানিংথাই অসিনা খুন্নোকপা হৌখি হ[illegible]না তাকাপবম্মী। মসিগী মখাদা অমুক খুনশেম লৈশেম্বাবকপা অহন লমন যাইতেংবা খবগী যুম্নাক মীংগা কোন্ননা মখাদা পিবিবশিং অর্সনি। শ্রীরাংখেম কাঙ্কাযসিং, শ্রীসবোকখাইবম তম্ফাজাওসিং, লাইশ্রম অমুবমি, লাইশ্রম থম্বৌসিং, খুরাইজম তোযামসিং, [illegible]নাম গৌবমনিসিং, খুরাইজম ইবোমচা[illegible], [illegible] লৈযোলাসিং, লাইথংবম গৌরাচান্দসিং, লাইশ[illegible] [illegible]সিং, ওইনাম অবিকাসিং, কবাম [illegible]সিং, ক[illegible] [illegible]ইর্মসি, [illegible] সনা[illegible]সিং, কোন্থৌজম নবালসিং, লাইশ্রম বিজয় মাং[illegible], শৌগ্রাকপম স[illegible]সিং, হাওজম নিংথৌসিং চিংঙাখম লৈবেং[illegible]সিং, চিংঙাখম [illegible]মসিং, অথোকপম গৌবমনিসিং লাইবিকনিবা, অ[illegible] [illegible]সিং মথক্তা [illegible]বিবা লাই [illegible]শিং অসিনা [illegible]ও লৈচা[illegible]না ঈথা[illegible] সেম্নীবকপনি।

ঈথাগী খুন[illegible] [illegible] তুবেল মপান [illegible] তুবেল [illegible] মপান্দা তবেলগী [illegible] [illegible] [illegible] তাব [illegible]দনি। তবেল অচৌবনা কৌব্রু চীংগুপল [illegible] [illegible]না [illegible] ইম্ফাল [illegible] খা[illegible]না লক্লগা

লিলোঙ্ যৌবকপদা ঈবিল তুবেল পুবগা চেন্থবকপনা ইবোঙদগী অমুক খৌবাল তুবেলগা তিন্নদুনা মথং মথং লাকপনা মযাং ইম্ফাল,উচিন্না, শেকমাইজিল কোম্নাখোঙ, তেবা, অবোঙ খুজিন্দগী খোর্দাক তুবেল পুশেম্মে। অদুগা অমুক মখা পাংনা চেন্থবকপনা নোংমাইখোঙ ফাওবক্তুনা মবম লমদম লমনুংশি ঈথায চিংজিল মপা খেবপুংগী পুংখোঙদা থুংঙখী।

খুগা তুবেলনা নোংচুপ সন্ধোঙ মতালোকনোমদগী ঈহৌদুনা নোংপোক চিঙ্খেবোম পাংনা খোঙন- লাওনা থেক্ল- খোইনা লমজেল যাংনা চেলক্তুনা কুশ্নী খুঞ্জাও ফাওবক্লগা লম্লেন লমনুংশি ঈথায চিংজিল মপা খেবপুংগী পুংখোঙদা তুবেল অচৌবগা ঈতিন্নবে। উঙাম্লেন খোঙ্জালনা লোক্তাক লৈমা ঈমাগী লাইজ ঈশিং পুদুনা অন্নাংদগী খা পাংনা চেলক্তুনা লম্লেন ঈথায মবমদম খেব পংগী মখোঙদা তুবেল অনিগা তিন্নববে।

তবেল অচৌবগী লাইজ মাগী মচুদি ঙৌকনন পালবনিদো। খুগা তুবেলগী লাইজ ঈশিংগী মচুনা নিম হাযবপ হাযবা মচু ওম্না শংবাননা পাল্লিদা, লোক্তাক লৈমা ঈমাগী লাইজনা ঙান্দ্রানন পান্ন ফজবনিদো। তুবেল ঈচেল অহুম্না মহৈ মহৈ চেলক্লগা মবম লমদম লমনুংশি লম্লেন ঈথায চিংজিল মপা খেব পুংগী পুংখোঙদা ঈতিন্নদুনা ঈবেল চাওনা শেম্লববু মালেম লৈমগী মপাবী মমোম তাইবং কনাগী পুক্লীং হুদবা যাওবগে ? অতোপ্পা লমদগী লম কোযবা লাকপা যাত্রিকশিংনা শেংলবী ঈবেল অসিদা ধূপ বর্ত্তী লাংদুনা পূজা কৎনে, তর্পন কত্তুনা স্নান তৌনৈ। গঙ্গা,যমুনা. সবসতী তীর্থ অহুম্না পুনবী ত্রীবেণিগা কবি খেনবা লৈবগে ? মণিপুবগী মহা তীর্থনি। অসিগুম্নী মহা পুন্যনা তিনবী ঈবোঙ অহুম্না তিনবী (ত্রীবেণি) অসিবু পূজা তৌজবা থাজনা লুপচবদা পাপ কোকপিবিবা মৈত্রবাকচা ঐখোইগী লান্নফম, লাৎনফম ওইবা মহা তীর্থনি।

মণিপুবদা চেল্লিবা তুবেলশিং অসিনা মালেম লৈশেম্নলকঙৈগী মসি ফাওবা অহিং নৃংথিল অতৎ অকাঙ লৈতনা চেন্দুনা মমানা মচা যোকপগুম চিং

তম মৈত্রবাকচা ঐখোই পুন্নমকপু যোপিবি। লোক্তাক লৈমা, তুবেল অচৌবা, ঈবিল তুবেল, থৌবাল তুবেল, ৱাংজিং তুবেল, নম্বুল তুবেল, মোইবাং তুবেল, খুগা তুবেল, শেকমাই তুবেল, চকপী, ৱাইসেল, নোংদম্বী, মসিনচিংবা মসিদ নত্তনা মণিপুরদা লৈরিবা পাৎ তু খোঙ মশিং হায়ঙমদবা পুন্নমক অসিগী ঈশিং পুন্নমক তুবেল অচৌবদা লোইনা তাবক্তুনা পুল্লে।

ভাবতকী ওইনা মরু ওইবা তুবেল খবগী মমাং পনবা তাববদি গঙ্গা, যমুনা, সবসতী, কাবেবী, গযা, প্রযাগ, তাপ্তী, কৃষ্ণবেনা, গদাববী, সবজু, কৃতমালা, সাগব সঙ্গম, চিত্রোৎপলা, মকু, থায, ব্রহ্মপুত্র, ববাক্লচিংবা তুবেলশিং অসিনচিংবনি। পৃথিবীগী লৈপাকশিং বাশিযা, অমেবিকা, চাযনা, জপান, ইংলেন্দনচিংবা মহাদেশশিংদা চেল্লীবা তুবেলশিং অসি তীর্থ মক্তনি। তীর্থ হাযবগী অর্থদি অমোৎপা লৈতবা অশেংবা হাযবনি। অসিগুম্বা তীর্থশিং অসিনা মালেম লৈমা পৃথিবী শিনথংনা অমগা অমগা মবি মবি কোইনা চেন্দুনা লৈপাক অমগা অমগা শম্নহন্দ্না মবী লৈনতল্লী। মীওইবদা নত্তনা জীবা জগৎ অচৎ চত্ত লেংই পাল্লিবা পুন্নমকপু যোকপিবি। হাযবিবা তীর্থশিং অসিগী ঈতিনফমদি অমত্ত ঙাইববা মহা সমুদ্রনি। মবম অসিনা পৃথিবীদা চেল্লিবা তীর্থশিং অসি মশা অমত্তনি। আদসু ঈশিং, সিদসু ঈশিংনি, ঈমাগী অমৎনা মচা যোকপগুম্না অচান মিবাই থাইদনা শেংলবী তীর্থশিং অসিনা জীব জগৎপু হিংহল্লিবনি। মীওইবা ঐখোইনা তীর্থশিং অসিগী নুংগী ৱাহল্লোক পিবা ঙম্লবদি মাংন তাক্লবগী মশক ওইবা লাল হাযবসি লৈবোহ, অমগা অমগা মহৈ মহৈ নুংশিনা লৈমিন্নদুনা লাইবৈপাক ওইগনি।

ঈথায ঈবেল ত্রিবেণিনা মীওইবা খুদিংমক জাৎ কুচু থাইদনা নুংশিনা হিংমিন্নৌ হাযনা ইঙ্গীৎ তৌবি। যাম্না নুংশিনা তিন্নবা মরুপশিংনা অবাপ অবাপ্পা মফমদগী মহৈ মহৈ লাক্তুনা মফম অমদা পুলপ পুল্লগা অমুক খোঙশানমিন্নবগুম ঈথায খেব পুং মখোং ত্রিবেণিদগী অমুক খা পাংনা চেন্থবক্তুনা শুগুনু যৌবকপদা

চকপী তুবেল পুবগা অমুক চেন্থবক্তুনা চিংনুংহুৎ লাম্থোক্লগা নিংথী তুবেলগা মরুপ ওইদুনা মথং মথং অতৈ অতৈ তুবেলশিংগা পুন্দুনা মহা সমুদ্রদা ঈতিনখী। তুবেল অচৌবা ইম্ফাল তুবেল হাযবসি চিং তমদা লৈবিবা মণিপুরী ঐখোয পুন্নমক্কী খ্বাযদগী মক ওইবা মহা তীর্থনি। মীওইবগী হকচাংবু অচৌবা য়াংলেন শরুনা পুবগুম মণিপুববু হিংহল্লীবা পুবিবা তুবেলনি। মীওইবগী যাং পুবিবা শরুদা তিল চংদুনা লাইনা লাকপগুম্না তুবেল অচৌবদা ডাম শাদুনা পুমথিং থিংজিনবনা মণিপুবদা অমাংবা মযাম অমা লাকই। ঈথায হায়বা খুঙ্গং মচা অসি পিকচববসু মীগা লাইগা শম্নবিঙৈগী অবিবা ব্রাবী কযা অমা লৈ। মরুওইনা মোইবাং কংলৈলোলগা মবি লৈনবগুম্না উই। মরুওইবা ব্রাবীদি ঈথায কাযবেনবগী ব্রাবী, লোইমোম ফৌওইবী ঈমাগী ব্রাবী মসিনচিংবা ব্রাবীশিং অসি লাইবিক অসিগী অহুমশুবা তাঙ্কক্তা কোন্না হাযবক্লগে। ঈথাযনা খুন্দাবকপগী ব্রাবী ১৭৭৯ ইং দগীনি। হাযনা মথক্তা চাওবাকপা মতম অমা পিখ্রে। ১৭৭৯ ইংগী মমাং অসিদি লম্ফাং জঙ্গল ওইনা লৈবকই হাযনা লৌনৈ। অদুবু অহল লমনশিংনা পীবিবম্বা ফুঙ্গা ব্রাবীদগী তাহৌবা ব্রাবী অমা লৈ। মদুদি খুগা তুবেলগী অব্রাং থংবা তোবর্বান অসিদা খুন্দাবম্বগী খুদম চাওনা লৈবম্মী, মবমদি মফম অসি কোকপা হৌবকপদা চেগায মচেৎ অমদি যোৎতেক থাংতেক অতেক অকায যাম্না থেংনৈ হাযনা লাইগুরুশিংনা ব্রাবী লিবীবম্মী। ব্রাবী অসিনা মবম ওইদুনা ঈথাযদা খুন্দাবম্বগী খুদম্নী। ব্রাবী অসিগী চপ চাবা ওইবা যাবা প্রমান্দী ঈথায কাযবেনবনা ঈথাযদা নিংথৌ ওইনা পালম্মী হাযবা লুব্রাং খুম্থোলোলগী ব্রাবীদা কাযবেনববু মচা নিংওন্না পোকপা মশু পুহনবনা লোঙনা থিন্দুনা হাৎলি হাযবদগী পুনম চিং থোল্লীবা চিং অসিনসু লেংদবা শাক্তি ওইবী। কাযবেনবনা ঈথাযদা পানবগী ব্রাবীদি অহুমশুবা তাঙ্কক্তা যাওবি।

ঙসিদগী চহি ৬৭ বোমগী মথক ১৯৫১-৫২ গী মতম অদুব্রাইদা ওইবন্না শক্তম অদুগা হৌজিক ওইবিবা ঈথাযগী শক্তম অসিগা চাংদম্নদুনা

য়েংউবদা অশুক্কী মতিক খেৎনবে। চহি ৬৭কী মমাংদুদী কমদৌনা লৈবম্বগে হাযবদুদি ৱাবীদগী খংবা মগুই, ৬৭কী মখাদা ওইবকপা ঈথাযগী অহোংবা অদুদী ঙসি ফাওবা উই, মদুগী ৱাবীনি, লাইবিক অসিনা পাওদম্মীবা ৱাবীশিং অসি ১৯৫১ ইংগী মতমদা ওইবম্বা ঈথাযগী শক্তম অদু থম্মোইদা চাওনা মমী তাদুনা লৈ মীৎ উইশিন্দুনা হেক নিংশিংবদা ইঙান ঙান্না উবি। ঈথাযগী খুন্দাদি খুগা তুবেলগী তোবৈ মতুং ইন্না কুম্বী খুঞ্জাওগী নোংপোকলোমদা পবেং শানা তাবকপনা ঈথায খেব পুং মখোং উঙান্নেন খোঙগী খোংজিন, তীর্থ অহুমগী ঈতিন্নফম ত্রীবেনী মপাদগী অমুক মখা পাংনা তুবেল অচৌবগী নোংচুপ তোবর্বান্দা পবেং শানা তোবৈ তুথুপ তুংইন্না তাবি। অসুম্না মখা পাংনা তাবকপনা মোন্দুম চিংদুম লাম্থোক্লগা ঈথায লাইখোং হাযনা মীংথোন্দুনা তাবকপনা নাপ চিং (নামচিক)চিংখোঙ ফাওবা তাবিবা অসি ঈথাযনি। নামচিক চিংগী ৱাংমা লাম্থোকপদগীদি ৱাংঙু খুঞ্জাও লৈখ্রে। ঈথায লাইখোঙ অসি মতম অমদা লম্মাং ওইনা লৈবম্বনি, ইং ১৯৬০গী মতম অদুৱাইদা মুষলীম ঈচিল ঈনাওশিং যুম ১০ মুক খুন্দাবম্মী, চহি মঙা তরুকমুক লৈবম্মাগা খুল হোংখ্রে। হৌজিক্তি মৈতৈ ঙাক্তা খুন্দাদুনা ঈথায লাইখোঙ হাযনা মমীং অমা থোল্লিবসিনি। খুগা খোংবাল নোংচুপকী ঙমখৈদি উচেকথুবী ফাওবা ঈথাযগী ঙমখৈনি, কুম্বী থিংঙেল লৈকাইগা থংনবে। কুম্বীদি অবিবা খুঙ্গংনি, খুগাগী শা ৱাং ফুন্না পাক শন্ন তাবা খুঞ্জাওনি। ৱাংঙুসু তুবেল অচৌবগী নোংচুপ নোংপোক্তা পাক চাওনা তাবা অবিবা খুঞ্জাওনি। ঈথায হাযবা খুঙ্গং অসিদি যুম্নাক শাগে যামজদবা খুঙ্গং মচা অমনি। ঐনা জ্ঞান তাবকপা মতম অঙাং ওইবিদুু ইং ১৯৪০-৪১গী মতম অসুৱাইদা ঈথাযদা ওইবম্বা প্রকৃতীগী শক্তম অদু ঙসি নিংশিংউবদা পুক্নীং নৌনা নুংশিবা ফাওই। যাম্না অঙাং ওইবিঙৈগী মতমনিনা মমী শামী ওইনা নিংশিংবনি। ঈথাযদা তেবা যাম্না তৌবম্মী, চাওবাক্রা যেংবদা পাম্বী লীম্নীং অনিদগী হেন্না হৌবমগদ্রা খল্লী। তেবা পাম্বীশিং অদুগী মনুংদা লাইওইববা পাম্বী অহুম যাওই,

হাযবিবা অহুম অসিগী ৱাবী অমা লাইগুক অহল লমনশিংনা লীবিবম্মী। খুগা মপান্দা হৌবিবা তেবা অহুম ফাংবসিদি মোইবাংগী খম্বা থোইবিগী লীলা যাওবক্লবা লাইওইববা উনি, থৌওই উশিংতবা তৌজনু হাযনা তাকপিবম্মী। মোইবাং খম্বা থোইবিগী লীলাদা লোইকুম লোইকা হাযবা মতাং অমা ঐখোইনা মোইবাং কংলৈলোন্দা লীলা ওইনসু শান্নে, ঈশৈ ওইনসু মোইবাং শায হাযনা শৈশক্লে। মতাং অদুদা মমোম লাংলেন মচা থোইবিবু চিংখুবা যুববাজনা হাযবা ঈন্দে হাযদুনা কবোদা লোই থাক্লবগা অমুক মপাবুং যুববাজনা মোইবাংদা হলক্লবা তম্পাকযুম হঞ্জবা থাদুনা কবোদগী মোইবাংদা হলকপা মতাং অসিবু লোইকুম্বা হাযনা শৈশক্লে। চিংখুবনা মমাক ওইজনিংবা মোইবাং নোংবাল কোঙযানববু কুম্বী তেবা থাদা লোই ওকউচো থাবকই, যুববাজনা মনাই নোংবাল থাবকপসি নবৌশিং নপাঙ্গল লৈবগা ঈমোম্বু ফাবগা নংগী তাল্লোই ওইজবো লাম্বোকেপনি, অদুবু পাম্বোইবিগী শাইযোল ওইবী থোইবিনা মবৌশিং হেনবনা নোংবান্না তোংঙকপা লাঙ্গোয শগোল গাক্লবা তোংদুনা মবুংঙোতোল লাইববা খম্বগী মনাক থৌথী, হাযবা বাবীসি ঙসি ফাওবা শৈশক্লবি। কুম্বী সঙ্কোঙ নিংথৌগী মমাংদা তেবা পাম্বী অমা হৌবম্মী, তেবা পাম্বী অদুদা কৈগী মুত্তী অমা নপ্পুনা লৈবম্মী, হৌহিক্তি কংবদগী মতোমদা শিম্রে। মদুদ নোংবান্না কাবগা থোইবি লোইকুম্মকপা যেংবা মফম্নী। থোইবিনা শাপ চৈবদগী কৈগী মুত্তী ওইনা তোংবনি চ যনৈ। মোইবাং খম্বা থোইবিগী লীলা অসি দ্বাপুব যুগতনি হাযবি, অদুনদি ঈথাযগী তেবা অহুম ফাংবা তেবা পাম্বী অসি যুগ অনি পুন্সিবে হাযবা তাই। মৈতৈ লোন্দা হযাচকতগী- খুনুংচক ফাওবা পুন্সিবক্লবা তেবা পাম্বীনি। পাম্বী অহুম অসি খুগা তবেল মপান্দা ফুঙ্গা নুংদুম শানা যোৎশবী মখোঙগুম হৌই, খুগাগা থংনবা অৱাং থংবদা হৌবা পাম্বী অদুনা খ্বাযদগী ইহেল হেন্না ৱাং চাওই, ঐনা লম ওন্দুনা যেংহৌই, মখোঙদা ওনবদা লম তবানা কোল্লী। মখা থংবা পাম্বীদুনা খিজং হাম্ব, অদুগা নোংচপ্ত হৌবা পাম্বী অদুনা অমুক খজিক্তং নেম্বগুম

উই। হায়বিবা পান্থী অহুম অসিগী ময়ায় চপ চানা মোন্দুম মহাদেবগী মনাক্তা মন্দিব মনুংদা ফাওবিবা মগুম্না অদুগা চপ মান্নবা উশৌ মবা ওইনা তৌবা অমা ফাওবদু উবদা অঙকপনি, লৈপাক্তগী ফুৎ অহুমমুক ব্রাংগনি। ঐখোয়না মথক্তা তোঙদুনা শান্নবগী শিৎ নাপ্পী, কবিগুম্বা থাংনা যান্দুনা শান্নকুববদি ঈ মচু মানব মহি নঙ নঙ লাওবা থোকই। অহল লমনশিংনদি যাম্না লুনা তাকপি, নখোঙ নখুৎনা বেবাহাব লৈতনা পংশোক শোকউনু, লাইগী শক্তি লৈবা পোৎশক্রী, ষণ লেংলাই থুংবকোকইবনি হায়না তাকপি। লাই গুবনা তাকপিবদু অশেংবমক্রী ষণ লেংলাই কোকই, তশেংবমক মতম অদুদা ঈথায়দা ষণ অমত্তা লেংলাই থুংদে। হৌজিক্কী মতমসিদা ওইবন্নবদি লাই ফাওবে হায়দুনা লাৎনগদবজাৎনি।

মথক্তা হায়বিবা মফম অসিবু ঐখোয়না তেবা অহুম ফাংবা হায়না খংনৈ, অশম্না ব্রাহৈদা তেবা মখোঙ হায়নৈ। অসি গুম্বা তেবা মখোঙ অসিদি মীয়ামগী মীতিনফম্নী, কবিগুম্বা খুঙ্গং অসিগী ব্রাথোক লাম্লোক অমতং থোকপদা অফবগী ওইববসু ফত্তবগী ওইববসু ঈথায় খুনৌ মনিং মামং পুম্নমক্কী বিচাব তৌফম্নী। মফম অসি খুঙ্গং অসিগী ময়াই চপ চানা থোকই, তেবা পান্থী অহুম অদুগী মশাশিং অদু শন্তোবকপনা মথক অদু মাঙোপ খনবগুম্না পুমকুপ কুপ্পী, ওলাংথাগী মতমদনা অমুক হেন্না নুংঙাইবা মফম্নী। লেখক্না অসুম নিংশিংজবদা মণিপুবগী এসেমব্লী হোলবুদি ঐখোইগী তেবা অহম যাংবা খুগা মপানগী হোলনা খব। হেন্না ফজবমগদ্রা ? মণিপুব এসেমব্লী হোলদী খুৎশেম্না ফজবনি, ঐখোয়গী তেবা মখোঙগী ঈথায়গী হোলনা প্রকৃতী লাইবেনবী ঈমানা শাবিবা হোলনি। যাম্না কাওবা ঙমদনা নুংঙাইবা অমনা মফম আস নহাবোলশিংগী শান্নপুংনি, বোলিবোল, ফুৎবোল, উবলে, অঠালি- পঠালি, মকম কোনবী মসিনচিংবা মশান্ন মখল কয়া মফম অসিদা শান্নে, যাওছংদা পাখং মচা ময়াম পুলপ পুলপ মুক্রা শান্নফম্নী। শজিবু কালেন থাদা যণবী যণনাও যণলুপ (যণলুপ শগুপ শাইদুনা কুনবা) ফাওবা কাওঙমদনা নিংশিংই। হায়বিবা লম্পাক অসি হৌজিক্তি খুগানা

লৌশিনবিগ্রে, তেবা পাম্বী অহুম অদুসু লৈখিদ্রে। পুংজা খুদীংগী প্রকৃতী মানা য়াওল্লী, মীওইবগী রাখলসু অবেগ্না লৈতে, মতম খুদীংমক্তা অহোংবা নাই, অদুবু মতম মাদি লেপ্ল লৈতনা চেল্লী, কনামত্তবু হন্না য়েংঙমদে। ঙাইহাক্তং হিংইবা পুন্সি মতেক অসিগী মনুংদা হোংইবা প্রকৃতীগী য়াওল অসি নিংশিংবদা অঙকপা ফংই।

মতম্না থুংঙববদা যুগ অনি পুন্সিববা শিব নাইদবা অমবগুম্না হৌবন্না লাইওইববা চিংগুম্বা তেবা পাম্বী অহুম অদু হৌজিক্তি যচেৎ অমতং হিদাক তৌগে থিকবদা ফংদ্রে। ময়াইদা লৈবন্না শন্দম্না মানবা লাইওইবা উশৌ অদু খুংলাই থাকবসু নত্তে মাংখিবা খংহৌদে, মংগুম্না খল্লী। তেবা পাম্বী অহুম অদু য়ানখিবা নিপা অদু ঈথায়দা লৈবা লৈকায়গী বামোন্নী ফুবাইলাংপম নিলগোপাল কৌই। অজ্ঞা নিলগোপাল তেবা য়াল্লবা মতুংদা মতম কুইনা শোলল্লগা লৈখিদে। অজ্ঞা নিলগোপাল অচম্ব বামোল নত্তে মতমদুগী খুংহৈব কাবিগব অমনি। পাইজ থেসু অবামদাব খক্তনা য়ুম শাই উপু কাংথোল চনব ঙম্মী। মশানা শাজবা উগী মেচিন্না থৌবী তাই, চাংমীশিংনা অজ্ঞাগী উপাধী অমা পি, অসুম্না হায়- চীংদা কাম্ববদি অজ্ঞা গোপাল অসিদি য়োংগী গুকনি অসুক্কী মতিক হে শিংই। অজ্ঞানা মচা শেবকশিংগা লোয়নননা শঙ্গোমগুম্বী চীঙ্গোলদা তেঙ্গোল শাদুনা উ য়ালম্বা মফম অদু ঙসি ফাওবা বামোন তেঙ্গোল হায়না লৈবি। অজ্ঞানা তেবা য়ালমদায় অদুদা লৈকায়গী অহল লমনশিংনা তৌহৈদে য়ালুনু হায়না কন্না থিংখী অদুবু অজ্ঞানা ঙমদুনা য়ানখী তৌবদি উ য়ালমদায় নিনি হুম্মী রাংলিঙৈদগী অজা- পুজা য়াম্না তৌখী, ঐখোয় কনামতনা হংহৌদে য়াম্না নিংঙমদে অজ্ঞানা পুখ্রে। তেবা য়ানম্রবা মতুংদা ঈথায় খুনৌগী প্রজা মীয়াম্না কবি থোক্লদগে হায়না য়াম্না থরাই রানখী অদুবু থোইদোকপা অরাব দসা তাখিবদি থোকখিদে। ঐনা থাজে যুগ অনি পুন্সিবক্লবা তেবা পাম্বী অহুম অদু মতম য়ৌবক্লনা অজ্ঞা নিলগোপালদা পাওথোক্ত থম্মগা স্বগাহন ওইখিবনি। তৌবগীদি তেবা অহুম অদু য়ানখিবদগীদি

ঈথাযসিদা খুবক হাংদনা হৌবম্না তেবা পাম্বীশিং অদু অমা ফাওবা মশক উবা ফংখিদ্রে। তেল্লবা পুন্সিগী মতম খজিক্তং অসিদা হোংঙকইবা মতম মাগী যাংলবা খোঙথাংবু উবদা হৌখ্রবা পুন্সিবু পাম্মুবকই, ঈথৌবাং অমত্ত তৌহৌদ্রে নুমীৎ তাখিবনা হাল্লনি।

স্কুল তম্মকপা মতাং

ঐনা স্কুল তম্না হৌবকপসি ইং ১৯৩৯ অদুবাইদগী স্কুল তম্না হৌবকই। মতম অদু ঈথাযদা সবকাবগী ওইবা স্কুল অমত্তা লৈবমদে। খুঙ্গংগী প্রজানা উ, বা খাইনবগা শাবা স্কুল অমখক্তং খুগা মপাল তেবা মখোঙদা লৈবম্মী। পাঠশানা অসিনা ঈথাযদা ইহান হান্না জ্ঞান পিবিনা বিদা শংনি। চিংঙাখম লৈবেঞ্জাওসিং, চিংঙাখম তোযাযমসিং মচিন মনাও অনি অসিনা ঈথাযদা শিক্ষা পিবিবকপা ইহান হানবা অধ্যাপকী। স্কুল অসিদা ক্লাস টু ফাওবদং তম্লগা কুম্বীদা তম্মৈ কনাগুম্না সামর্থ লৈবশিংনা মখা তানা তম্মীংলগনা ইম্ফালনচিংবা মফমদা লৈবগা তম্মৈ। ওঝাগী অবামন্দী চর্হি চহিগী ওইনা যুমথোংগী ওইনা যৌ খাইনবগা দক্ষীনা ওইনা কংলী। স্কুল অসিদা ছাত্রনা যম্লবা ফাল লৈতে গ্রামদি বেঞ্চনচিংবা অমত্তা থাদে ওঝা অনিনা ফমুবা তংঙাইফদনা চৌকী অনি তেবল অনিখক্তং লৈ, মাসি যা লোইবে ছাত্রশিংনা মশা মশাগী ফম্নংবা পোত্তা নত্রপা যক পুবগা ফমৈ। ছুতী থাবকপদা মযুম মযুমদা অমুব পুনবকই।

স্কুল আমবু ঙাক শেন্নবা শিংতোক শেংদোকপিনবা চৌকিদাব চন্দ্রপ্রাস অমত্তা লৈতে। বাবিগুম্না অতেক অবায যাওবকপদা স্কুল কমিটিনা লৈকাযগী যাইতোংশিংগা তান্নবগা শেমজল শাজল্লী। মবক মবক্তা ছাত্রশিংনা ষণথী লৈঙোযনা হেক হেক তৈথোকই। নুমীৎ খুদীংগী স্কুলদা অহানবা যৌবকপা ছাত্রশিংনা শুর্মাচিংনা শিংতোকই। ওঝানা বোল কৌবা লোইবগা ক্লাস হৌবমদাযদা তযম্বা পাও হাক কযা হাবা লীদুনা ঐশোইবু তাকপী তম্মী। ঈচাশা। স্কুল হাযবসি

শেংথ্রবা মন্দিরনি, ঐখোইনা জ্ঞান লৌশিং ফংজগদৌরিববরা অসি স্কুল অসিদগীনি। মরম অসিনা স্কুল অসি জ্ঞান মন্দিরনি লৌশিংগী পুকৈনি হায়রসি খক কাওগনু। নখোই খুদীংমক স্কুল চংঙমদাযদা লাইবক কৎতুনা বেব্যহার তৌগদবনি। লাইবিক তম্না হৌবমদাযদা মহৈ লাইবেনবী ঈমাবু খুকমজবগা তম্না হৌগদবনি, স্কুল মনুংদা অমোং অকায হুঞ্জলহৈদে, তিন শিংচিনফদে, নমান্নবশিংগা স্কুল মনুংদা খৎন চৈনফদে ৱাচোপ ৱাবেম ঙাংওইদবনি। নুংঙাইতবা লৈববদি ওঝাদা বিচাব তৌবিযু হাযনা ৱাকৎকদবনি। অসুম্না ওঝানা মবক মবক্তা হেক হেক ঐখোইবু তাকপি। অদুগা কবিগুম্না মবক মবক্তা ওঝা গুরুগী মতিক মগুণগী ৱাবী কযাসু লীবীদুনা ওঝাগী মফমদা থমগদবা থাজবা নুংশিবগী ৱাবী কযাসু লীদুনা তাহনবী। একলব্য ব্যাধনা দ্রোনচার্য্য গুরুদা খুৎলাই তমজগে হাযরুবদা নংদি অতোনবা জাৎনি তম্বীবা ঙম্মোই তাকপিববদা অচিকপা বন্দা দ্রোন গুরুগী মূর্ত্তী নির্পন তৌবগা খুৎলাই তমজবদা অর্জ্জুনমক্লা ঙমদবা শক্তি পুখোকপা ঙম্মী, হাযনা ৱাবী লীদুনা ঐখোইবু তাহল্লী। কণগী থাংব কনবগী ৱাবীদা নোংমা প্রশুবাম গুরুনা কণগী তম্পাক্তা মোন থাংদুনা নুংঙাইনা তুম্লীঙৈদা বৃশ্চিক হাযবা তিল অদুনা কর্নগী ফৈগন্দা চিক্লুনা ঈ অবব তাববা ফাওবা গুরুগী তুম্না কাইগনি খন্দুনা অনাবা থাংবা মবিংজেল মথৌনা লৈবা ৱাবী, অর্জ্জুননা দ্রোন গুরুবু সুকথা থাদোক্লনা নুংশিনা সেবা তৌজবদগী ব্রহ্মঅস্ত্র ফংবগী ৱাবী মসিনচিংবা লীবিদুনা ধর্ম্ম অমসুং অথাং কনবা বেবহাব ভক্তি যাওনা লাইবিক তম্বীববউ। অসিগুম্না বম্মগী ওইবা ৱাবীশিং ঙসিনা মপুং ওইনা অনানন্দা পবা তমজবকপনা স্কুল ওফিসর্নাচিংববু ঈশ্বরগী লৈফম মন্দিরমক্লী উজদুনা চংঙমদাযনা লাইবক কতুনা বেবহাব থমজবি। অঙাং ওইবিঙৈদগী হৌনা ওঝাবু লৈবক লমজ ওদ ওইববসু উৎগা যাম্না নুংশিনা কোননা কোক নোন্দুনা খুকমজবি। অসিগুমব ৱাবী অসি হৌজিব জীবনবা ইকববাদ মৱা লৌরিদে থাইনগী ৱামন্নী হায। বামন্নী গযবা পাওখুম অসিমক্লা থবক ওইনা লৌখৎতুনা স্কুল নম্না মৈ

থাদোকই, অচুম অবাল রায়েল্লীবা ওফিস কয়া থাও হৈজিন্দুনা মৈ থাদোকই মদুদা মাংখিবা লল ময়াম অদু কনাগীনো হায়বা কবিসু খজুদে। খোং খুং পাইদুনা তাকপি তম্বীবিবা ওঝা হায়বসিদি গুকনি, গুকবু মমান্নবগুম্না থৌওইদনা লোইনবা বেবহাব য়াওদবনা মখুৎ থাবা ভস্না ফাওবা য়াওই, তৌইহেদে হায়কববদি ধর্ম্ম মবা লৌদে থাইনগী রামন্নী অসিগুম্না ধর্ম্মবু নাকোইনবা লীচং শাজং অসিনা মপুং ওইখিবনা প্রলয়গী মৈ হৌনবগী মকনি। ওঝা গুক হায়বসি ঈশ্বরগী মশক্তী হায়বদা কবি লালবগে ? ভসি ঐনা থম্মোইগী অনিংবা খবা মপান্দা ফোংদোকপা ভমজবিবা অসি ওঝানা শিবিবা জ্ঞানগী শক্তিনা কলমগী মতেঙ লৌদুনা মীয়ামদা পাওদমজবনি। মবম অসিনা থম্মোই মনুংদা লৌশনবা খংইবা অসিসু ঈশ্বরদু লৈবনা খংবা লৌশনবা ভস্নি, মপান্দা ওঝা গুকগী মশক ওইবিবা অদুসু ঈশ্বরগী মশক্তী। বিদ্যা তম্ফমশং স্কুল কলেজ ওফিস মন্দিরনি মসিবু মৈ থাদোকপা হায়বসি হিংসানি হিংচা য়াইতম্বতনা তৌগদবা থবক্তী, ওফিস মৈ থাবনা লৈপাক মীয়ামগী ওইবা মাংফদবা অবিবা লন পুম্নমক খোংগুল মুৎনা মাংহল্লী। মবম অসিনা বেবহাব লৈনা থকশি খাশি য়াওনা অঙাং ওইবিভেদগী শিক্ষা পিবনা লৈপাক্তী অফব চাওখৎপা পূবকপা ভস্মী। স্বায়দগী রাংবসি থকশি খাশি বেবহাবনি, ঐখোইনা লাইবিক ফন হৈদুনসু থকশি খাশি বেবহাববু য়াওদ্রবদি লৈপাক্তী ফনবা তৌবক্তে। মথক্তা হায়জবিবা ঈথায়গী প্রাইভেৎ স্কুল অসিদা অহানবা মপি অ, আদগীনা মবিশুবা লৌশিং থোকপা হায়বা লাইবিক অদু ফাওবদং তমজবকই। মতুংদি স্কুল তস্বা তোক্লে। লাইবিক হায়বা কালাবোমদা খোংদাজবকপনা বৈষ্ণবশিংগী সেবা ভসি ফাওবা ফংজবি। অদুবু ঐনা ভসি ফাওবা কাওবা লৈতনা শ্রীচিংঙাখম লৈবেঞ্জাও চিংঙাখম তোয়ায়মা ঐগী আদি গুক অনিবু কাওবা লৈতনা নিংশিংজবি, খুকমজবি গুকদেব অনি অসিনা জ্ঞান দাতানি ওঝা অনিগী থৌজালনা থম্মোইগী অনিংবা খবা ফোংদোকপা ভমজবনি,

মীয়ামগী সেবা ফংজবনি ওবাদি ঈশ্ববনি।

শিক্ষাগী খেৎনবা নিয়ম

হৌজিক ওইবিবা শিক্ষাগী নিয়ম অসি অসুক্কী মতিক ৱাংন চাওখৎলক্লী। অদুবু অৱাবা অমদি বিজ্ঞানগী মাইকৈ লম্বীবোমদতা লমজেল তান্নদুনা চৎপা অসিনি। বিজ্ঞাননা মপুং ওইনা চৎখিবনা ধর্ম্মগী মাইকৈবু পুবা মপুং ওইনা নাকোইনদুনা হুন্দোক্রমলে। কবিশিংনা ইবিবা ফোংইবা ৱাবেঙ শৈবেংশিং লাইবিকশিং অসিদসু ধর্ম্মবু মপুং ফানা পুখৎতুনা ইবা পংয়াও য়াওদবগুম তৌই। কবিগুম্বা ধর্ম্মগী ৱাৰী য়াওববসু মচেৎ মকাই ওইনা য়াওই। মতাং অসিদ ধর্ম্ম হায়না পঞ্জবিবসি কনাগুম্বনা লান্না লৌবিখিবা য়াই মদুদি লাইনিং লাইশোলগী লম্বীবুনি হায়না, মদুদি নত্তে। ধর্ম্ম হায়বা ৱাহে অসিদি হিবম খুদীংমক্তা য়াওদবা লৈতে মফম পুম্নক্তা শিন্দুংনা লৈ, মসিগী চাওবাকপা অর্থবুদি লাইবিক অসিগী অহুমশুবা তাক্কক্তা হায়বক্নে। ধর্ম্মদা য়ুম্ফম ওইবগা তৌবিবা থবকশিং অদুদি শোইদনা অফবা মহৈ য়াম্লী, ধর্ম্মবু তুংওইনবম্নগা তৌবিবা থবকশিং অদুদি ফন য়াম্না মাং থানা চাওখৎলুববসু মমৈথংদদি অমাংবা ঙাক্তা ওইবকই। অসিগুম্বা ধর্ম্মগী মশাশিং অদু কবি কবিনো ? ধর্ম্ম হায়বসি থকশি খাশি খংনা চৎপবুসু ধর্ম্ম কৌই। ৱাহৈ ৱাতা মথক মখা খংনা ব্যবহাব থম্না ঙাংববুসু ধর্ম্ম কৌই। মমা, মপা, ওঝা, গুরু, মশক খংবা, তোপ্প তাববশিংদা থৌজাল হৈবা অহল লমন, নুপী অঙাংদা থৌজাল হৈবা মনেম মকু মশেন মবাইদা কবম্না ব্যবহাব থমগদগে হায়বা খংনা চৎপা, মতৈ মনাও কমদৌনা লোইনগদগে হায়বা মসিনচিংবসি ধর্ম্মগী মশা ঙাক্তনি। মসিগী মবমদা পনবা য়াবা মবম খবদি পান পুনা মথক্তা চৎনবকপা ফজম্রবা লীচৎ শাজৎ মীঙ্গৌ থাগৌ অমা পুমথা থাদোক্রগা ইনৌ নৌবা চৎন লোনচৎ মীঙ্গৌ থাগৌদি ঈকুবোক, অবোক, ঈতৈহল ঈনাওনুপা নত্রগা ঈনাওনুপী ঈচল ঈনিং- (ঈনম্মা) ঈপল,

খুবা, তাদ, মান্না ঈশেল ঈবাই অসুম্না কৌনবা মীঙ্গৌ থাগৌ অসিনা তৌফম থোকপা তোংঙাল তোংঙালবা ব্যবহার ভক্তি মখল কয়া খাইদোক্লা তাকই। মমৌ নুপীনা মপুরোইববু পোকপা মপাদা ঈকুবোক হায়না কৌবা মীঙ্গৌ অসিনা মবম ওইদুনা মকোক খুমদুনা কোয়না ব্যবহার থম্মে। মকুবোক্কা পোকমিন্নবা মচিন মনাওশিংগী মফমদসু ঈকুহল ঈকুযাযমা, ঈকুদোল কৌদুনা মকোক খুম্নবম্মী, কয়াদা ৱাংখ্রবা ভক্তি ব্যবহারনো, ব্যবহার অসিমক্কা শাগেনী মৌ ওইবিবী নুপী অদুগী মতিক মগুণ ৱাংহল্লী। মাগী নিপাগা পোকমিন্নবা ময়াম্নশিংদা ঈতৈহল, ঈতৈযাযমা, ঈতৈতোল কৌই। মনাওনুপাদবুদি ঈনাও কৌবি মসিমদি হোংদ্রি। মতৈ উবদা মনাওনুপী মৌ অদুনা মকোক্তা ফী মচা অমা হাপ্তুনা কোয়বা ব্যবহার অদুনা মৌ অদুবু মশক ফজহল্লী নুপী ওইবীগী মগুণ হাপ্লী। অসিগুম্বা চৎনবী অসিনা মৈতৈ নুপীগী পাঙ্গল কয়ামুক কনবগে হায়বদু মৈতৈ পুযাদা নোংখোঙ কোইবগী মতাংদা সনামহিনা মনাও নুপা পাখংববু হাংকে তান্নবকপদা পাখংবগী নুপী ৭ না মপুরোইববু কোইশল্লগা ঔগ্রী হঙ্গেল চোংদুনা ঙাকপদা সনামহি চংবা ঙমদে হায়বসি লৈমা ৭ তুগী মপাঙ্গলনা ঙাকপা নতে, মনাওনুপীগী মনাক নক্লা মতৈ চংবা ঙাদে হায়বা ব্যবহার অদুনা পাখংববু কনবনি, কয়াদা ৱাংখ্রবা মৈতৈ নুপীনী লীচৎনো। অসিগুম্বা মালেমগী নুপীশিংনা তমজনফম ওইবা মীঙ্গৌ থাগৌ লীচৎ শাজং অসিবু পুমথা [illegible]দোক্লগা ইনৌ নৌবা মীঙ্গৌ থাগৌ অমদি চৎনা [illegible]নচৎ অমা মণিপুর শিনথুংনা লৱাই ইম্ফাল পুম্নমক্তা চৎনবক্লি। মদুদি মকুবোক্তে বাবা, মনেমপোক্তা ঈমা, মপুরোইবদনা তামো, মতৈদনা দাদা মনম্মদা ঈচৈ অসুম্না লোইনা কৌনবে। নুপীগা [illegible] ভক্তি নত্তে নুপানসু [illegible] মকুম্দা বাবা, ঈমা কৌনরি, কয়াদা নম্শল্লখ্রবা কয়াদা নুংশিনখ্রবা মীঙ্গৌনো [illegible] কয়ামুক নক্লনক্লীবনো [illegible] হংলবদি মীঙ্গৌ অসিনা মচিন মৌপ্পা [illegible]লৌন লৈনবে, [illegible] মকোক খুমদ্রে, লাইগুবনা চৎনবকপদি নুপী ওইবীশিং[illegible] মপুরোইবগী [illegible] পনবা তৌহৈদে হায়নে পনসু [illegible], তৌজিত্তি ম[illegible] [illegible]বাইবগী মমীংনা মন্ত্র অমদি নাম [illegible]ইনা, দা[illegible] ওবা, দা

তোপ্পা, হাযন কৌনবে। মাগী নুপাগী মীং য়াওদবা যাদে মদু য়াওদনা কৌবা মৌদুদি চাওখৎপা যৌদ্রি। মথংদদী চাওখৎপা তান্নবকপদা মমীংদা মমীং কৌনবকপসু যাবী। হৌজিক অমুক নৌদা নৌবা তাবদা থম্মোইগাকসি ইনৌ নৌথোকহনবা মীঙ্গৌ নুংশিখ্রবা অমসু ইনৌ নৌনা তাবে মনাও লৈবগী মনাওদা পক্লবগা কৌবিব্রা, সুক্লে লৈতনা মাগী নিপাদুদা কেশনন্দুনা কৌবিব্রা মোই তামো, কয়া নুংশিখ্রবা। অসিগুম্বা মপান্দা তাবদদি ইচম চম্না য়াম্না নকশন্নবা ফজবা মানবা অনৌবা মীঙ্গৌ থাগৌ অসিনা হান্নদগী মালেমগী থাক্তা ৱাংনা লৈজবকইবা মণিপুবী নুপীশিংগী মোবেল শোকলক্কনি হাযবগী মীপাযদবা ঙমদে। মণিপুবী নুপীশিংগী থৌনা লীংজেল খাংবা খনবগী শক্তিদি মালেমগী ইতিহাসতা ৱাংনা লৈবিবনি। ইতিহাসিক ওইনা পনবদা মতিক চাবদি মহাবানী লীম্বোইইঙম্বী, ঈমা তুঙ্গৌ চাওবীনচিংবগী শিবা কিদবা মথৌনা মবিঙজেল নোংমৈ পাযবগা মবৈবাক্কীদমক শিব কিদনা লান্থেংনবদা হন্দবা, হৌজিকমক ইবোম চনু শর্মিলানা মবৈপাক মণিপুবগীদমক ভাবত সবকাবগী মাইযোক্তা হনবা লৈতনা চংশিল্লিবা চবা হেনবগা লোইনবা সত্যগ্রহ অন্দলোনগী অখাঙ কনবা হাযবিবা পুম্নমক অসি পৃথিবীগী ইতিহাসতা ঙান্না লৈহৌবগদবা মীংচৎনি। অসিগুম্বা তোমথিন ঙানবী ঈমাশিংগী তুং ইঞ্জবা হাযবসিনা ঐখোইগী অচুম্বা পুবক্লবা অমত্ত ঙাইববা লন্থীনি। অদুব্ন অব্রাবদি মথক্তা পনখিবা মীঙ্গৌ থাগৌ অদুগা লোইননা চাকচা ইথক, ফীজেৎ লৈতেংগী মবমদশু ইনৌ নৌবা মওং অমা হোংঙক্লী। মণিপুবগী নৌন ইনখৎলকইবা লৈশাবীদগী চহি নিফু সুববী মৌ নহা ফাওবগী ফীজেৎ অসিনা মৌনা কনানো লৈশাবীনা কনানো হাযবা খাযদোকপা ঙমদবা চমন্নবা অমা পোকহল্লী। মসিগা লোইননা মীতৌ তম্বা ফীজেৎ লৈতেংনা মবম ওইদুনা মশাগী লল ওইবা তাংলবা মণিবু ইকায ফিজংগী ৱাংমদা সমাজগী মীৎমাংদা ইলাই লাইনা উহনবা হাযবসিনা মণিপুব খুন্নাইদা শাফু পিদুনা নুপীশিংগী মোবেল শোক্লুনা মমল হম্বহনগনি। মতাং অসিদা হাযনিংবা অমা লৈ, সেনেমা,দ্রমা,

শুমাং লীলাগী ৱাৰী ইবিবা অইবা অইবীশিংনা য়াম্না চেকশিন্না খুৎ থাহন্নীংই। ঐখোয়গী পোৎ অসি সমাজগী কৈথেলদা য়োলবা শিংহৌবগা লোইবে খন্দুনা শেমজল শাজন্দুনা মীংকী কূন্ধে ওইনা পুথোকপনদি তূংদা অমাংবা মপৈ অমা সোইদনা লাক্কনি। সেনেমা, দ্রমা,শুমাংলীলা হায়বা কলচব অসিদি হৌজিক্কী সমাজদা অফ ফত্ত ফিভম সেন্বদা অচৌবা থৌদাং লৌবিবা কলচন্ননি। ইনখৎলক্লীবা নহা ওইবশিংনা সেনেমা দ্রমা শুমাং লীলাদগী ফীজেৎ- চাকচা, ৱাহৈ- ৱাতা, মীঙ্গৌ- থাগৌ তমজবা হায়বসি হৌজিক্কী মতমদা চৎনবীনি। মবম অসিনা অইবা অইবীশিংগী কলমনা অফ ফত্ত শেম্বা ওন্মী, অমদি লমজিংই হায়বদা লাল্লোই। ৱাবেং শৈবেং, সেনেমা দ্রমাগী শুমাং লীলাগী ভোলুম (স্ক্রীপ) ইবিবা ফোংবিবিবা অইবা অইবী কবিশিংনা অধ্যত্মাগী ৱাখলোন্দা কন্না শাফু পিদুনা ইবা মথৌ তাই। হায়বদি থকশি খাশি, ফীজেৎ চাকচা, মীঙ্গৌ থাগৌনচিংবা লমজিংবা হায়বসি অইবা অইবী কবিশিংগী দায়িত্ব চাওই। কল্লবা নৌংমৈ মকন্দগী নৌববা কবিগী কলমনা মপাঙ্গল হেন্নী, নোংমৈনা কলম্বু থৌদাদে, কলম্নদি নোংমৈবু থৌদাই, অইবা কবিগী মগুণদি অসুক্কী মতিং ৱাংই।

ঈথায় লৌকোল

খুগাগী খা থংবা খুঙ্গংগীসু মখা থংবদা লৈবিবা লৌকোল অসিনি মণিপুরদা ঈথায় লৌকোল হায়না মমীং চৎলিবা অচৌবা লৌকোল অদু। পাক চাওববা ঈথায় লৌকোল অসিগী মওংদি য়াঙ্কোক মওংগুম্না কোইবক কোই। অসিগুম্বা লৌকোল অসিদি শাৎলবা থম্বালগী লৈনানা থমচেৎতা য়োম্বগুম্না ঈথায় খুনৌ, কুম্বী, তেবাখোঙ, নাওদখোঙ, ৱাংঙুশাবন, সগাঙ, ৱাংঙু খুঞ্জাও, ঈথায় লাইখোঙ হায়বিবা খুঙ্গং নিপান অসিনা কোইদুনা লৈনা নিপাল পানবা থম্বালগুম ফজে। কাব হায়না অমুক শিংথাকশিগে? অভি ভাবকশিংগী পূক্লীং

চিংশিনবা মণিপুরদা অনি শুনা লৈতবা অতাংবা লৌকোলনী হায়বদা হায়মনব থোক্লোই। অসিগুম্বা পাক চাওরবা লৌকোল অসিদা ৱাকচিং, ফাইবেল, লমদা, শজিবু, কালেন থা মণ্ডা অসিদি অকোইবদা তাবিবা খুদং নিপাল (৮) অসিদা লোইবিবা ষণ ঈবোই ময়ামগী ষণজাবুংনি। ষণবী ষণনাও লীশিং কয়ানা ষণলুপ ষণলুপ চাস্তাবদু য়েংবদা ওস্থোক্লা নুংশিনা ফজে। ইস্তা, ঈস্তেল, থৱাল, লাংবল থা মবি অসিদা লৌকোল অসিদা ফৌন ৱাংখংলকপা মতমদা অশংবা ফৌনান ৱায় ৱায় লাওনা চোম্না ফজবদু উবদা তম্ফা ৱাঙম্লোই ফৌওইবিনা অশংবা ফীগে থোনবগুম নিংথিজে। মেবা, হিয়াঙ্গে থা অনি অসিদা ফৌনা খোইঙাং শান মক চংঙকপা পেনা চৈদীং শানা জুম জুম লাওনা ফজবকপা উবদা ফৌওইবী ঈমানা সনা ফীগে থোনববু উহল্লী। লাইবৈমনা অনৌবা শক্লোন লৌদুনা তাইবং মীপুম খুদিংমকপু হবাও তয়ামহল্লী। পোইনু থাদি তম্ফা ৱাঙম্লোইনা সনাগী কোন্দুম পবেঙ ঙস্তা থোনবগুম ফৌবৈ পবেং পবেংনা মতুম মতুম য়েংবগী পেনবা নাইদবনি। অসিগুম্বা লৌকোল অসিগী অকোইবদা খুন্দাবিবা খুঙ্গংশিং অসিদা লৈবিবা ঈচিল ঈনাওশিং অসিগু লৌমীনা অযাম্বনি। মপাঙ্গলনা শুজ নোমজবগা হিংজবনি। মপাম্লোমগী অকে অমৌ অবং অবাক্তা থোযনা অপাম্বা মীতাবা লৈজদবা ঈচম চম্না লেঞ্জবনা অযাম্বনি। অসিগুম্বা ঈথায লৌকোল অসিনা মাইগে শোমদা লৈবিবা প্রজা নুপী নুপা পুম্ন মক্কী শিন্থা পিদুনা শিনশুহল্লী। লৌকোল অসিনা পুথোকপা পোংথোক্লা প্রজা লিশিং কযামুক্কী পুন্সি যোক্লীবা লৌকোলনি। ফৌখক্তা পুথোকপা নত্তে হঙ্গাম, হৱ য, কৌখা, কাওথুমনচিংবা পোংথোক কয়ামুক পুথোক্নুনা মণিপুরগী অর্থিক অবস্থাদা চাওনা মতেঙ পিবিবা ঈথায লৌকোলনি। ঙসিদগী চহি ৬০ মুক্কী মমাং ইং কুমজা ১৯৪২-৪৩ গী মতমদা ওইবম্বা ঈথায় লৌকোলগী অবিবা শক্তম অমা নিংশিউবদা হৌজিকসু ইঙাল ঙান্না উবি। ঈথায় লাইখোঙগী নোংচুপ ৱাংঙু খুঞ্জাওগা তাইনবা লৌকোল অসিবু ঐখোইনা লুৱাংতৌ লৌকোল কৌহ। মদুগী মবমদি

মফম অসি খাসলেন লম্মাং জঙ্গল ওইনা লৈবম্মী। শীংউং শীংনাং তৌ, লুৱাংতৌসু য়ান্না হৌবম্মী। মতম অদু মফম অসিদা যেলাং কোম্প্রেক লোক্লে পুলেনচিংবা য়ান্না মবাং কাইনা হৌই। লুৱাংতৌনা খবা হেন্না হৌবদগী লুৱাংতৌ লৌকোল হায়না কৌবগী ৱানি, চবোংসু ফজনা হৌবা মফম্মী। শীংউং কম্বোঙ য়ান্না পাল্লী, মদুদ হেক্লগা য়োনবদনসু শেন্দাল লম্নী ওইনবা যাওই। ফক্লাংগীদমক শীংউং য়ান্নে, ই ফাল্লগা য়ুম কুপ্পে, নুপী অঙাংশিংনা যেলাং কোম্প্রেক লোক্লে পুলে হেক্লগা য়োন্নে। শজিবু কালেন্দা মৈকোকশিং য়াল্লগা কুম অমগী থাবা ওক্লবা মাগী মাগী শীঙ্গৈদা পৈশন্দুনা থম্নে। অসুন্না প্রকৃতী লাইবেনবী ঈমানা পিবিবা পোৎথোক্তনা মাইগৈ সোমগী প্রজা পুন্নমক্পী হিংনফম ওই। শা উচেকশু মবাং কাইনা লৈবম্মী, খ্রশা, লমওক, লমহুই, হুইথৌ, শদুঙ কৈ ফাওবা লৈবম্বা মফম্মী হৌজিক্তি লোইনা কোকথোক্তুনা ঈথায লৌকোলগা পুন্দুনা লুৱাংতৌ লৌকোল হাযখ্রে। লুৱাংতৌ লৌকোলগী ময়াইদা খোঙ অমা ঈথায় প্রজানা তৌথোক্তুনা তুবেল অচৌবদা লৌকোল অসিগী ঈশিং চিংথোক্তুনা থাদবী মসি লাইখোঙ কৌই। ৱাবী অসি মথক্তা ওইবম্বা হৌৱবা ৱাবীনি, হৌজিক্তি পুমহাং হাংখ্রে লৌঙাক্তা ওইবে। অসিগুম্বা পাক চাওনা ফজববা ঈথায লৌকোলবু ঈথৈ লৌখোঙ নিংথিনা শেম্বীববদি চহি অমদা লৌবোক অনিবক লোক্তুনা দবল কোর্পিং তৌবা য়াগনি। হঙ্গাম, হৱায, কোবী, অলুনচিংবা থাদুনা মণিপুবগী ওইনা অর্থিক অবস্থা চাওখৎপগী থৌবাংদা থৌদাং লৌবা ঙমগনি। লাইবক থিবদি লোক্তাক প্রোজেক্ট লাকপদগী হান্না লৈজবম্বা প্রকৃতী লাইবেনবীনা পিবিবম্বা লল অদুসু পুমতাক তাক্লা মাংহনবিখ্রে। খুৎশেমগী মাইকৈবোমদা যেংবদসু কনাগুম্বা ওথোবিতি অমত্তনা হন্না য়েংবিবা যাওদ্রি। ঙসি ২০১২ ইং য়ৌবক্লবা ফাওবদা মণিপুব সবকাবগী ওইনা মপুং ফাবা মীৎযেং থম্বীখিবা লৈত্রী। কবিগুম্বা সবকাবনা ঈথায় লৌকোলদা মাযপুননা মীৎয়েং থম্বীববদি মণিপুব বাজাগী ওইনা অর্থিক অবস্থাদা অচৌবা মতেং ওইগনি খল্লী। লৌকোল অসিদি মণিপুবগী ওইনা লল চাখৎপগী

থৌদাং লৌবিবা পাক চাওববা ঈথায় লৌকোলনি। অসিগুম্বা লৌকোলসি হন্না যেংবীদনা থম্বসি কেন্দ্রগী মাইকৈ খক্তা মাংবা নত্তনা মণিপুবগী ওইবা অমাংবনি। মবমদি লৌকোল অসিবু ঈথৈ লৌখোঙ মতিক চানা শেম্বিবা হায়বসি লৌমী লাইববু কনবিবনি। লৌমীগী মপাঙ্গল কলহনবনা মীয়াম পুম্নমক্কী মণিপুবগী চাওখৎপা যাযফবনি। ঈথায লৌকোল হাযবসি খুগা অমদি তুবেল অচৌবা তুবেল অনিনা লৌকোল অসিগী অৱাং অমদি নোংপোক্তা চেল্লীবা ঈথৈ লৌখোঙ শেম্বদা থোয়না ৱানিংঙাই লৈতবা মফম চাবা লাইমক্রা পিবা মফম্মী হাযবা য়াই। অসিগুম্বা অভি ভাবকশিংগী পূক্লীং হুবা অর্থিক অবস্থাদা লৈপাক অসিগী থৌদাং যাবিবা ঈথায লৌকোলবু শেম্বী শাবিবা ৱাৎপনা মকভুমীগী লৈহাও যাওদ্রবা লৈপাক লৈকংলা ওইহনবসি ঐখোইগী লাইবক থিবনি। খুগা তুবেলগী অৱাংদা লোক্তাক ঈশা উঙাম্লেন লৈবে, পাং অসিগী খাগী ঙমখৈদি খুগানা ঙমখৈনি। ফাইবেল লমতা শজিবু কালেন থা মবি অসিদি উঙাম্লেন পাৎ অসি ইকং কংনা লৈ, কুম্বীগী যণ ঈবোইশিংগী চাক্তাফম যণজাবুংনি। কবি কবিগুম্বা মবক মবক্তা কৈনা যণ চাবা যাওই। ইঙা ইঙেন থৱান লাংবল মেবা ফাওবদি ঈশিং থন্না লৈ, থবো থম্বাল থাবিকথা শাত্তুনা পাৎ অসিগী লৈতেং ওই। কুম্বীগী নোংপোক খুন্দোলদগী খুগাগী অৱাং খোংবান্দা মমাং পাংনা লাকপদা উঙাম্লেন খোঙজাওনা নোংপোক্কী ঙমখৈ ওইবি। উঙাম্লেন লাম্থোক্লগা অমুক তুবেল অচৌবগী মপান্দা অৱাং পাংনা চৎলগা তুবেল অচৌবদা খোর্দাক্কী ঈশিংনা তাবকই, মফম অসি খোর্দাক ঈচিল হাযনা কৌই। হৌজিক নোংমাইখোঙ তাবিবা অসিদি কোন্না তাবকপনি। উঙাম্লেন খোঙ লাম্থোবকপদগীনা খোর্দাক ঈচিল ফাওবসিদি মতম অদুদা যুম তাবমদে, লম্মাং অশোংবা বন ওইনা লৈবম্বনি। হৌজিক খুন্দাবিবা অসিদি থাঙ্গদগী লাক্তুনা কোন্না তাববনি, ঈথাযনা খুন্দাবা হাল্লী। ঐখোইনা সোম ৱাংমা হাযবদি খুগা তুবেলগী মখা সোমদা লৈববা মতমদুদসু শা লালক্তুনা

হুই হৌদোং য়াম্না তোইনা চাই। নুমীৎ তাপ্রবদি নুপী অঙাং অমত্তা কিবনা মপান থোক্লদে। অসুম্না পাজিনা ব্বাবী লীবিবশ্মী। ইং ১৯৫১গী মতম অদুব্বাইদা ওইবস্বা উঙাম্নেন পাংকী খুৎশেম চংদনা ফজবস্বা প্রকৃতী লাইবেনবী ঈমাগী শক্তম অমা ঐগী থম্মোইদা কাওবা ঙমদনা নিংশিংই। উঙাম্নেন পাংয়ায়দা শাৎপা ঈশিংদা তাংজবা থবো থম্বাল থাবিকথানচিংবা মচু কয়া ফোংতোক্লুনা লৈশাং তমজবা লৈবাংশিংদা খোইম্নু ইনবা উকবদা ঐগী থম্মোইনা তত্তনা ব্বাহংই।

উঙাম্নেন পাং অসি তাইবং মপুনা মালেম লৈশেম্বদা য়াওবক্লবা মপু মাগী লীলা শান্নফম ওইবা লোক্তাক লৈমগী অচৌবা ঈশানি। পাক চাওববা উঙাম্নেন পাতকী ঈমাইথক্তা ঈঙা ঈঙেন থাদা শাৎপা থবো থম্বাল থাবিকথানা নুংশিবা লৈনমগা লোইননা লৈহি চেম্না ফুগায়না শাৎলকপা মতাংদা লোইবোই লোইবোই শিংলকপা নামিবা নুংশিংনা লাইজ ঈপোম হৌহল্লী। পিক্লবা ঈপোম মচাশিংনা লৈবাংশিংগী লৈখোকতা খেংবদা নোমনোম হাইন ফজবা মতৌনা শাওং শাদা নিংথিবী জগোয় হৈবী শকহেনবিশিংনা কেনা নৌনা জগোয় খুৎথেক তম্ববু উহল্লী। অইবনা শৈথাবা ইতিক নত্তে, উঙাম্নেন পাংকী ফজবতনা মহেল্লী- কবি হায়নবু শৈথাসিগে ? তাবক্কী মাইগৈবোমদা য়েংউবে ব্বাত্তে। ইনখৎলকপা পাখং মচা অঙাওবনা শকহেনবীশিংগী জগোয়গী শাথেক্তা মবল মথুম অবৈবা থাদোকপগুম চিংগী খোইম্ন খাঙনৌবা অনৌবা লৈবাং মীতাবা লৈহি পাম্বা খোইমুশিংনা ঙংনা ঙংনা মযোম মযোম নোংথক্তা কোইপাই পাইদুনা লৈকা খুদীংদা তোংদুনা লৈবাং লৈহি চুপী। ঈম্মইথক্লনা ঙানু থঙ্গোঙ সুবিং উম্মু, উখুম, উবা উবেনবী উ[illegible]কৌ[illegible]নচিংনা [illegible] চক্কশিংগী নুংশিবা খোঙ্জেলনা জগোয়গী তাম্থাগা চননা ঈশৈ শকই। তসিস্তুম্না উঙাম্নেন পাংকী নিংথিবা শক্তম্বু উবদা কবম্বা মীওইবগী থম্মোই ইংদবা য়াওবগে / ইন্দ্রিয় পুম্নমক য়েন্নাং চোংহনবা সাহিত্যকার কবিশিংনা শিংথাবা ভুম্মবোইদবা লোক্তাক ঈশা

উঙাম্লেনগী মগুন্নী।

উঙাম্লেন খোঙজাও অসি শোই চাবম্মী তুবেল অচৌবগী মপাল উঙাম্লেন খোঙগী নোংপোক থংবা নাকন্দা শোইবুঙ চাওনা লৈ। উঙাম্লেনগী ঈশিংনা খুগা তুবেলগী অবোইবা ঈচিন্দা ফৈনা ফুবে, তুবেল অচৌবগী ঈশিংনশু ঈথায় পুনম চিংজিন্দা ফুবগা খেব পুংখোঙ তমনা পাইশনলকই, খুগাগী ঈশিংনশু য়াংনা চেলক্লগা তুবেল অচৌবগী ঈশিংগা চিলওক্লে উঙাম্লেন খোংজাওগী ঈশিংনা ময়ায়দা ঈথাইবে। অসুম তৌনা মচু মান্নদবা ঈচেল অহুম্লা মবে মবে তাদুনা খেব পুংখোঙদা ঈবেন চাওনা শেম্ববু অইবনা ত্রীবেণি হায়না মীংথোনবনি। অবাংপা লৈতবী উঙাম্লেন্নী, ঙাগী ঙাবম শুনা ফংই, মাগী মগুণদি শিংথাক্কবা ঐতনা মাইখুদুনা তোক্কনি। ঙমু, ঙক্রা, শাবেঙ, ঙাবেল, ঙাথি, ঙাতোন, ঙাতিন, ঙানোয়, ঙাশেপ, ঙাবিল, ঙমুশঙ্কুম, ঙাহৈ, ঙাতিনচোব, ঙাতেল, পেংবা,থবাক, খাবক, ঙানানন চিংবা ফংদবা লৈতে উঙাম্লেন শোয়দা লোয়না ফংই। কাবকপা ঙানা তুবেল অচৌবা অমদি খুগা তুবেলদগীনি, কুম্মকপা ঙানা লোক্তাক লৈমা ঈমাদগী উঙাম্লেন খোঙজাও তুখুন্দা কুমকপনি, ঙাতিনফম্লী উঙাম্লেন শোয। অদুবু ঙসিদি মীওইবগী অনৌবা খুৎশেম চংবনা অনৌবা য়াওল লাকপনা ঙাখা ফাওবা মশক উগে ফংখিদ্রে।

উঙাম্লেন তোযালমজাও খোংচৎ

শকাব্দ ১৮৭৩-২-৩১ অশাঢ়, ১৯৫১-১৬-৭ ইং, ইঙেন ১২ নি শানবা নিংথৌকাবা নুমীৎনি। ইশাগী চহি ১৩-১৪ বোম মুবকপা মতমদা থোকখিবা কাওঙমদবা হ্বাবী অমনি। ঐগা যম্না লুনা নুংশিনা তিন্নবা ইমান্নবা অমগা হি অমদা পুন্না তোংঙগা উঙাম্লেন অমদি তোযালমজাও কোইকৃবদা থেংনবকপা পুন্সিগী কাওবা যাবোইদবা খোঙচৎনি। ঐগী ইমান্নবদু লাইশ্রম মচানি থম্বালয়াইমা কৌই: চাবা তুম্বা শান্নবা ঐখোই অনি ঙাইহাক্তা থাদোক্লদে, মবুক

মপাও য়াম্না ফৈ, ঐখোই অনি শোক অমত্তদা পোকই, ঐনা মঙোন্দা মাম্মা কৌই। নুমীৎতু কাওদে ইঙেনগী ১২ নি পানবা নিংথৌকাবা নুমীৎনি। ব্রাবীসি লীখোকপদা ইকাযবা ব্রাবীনি, অদুবু মতাং লাকপনা হাযদবা য়াবোইদৌবে লীবগে, হি তোংঙগা উঙাম্লেনদা য়েকম লোকপা চৎপনিদা। মাম্মা ! "ঙসিদি উঙাম্লেন পাৎ কোইকসিদো ঙানু মকম যাম্না কোকই হাযনৈ, লোকউসি, থবো থেম্বুঙ চাকসি"। ঐগী ব্রাদু তাবদা মাসু যাম্না চৎনিংঙস্বা জাৎনি, "হোযনহে থেম্বী মকম উথুম মকমগকা যাম্না কোকই হাযনে, চৎসি হাযবদি অহনশিং তাহনবা যাদে মখোইনা তাববদি চৎকে যাবোই লোন্না চৎসি"। মাম্মখোইগী তাইবেল হি অমা লৈ যাম্না মশা নাম্লী হোনবদা ইযাং যাংই তুবেল লাম্থোক লানশিনগী মখোইগী হিদেন্দা থাংবনি। অযুক অঙনবদুদা চৈঙাক অমগা নৌ অমগা পুবগা কনামত্তা তাক্লমদনা খুগা মবিলদা নোংপোক পাংনা হোল্লগা শোযবুঙ যৌবমদায ঈথায লাইবেনবীগী মপাদা হি চিংখৎলগা উঙাম্লেন লানশিন্দুনা পাৎ তাবক্লে। উঙাম্লেন পাৎযাইদা সানা সাননা হি হোল্লগা থবো মবি থেম্বুঙ হেক্লগা চাই, থবো মবি অচৌবদু ফোইবগা হিনুংদা খবসু হাপ্পী। ফুমদাও মথক্তা কোকপা ঙানু মকম খবসু লোকই, উথুম মকম থেম্বী মকমসু খবা লোকই। ঙানু মকমদি ঙৌবোক ঙৌই, অদুগা উথুম মকম থেম্বী মকমদি মবাং মবাং লাংই। ইঙা ইঙেল থানি পাৎযাইদা থম্বাল অঙৌবা অঙাংবা থবো অঙাংবা অঙৌবা থাবিকথানচিংবা লৈকা ফন্না শাৎলি। থম্না খেঞ্জোঙ হুপনৌ মবক্তুন্দদা ঙানু থঙ্গোঙ ঙানু, সুবিৎ, উমু উবেনবিনচিংবা উচেকশিংনা খোংবা মখোন্না নুংশিবনে। উথুম্না তুমদুম খোংবগী মখোন্নসু পাৎ অদু পুমনিল নিল্লী। ঈমাইথক অদুদা খোইশিংনা লৈহি থিবগী ঙংনা ঙংনা পাইবী, অতৈ অতৈ উচেকশিংনা খোংবগী চূক চূক লাউবা মখোন্নসু পুক্লীং হুই। থবো, থম্বাল, থাবিকথাগী লৈহিনা মনম নুংশিহল্লবা পাৎকী ঈশিংনসু পুক্লীং হুনা মনম নুংশি। মাম্মা থম্বালযাইমগা ঐখোই অনিমক যেকম লোকপগী হবাওবনে, উঙাম্লেন পাৎকী কুম্মৌনা নুংঙাইবগা অঙাং ব্রাখল

ওইবগা য়ুমদা হনগনি পুংকাও কাওথোক্লে। অসুম্না পাৎয়াইদা হি হোন্দুনা শান্নবম্বদগী ওম্বোকপনি! ঐগী পুক্নীংদা তোযা লমজাও য়েংনিংবগী ইথিল অমা খংহৌদনা ফাওবকখি। মাম্মা থম্বালয়াইমদা ঐনা হায় মাম্মা!"ঙসিদি লাকইঙৈসিদা তোয়ালমজাও যেংউসিবা যেকমসু পৈবমখৈ কোকই হায়নৈ"। "হেবা অদু যাবা পোৎ নত্তেদা য়ুমদসু তাকলমদে চাকসু চাদ্রি, অহনশিংনা নুংশা থিবমগনি,কোন্না অমুক চৎলসি"। কবিনো হায়ফম খংদে নুমীৎ অদু তোয়ালমজাও য়েংনিংবনা থ্রো থ্রো খোৎলি। ঐনা অমুক হায় মাম্মা "মতুংদি চৎপা সুকফং ফংঙবোই লাকইঙৈসিদা য়েংহৌবসি, ঙসিদি ঐখোই অনি চৎলবসু চৎত্রবসু চৈ চাবদি শোযদ্রবনি চৈ চাবগী চাবা লাকইঙৈসিদা য়ৌশল্লুবসি"। থম্বালযাইমা ঙাইখোনহে নংবো তোয়ালমজাওসিদি শা কৈগী লৈফম্নী, হায়নৈ অতৈদি লাইবী ওক তোমচৎ অমা লৈ হায় নংবু কিদ্রা ? চৎলগুমসি শিদনা তোক্কনি। (মাম্মা কৌবগী ব্রানি ইমান্নবনিনা থোয়না হঙ্গোযনদে) ঐনা হায় "মাম্মা! নবিল লৈমন্দে কিমল্লীকো ওম্বোক্লা নিপা মানখিদ্রে, অকংবা নাবক্তা চৎপসু নত্তে, হি তোংলগা ঈশিংদা চৎপবু কনাগী ওক থেংনগদৌবিনো ? হিসি অচম্বা নত্তে মাম্মা পাখংবনে খংদ্রা"? মাম্মদু ঐগী ব্রাদু তাবদা নোক্নীংঙমানে নোক্লগা হাযবকই ,"এ নংদি ব্রাবীগকা যাম্না তাবশ্মীদা," "অদুনিনে, ব্রাবী খংবদুনা হায়বিবনি খংদ্রবদি কদাযদগী হাযকনি"। ঐখোয় অনি যেংনবগা নোকমিন্নৈ, ঐগী মাম্মদু চৎতি চংনিংঙগা য়ুমগী অহলসিং কিবদগী খৌতক তৌবদুনি ঐনা খংই। "মাম্মা সে নৌদু পাইবো, হিমাই চুম্মু ঐনা চৈঙাক্লা ইলক্কে মাম্মনা হিনাও শাবো"। বীববাবু! "নংসি অনমদি যামনা কনবা মিতানিকো, ঙসিদি চৈসু চাবা চবাসু হেনবা শোইদ্রেদনা",হায়বগা ঐখোই অনি হিমাই লৈদুনা তোযালমজাও তমনা হি হোল্লে, উঙাল্লেন পাৎ থাদোক্লম্লে।

ঐখোই অনি তোয়ালমজাও যৌবে, মতমদুদা হৌবম্না তোযালমজাওগী

তৌদু উবদা ঐখোই অনি পুমগুক গুকই। অতৈ অতৈ শীংউং শীংনাং অদুক হাক্লা পংহৌ হৌবা থোয়না উদে, শুম্নতগী তৌ গাক্তা ফুন্না হৌই। তৌশিংদু মপোপ চুম্মী য়েংথৌমুক চাওই, মশাদু তগাং তগাংই তৌখোগ তক তকই, কবিনো ইলং লংনা উই, লাইনবু শেংববা ? ঐনা মাম্মদা হায " মাম্মা তৌসি ফজদ্রা ? য়েংউনে, হা হাই অতৈদি লাইবদনা তৌখোগসিবু নুমীৎ খুদিংগী লাইনা শেংবজাংলা পুমলং লংনা ফজেনে সে "। ঐগী ব্রাদু তাবদা মাসু তৌখোগদু মুন্না য়েংগগা হায়বকই, "অওইবনি ওম্প্লেক্স ফজখ্রেদকো অগুকপা মফম্নীকো ঈমানা পোকপদগী অমুক্তা উবা ফংখিদ্রি "। ঐনা হায- " মাম্মা ঐনা হাযবা যাবমদ্রবদি অসুক নুংগাইবা কুম্মোসি উবম্মোয়দা, মাম্মা ঐদি চাক লাম্বদি হাযকনু মীৎসি মহৈ যাঞ্জববনি"। হিসি তৌনুংদা হোঞ্জল্লসি যেকমসু ডামাদা কোক্লমগনি ঐগী ব্রাদু তাবদা খংপ্রেক খংবগুম্না হাববকই, এ কবিনোনে বীববাবু নংনা হাযবিসিবু কুংখ্রবা তৌনুংসিদা হিবম লৈবসু নত্তনা শিরুবসি হাযব্রা ? গাওনুনে নংবো। মীঙ্গৌ যাদবগী মাম্মা কৌবনি ইমান্নবনি ঐনা মঙোন্দা থোইদোক্লা কোযরুবা লৈতে মরুপকুম্না খল্লী হাযনিংবদা হাযবা গুম্মী, অদুনা ইলাই লাইনা হায মাম্মা ! "নং অসিদি নশিঞ্জা মচেৎ অমত্তা যাওদবা মীনিকো অসুক ফজবা মফম অসি যৌবক্লগা তাংদাংবা খংদনা হনবা ইকাইদ্রা ? মীনা হংগগা কবি পাওখুম পিগনি"। " বীববাবু নং নবিল ফমল্লিকো খুবক হাংদনা হৌখ্রবা তৌনুংসিদা শা গা লৈবমগনি হাযবসু খংদে গসিদি ঐখোই অনি যুমদা হল্লোইকো' । মাম্মা "ঈশিং অসিদা শাগকা কনামত্তা থেংনবোই কিগনু, হিনাওদা ফম্মগা নখুৎ অনিনা তৌদুদং হাইদোকউ ঐ চৈঙাক্লা ইলকে"। মাম্মদু ঐগা গাংনবা তল্লমানে হিনাওদা ফম্লগা মখুৎনা তৌশিংদু নাক যেত্তা হাইদোক্লগা শাউবগননা তৌদু পাইবগা কন্না চিংই, ঐনা হিরুবাক্তা লেপ্লগা চৈঙাক্লা কন্না তৌনুং তম্না ইনশিল্লী। অসুম তৌনা মাম্মগা ঐখোই অনিনা কন্না হোৎনদুনা তৌনুং চংগকপনা যোৎলী মখোগমুক চংগকপদদি তৌনুং অদুদা অগুকপা সংসাব অমা লৈবম্মে। মদুদা

পালশ্মীবা সংসাব অদুদি উচেকঙাক্তা পানবা সংসাবনি। ঐনা খল্লী, তোয়ালমজাও হায়বা মফম অসিবু পৃথিবীদা লৈবিবা উচেকশিং অসিগী হৌবকফম ওইবিদ্রা ? তাইবং শেম্বা মপুনা উচেকশিংগীদমক তোয়ালমজাও হায়না মমীং থোন্দুনা শেম্বীবা ধর্ম্মগী আশ্রম অমবা ? ঐনা নিংশিংই স্বাযবম্বন কৈথেলদা মৈতৈ, মুস্লীম, চীংমী, মযাং জাৎ বিজাৎ পুমশু শুনা কৃক কৃক ইন্ননা তিনবগুম অমদি অমগা অমগা মথক মখা পুংশম শম্ননা দুকান পবেং পবেং শাদুনা লৈমিন্নবগুম্না তোযালমজাওদা উচেকশিংনা মহুম শাদুনা জাৎ বিজাৎ খাইদনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবদু ঐখোই অনিনা উবা ফংই।

ঐখোই অনিনা খংবা উচেক খবা

উবোক, উশাই, উমু, উথুম, উবা, উবেনকোম্থৌ, উবেনবী, উথীৎ, উশুক উবীক, থবোইচাবী, পেতংঙা, ঙানুথঙ্গোঙ ঙানু সুবিৎ তাওথ্রা মসিখক্ত নত্তে, ঐনা মশক মমীং খংদবা উচেক কযা অমসু যাওই। হাযবিবা উচেকশিং অসিনা যাম্না নুংশিননা অমত্ত ওইনা মহুম শাদুনা লৈমিন্নবম্বদু উবদা ঐদি পুমঙক ঙকই। ঐনা খল্লী ! লাইবৈপাক্লনে মফমসিবো, ওস্থোকপনি ঙক্লা খল্লিঙৈ মীকুপ্পুমক্তদা অঙকপগী মথক্তা অমুক হেন্না পুমঙক ঙকপা অকিবা অমসু খুদক্ত থোকখি। মদুদি মাইগৈ কদোমদগীনো ইখং খংহৌদনা মাম্মগা ঐখোই অনিনা লৈবিবা মপা অদুদা উচেক মপৈ মপৈ পাইশিল্লকপনা অতিযা পুমকুপ কুপখ্রে। উচেকশিং অদুনা লাও খোঙকপা মখোল অদুনা হি অমত্তদা তোংমিন্নবিবা মাম্মগা ঐখোই অনি ব্রা ঙাংনবা ব্রাবী শাবা তানদে অসুক্কী মতিক নিল খোংঙী। উচেকশিং অদুগী মতৌ উবদা ঐদি কিবনা নিংদোল চোংই মীহুল ফাওবা দণ্ড দণ্ড হৌই। অসুম্না কিনা লৈবিঙৈদুদা উচেকশিং অদুনা ঐখোই অনিগী কোকতোল তম্না চিক্কদবগী হুম্না হুম্না পাইশিল্লকই। খুদক অদুমক্তদা ঐগী থম্মোইদা অঙকপা অওনবা অমা ফাওবকখী। মদুদি উচেকশিং অদুগী মখোল অদু মীওইবগী লোলগুম্না ঐগী নাকোংনা তাই। লৈপাক মচাশা কবম্লো ঐখোইগী আশ্রম অসিদা হিংচাবা অনি

চংঙক্লে, কমদৌসিগে ? ঐখোইবু তুম্না চাখিবা তাবে, হৌজিক ঐখোইনা তৌগদবসি কবি উপাযনো, পাইবা ঙমদ্রিবা ঈচাশিং অসিনা কমদৌবা পোকখাইদ্রিবা মকুমশিং অসিনা কদাযদা লোৎসিগে ? চেল্লো চেল্লো থরাই হিংনবা চেলহৌবসি ঈচাসু ঈচাগী থোকপনি হাযবসু যাওই। কনাগুম্বনা অমুক হায কৈদৌকগবনো ঈচাশিং অসিগা লোইননা পুলপ শিদোক্লসি। কনাগুম্বনা হায হিংচাবা অনিসি ঐখোই মযাম চংদুনা শিবগা শি চংঙগা চং য়োমদুনা হাৎলসি। থবা অমনা মাংঙে মাংঙে হাযনা মচা কৌবগা কপ্পসু যাওই।

অসুম তৌনা উচেকশিং অদুনা লাও খোঙনা কপ্পবদু তাবদা ঐনা কিবোই কবিবোই ঐগী মকুপ মাম্মাদুদা মাইদি ঙাংতক তৌনা নোক্লীংদনা নোক্লগা হায, "মাম্মা ! উচেকশিং অসিনা ঐখোই অনিবু হিংচাবনি হাযবি, তাব্রা ? তু তু কোকতোন্দা লাক্কদবগী পাইশিনলকইদো উব্রা" ? ঐগী রাদু তাবদা মাম্মনা নৌ থাঙ্গৎলগা হায "নৌসিনা থা থাদনা হাৎলগা লোইবেদনা"। "ঙাইখো মাম্মা ! উচেক হাৎলুনু হাৎপা যাদে হিসি মপান্দা অমুক্তা থুনা হোন্দোকসি"। "বীববাবু ! নংনা হাযর্বিসিবু যেকম লোক্লগুমসি হাযবিববা" ? "মানি মাম্মা যেকম লোকপা যাদ্রে"। ঐগী রাদুদা মাম্মাদু রাবৌনা হাযবকই, "ঙসাই চংদ্রিঙেদা চঙগুমসি হাযবদদি নংনা ঐবু নবিল যাওদে হাযদনা ঙাংখি অনম কন্দুনা পুশলক্লগা হৌজিক্তা অমুক কৈদৌবে" ? ঐনা হায "মাম্মা মকম অসি অচম্বা তোযালমজাও ওইবমদ্রে, তাইবং মপুনা শেম্না ধর্ম্মগী অচৌবা আশ্রম অমা ওইবম্মে মাম্মা"। "বীববাবু নংনা চোইবোল পাবোল লোল্লীদুবু কৈদৌবগে ঙাওববা" ? ঐনা হায "মাম্মা মানি মাম্মনা হাযবা চুম্মী, ঐ ঙাওববমক্লী, যাম্না কীবে হি অসি মপান্দা হোন্দোক্লসি, হোবেল মপান্দা রাবী অদু হাযগে"। (ঐগী মাম্মাদু ঐগী মতৌ অদুদা ঙাওদ ঙাওববোই নিংবজাৎনি, ঐখোই অনি তৌনুংদগী মপান্দা হি হোন্দোবক্তুনা মপাল থোবক্লে। মপাল হেক যৌবগা নুংশা থিতক তৌনা হংঙকই)

"বীববাবু! নংনা ঙসি তৌবিবা মতৌসিবু কবিনো ? নংবু কৈদৌবগে"। "মাম্মা নুংশা থিবিগনু ঐ কৈশু তৌদে ঙসিগী উচেকশিংশি য়ামদ্রা"? "হোয়নহে ওম্থোক্লা যামখ্রেদকো পোকপদগী অসুক যাম্বা উচেক্তি অমুক্তা উখিদ্রি"। "মাম্মা মতুং মনাওদি অসিগুম্বা থবকসি অমুক হন্না তৌবা যাদ্রে যুমদা হল্লসি"। বাতাং শিঘ্রং চলঞ্চ মন। (নুংশিৎতগী পূক্লীংনা য়াংই ঙাইহাক্তং অদুদা ঐগী ৱাখল অমা খংহৌদনা খংহোং হোংখী। ঐনা খল্লী, তোযালমজাও হায়বসি লোক্তাক লৈমা ঈমাগী মশায়গোল উঙাল্লেন পাৎকী মনুং চনবা তাইবং মপু মানা উচেকশিংগী পোক্ক শাৎনফম ধম্মগী আশ্রম ওইনা শেম্বা মফম অমনি। মফম অসিবু উবদা কল্পনা হৈবা কবিশিংগী পূক্লীং হুবা অমদি অশৈবশিংগীসু শৈদমফম্মী। অমসু মোইবাং কংলৈ লোন্দা তত্তনা শৈথানবি। অসুম্না খল্লুবদা ঐনা লান্না খলম্বা ৱাখল পুম্নমক ইতোমদা চুমশিঞ্জে। নুমীৎ অদুদা ঐখোই অনিনা থেংনবকখিবা উঙাল্লেন অমদি তোযা লমজাওগী ফজবা নুংশিবা শক্তম অদু ঐগী থম্মোযগী চেবাংদা মযেক লানা ইদুনা লৈবী, পুন্সিগী কাওববোইদবা খোংচৎনি।

ৱাখল হাযবসি মীকুপ অমগী মনুংদা হোংখিবা খংহৌদে, নুংশিত্তগীসু হেন্না যাংই। ঙসিদগী শা উচেক্রুচিংবা অতোনবা জীবশিংগী মফমদা অমুক হন্না মখোযগী শংসাব থম্মোয শোক্লবা হিংশা অমুক হন্না তৌববোই। মখোযসু শেম্বা যাওবিবনি মখোয অসি লৈবমদ্রবদি শংসাব লৈবম্মোই। তোযা লমজাও হাযবা মফম অসি তাইবং শেম্বা মপুনা শা উচেকশিংগীদমক শেম্বা অচৌবা ধম্মগী আশ্রম অমনি। অসিগুম্বা মফম অসিবু মীওইবা ঐখোইনা থুগাযবা খুৎ থিংজিনবনা শংসাব থুগাইবনি। শংসাব হাযবসি মীওইবখক্তনা ওইবা নত্তে, শা উচেক, উপাল, ৱাপাল অচং চংত পুম্নমক্লা পুল্লগা শেম্বা তাইবংপালনি। চাওখৎপা হাযবসিসু মীওইবখক্তনা চাওখৎপা যাবা নত্তে মহৈ মহৈ অমগা অমগা মতেং লৌনবগা চাওখৎলিবনি। মীওইবা ঐখোয়না মখোযবু হিংবা ঙম্নবা চাওখৎনবা

হোংনবনা ঐখোই মীওইবগী ফনবা চাওখৎনবা লম্বীনি। মখোয়বু শিনবা মাংনবা তৌবা হাযবসিনা ঐখোয়না ঈশাবু ঈশানাহাংনবা লম্বী শেম্বনি। জীববু জীবনা য়োকই জীবনা জীববু হিংহল্লী অপিকপা জীবশিং অসি নৈত্রবদি অচৌবা জীবসু লৈবোই। মবম অসি লৈবনা মীওইবা ঐখোইনা কবিগীদমক অতৈ অতৈ অচৎপা চত্তবা জীবশিংবু মবম লৈতনা মাংন তাক্লবা হাংকদগে ? কনাগী অমাংবনো খন্থফম থোকই। কবিগুম্বা উচেকশিং অসিগা লোল খংনবন্নবদি কয়াদা নুংঙাইবমগবা, মখোইগা ব্রাবী নিংথিনা শানদুনা মখোয়গী অব্রা নুংঙাইগী ব্রাবী খংলবদি ওম্থোক্লা নুংঙাইগনি। আশ্রম অসিগী মবমসু মখোযদি লোইনা খংলমগনি নিংই। অদুবু মপানগী লোলমক খংনদ্রবসু মখোযনা মপান্দা উৎলিবা মওং মতৌ অসিদগী খবমখৈদি খংবা ঙম্মী। মদুদি ঐখোয অনিবু হেক উবা মতমদা মখোয পুম্নমক যাম্না কি, যাম্না তুক্কচৈ নুংশিদে হিংচাবগুম্না খল্লী, অসিগুম্বা মওং মতৌ অসিদগী মখোযগী থম্মোযগী ব্রাখল খবমখৈ ঐনা খংবা ঙম্মী। অব্রাবা, নুংঙাইবা, নুংঙাইতবা, নুংনাংবা, নুংশিবা, নুংশিদবা, কপনিংবা, কপনিংদবা, নোকনিংবা হবা ওবা, হবাওদবা, অপেনবা, পেন্দবা হায়বিবা ব্রাখলশিং অসি দেহধাবী (হকচাং পানবা) জীব পুম্নমক্তা লোইনা লৈবিবনি। মবমদি অসিগুম্বা অচৌ পিশক খাইবা জীবশিং অসিগী হৃৎপদ্ম (থম্মায থম্বানা লৈযোলনুংদা) পুম্নমক্কী মপু ঈশ্বরদুনা পবমাত্মাগী শক্লোন লৌদুনা লৈ। মসিমক গীতাদা কৃষ্ণনা অর্জুনদা তাকই অহং একাংশেন ঈদং কৃৎস্নং বিষ্ট ভ্য স্থিত মীংনা উবিবা পাক চাওববা জগৎ অসিদা লেংই পালিবা জীবা খুদীংমক্তা কৃষ্ণ ঐগী অংশ অমমম চংদুনা লৈ হাযনা তাকই। অসিগুম্বা তত্ত্ববু কুপ্না খংবা মহাত্মা ওইবা গঙ্গাগী মচা দেবব্রতনসু মহাভাবৎতা শ্রীকৃষ্ণগী মফমদা হাযখী একাধার্কমিব অধিগতোম্মী (অমত থোকপা নুমীৎনা মফম পুম্নমক্তা শিনবা থুংনা মমী তাবগুম্না জীবা খুদিংমক্কী থম্মোযদা নহাক্লা লৈ হাযবসি ঐগী জ্ঞাননা ফংজৈ হাযখী। মথক্কী ব্রাহ্মশিং অসিনা প্রমান ওইবে, হকচাং তোংঙাল তোংঙাল্লবসু মখোয়গী অত্মা ঐখোযগী অত্মা অত্মাগী হৌবকফম হঞ্জিনফমদি

অমত্তনি, মবম অসিনা মপালগী লোল খংনদ্রবসু মনুংদা লৈবিবা অত্মা মশেন্দি খংনৈ, মসিবু মুন্না খংলবা মী অদুবু মশা মশক খংবা কৌগনি।

ঈশ্বব

সবর্বভুতানাং হৃদ্দেশেহৰ্জ্জুন, র্তিষ্টতি। (ঈশ্বব মানা ভুত সমুহ্ জীব পুম্ন মক্কী থাম্মোয়দা শিনবা থুংনা লৈ) ৱাহে অসিবু মুন্না বিচাব তৌববদি হাৎলিবা নংনা কনানো ? শিবিবা নংনা কনানো ? উচেকশিং অসিগী মকম লোকপা অমদি কা হেন্না শা উচেকশিংবু হাৎতুনা চবা হাযবসি য়াম্না লানবা লমচৎনি। চবিবা মীনা হাওবদি চাবিঁওে মতম ঙাইহাক্তংগীনি, শিবিবা মানা মাংবদি মপোকসিমগী অবোইবনি। অশিবা মদোমতা মাংব নত্তে, মাগী মবি মতা সম্বন্ধ পুম্নমক্কী থম্মোযদসু মুৎপা ওম্মবোইন্দবা মৈ চুবনি। শ্রুতিনা তাকপা অমসু লৈ এক দেব সব্দ্র ভূতেষু গুঢ় । সর্ব্ব সাক্ষী সর্ব্ব ভূতান্তবাত্মা। (পুম্নমক্কী মপু ওইবা ঈশ্বব মানা জীব পুম্নমক্কী থম্মোযনুংদা থুপ্না লৈ, মাদি লোইনা খংই, লোইনা উই, লোৎপা ফোংবা মঙোন্দা লৈতে, অমম্বা অঙালবা থাইদে, অচুম অবাল মানা খংই। মীওইবা খুদিংমক মানা মানা তৌবকপা অচুম অবাল খুদিংমক মশাগী জ্ঞান লাকপ নুমীৎতগী মীনা খংদ্রবসু মশানদি লোইনা খংই লোইনা উবি খংই উবিবদু কনানো ? মথক্কী পাওতাকশিং অসিবু কুপ্না বিচাব তৌববদি মীনুংশি লাক্কনি। মীনুংশি হাযবসি খ্বাযদগী চাওবা ধর্ম্মনি শাউচেক্রুচিংবা অপিকপা অতোলবা জীবশিংবু তাথি তাওইনা তৌদুনা মাংহন তাকহনবা হাক্তোকপিবা হাযবসি যাম্না অবালবা তৌহৈদবনি। মাইগৈ অমবোমদা মীৎযেং থম্মুবদসু মীযামগী সমাজগী যেংদবা মতোমতগী অপেনবা ঙাইহাক্তংগী নুংঙাইবা থম্মোয পান্দবা ৱাখলনি। অসিগুম্বা ইবনাই নুংঙাইনিংবা ৱাখল অসিনা শংসাবগী অপুনবা থুগাইবনি প্রকৃতী ঈমাদা শাফু পিবা অবালবা অধর্ম্মনি। মুন্না খন্থববদি অপিকপা জীবশিংবু মাংন তাক্রবা হাৎপা মাংহনবা হাযবসি ঈতোমতনা ঈতোমদা হাৎচবনি, ঈশ্ববগী দণ্ডি

সোইদনা ফংগনি। অসিগুম্বা তৌহৈদবা অধর্ম্মগী মপৈ অসিনা মাইগৈ খুদিংমক্তগী লাক্নুনা মপুং ফাবক্লবদি খুৎশেমগী প্রলয ওইবক্কনি। অচুম অবালগী শাক্কিদি থম্মোযনুংদা থুপ্পা লৈবিবা পবমাত্মা অসিনি।

যুমদা হললকপা

মথক্কী ৱাবীশিং অসি ঐগী থম্মোযদা খংহৌদনা ফাওবকখিবা অদুনা মাম্মদা ঐনা হায "মাম্মা! মতুং মনাওদি অসিগুম্বা ওক্তবা থবকসি অমুক হন্না তৌবগুমসি যুমদা হল্লসি"। ঐদি "ঙসাইনা চৎকুমসি হাযনা, নংনা অনম কনবদগী মীৱা তাবা চৈ চাবদি শোযদ্রে"। অসি হাযবগা ঐখোয অনি হি হোন্দুনা উঙাম্লেন তাবক্লগা খুগা তাবক্তুনা নোংচুপলোমদা হোলক্তুনা মাম্মা থম্বাযাইমখোযগী হিদেন্দা হি থাঙম্মগা ঐখোয অনি কিনা কিনা ৱা লান ঙাংনদনা তুমিন তুমিন যুমদা চংনবে। ঐনা যাম্না কিবসি ঐখোয পাজিনি। ঐগী ঈপাদু মীওইদি পিকই, মবিংজেন্দী খম থেংই, চুম্না চৎপা পাম্বদা যুমযাং কায হাযবা মীতাদুমক্কী। হাযখিবা ৱা হোংগন্দে, সুব নোম্বা যাম্না কল্লি, শিনফমসু লৌমীনি। ঈপানি থাগৎপা নত্তে কুল্লে কুচুনি, নাতোল শুমাংদা কোয মতেক খাকই, পাজিগী মাযথোংদু ঐনা সুম যেংজবদা পাক্তে পিক্তে বাশি লৈ চপ চাবা মাযথোংনি। ঐবু অসুক্কী মতিক নুংশিনা লুনা তৌবি নোংমতা মীং কৌখিদে ইবুংঙো হাযবদগী হেন্দে। ঐনা উজবদা ঐখোয পাজিদু মশা পুম্নমক মশিঙ্খা ঙাক্তা ওইনা উই, যৈগনি হাযখ্রবদি ফংদ্রিফাও তানবা মীতানি। যুমদা চংঙকপদুদা ঐনা খল্লী, পাজি লৈবমদ্রবদি নুংঙাইনিদা অসুক্কী মতিক কি পাজি থেংনবগী মহুৎ কৈ মমাই নানবনা খবা ফগদ্রা ? কিরুপ কিরুপ যেংদুনা চংঙকপদদি হাযন হাযনা তংঙাইফদনা ইহান হান্না ঐখোয পাজিগা হেক্তমক হাকথেংনবে। ঐ স্বায লাওই, খংপ্রেক খঙই। "নং কদায চৎলুই" ? মীহুনসি তিঙ তিঙ চোংই হুমাং অনপ্পা কায শোযদ্রেদনা থবো মবি থেম্বুঙ যেকম খবদুগা পুমচোৎ চোংনা

খোং থাংবা ঙমদে কৈ মমাংদা শজিনা পংথবদুনি। "ঐনা নংবু অদুম তৌ তাকপ্রা"? "পাজি ! মতুং মনাও তৌজববোই ঐ লাল্লে"। "নংনা লাল্লে হায়বগা হেক্তা তোক্কদ্রা, নং ঐবু খংদ্রেনেকো . ফৈ খংগনি ঙসিদি য়ুমদা অদু অদা হাযবমদনা ননীং তম্বা শাবা নুংঙাইনিদনা ঙসিদি"। ঐ হাযফম তৌফম খংদে পোৎসু থমদে কমলাক থক থক নিক্তুনা লৈ ব্রাংখ্রেদকো ঈপাগী মগুণ। পাজিনা চৈবদু তাবদা ঐখোয ঈমা ইমুংদগী চেঙ্গোবকই- ঐগী নমগন্দা খুপাক্লা থাবগা ঙক পায়দুনা ঐবু ইমুংদা ইনসিনলী- পাজিদা ওনশিল্লগা খাম্মী। "ও ঙসিদি লাল্লে হায়জববনিনা ঙাকপিবসি মতুংদা অমুক অসিগুম্বা থবক অসি তৌববদি পুল্লগা ফুসি"। ঈমাগী ব্রাহৈ খবদুদা পাজিগী অশাওবা নেমহনখী। অচৌবা শামুবু অপিকপা খুবৌনা পুল্লী, লৈপাকলৈমদগী অপোকপী ঈমানা লুম্মী, পাজিগী মৈগী চৈদোন্দগী ঈমাগী থম্বাল লৈনাগুম্বা খুবাক্লা ঐবু কনবিখী।

ঈমাগী গুনবু কনানা শিংথাবা ঙমগদগে- তাইবং হুকচাং ঈমাগী গর্ভনুং খোইজিখাদা মীতমঙৈদগী লোইদাম থাবুম তবা ব্রানা নাওপুবিদো। তাইবং মালং ফাওবক্লে, মপাবী মমোমবু নাওয়োক নাওকোনবদা নোং নুংশা কিদেদো। চাওবা শাবেপ ফাববা ব্রাংবা লেপ্তুম যৌববা মপাবী মমোমবু অঙাং নব্রা শক্তমগুম্লা ঈমানা মউবি। অসিগুম্বী ঈমাগী লমনবু খোইযুম লাইথোঙ খুদিংদা চংজদুনা সনা কপা মীগোৎ মীপোৎ কত্তুনা লমন শিংদুনশু ঈমাগী খোল্লাং নাম্মগী লমন ফাওবা শিংবা ঙমদে হাযনবি। মোল্লবা তেবাগী মোন্দুম মোস্তেকথক্তা য়াওন যাতাববুদি ঈমাগী তম্পাক্লা মহেল্লী, মমল যাম্লবা অহাও অথুমগা অমৃতগা চাংদম্বা য়াদে। গুক পুম্নমক্তগী ঈমানা খ্বাযদগী পুমথোই থোইবা গুকনি। অপোকপি ঈমাগা চাংদম্নবা যাবা অমত্তা তাইবংদা লৈতে। জাতী অতোনবদা পোকপি ওইববসু ঈমা অঙাওবী ওইববসু ঈমা, ঈমাদি ঈমা হাযবা মীঙ্গৌসিনা ঙমখৈনি। গর্ভনুংদগী তাইবং মীকপ থোবকপদা মা কৌনা লাকই, তাইবং মীবোল থোবকপদসু ঈমা

হায়না থোবকই, হলমদায়দগু ঈমা খিবকই। অদুদগী ঐনা পুবকইবা পোৎ অদু ঈমানা য়েংঙগা হাযবকই-সিগীবনে অঙাওবা নংনা চবা হেনবমখৈ নুমীৎচুপ্পা চৎলুবিদুবো ? চৎলো নফি অচোৎপদু হোংদোক্লগা শমুক মথক্তা চাক থাঙ্গৎলম্বনি চাকুবো।

ঐ চাক তোক্লে, পাজিনা ঐবু কৌবকই- ইবুংঙো! "কবি হায়গে পাজি"। "ব্না হঙ্গে লাওনে"। (ঐ কিনা চংই) "ফকসিদা ফম্মু ঐ ব্নাবী লীগে তাও"। ঐ কিনা কিনা ফম্মী, পাজিনা ব্নাবী লীবা হৌই। ঐখোয়গী অথোকপম শাগৈসিদি ঈবুধৌ হাক্তকতগী হৌনা থোযদোক্লা নত্তবা চিনচাক চাবা লমচৎ কাযবা পংযাও যাওবক্তে, ঙসি ঐখোযগী হাকতক ফাওবা লাইববনা লাইববগী ব্নানি, ঈপা ঈপুনা চৎনবকপা ধর্ম্মদুদি ঙসি ফাওবা কাযদনা ঙাকচবি। নবুধৌদু চুবা কৌই চুবচান্দ মহাবাজ সনা হাকতক্তা খোং খুৎ তেকপা শম্বদা থোকপা চুবা হাযনা মমীং চৎলী। ঈপুবোক্তু মীওক মীচান ফৈ, জাৎ বিজাৎ খাইদে, মবুকচেল চাওই, চুবচান্দ মহাবাজনা যাম্না চাল্লি, নিংথৌনা কোনুং কাবদা তোংনবা শগোল অমা পিবি হাযনা নপুবোক্লা ব্নাবী লীবম্মী, শগোলদু অঙাংবনি হায। ঐখোযদা লৈবিবা শাবল শেগাযবা বাগাম চিম্বুল লৈবিবসিনি ঐনা নুংশিদুনা থমজনবনি। নিংথৌনা কযামুক চানবিবগে হাযবদা নধৌনা কোনুং চংবদা ঙাংবী মহাবানীনা "অথোকপা যাতেকপা কবি থবক্কী লাকপনো"? "ইবেম্মা ইবেম্মখোযগী ইবুংঙোদু উনগে লাকপনি লৈব্রা "? অসুম্না ঈলাই লাইনা খুম্বা ঙম্বা নিংথৌনা যাম্না চানবিবা মীশক অমনি। নবুবোকসু নংনা থংহৌদবগী ব্নানি, অথোকপম থম্বৌ লাইবিক হাযবা হাযনা ঈথায কুম্বীগী লাইবিক হাযবা ওইনা লৈবম্মী। হৌজিকসু নপম্বৌসি ঈথায গৌবমনি লাইবিক খিবা হাযনা মণিপুবগী মীযাম্না শক খংনবি। নংগী খুবাতোন ইবোমচাসু ফব ফত্রবসু লৈকায খুঙ্গং অসিনা ঈশৈ শকপা ওঝানি হাযনা সম্মান ব্যবহাব থম্বিবি। অসুম্না নবুধৌ হাকতক্তগী হৌনা ধর্ম্ম কায়বা

থোয়না য়াওবক্তে, থোকপা চুবাগী চাদা নাওদানি হায়কবদা খংবিবা মীওইশিংনা ঐখোয়বু লুনা তৌবি। ঈথায়সিদা স্কুলগা নাতৈ চাবা লৈতবনে ঐনসু লাইববনিনা অতোপ্পা অবাপ্পা স্কুল অমদা থাদুনা লাইবিক তমহনবসু ঙমদ্রে। মবম অসিনা ঐখোয়গী ঈপা ঈপু হাকতক্তগী তৌজবকপা ধর্ম্মগী লম্বীসু ওইবা ঐনসু য়াম্না পামজবা নংনসু পাম্মী হায়বদুনা হিয়াংথাংদগী ওঝা কৌদুনা লাইবিক হাযবা তম্মে। মসিদা ঐনা নুংঙাইবিবদি স্বর্গ লাম্বা ফংবগুম্না হবাওবিবনি। নংনা অমুক্তং মন্দিব ময়াইদা নখুৎ থাঙ্গৎতুনা নাম শোনবদু তাবগা পেনগে ঙাইবিবনি। মসিদা নংনামদুগী ওন্ন তৈনবদা শা উচেক চাশলক্লবা যু থকলক্লবদি ঈপাদি কমদৌনা পেনগনি। নংদি ঐগী আশা থম্ফম্নী, মীওইবনা হিংলিবসি আশাদনি। আশা থম্ফম লৈত্রবা মীশক অদুদি মীকুপ অমতং ফাওবা পোৎথাফম লৈতে। মচা হাযবসি মমা মপাগী আশা থম্ফম্নী। নংদি ননাওশিং অসিগী অফ ফত্ত লুচিংগদৌবিবা খ্বায়গী অহলনি। নংনা ফবগা নখা তাবা ননাওশিংশি ফগদৌবিবনি, ফত্রগা ফবোইদৌবিবনি। মচা অমগী হাকতক্তা স্বর্গ কাই মচা অমগী হাকতক্তা নোবোক তাই হায়না অহল লমন্না পাওবৌনবি। ইনাক কৈবাক ফন্ন খুন্দুনসু ফত্তবা মচা পোকপা মমা মপা অমত্তা মকোক ইংনা হিংবা ঙমদে। মচাবু ফববদি লাইববনা থবৎ তৎলবসু নুংঙাইনা ইংনা তপনা পাল্লি হাযবসি অশেংবমক্নী। সনা কপা লৌবী য়ুম্ফম ঙাক্তবু লন কৌবা নত্তে, মসিদগী হেনবা মমা মপাগী অশেংবা লন্দী মচানি।

ফবে, হৌখিবনা হৌস্ত্রে ঙসিদগীদি অসিগুম্বা থবকসি অমুক হন্না তৌবনুকো। নংনা তম্মীবা লাবিক অসি অমুক্তং শক শোনবা ঙম্নবা হোৎনবো, ফাওবা হাযবদুদি লাইবক্কী ৱানি, ঈশ্বরগী থৌজালনি, মীখা পোন্দবা হায়বসিদি হোৎনজমন্নি, হোৎনজমন হায়বসিদি মাংদবনি। হাকুম পোকপা ষণ খোংদাংবী মচাসি য়োস্থোক্লগা ইচাগী একাগাড়ী অমা লৈবিবনি। নথৱায় য়াওনা কন্না

হোৎনবো। ঐনা খলম্বগা পাজিনা ঐগীদমক খনবিবম্বা ব্বাখলগা কয়াদা ওন্নবমখ্রবা ঐ মীত্তগী পি তাখী। চৈনা ফুদুনা ব্বাবকপদগীদি পাজিগী ব্বাবীগা লোয়ননা তাকপিবা ব্বাহৈ অদুনা ব্বাবক চেৎপা হেনখী। চৈনা ব্বাবকপা ওইবম্লবদি অসিযৌনা জ্ঞান তাবম্মোই, নুংশিবা ব্বাহৈনা ব্বাবী লীদুনা পবা ওইনা তম্নীখীবা ব্বাহৈদুদি ঙসি ফাওবা তত্তনা নিংশিংই, অতিয়াদগী অপোকপা ঈপানা ব্বাংই।

ঐনা কিবম্বদু কোকখ্রে, পাজিদা ওঙ্গিল্লগা তোয়ালমজাও কোইক্নবগী ব্বাবী লীবা হৌই। "পাজি! তোযালমজাওসিদি ওম্ফোক্লা ফজখ্রেদা মদুদা হৌবিবা তৌদুদি যেংথৌমুক চাওই তৌঙাক্তা ফুন্না হৌই, মীনা শেংতোকপদৌন তক তকই ইলং লংই য়েংবগী পেনবা নাইদে"। ঐনা তোযালমজাও পনবদু তাবদা মমীৎ মনা ইথক থক্লা পাখৎনা হাযবকই- "নংবু তোয়ালমজাও চৎলুববনে ইবুংঙো"। 'হোয চৎলুই', "কনাগা চৎলিবা"? "লাইশ্রম মাম্মা থম্বালযাইমগা হি তোংঙগা চৎপনিদা", "কৃষ্ণ কৃষ্ণ ঐদি ঙসাইমখৈ খংদে, চুম্নগী উঙাম্লেনদা চৎলুববা হায়ববু নংদি তোয়ালমজাও চৎলুবিবোইবে, মীগী শা কৈনা থন্না লৈবা মফম অদুদা কমদৌনা চৎলুবিবনো নংনা হাযবিসিবো"। অসি হায়বগা ইপা পাখৎতুনা ঈমুংদগী ঈমাবু কৌথোক্লগা পাও তম্মী। "হায় মমা! লাওনে নংবো নচা নিপাগী ব্বাবীসি তাবোলাওনে"। ঐখোয ঈমাদু ইমুংদগী হোবে হোবে চেম্থোবকই। "কবি অমুক তৌবগে"? ইপা পাখৎনা হংই। "নংগী নচাসি তোয়ালমজাওদা চৎলুই হাযনে কিদ্রনে সিবো"। ঈমানা ঐঙোন্দা খুদোম্নী থিল্লগা "মসি অঙাংসিদি মচৎসিগী হাযববদি মনঙ্গলসি শিংনা শানা ফুবনা মতিক চাবনিদা"। ঐদি কবিমতা খুমদে মখোয অনিদা তিংঙক তিংঙক য়েংঙগা লৈ। ঈমানা মখা তানা হায়বকই- "মতুং মনাওদি চৎলু লাকউনুকো তোয়ালমজাও হাযবসিদি শা উচেক্নী লৈফম্নীনে, নবাইবক থিদনা ওক তোমচৎকা থেংনবা থোক্লবদি শিবেদো"। ঐনা খুম্মী "ওকপুদি কদায়দগী থেংনগবনোদা ঈশিং ঙাক্তনিদা"। মদু তাবদা পাজিনা

চৈবকই "অপংবা অঙাওবা নংনা খংত্রা ওকসিদি ঈশিংদসু লৈবনি লমওক হায়বদি শরুপ শরুপ চৎপনি ওক্তি ময়াম থেংনবদি লাই, লাওবগসু চেনখি, লুবিবদি নাইতোম চৎলম্লবদি ফাগি তৌরুনু"। "পাজি নাইতোম চৎপা হায়বিশিবু ওক তোমচৎ হাযবদুবা "? "হোযনে, ওক লাবনা মযা ফাওবক্লবদি থথা নত্তেনে লাংদোল শম্বা ওক তোমচৎ হাযনবিবনি, মানা শুম চৎখিবদা থেংঙম্বা চবোৎ লাংদোন্দু থবৎ থবৎ তৎলিবনি অদুক থৌবা মযানি। ওক তোমচৎ থেংনববুদি কৈ থেংনবনা ফৈ হাযনবিবনি, কৈদি হাযজ চৎচবগা থৈদোক থৈজিল তৌবা যাই, ওক্তি শুকযা যাদে চুমদ্রিঙনি। তঙাই ফদনা থেংনববদি মচি মকম অমদা উহন্দনা লোংলো লোংফম লৈত্রগনা ঈশাদগী ফুবিংলা খোংগ্রাওবা ফী অমা লংশিল্লম্লগা যাবিমখৈ ফংদনবা চেনগনি। ফী লংশল্লম্বগী মবমদি ফী অদু শিংনা শাদ্রিফাওবা হাইবগা লৈগনি। মানা যীদু হাইবিঙৈদা ঙম্মীবমখৈ চেলহৌগদবনি। কবিগুম্বা মতিক চাবা থাং নত্রগা চৈগুম্বা খুৎলাই পাইববদি অতৈ মশাদা ফুবা কান্নবোই, ওক্কী মখোঙ খুমাংগী মখুদা ফুদুনা থুদেকপা ঙম্নবা হোৎনগদবনি। ওক্না চেনশিল্লকপসি মী অদুগী মপা তম্না চুম্না চেনশিনগনি, মানা যৌশিল্লকপা মতমদা যেৎ থংবা খোং অসি শৎলগা তুংলোমদা হাযফেৎ হম্লগা অবোইবা থাদুনা খুমাং অনিদু থুদেকহৌগনি অদু ওইববদি ঐনা ঙমহৌবে, সিনি ওক তোমচৎ থেংনবদা তৌহৌগদবা উপায় হায়ববু"। ওক্কী ব্রাবীসি লীবা লোয়বগা মখা তানা পাজিনা ঐঙোন্দা অমুক হংই। "নখোয অনিদি তোযালমজাওদা কবি কবি উবকই"। "উচেক্কী হেন্না কবিমতা থেংনবক্তেদা অদুগা মদুদা হৌবিবা তৌদুদি পোকপদগী উদ্রি য়েংথৌমুক চাওই মপোপ চুম্মী মীনা শেংতোকপগুম্না তক তকই তৌখোংদু ঙাংলি ঙাংলি তৌই ওম্বোক্লা ফজখ্রেদা পাজি তোয়ালমজাওসি উচেকশিংগী হৌবকফম্না"? "মানিনে, কৈবুল লমজাও, তোয়ালমজাও উঙাম্লেন পাৎ হায়বিবশিং অসি লোক্তাক ঈশানি, লোক্তাক্তা ঈশম শম্লনা লৈবিবনি, লোক্তাক্কী ঈশিংবু উঙাম্লেন খোঙজাওনা পুবক্লগা তুবেল অচৌবদা তাবকইবনি। কৈবুল

লমজাও তোয়ালমজাওদা লৈবিবসিদি উচেক্তা নত্তে খুশা শংঙাই, হুইখৌ, লমহুই, ওক, কৈশাল, কৈ ফাওবা লৈবিবা মফম্নী। মতুং মনাওদি চৎলু লাকউনু পংচং চংবা য়াবা নত্তেকো"। অসুম্না পাজিনা তাকপিবকপদুদা ঐনা হায় পাজি ! মফম অসি পংচৎ চৎপা য়াবা মফম ওইবমদ্রে, হায়বসি ঙসিদগীদি ঐ খংঙে ঐখোয় অনিনা অহানবা হি হোঞ্জল্লুবদা ঐদি লাইবৈপাক ওইনা খল্লুবে। পাজি ঙসিগী তোয়ালমজাও খোংচৎসিনা ঐঙোন্দা পুন্সিগী কাওবোইদবা অনৌবা পবা অমা তম্বীবক্লে। মাম্মগা ঐখোয় অনিনা য়েকম লোকসি হায়দনা তৌনুং অদুদা হি হোঞ্জল্লুবদা মনুং অদুদা অঙকপা সংসাব অমা লৈবম্মে। মদুদা লৈবম্মীবা সংসাবদুদি উচেক ঙাক্তগী ওইবা সংসাবনি। উচেক্কী জাৎ শুবে অপিকপা মখলগী উচেক্তা উবিৎ, মোংবা ফাওবা য়াওই। ঐখোয় অনিনা হি হোঞ্জল্লুবদুদা উচেকশিং অদুনা নোংদোলথক্তা পাইখৎলগা খোঙবা লাংবা ঐখোয় অনিবু চিক্কদবগী পাইশিল্লকপা অদুদা হি অমত্তদা তোংমিন্নবিবা মাম্মগা ঐখোয অনি ৰা ঙাংনবা তানদে। উচেকশিং অদুগী লীংজেল মান্নবা জাৎ বিজাৎ খাইদবা অপুনবা মতৌ অদু উবদা ঐগী থম্মোয়দা অঙকপা অকিবা ফাওই। ঐখোয় মীওইবগী মনুংর্দাদি অদুগুম্বা নুংশিনবগী খুদম অমত্ত উদে। মখোযগী মওং মতৌ উবদা য়েকম লোকপদি লাইবদনা ঐদি নিংদোল দিঙ দিঙ চোংদুনা মীহুল হৌই। ঐখোয়না য়েকম লোক্কে হায়দনা লোক্লবদি হি চল্লোই। তোয়ালমজাওদগী য়েকম অমা ফাওবা লোক্লক্তে। তোযালমজাওগী উচেকশিংনা মীনুংশিগা লোইনবা জাৎ বিজাৎ খাইদবা অপুনবগী কান্নবা লম্বী অমসু ঐঙোন্দা ঙান্না উহনবিবক্লে। পাজি ! মপোকসিমগী উচেক মকম লোক্লবোই শা উচেকশিংবু হাত্নুনা মখোযবু তাথি তাওইনা মাংন তাক্লবা তৌববোই, তাইবংপানসিদি মীওইবখক্তনা ওইবা নৎলমদ্রে অচৎ চত্ত জীব পুম্নমক্কা পুল্লগা সংসাব শেম্না ওইবম্মে। মীওইবা ঐখোয়দা লৈবিবা অৱা নুংঙাই খুদিংমক অচৎপা জীবা পুম্নমক্তা লোইনা

লৈবম্মে, পুন্সিসিমগী অমুক হন্না জীবা হিংসা তৌজববোই। ঐগী অবোইবগী বাহৈ খবা অসিদা ঐখোয় পাজিগী থম্মোয়না পেনবিখ্রমানে মখুৎনা ঐগী কোক্তা শিং শিং নাম্থবিবগা তাকপিবকই। বীববাবু ! ঈপা পেল্লে, নঙোন্দা ঈপান ববগা লোয়ননা অশিবর্বাদ পিববনি নংনা হায়খিবা বাহৈশিংদু ঙাকপা ঙম্বা ওইজৌ, শ্রীগোবিন্দনা লৈপাক মীয়ামগী সেবা ফংজবা ঙম্বা পিনবিসনু, ঐহাক্না পাজিদা ঈকোক নোঞ্জখি, অসুক্কী মতিক নুংঙাইজখি।

চিনচাক্কী মবমদা

মথক্কী বাবী অসিগী মখা তাবকপদা ঐখোয় পাজিনা চিনচাক্কী মবমদা বাহৈ খবসু শমতক্না তাকপিবম্মী। ঈপানা নঙোন্দা তাক্কদবা মবম অমনা চিনচাক্কী মবমদা য়াম্না চেকশিল্লু হায়বসিনি। চাকচা ঈথক হায়বসি পুন্সি শেম্বদা য়াম্না মকুওইবা তঙাইফদ্দবা অমনি হায়বসি কাওগনু। চিনচাক্না হকচাং শেম্মী চিনচাক্না লমচৎসু শেম্মী অফ ফত্ত বাখল চিনচাক্তগী লাকই মদুগী মবম খবা হাযগে তাও। ঐখোয়না ইতৎ তত্তনা হৌজিকমক উবীবসিনা প্রমান্নী। যুথকপা, কানি চাবা গঞ্জা থকপা শা ষণ চাবা অদুগুম্বা মীওইশিং অদুনা কবম্বা অফবা থবক তৌথোবকপা য়াওবগে ? অদুগুম্বা মীশক অদুনা মমা মপা লাই গুরুগী মফমদা থকশি খাশি লৈববা য়েংউ লৈবা হৌনদে। লমচৎ মাংই, লল মাংই, মতোমদা মাংবা নত্তে, সমাজ মীয়াম্বুসু মাংহল্লী। নংনা নাম শোনগে হাযববদি অসিগুম্বা চিনচাকশিং অসি হন্না যেংগনু নিশা চাবা মীওইশিংগা হকচন্না তিন্নগনু মখোযদগী লাপথোকউ ঈপানা তাকইবা খবা অসি নপুন্সি চুপ্পা কাওগনু হায়না পাজিনা তাকপিবম্মী, বাবী মতেক অসি ঙসি ফাওবা কাওদে। অদুবু অঙাং ওইবিঙে মতম অদুদদি থোইনা থিজল্লুদে ঐনা লাইবিক হায়বা কলা অমা ওইনা মীয়ামগী সেবা ফংজবক্লবা মতমদা মহাভাবত বন পবর্বগী মনুংদা নল দময়ন্তীগী বাবীদা শ্লোক অমা যাওবী, মদু পাকবদা পাজিনা তাকপিবম্বা বাবীদু নিংশিংলকই। বাবী অদুদি স্বর্গদগী সনা মচু

মানবা ঙানু কাংঙা অমা বিদর্ভ লৈপাক্কী ভীম নিংথৌগী মচা ইবেম্মা দময়ন্তী বাজ কন্যানা পুথ্রিদগী ফাই। কাংঙা অদুদি অচম্বা ওইবমদ্রে, তাইবং মীবোল থোকপা কাংঙানি। নলগী মপাও পুদুনা দুতী ওইনা লাকপনি। কাংঙা অদুনা দময়ন্তীদা ব্যবহাবগা লোইননা নুংশিনা হায়-"বাজ কন্যা ! ঐবু থাদোকপিয়ু, ঐহাক নল মাহাবাজগী পাও পুবকপা দুতনি," অসুম্না খংহৌদনা হায়দোবকপা কাংঙাগী ৱাদু তাবদা দময়ন্তীনা ঙক্কুনা হংঙকই কবি পাওনো ? "বাজ কন্যা ! নলদা বব মালা হুক্কুনা সযম্বব নুমীৎতা বোবিযু"। কাংঙাগী ৱাদু যাদুনা দময়ন্তীনা নলদা বব মালা হুকখী। নুমীৎ অদুদা দময়ন্তীনা ঙানু কাংঙা অদুদা হংই "হে উচেক অথোইবা ! নঙোন্দা ৱা অমত্তা হংজগে, নহাক্কী কুচুনা সনা মচুগুম্না ফজবিবসিগী মবম খংলবদি তাকপিযু"। দময়ন্তীগী ৱাহং অদুগী পাওখুম্নী মখাদা হাযবিবা শ্লোক অসি - কাংঙাদুনা খুম্মী নৈষধীয তৃতিয সর্গ ১৭তা হায-

স্বর্গপগাহেম মৃনালিনীনাং নাল মৃনালগ্রজভুজোভজাম অন্নানুরূপ ঋদ্ধিং নিদানাদ্ধি গুণানধীতে। স্বর্গদা মন্দাকিনি গঙ্গা চেল্লী, মদুদা সনাগী থম্বাল শাংলী অদুগুম্না সনাগী থম্বাল অদুগী থম্বৌ মতা অমদি লৈযোল অদু ঐখোয়না চায়, অদুনা ঐগী কুচু অসি সনা মচু ওইবিবনি। জীব হাযবসিদি চিনচাক্তগী কুচু অমদি পুকচেল লাকই। মী অদুনা তৌথোবকপা থবক্তগী হৌবকফম খংনৈ। অসুম্না কাংঙানা পাওখুম পিখী।

পৃথিবীদা লৈবিবা মীওইবা জাতিশিং অসি মাগী ধর্ম্মনা তাকপা চৎনবীগী মতুং ইন্না চিনচাক অমদি ফীজেৎ তোংঙাল তোংঙালহল্লী। চিনচাক হাযবসিগী মবমদা শাস্ত্রনা অহুম থোক্লা থাইদোক্কুনা তাকই। সাত্বিক আহাব, বাজসিক আহাব, তামসিক আহাব, হাযবিবা মখল অহুম অসিনি। সাত্বিক - সাত্বিক্কী চিনচাক্তি মনা মশিং হৱাই চেংৱাই চাবদা নিশা কাদবা অয়াকপা অশাবা য়াওদবা যাম্না চম্না চাবা অপুম অশা যাওদবা হৈ- বা, ষঙ্গোম মাখল ঘী মসিনচিংবা

মহৌশা লাইবেনবীনা ঋতু তকক্তা মতম মতমগী ওইনা পুথোকপিবা চাবদা ময়ায় কাদবা পোৎশকশিং অসি চাববু সাত্ত্বিক আহাবনি হায়না খংগনি। অসিগুম্বা চিনচাক অসিদগী ফংবা ঈ অমদি কুচু কুমেল স্বভাবপুসু অসুম্না নৈনবা যাই। মদুদি চিনচাকসিদগী লাকপা ৱাখলদি হিংসা য়াওদে। অশাওবা কলক মীহৌ মসিনচিংবা য়াম্না ইং তপ্না ফাবা ঙম্মী। মীনুংশি লৈ, অখাঙ কল্লি ফীজেৎ লৈতেং ফাওবা ইচম চম্না শেং চাবা পাম্মী।

বাজসিক

ঘী থাও শা ঙা খুৎশেমগী ওইবা অহাও অথুম মমল চংবা চাবদা লেমজবা চিনচাকশিং অসিবু বাজসিক আহাবনি হায়না চাওবাক্লা খংগনি। অসিগুম্বা চিনচাক অসিদগী ফংবা ঈ অমদি কুচু কুমেল ফজে ৱাখল ৱাংনা খল্লি নিংথৌ মন্ত্রীগুম্না চাওখোক লেমথোকচৈ ফুবা দলাল শাবা পাম্মী। ফীজেৎ লৈতেং মমল যাম্বা পোত্তা খোইদাজৈ, সনা কপা অকে অমৌ মীহৌজৈ মীথোই মীহেন তাঞ্জে, ৱাখলদি অফ ফত্ত যাম্নে, অদুনা বাজসিক আহাবসি মযাই ওইবা চিনচাক্লী।

তামসিক আহাব

শা ঙা উচেক অপুম অশা তিলহৌ চনম চাবদা নিশা লৈবা দ্রগ যু খৈনী জর্দ্দা গঞ্জা যাম্না শাবা অযাকপা অসিনচিংবা চিনচাকশিং অসি তামসিক আহাবনি। চিনচাকশিং অসিদগী লাকপা ঈদি ফিংই, শাওগল্লী, মাংন তাক্লবা ৱাখলনা মাং থাই মীনুংশি লৈতে মীবু ঙাকপিহৈতে মাং তুং যেংদে, কলক মীহৌ চাওই ফীজেৎ লৈতেং অক অহেন থোয়না অচোপ অবেম খন্দে, মীগী য়েংদে মতোমদা নুংঙাইনিংই পাপকি ৱাখলনা মাং থাই যৈখায থিনগায়বগী ৱাখলনা মপুং ওই, চিনচাক অসি খ্বাইদগী অতোনবা চিনচাক্লী।

ঐখোয় মীওইবনা চিনচাক্কী মবমদা যাম্না কুপ্না খন্ন নৈনবা চুম্মী। মথক্তসু অখং অহে যোগী ঋষি মুনি জ্ঞানীশিংনা বিচাব তৌদুনা চিনচাক্কী মবমদা

খন্ন নৈনদুনতা লাকইবনি। হৌজিক্কী মতমদা চিনচাক্কী মবমদা থিজিনবা তঙাইফদে, মবমদি চিনচাক্তগী লাকপা মহৈনা লৈপাক মীয়ামগী ওইবা মোবেলবু অঙকপা ফংনা শোকহল্লী। চিনচাক হাযবসি জাতি জাতিগী ওইনা মাগী মাগী ধর্ম্ম শাস্ত্রগী পাওতাক্কী মতুং ইন্না চানৈ। অদুবু হৌজিক্তি অদুগুম্বা ধর্ম্মগী চংনবী চাকচা ইথক অদু থাদোকখ্রে। শা উচেক চাবা জাতি, ঙা অমদি মনা মশিং হৱাই চেংরাই ইযান যান্নবা চাবা জাতি, মনা মশিং হৱাই চেংৱাইদমক চাবা জাতি। অসুম্না চংনবকই, অদুবু হৌজিক্তি অসিগুম্বা পল অসিগী ৱাংমা পুমলান লাম্থোক্লুনা শা ঙা হুই হৌদোং ফাওবা থাকপা লৈতনা চানবে। অসিগুম্বা ধর্ম্মগী ৱাংমা লানবা অধর্ম্মগী চিনচাক অসিনা অঙকপা ফংনা হিংসা লাকপনা সমাজবু পাকতক্লনা শোকহল্লী।

মথক্তা পল্লিবা সাত্বিক, বাজসিক, তামসিক আহাব মখল অহুম অসিবু হাযক্নবগী মবমদি চিনচাকশিং অসিদগী ওইবকপা ঈ, কুচু ৱাখলনচিংবগী মবমদা ইঙগীৎ তৌকনবনি। চিনচাকশিং অসিগী মনুংদা চাবা য়াদে হায়না অথিংবা পিবা লৈতে, পিফমসু থোক্তে। মবমদি শা, ঙা, উচেক মনা মশিংনচিংবা চিনচাকশিং অসি মীওইবগীদমক ঈশ্বরনা শেম্লীবা চিনচাক্লী। জীবনা জীববু চাবগা জীবশিংনা হিংই, জীবনা জীববু হিংনবা চাওখৎনবা যোকই, ৱাহৈ অসি অচুম্বনি। ৱাহৈশিং অসিবু বিচাব তৌকনবদা শা, উচেক্লচিংবা অচৎপা জীবশিং অসিনা মশাবু মীওইবদা কংথোকই। মীওইবনসু মখোযবু চাওখৎনবা চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা যোকই। শাশিং অসিগী মনুংদা মখল অনি থোক্লা খাইদোকই, মদুদি-মশাবু মীওইবগী চিনচাক ওইনা পিথোকপা অমা মরুপ অমদি ঈমা ঈপাগুম্না মীওইবা ঐখোযবু ঙাকপি শেনবিবা মখল অমনি। মদুদি শগোল, শামু, মণ, ইবোই, হুই ,হৌদোং, উৎ, লোলা, গধানচিংবা হায়বিবা যুমশাশিং অসিনা মীওইবা ঐখোযগী ফনবা চাওখৎনবগীদমক ইতেং পাংবিবি। য়াও, হামেং, যুমওক, শন্দং অসিনচিংবা যুমশাশিং অসিনা তাইবং মীওইবগী চিনচাক ওইনা

চানবগীদমক মশাবু পিথোক্তুনা মীওইববু য়োকই। মথক্তা হায়বিবা শগোল, শামু,ষণ, ইবোই, হুই, হৌদোং, উৎ, লোলা, গধা হায়বিবা যুমশা মখলশিং অসিদি মৈহৌবোন্দগী ওইনা মীওইবা ঐখোযগা তৎন থান লৈতনা লোইনবকপা অচৌবা মকপ্পী। হায়বিবা শা মখলশিং অসিনা মীওইবদা পিবিবিবা খুদোলশিং অসিগী মবমদা ব্রাবী লীকগদবদা লোইনাইদে, অমুক লীকদ্রবসু মীপুম খুদিংনা খংনববা ঙাক্তনি। ধর্ম্মগী লম্বী তাকপা শাস্ত্রশিংনা হাযবিবা যুমশাশিং অসিবু মীওইবগী চিনচাক্লী চাব যাই হাযনা ইঙগীৎ পিবমদে। থোইদোকপা পুযানা, পুবান্না, কোবান্না, বাইবলনসু জীব হাৎলু হাযবা হিংসাগী ৱা তাক্তে। মসিদা কনাগুম্বনা ষণ, ইবোই, শগোল,শামুবু হাৎলগা চাব যাই চিনচাক্লী হাযববদি ৱাহৈ অদু পুকশেম্মী (কল্পনানি) ধর্ম্ম শাস্ত্রশিংগী মাযযোক্তা শেম্বা চৎনবিনি হাযনা লৌগনি। অসিগুম্বা চৎনবী অসিনা মীওইবা সমাজবু পাকক্তন্না শোকহল্লী। কনাগুম্বগী চৎনবী অদুনা সমাজদা সাফু পিদুনা শোকহল্লবদি চৎনবী অদু মওং অমদা শেমতোকপদা অকাযবা কবিমত্তা লৈতে, শোযদনা শেমতোক্কদবনি। ষণ ঈবোই শগোল শামুবু হাৎলগা চাবা হাযবসি মমা মপা মকপ হাত্তুনা চাবগা অম্মানি। ধর্ম্ম হাযবসি অচুম্বা হাযবনি, অধর্ম্ম হাযবনা তৌহৈদবা তৌবা অবানবা হাযবনি। অচুম্বা হাযবসি লেংদবা শিদবা পাম্বীনি, চৎনবী হাযবসিদি মশানি। চৎনবী হাযবসি ধর্ম্মদা যুমফম ওইবগা শেম্বদি যাই, ধর্ম্মদা শাফু পিবা চৎনবী অদুদি সমাজদা অকাযবা লাকই। ধর্ম্মনা জাৎ বিজাৎকী ৱাখল লৈতে, পুম্নমক্তা শিন থুংনা লৈ মহাক্তি শুকলেং লেংদনা লৈবা ঈশ্বরগী মশক্তি। মবম অসিনা চিনচাক ফাওবা ধর্ম্মগী চিনচাক অধর্ম্মগী চিনচাক হাযনা অনি থোক্লা খাইদোকই। ষণ ঈবোই শগোল শামু হুই হৌদোংবু চিনচাক ওইনা চাবা হাযবসি মহা পাপ্পী, অধর্ম্মনি। মমা মপা মকপ হাত্তুনা চাবগা চপ মান্নবা পাপ ফংগনি। চাবিবা মী অদুখক্তা মাংবা নত্তে মালেমগী সমাজদসু অচৌবা শাফু পী হাযনা লৌগনি। মবম অসিনা ঐখোয মীওইবা সমাজনা হিংসা যাওদনা ঈং তপ্পা তংদু

লৈতানা হিংবা হায়বসি চিনচাক্লা খ্বায়দগী মক ওই। চিনচাক্লগী হিংসা লাকই, চিনচাক্লগী মীনুংশি ল্যাকই, চিনচাক্লা লমচৎ শাজৎ মীনুংশি পুবকপদা অচৌবা মতেং পাংই। হৌজিক্কী মতমদা চিনচাক্কী মবম থিজিন হুমজিনবা নৈনবা হায়বসি যুম অমদি স্কুলনচিংবা মীযাম তিনবা মফমশিংদা খন্ন নৈনবদা কান্নবা ফংগনি। চিনচাক্লা পুক্সিবু অফবা লম্বীদা পুবকই, থকশি খাশি লৈহল্লী। মীনুংশি খংহল্লী, অচুম্বা লম্বীদা সমাজবু লমজিংবা ঙম্মী হাযবসি অশেংবনি। ঐখোয পাজিনা অপংবা মচা ঐঙোন্দা চিনচাক্কী মবমদা ব্রাহৈ খবদং তাকপিবম্বা অসি অসুক্কী মতিক মমল যাম্না লৌজে। ঈপানা জ্ঞান লৈতবা ঐঙোন্দা জ্ঞানগী থাওমৈ চুখৎপিবম্বনি।

ঈথায হাযবিবা খুঙ্গং অসিগী মনুংদা ঐখোয়গী ঈমুং অসি লাইববশিংগী মনুংদা অমনি। ঐখোয ঈচিল ঈনাও নুপা মবি নুপী অনি ঐখোয তকক পোকই। ঐখোযবু যোকপা ঙম্নবা ঈমা পাজিনা চিং তম হাবৌ লাবো নোংজু নুংশা কিদনা থেংনখিবা লাল অদু ঐদি শং শং উহৌবে। ঐনা অঙাং ওইবিঙৈদা মণিপুবদা অচৌবা চাকতাংবা অমা থোকখী, মীযাম পুম্নমক যাম্না ব্রানৈ। অদুগী মনুংদা অতৈনা ব্রাবদগী ঐখোযনা খবা হেন্না ব্রাবমগনি নিংই। নোংমা নুংদাং অমদি চেং মীরুক খাংঙৈমুক্তা থোংঙগা ঈচিল ঈপ্পা ঐখোয অহুম যেন্নবগা চামিন্নৈ মতমদু ঐখোয ঈচিল ঈনাও মবিদ ঙাইবী ইবোযাযমা, থম্বাল, বোববনি, ঐ, ঐখোয মবিনি ঈমানা অব্রাং থংবদা লৈবা ইঙ্খোল লম্মাং অমদগী লম্বাল মব্দ তাল্লুবগা হৈতুপ হাপ্লগা মুন্না ফুংলগা পাজিগা ঐখোয মঙা চামিন্নে, থোযনা লেংদে। অসুম তৌনা নুমীৎ অদুমদি তঙাই ফদনা ঐখোয মঙা লেল্লে। যাহৌবকপদদি পুক অসি থবৎ তত্তুনা লৈবম্মে, ঐদা নত্তে ইবোযাযম, থম্বাল, বোবমনিগা মখোয অহুমসু চাক লাম্বনা হুমাং অনপ্পা কান্নবে। ঈমাবু কোযথি থি, "ঈমাদি কদায চংখ্রে পাজি।" " নমাদু চেং ব্রানবা চংখি, লাক্লনি লাক্লনি," অসুম্না ঐখোয়বু থেম্মী। চাক লাম্বনা শান্নবা চংদে, কোম্বোংদা চেম্বোক্তুনা ঈমা লাকপদনি

ঐখোয়না ৱানা ঙাইবিবা। অয়ুক্কী পুং তবামুক তাবকপা অদুৱাইদা ঐখোয় ঈমাদু থুম্মোক লাইতং মকোক্তা পুদুনা হোবে হোবে লাকপা উই। ঈমা উবদা ঐখোয় অহুম হবাওনা ঈমাগী মনাক্তা চেনশিল্লগা মহৈ মহৈ হংই ঈমা ! চেং ৱালকপবা ? অচাপোৎ লৈবকপবা হংনদে, চেংতবু লাইনিং ওইনৈ। ঙসি ঐনা নিংশিংই মহুমদা লৈবা উচেক মচাশিংনা মপি পাইশিল্লকপদা মায়া লাওনা কাথোক্লুনা চে চে খোংদুনা হবাওবদুগা ঈমা উবদা ঐখোযনা হবাওবদুগা চপ মান্নে। পাজি চংঙক্লুনা থুম্মোক্লু থামিন্নে, চেং ওইবমদ্রে চুজাক মক ঙাক্তা ওইবম্মে, হাযবকই চেং ৱানবা ফংদে। চুজাকসি শুম্বলদা শুবগা চোযথোক্লুনা থোংবদা চাক্কা চপ মান্নে হায যেংসি। অসি হাযবগা চুজাকতু খুজোকমুক খাযদোক্লগা ঐঙোন্দা হায - "সে সে ঈবুংঙো ! মসি ঈশিংদা লুপথোক্লগা থুম থবা হাপ্লগা ভৌবগা নচিন ননাও নখোয চামিন্নকবো ঈমাদি চুজাকসি থোংবা যানবা শুম্বলদা শুকখিগে"। ঐনা চুজাক ভৌবগা ঈমা পাজিগা ঐখোয তকুক ইকোয কোযশল্লগা হবাওনা নোক্লুনা চামিন্নৈ, ঐখোযদি হবাওবনা নোকই, ঐখোযনা নোকপা উবগা ঐখোয ঈমাদি মমীত্তগী মপি তাবকতুনা লোৎনা তৈথোকখিবদু ঐনা উহৌই, ঈমাগী থম্মোযগী পাখোঙ কবিনো ঙসি ফাওবা ফোংবা ঙমদ্রি।

পাল মাইবেল চুজাক গেহু হৈকক হাযবিবশিং অসি চাক্কী মহুৎ শিনবা তঙাইফদনা যাই, হাযবিবশিং অসিদগী গেহু অমদি হৈকক্লা ইহেল হেন্না ফবা চাক্কা চপ মান্নবা চিনচাক্রী। পাল মাইবেলদি ঙাইহাক্কী অবাম্বা খাংনবা চাবনি চুজাকসু ফৈ, অদুবু গেহুনা হেন্না অমুক ফৈ। ঐখোযনা চুজাক গেহু চায় হাযবিবা মতমদুদি মিলগকা লৈত্রিঙৈগী মতম্মী শুম্বলদা শুবগা থোংবনি। হৌজিক্তি মিলদা তকথোক্লগা তল হৌদুনা বৈজ্ঞানিক ওইবা মওংদা চাক শুকযাও যাওদনা চাবা যাবে। চেং তাংঙবদি গেহুসু তাংই, হৈকক্তি হোংনা ফংই, হকচাংদসু লাইনা লৈতে পাঙ্গল কল্লি মহাওসু য়াম্না লৈ, চাকমক্কা চাংদম্লবা য়াই। মমল তিংদনা ঈশা ঈশানা হেকউবগা যুমদা পৈশল্লগা থম্মৈ, অবিবা অকেনবা হৈকক্তি

লোংথ্রাইনা ঈশিং মনুংদগী খোল্লগা লৌখৎনৈ। কোৎ কোল্লগা হৈজন্দুনা লিবগা থন্নবসু যাই। মদু নোংমা নোংমগী চবা চবা ঙাঙ্গোল্লগা থাংনা মকু খোল্লগা চাক থোংবগুম থোংদুনা চানৈ। অদুগা মথক্তা পানবা কেদ্রিবা অনৌবা হৈকক্তি হিংনা খোল্লগা থোংনৈ হৈকক অনৌবগা অবিবগা অনি অসি ফৌ অবিবগা অনৌবগা খেৎনবদৌনা মহাও খেৎনৈ। অনৌবা হৈকক য়াম্না চাশল্লবদি নুংশিং চাওই, চহি চুপ্পা হৈকক ঙাক্তনা চাক ওইনা চাবদা কবিমত্তা কাইবা লৈতে। লাইববগী শাফুনা কনবদগী ঐখোয পাজিদি লোকতাক্তা হৈকক হেকপা তোইনা চৎলি। ঙসি ঐগী হকচাংদা চেল্লিবা ঈ অসি লোক্তাক লৈমা ঈমানা পিবিবা ঈগী শকক যাওই মবম অসিনা লোক্তাক লৈমবু অসুক্কী মতিক য়াম্না নুংশিজে। লাইবক থিবদি লোক্তাক্কী শক্তম শাথিনা কায়বকপা অমদি ঈথায খেব পুং মাংশিল্লকপা খুদমদমক ঙাইহৌববা উঙাম্লেন শোইবুং যেংউবদা অপোকপী ঈমাবু থোয়না হেন্না নুংশিবকই।

খ্বাইদগী পাঙ্গনবসি মতম্নী মতম্নু থিংবা ঙম্বা অমত্তা পৃথিবীদা পোকখিদ্রি, মখাদসু পোল্লবোই। লাইগুম্না মতিক মগুণ লৈববা লাইপোক কয়া কয়া মালেমদা পোকখ্রে, অদুবু মখোয অদু থংহৌদনা মতমগী ঈচেলনা পুখী। পৃথিবী শিঙ্গুংনা ফাওববা নিংথৌবেল কযা মবিঙজেল মথৌনা লৈববা অফাওবা মীওই কযামসু মালেমসিদা পোকখী। অদুগুম্বা অফাওবশিং অদুনা মালেম লৈমবু মাগী ওইগে তান্নখী অদুবু মাগী ওইবদি ঙমখিদে, মতম্না থুংঙববদা কনাসু লেমহৌদে, ৱাবীগী মখৈদি ইতিহাস ওইনা লৈহৌই। হান্না লৈবম্বা ঈথাযগী শক্তম অদু হৌজিক্তি অনৌবা শক্তম অমা পুমওন ওনখ্রে। শীংউং শীংনাং চবোৎ খিক্লোয মংনা হৌবম্বশিংদু পাম্বী অমা ফাওবা হৌখিদ্রে। ঈথায় লৌকোলগী নোংপোক মৈবমলোমদা ৱাংঙু লাইখোঙ থংবা নাকল অসি খাসলেন লক্ষ্মাং জঙ্গল ওইবম্মী, লুৱাংতৌ য়াম্না হৌবম্মী অদুনা হৌজিকসু লুৱাংতৌ লৌকোল থোল্লী। শীংউং শীংনাং য়াম্না কুংনা হৌবম্মী। ফাইবেল লমদা চংঙকপদা লম্মৈ থাদোল্লগা মৈকোকশীং

য়াম্দুনা চহিগী শীং থাবা ওক্লবা শীঙ্গৈদা পৈশন্দুনা থম্লে। খুগাগী অৱাং থংবা উঙাম্লেন খোঙবান্দগী চবোৎ ফাম্লগা য়ুম কুপ্লে, জিন্খ্ৱগী দবকাব লৈতে, শীংউৎ য়াম্লগা ফক্লাং খানৈ, পৈশা তিংনদে। তেবা পাম্বী মশীং খংদনা হৌবম্মী, তেবা হেক্লগা মোন মোনপাক তুদুনা হিপ্লে লুপা অমফাওবা থ্রশা তৌনদে। ঙা মবাঙ কায়না ফাবম্মী, খুগাদা ঈকজবা কুম্বদা ঙাইহাক্তং খুৎলুম্মুবদা হাওব হাওববা খাবক ঙাতোল ঙমু শঙ্গুম চবা অমা হেক্তা ফাই ঙাগীদমক শিকী অমফাওবা তিংনদে। হঙ্গাম মক ইখোলদগী মক লোক্লগা থাও শুমদুনা অশেংবা হঙ্গামথাও ঙাক্তা চানৈ। কৈথেলগী পোৎ থোয়দোক্লা দবকাব লৈতে। কৈথেলসু মোইবাং কৈথেল কাবা নত্তনা অতৈ কৈথেল অমত্ত লৈবমদে। মবক মবক্তা কবিগুম্বা কৈথেল কাদবা য়াদবা তাঙ্গা লাক্লবদি খোংনা মোইবাং কৈথেল তান্না মী মবি মঙা মান্নবগা হৌনবগা চৎমিন্নে। কেবোশিনগুম্বা অমদি থুম ফীবোলনচিংবা তঙাইফদবা পোৎতমক লৈনৈ। অতৈ মসি নত্তবা পোৎ পুম্নমক্তি প্রকৃতী লাইবেনবী ঈমানা অৱাৎ অপা লৈতনা লোইনা মবাঙ কায়না পিবিবম্মী। হৌজিক্তি মতমগী ঈচেলনা পুখিদুনা ইনৌ নৌবা শক্তম অমা ওম্লোকখ্রে। অদুক য়াম্না হৌবম্বা শীংউৎ শীংনাং চবোৎ খীক্লোয পাম্বী অমা ফাওবা হৌখিদ্রে, তেবা পাম্বী অমা ফাওবা হৌদ্রে, ঈথায় খেবপুং ঈশিংনা লৌশিনখ্রে পুম্মাং মাংখ্রে। উঙাম্লেন খোঙজাওনা লমজেল য়াংনা ঈবাওখোলগা লোযননা খেব পুংখোঙ ঈবেল তম্না চেলকপা শক্তমদু উবা ফংখিদ্রে। উঙাম্লেন খোঙনুংদা অকা অকুম শান্নবম্বা ঙায়ামদু ঙাখা ফাওবা মশক উবা ফংদ্রে। হৌজিক্তি উঙাম্লেন খোঙ মথক্তা থোং শাদুনা হৱাগাডী চেল্লে, ঈথায় নোংমাইখোঙ শম্নদুনা য়ুম লোন্নবে। মবক্তা লৈবম্বা লক্মাং জঙ্গল ওইবম্বদু মচেৎ অমফাওবা হাংদনা য়ুম ফুন্না তাশনখবে। ঈথায় খেবপুং ত্রীবেনি ঈবেলগী মখা তুবেল অচৌবগী মপান্দা মাশুন ইজবিবা অসিগী মবমদি কবম্বনা অবেপ্পা অচুম্বনো হায়বদু নৈনবিনবগীদমক লাইবিক

ফমলম্মী ফোবেস্তবগী ওফীস চাওনা ফমম্মী শুগ্নুবোমদগী উ বীম কয়া নুংতিগী তুবেল খোংনুংদা উঙাম শাদুনা কাবকই মদুগীদমক খেৱা ফমম্বনি। হৌজিক্তি মফম অদু যুম শাজনখ্রে ঈথায চিংজিন্দা খেৱাবী হিবানফম লৈবম্মী লৈখিদ্রে, খুগাগা উঙাম্লেনগা লাম্থোক লানসিন তৌবম্বা লৈখিদ্রে, খুগা মপান্দা হৌবম্বা লাইওইববা তেবা পাম্বী অহুম হৌবম্বদু মমীং ফাওবা পন্নবক্লে। খুগা তুবেলগী অৱাং তোবর্বান্দা শীংউৎ শীংনাং চবোংনা নাহুই লোন্না ফবম্বদু হৌজিক্তি মী ফুন্না তাশন্দুনা ঈথায ৱাপোকপী হাযনা মীংথোন্দুনা খুঙ্গং অমা ওইবে। তুবেল অচৌবগী নোংপোক ঈথায ডামগী মখা নোংপোক থংবা তোবর্বান অসিসু লম্মাং ওইবম্মী। হৌজিক্তি ঈথায চিংজিন্দগী ৱাংঙু থেংবা ফাওবা ঈথায ৱাককোক হাযনা খুঙ্গং অমা ওইবে। উঙাম্লেন পাৎযাযদা থবো থম্বাল থাবিকথানা ফজবম্বা শক্তম মাংখ্রে, ফুমদাও মপৈ মপৈনা পাৎ মশক উখিদেদ্র। তোযালমজাও কৈবুল লমজাওনচিংবগী শক্তম অঙকপা মওংদা পুমহোং হোংখ্রে। হাযবিবা পুন্নমক অসি মতমগী ঈচেলনা পুবকপা শক্তম্মী। মতম্বু মী লাই কনানা থিংবা ঙম্বা যাওখিবগে ? থিংঙমদবা মতমগী ঈচেলনি।

মথক্তা হাযবিবা ৱাবীশিং অসি ঈবমদম্বু নুংশিজদুনা অবিবা অনৌবা অনিগী খেৎনবা মতমগী ঈচেলবু চাংদম্নবা তাঙ্কক অমনি। ফৌওইবী লাইবেনবী ঈমানা নাওকোনবিবিবা খুঙ্গং অসিদা ঐগী তাইবং মীকপ থোকফম খোইবী লিনছাং নাওফম তাবা ঈখুঙ্গংনি। ঐবু পোকপা পলেম পম্থৌ অনিসু ঈবমদম ঈথাযদা অবোযবা শাথুপফম ওইখী। তাইবং খুৎশেম চংদ্রিঙৈদা মহৌশা লাইবেনবীনা ফজবম্বা শক্তম অদুমক ঐগী থম্মোয চেবাংদা মযেক লানা যেক্লুনা লৈবি। ঈথায হাযবা খুঙ্গং অসিদি কংলৈচা কনামক্তনা শক খংবিদবা য়াম্না চিক্লা থুপ্না লৈবা ঈখুঙ্গং মচানি। ঙসিদি মতমগী ঈচেলনা থেংঙববদা লোক্তাক লৈমা ঈমানা শক্তাকপিদুনা মৈত্রবাক খক্তা নক্তনা ভাবত শিনথুংনা মীংচৎ লৈবে ঈথায।

লোক্তাক্কী ঈশিংবু উগুাম্লেন খোঙুজাওনা পুথবক্তুনা ঈথায় ঈবেল খেবপুং মখোংদা তুবেল অনিগা পুন্দুনা ত্রীবেনি চাওনা শেম্মগা ঈচেল অহুম্মক পুন্দুনা খা পাংনা চিংনুংহৎ লান্দুনা সমুদ্রদা ঈতিনগে চেন্থবকপদা ঈথায মোনজিং চিংখোঙদা ডামনা ফৈনা থৎখ্রে। অসিগুম্বা লোক্তাক প্রোজেক্টনা ঈথাযবু শক্তাকপিদুনা অফাওবা খুঙ্গং অমা ওইহল্লে। চিং তমদা লৈবিবা কংলৈচা কনানা ঈথায়বু খংদবা নুপী অঙাং ফাওবা য়াওবম্মবোই, অঙকপা মতমগী পাঙ্গলনি।

অহুমশুবা তাঙ্কক

ঈথায কাযবেনবা

ঈথায কায়বেনবগী ৱাবী অসি মোইবাং শায়োন হাযবা লাইবিক অদুনা হায়বম্বদি যাংহনব য়াংখুব মচিন মনাও অনি অসি মোইবাংদগীনি হাযনা ইবম্মী। মপাগী মমীং কুমজলেনব কৌই, মমানা লাইগলেনবী কৌই, হাযনা ইবম্মী। য়াংহনববু যাংখুব মনাওনা কুদ হাপ্লগা খুগাদা থাদবকই, কাযবেনবগী মচা নিংওল যাংখুলৈমনা কু অদু হাংদোক্তুনা যেংউবদা যাংহনবগা লোৎন লৌন লৈনখী। যাংখুলৈমা খোইজী খা মীহুল মীতমখ্রবা থা তকক শুবকপদা লোকখা হাওখা নিংথৌগী মচা নিংওল যান্দংনুগা লোকখা হাওখা নিংথৌগীদ লৈমিন্নে মবমদি মখোয অনি নুংশিনা তিন্নব মকপ্পী। খোঙ্গং তেলহৈব পোকপসু হাওখা নিংথৌগীদা পোকই , য়ান্দংনুনা চহি ১৬ ফাওবা যোকই। যাংখুলৈমদি খোঙ্গং তেলহৈব পোক্লম্লগা ঈথাযদা মপাগী মনাক্তা লৈবৈ। খোঙ্গং তেলহৈবনা ঈথাযদা লৈবিবসি চহি ১৬ শুবকপদা লৈববনি , কায়বেনবা মপুবু লোংনা থিন্দুনা হাংপসু চহি মতাং স্বাইদনি। অদুগা মশুগী মমীং খোঙ্গং তেলহৈবা থোলবসু কাযবেনবনা থোল্লী। লাইবিক অসিদ কায়েল মকম লোকপা ৱাবী য়াওই, খুগা মপান্দা কু চনবগী ৱাবী যাওই। মশু মপু উ য়ানবগী ৱাবীদি মোইবাং শাইয়োন্দা

ইবমদে, মসিনা মোইবাং শাযোনগী ৱাবীনি মোইবাং তম্পাকয়ুম হঞ্জবনা লোয় কাবকপদ থোইবীদা লীব ৱাবীনি।

অনিশুবা মোং অমনা- কেগে মোইবাং লৈপাক্তা খোইবে লংয়া অথৌবনা ইযোকহনবী চনুগা পান্নদুনা য়াংহনব যাংখুব মচিন মনাও পোকই, খোইবে লংয়া অথৌবদি ঙন্না নোংগাখ্রবনা ইযোকহনবী মমা লুখ্রাবীনা মচিন মনাওবু মপা যাওদনা যোকলকই। মপানা যায অমা থম্বীবম্মী, মদু মুন্নবদগী মচিন মনাও যেংথিনবক্লুনা অমনা অমবু হাংকে হাযনা শিংনবকপদগী নোংমা খুগা নাম্বী ঈচেল মপাল লোকচাওদগী উ অমা যাল্লগা মমাগী কু চলম্মী। মতম অদুদা কেগে লাই থাংজিংনা লাঞ্জদবা যাংখুববু কনবিগে খন্দুনা মমংদা লাক্লুনা নযাম্বনা নংবু হাংকদৌবী চেকশল্লু হাযনা তাকপিবদগী কু চনব লোইবগা যাংখুবনা শিংবা হেনব অমদি লাঞ্জদবা থাংজিংগী থৌজান্দগী মযাম্ব যাংহনববু কুদা হাপ্লগা খুগা ঈচেলদা থাদবকপদা ঈথায কাযবেনবগী মচা নিংওল লাইজলেম্বীনা কু অদু হাংদোক্লুনা যেংউবদা যাংহনবগা লোংনা নুংশিনদুনা ইৱাক হনবা পোকই হাযনা এন মঙ্গীনা ইবি। কু চল্লিবা মফম অদু খুগা মপাল লোকচাওদনি, কু চল্লিবা উ অদুসু থাংজিংনা কুবাও থোল্লু হাযদুনা কুবাও থোল্লী লোক অদুবুনা লোকলাওবুং থোল্লী হায। বায মঙ্গীগী লাইবিক অসিদা কাযেন মকম লোকপগী ৱাবী অমদি মশু মপু উ যানবগী ৱাবীদি য়াওদে। লাইবিক অসি যাম্না ফজনা মবিক চুম্না ইবা উই, অদুবু লাইবিক থিবদি লাইবিক অদুদগীনি হাযবা যুম্ফম অমদি থমমদে। অসুম্না লাইবিকশিং অসিনা ঈথায় কাযবেনবগী ৱাবী অসিদা তোংঙাল তোংঙালবা মাগী মাগী মোত্তা ইবা থেংনৈ, লাইবিকশিং অসিদা মান্নবিবা হাযববু মশুনা কাযবেনববু লোংনা থিন্দুনা হাংলি হাযবদগী পুনম চিং থোল্লী হাযবসি চপ মানৈ, অদুগা অতৈ অতৈ ৱাবীগী মচংতি লোইনা থেংনৈ।

মণিপুরগী লোত্তাক অমদি ঈথাযনা ৱাবীশিং অসিবু য়াম্না শম্ন লৌশন্দুনা

অসিদা মোৎশিং অসি লৌশঞ্জবনি। মণিপুবগী লোক্তাক অমদি ঈথায়না ইবিবা ঈথায় কাযবেনবগী ৱাবী অসিদি লুৱাং খুম্বোক্লোনগী ৱাবীনি।

ৱাবী অসি ইংশোক হৌদ্রিঙৈ মথক্কী হাযব তাই। ৱাংব্রেল খানা চাওবগী মবমদম লম্লেন ঈথায়দা কাযবেনব হায়বা মতিক মগুণ মথৌনা লৈবা নিপা অমা পালশ্মী। মোইবাং লৈপাক ফাওবা কাযবেনবনা পালশ্মী হায। মহাক্কী লোইনবিদু কাযবেনবী কৌই। মচা নিংওল অমখক্তং পোকই, মমীংনা য়াংখুলৈমা কৌই। খোইযুম লাইগী নোংদম্না মচা যাংখুলৈমবু হুন্দোকলম্লগা কাযবেনবী মমাদি ঙন্না নোংগাখীবনা মপানা মমা মপা শক্তুনা কেন লুনা লাঙ্গোল্লী। নোংমা কাযবেনবনা পুম্লেন পাৎতা ৱাকযৈ লুকায হি তোংদুনা চৈঙাক চৈশাং অমদি নৌবেল ঙা হাপ্পব থোপ সাঙ্গায অথৌব অমগা ঙা ফাবা চৎলি। হিনুং অদুদা ঈথিল লোং হাপ্তুনা ঙা ফাবদগী কোবৌনা চাইথবক্লব মতম অদুদা থাংজিং চিংদোললোমদগী ইখং খংহৌদনা নোং মপৈ অমা মুশুক মুনা হৌবক্তুনা নুংশিৎকা লোইননা চুথবকপনা নোংদোল পুমকুপ কুপখিবনা মাইকৈ খংদনা মমখ্রে। কাযবেনবনা হিমাই চুম্বা হোৎনবদ অৱাব অমা ওইখ্রে। উপায লৈবক্তদুনা ফুমগাক লৈব্রা হাযদুনা কোইলৈ লৈদুনা যেংঙকপদা পংলাপ লাপ্তুনা ফুম মচেৎ অমা লৈবা উই। মদু উবদা ফুম অসিগী মকমদা থুপ্পবগে খন্দুনা অমম্ব নোংলক্তদা তপ্প তপ্প হোঞ্জল্লক্তুনা মনাক যৌশলকপদদি ফক্লাং খাদবা খাংপোকশং অমা লৈব উবে। কাযবেনবনা খল্লী, ফনদুম নাতৈ চাবে শং অসিগী মনুংদা হি অসি হেক্তা হোঞ্জল্লগে খন্দুনা হি অদু মনুংদা হোঞ্জল্লক্লে। মানা হি হোঞ্জললিবা অদুদি খাংপোকশংদি নত্তে। পুম্লেন কোযব চাওখ্রবা লাইবেল অমোম অমগী মযাদনি। লাইবেল অদুনা কাযবেনবগী হি অদুনা মাযাদা হেক চংখিবগা তপ্প তপ্প মায়া অদু উমশিল্লগা খজিক খজিক মশাদু তেনশিনলম্বদগী শাংতোবকই। মানা মায়া উমশিনলকপদুদা খংহৌদনা পুম্মম মমখিবনা মশা মতোমত ফাওবা উবা ফংখিদ্রে। খাংপোকশং অদুসু সুম সুম নেমথবকপগুম তৌই। কাযবেনবদু

কবিনো ঙসিগী মতৌসিবো হায়না খল্লিঙেদা লেংবগুমসু তৌবকই। তুবী মাদি কাযবেনবা যোৎলুবদগী লৈব য়াবক্রদুনা শবিক চিংমাই তম্না কাখৎলক্লুনা উ অচৌব অমদা কাদুনা হিগ্ লোইননা কাযবেনববু চপখাইগদবগী যেৎপ হৌবকই। লাইবেলদুনা উদ কাখৎলকপদুদ থোপ শঙ্গাযনচিংব খুৎলাইশিং অদু লোইন ওন্থবক্লে। মবিল লৈব অকিব লৈতব লৌশিং শিংব খন্থবগী শক্তি লৈব কাযবেনবদু তুম্মুবদগী মীকপ থোকলকপগুম জ্ঞান লাক্লে, অচ্চা লাকচৈদ ঐদি লাইবেলনা যোৎলেদনা। পাইবক্কী লৌশিং লৈব নিপানি, শঙ্গায় অথৌব মচিন তুম্ব অদুনা মযানা মখা থংদুনা থুনা যাংনা লাইবেল অদুগী মবুকতা উগ পান্নন যুংদুনা থমখ্রে। মতম অদুদ তুবী মাদি অপনব লৈতনা উ অদুদ কাখৎলকপনা লাইবেলগী মৈতোল ফাওব তংখায তানা খাইদোকখী। মথৱায থাবব লাইবেল অমোম অদু উদগী নাম্থদুনা উখোঙ অদুদ থ্রোক থ্রাক তাখী।

অমম্ব অহিং অদুদা লাইবেলগী মবুক্তগী মপান্দা থোবক্লগা খংব্রদো শবিসো কাযবেনববু হাৎকে শিংনব যাইবী নথৱায মাংঙেদো। ৱাহৈ অসি হাযবগা ঙাইহাক্তং লেপ্পুনা ৱাখল তৌবকপদ ঙসাই লাইবেলগী মবুক মনুংদা লৈবিঙেদা মবেং মবেং লেংবগুম্ব অমা তৌবদু লাইবেল মচা ওইব তাই অদুবু অমম্বসিনা উবদি ফংদ্রে। হযেং ইনুং ঙাল্লগা কুম্নী ইতাও মীকোল কৌকবগা অমত্ত খাক্তনা লোযশল্লগে। ৱাখল অসি তৌদুনা ঙা হাপ্লীব থোপ অমদি খুৎলাইশিংদু পুবগা খোংনা মোংব যৌনা হলক্লে। পাংগে খনবদা পন্দব উযিল কনব নিপা থোকপা মথৌনা লৈব শিব কিদব কাযবেনবনি। পোৎশিং অদু মচা যাংখুলৈমদা শিন্নবম্লগা অমুক পম্থব তৌদনা অহিং অথেংবদুদা মতাও কুম্নী মীকোলগী মযুম তান্না লাক্লুনা মতাওবু হৌদোক্লবে। মীকোলদু অহিং অথেংবদুদা পাথৌ মতাওগী মখোল তাবদা তফিং তফিং হৌগৎলগা থোং হাংদোক্লগা ফিংলপ তৌনা হংলকই। "পাথৌ! তাংলৌ অথেংবসিদা নপাথৌ ঐগীদা লাকপবু কবিনুংগী লাকপনো"? কাযবেনবনা থোকখিব থৌদোকপুম্ব মতাওদ লোইন

লীবে, অদুগা হায়বকই- "পাথৌ ঈতাও! হয়েং ইনুং নোংঙানবগা ঐখোয় অনি শবিক তান্না চৎলগা তুবী মাগী মবুক মনুংদা লৈহৌবিব মচাশিং অদু তুম্ন হাৎহৌসি অদু নত্রবদি পুন্নেন পাৎ অসি তাইবং অমত্ত ঙাথি চাকথিব ঙম্নববোই"। কায়বেনবগী ৱাবীদু তাবদ "ফবে ঈতাও হয়েং ইনুং নোংঙানবগা মহে মহে শবিক চিঙ্গোল যৌনবসি"। অসুম্ন ৱাবেপ্নবগা কাযবেনবা মযুমদা হলক্লগা অহিং মমৈদুদা ঙাইহাক পোথাবে। ইনুং নোং ঙানবগা মখুৎতা মতিক চাব খুৎলাই পাইনদুন মহে মহে শবিক তান্না লাকপনা লাইবেলদুগী মনাক যৌনবক্লে। লাইবেল অদু উবদা মীকোলনা হাযবকই- "পাথৌ! লাইবেল অসিদি ওস্থোক্লমকসু চাওইদা "। কমদৌসিগে হাযন মবানি খন্নবদা কাযবেনবন হায "ঈতাও! তুবী অসি মকুম মথা শুব মাল্লি, মাগী পিবুক্লুংদা লৈবিব মচাশিং অসি ওস্থোক্লে যাম্না লৈবগুম তৌই"। মীকোলনা হায- "পাথৌ! হাযগুমদনা লাইবেল মচাশিং অসি যাম্ব তাই কমদৌসিগে"? কাযবেনবনা হায, "ঈতাও! সুমদৌসি ঐনা লাইবেলগী মবুক মনুংদা চংলগা অমমমদা তাম্থোবক্লে ঈতাওনা খুত্ত থাং পাযবগা লফুৎ থাদুনা ককপিযু অমত্ত নাম্থোকহনবিগনু তুম্ন হাৎসি"। অথৌবা অনিনা অসুম তৌন খন্নবগা মীকোলনা মখুত্তা অথৌবা থাং পাইবগা থাং হাইগৎতুনা ঙাইদুনা লৈখ্রে। ঈথায কাযবেনবনা লাইবেলগী মবুক মনুংদা চংদুনা লাইবেল মচাশিং অদু অমমমদ খাযদুনা তানথোবকই। মপান্দা মীকোলনা লফুৎ থাবগা তুবী মচাশিং অদু অমমমদা কক্লনা হাৎলী। অসুম হাৎলকপদ য়ামনখিবনা কুম্বী মীকোল অথৌবদু মখুৎ চোকথবক্লে। মপান্দগী হংঙকই- "পাথৌ! কযা যাম্না লৈবিবগে"? কাযবেনবনা "ঈতাও অমখক্তং ঙাইবে চেকশিনবিযু হাযনা খুম্বদুদা" লোইবে লৈত্রে হাযবগুম তাযোন্নদুনা লকক তৌকবদা তুবী মচা অমদি ককপা নংহৌদদুনা পুন্নেনদা চেম্থখ্রে। মীকোলনা লাকচৈ হাযনা তান্নবদ ফংহৌদ্রে, মানা অমুক পুন্নেন পাৎত চাদা নৌদাদুনা লৈখী। অদুদগী অথৌব

অনিনা তুবী মাগী মথৌ মওম হৌনবী পুম্ব লোইবন্নগা মাগী মাগী মোংবনুংদা হন্নখী। ব্রাবী মতাং অসিবু মাইচৌশিংনা লাইবেল থেংনবগী লাইহৎলোল ওইনা লৌখৎতুনা অসুম্ন শোন্নে- লন্নেন পুন্নেন তাবা লাইদি ঈথায কায়বেনবগী মখুৎশু থাংনা চৈবী তেমথীংখী মেদোং মেদাংখিদেয়ে, হাযনা লাইহৎলোল ওইনা শোন্নে।

মতম অদুদা লাইবেল অমোমদুগী মপুবোইবা লাইবেল লাবা অচৌব অমসু পুন্নেন পাৎ অসিদা লৈ, মাগী লোইনবিবু কাযবেনবনা হাৎখিবা অদুদা শাওদুনা অমুক্তং অচেংবা তাঞ্জা ফংলবদি লমন খুমগে কায়বেনববু হাৎকে হায়না শিংদুনা লৈ। অদুবু ঈথায় কাযবেনবগী মতিক ময়ায় চাওবনা হেঞ্জনব ঙমদদুন অসুম লৈবকপদগী নোংমদি তাঞ্জা অমা ফংঙে। মদুদি নোংম নুমীৎতি ঈথায কাযবেনবনা খুৎলাই অমত্ত যাওদনা তুবেল অচৌবদ হি হোন্দুনা লাকই। মদুদা হান্নদগী লালুমদুনা অচেংবা ঙাইদুন লৈবিবা লাইবেল লাবা অচৌবদুনা কাযবেনবগী মথব্রায লৌদুনা লোইনবিগী লমন শিংঙগে খন্দুনা তুবেল অচৌবদা ফৈন থত্তুনা লৈখ্রে। লাইবেল অদু কযামুক চাওবগে হাযবদা মমৈনা নোংচুপকী লৈবাইদা থন্নগা মকোক্লা নোংপোক্কী লৈবাইদা থন্নগা মশানা তুবেল অচৌবগী ঈচেন্দা তাওখৎলগা কায়বেনবগী লম্বী থত্তুনা লৈবে। কায়বেনবনা ঈথক ঈপোম হৌবিবসি কবিগীনো হাযনা থাপতক্লা মীৎযেং শাঙ্কেবকপদা চাওববা লাইবেল অমনা তুবেল অচৌবদা ফৈগাক ফৈন থৎপদু উবে। কাযবেনবন খল্লী, সিদি লাইবেলনিনা ঐদি খুৎলাইসু অমত্ত যাওবক্তে কমদৌনি। অকিব তুজুংব লৈতব নিপানি যাববদি লাইহৎলোলনা তানগে খন্দুনা লাইহৎলোল শোলকই- হা হায় তুবী লাইবেল নংগা তাইবং ঐগা মাইওক্লফদে, তুবী নহনফমদা হল্লো লাইবেল নতেফমদ তেবো হাযনা হন্ন হন্ন শোন্দুনা তানবদা মাগী লোযনবীবু হাৎখিবগী মালোক্লা চৎথোকউ যাদ্রে সুকলেং লেংদনা লৈবে। লাইবেল মানা খল্লিবদি মাগী হি অসিনা খজিক্তং নকশলকপদা মমৈনা হাইগৎতুনা হিগ

লোয়ননা ফুদুনা হাংলগে খল্লী। তুবী মাগী ৱাখল অদু খংদুনা মমীৎ অনি ঙাংদুনা থাম্বী মৈ হৌগুম শাওই। কায়দোয় মাপন্না চনবা মতিক লৈবা নৌ অদু পাইবগা অকিব লৈতনা লাইবেলগী মনাক নক্লা হি হোঞ্জল্লগা লাইহৎলোল শোন্দুনা লাওবকই ঙসিদি শবিশো কায়বেনব ঈতিক খংহনগে তুবী নথৱায লৌবগে হায়না লাওবল্লগা মতিক ময়ায় লৈববা নৌবেল অদুনা লাইবেলগী লুশমদা য়াল্লবে।

তুবী মাদি কায়বেনবগী লাইহৎলোলনা কবিমত্ত লেংব ঙমখিদে অসুম তৌনা পুম্লেনগী লাইবেল লাবা অচৌব অদুবুসু নৌবেলনা যাল্লগা হাংখী। মবমদম লম্লেন ঈথায়দা হিক্র হাইন মথৌনা মবিংজেল লৈনা নুংঙাই যাযফন অৱাৎ অপা লৈতনা পাল্লি। অসুম্না ঈথাযদা কায়বেনবনা নিংথৌ ওইনা পাল্লীঙৈ মতম অসিদা লুৱাংশংবমদ লুৱাং পুতাংব হায়ব মথৌনা লৈবব নুপা অমা পালম্মী মাগী লোয়নবিগী মমীংনা লুৱাংলেম্বী কৌই। লুৱাং পুতাংবগা ঈথায় কাযবেনবগা অনি অসি মকুপ শানদুনা য়াম্ল নুংশিননা তিন্নবকই। লুৱাং পুতাংবনা মচা নিপা অনি পোকই অহলনা যাংহনবা কৌই অতোনবনা যাংখুবা কৌই। অসুম্না নুংঙাইনা পালম্বদগী চিংউ মাগী নোংদম্না অসুম থোকউ তমখিবনা মচা অনি হুন্তোক্লম্লগা পুতাংবা যাম্না ঙন্না কোবৌ নোঙ্গাখ্রে। লুৱাংলেম্বী মমানা নৌনা লুখ্রা ওইহৌবনা মচা অনি চাওনবা হোৎনবদা ৱানা মতম ঙাইজবকই। অসুম্না ৱানা ৱানা মচা অনিবু য়োকচবকপনা পাখং মপুং ফাজবক্লে। মচা অনিনা নুংশিনবা মতৌ উবদা লুৱাংলেম্বী মমানা হবাওজে, নোংমতা মচিন মনাও থাদোক্লদে। মনাও যাংখুবা হাযবসিদি মীথোই মীহেল্লী, মুক্লাদা লমজেলদা, কাংজৈদা মপাঙ্গল কনবদা লৌশিংদা মমান্নবনা লাকচবা যাদে, অসুম্না মমা মচা অহুম পুকচেল খোইজেল তিন্ননা মতম খবা নুংঙাইনা পাল্লী।

মীওইবগী পুন্সিদি ঙাইহাক লৈতনা হোংদোক হোংজিল যাওল্লী, ঐনা নিংবনা অমনি লাইনা তম্বনা অমা তম্বনি, শত্রুংগী পো শিনবগুম তাইবং মপু মানা অৱা নুংঙাই নোংদম্বনি। তাইবং মপু মাগী থৌশিলবু তাইবং কনানা খংবা

ঙমগদগে নিংথৌবু ফমদাহল্লী মীনাইবু ফমগাহল্লী। নোংমা কোবৌ অমদা লুব্রাং য়াংহনবা মচা অহন্না লুব্রাংলেম্বী মমাদা হায ঈমা ! "ঙসি কোবৌ নোংদি পলেম নকাদা ব্রা অমত্তা হাযজগে, অপোকপী"। মচাগী মপাও তাবদা লুব্রাংলেম্বী মমানা পাওখুম্মী "ঈমাগী পাবী যাংহনবা ! পলেম নমা ঐঙোন্দা কবি ব্রাবু পাওহংনিংবা লৈবগে থুপচানবা লৈতনা হায়যু তাগে ঈমানা"। মমানা পাওহংজৌ হোযাবিবা তাবদা হবাও তযাম্না হাযজবকই পলেম অপোকপী ! ঈথায নিংথৌ কাযবেনবা হাযবদো ঐখোযবু পোকপিবম্বা পম্থৌগসু চান্নবা মকপ ওইবম্বনি, মাগী মচা নিংওল যাংখুলৈমা হাযবি অমা লৈবনি মশক মতৌ চংখোল্লী হাযনৈ, নমৌ নুপী ওইনবা হাযবিকচো হাযববু পলেম্না কবি খনবিবগে ? মপাবী যাংহনবগী ব্রাদু তাবদা লুব্রাংলেম্বী মমানা হায পাবী! "নংনা ঈমাদা হাযবিবা ব্রাদু নমা ঐদি নাম্ম হাংঙবী লুখ্রাবিনিদো ঈথায নিংথৌ কাযবেনবদি নুংঙাই যাইফনা পাল্লিবা নিংথৌনি, তাইবং লোনচৎ হাযবসিদি অতোল অতাবু পিতৎ পাতৎপবু হস্থনা যেংবা হৌনশানি। নংবু পোকপা পম্থৌ নপা লৈবম্লবদি পাবী! নমা ঐনা হবাওনা হোযাগে হাযববু ঈমাদি লাইবক থিবী নাম্ম হাংবী লুখ্রানিনা কাযবেনবনা মচা নিংঙোল পিবকওই, চৎলুবগা ইকায ফিকুক খুমদুনা তোক্কনি। পিদোন পাদোনবশিংগা ইনাক কৈবাক খুনবশিংনা কৈদৌনুংদা ঙাই শেল ওইনিংবা হৌনদে, চৎলুবগা ইকাই ইকাই হনক্কনি"। পলেম মমাগী মপাও তাবদা মপাবী যাংহনবনা ব্রাহোমজবকই। "পলেমও অপোকপী ! অদু ব্রাগীদমক কবি নোংগী চিংন পবৈনবিবনো ? অমুক্তদি খোঙদোযবিযু পিবক্তবসু কাযদে। পম্থৌ অপোকপনা তাইবংদা অকনবা ঈচিল ঈনাও নপাবি অনি থম্বীবম্মী, নপাবি অনি লৈবিঙৈদা কনানা ঈমাবু লাকচ খুদুম চনবা ঙমগদগে ? অদুগী মনুংদা ঈনাও যাংখুবদি অমুক হেন্না কনবা থৌবদা লৈপাক্লা শক খংনবিবা ঈনাওনি। ঈনাও যাংখুবগী মগুণ তাবদা ঈথায় নিংথৌনা মচা নিংঙোল শোযদনা পিবক্কনি, খোঙদোযবিযু"।

লুৱাংলেশ্বীনা মৌ হায়বা চৎপা

মমা হাযবসিদি মচাগীদমক ইকায অকি লাম্থোকই থৱায় ফাওবা থাদোকপা পাম্মুদেদ, য়াংহনবা মচাগী চক্রিনা ঙম্মোয় হাযনা লৈথোকপা ঙমদ্রে। মচাগী অপাম্বদু উবদা লাইবক য়েংউবগে খন্দুনা ফবে ফবে ঈমা চৎলগে হায়না মচাগী ৱাদু হোয়াবে। য়াইফবা নুমীৎ অমা য়েংদুননা লুৱাংলৈমা মমাদু লপ্লেন ঈথায় য়ৌনা খোংশাল্লকই। কায়বেনবা মাগী খবাই থোঙ্গাল য়ৌবকপদা ইকাই ইকাই থোঙ্গাল লালশিল্লকপদা চংশি কদায় চংঙমদা, হলশি হনঙমদা তাংজ মবাই লুকক্লা খোংবিনা মালেমলৈদা তক্লুন চপ লেপ্পুনা লৈ। মতম অদু ঈথায় নিংথৌ কায়বেনবদি মাগী মঙ্গোল খেঞ্জোংলাং ফমেল কাদা চবাইথক্তা ফমদেঙদুনা লৈ। তাংজ মবাই কাংদুনা মীযেং শাঙ্খেবকপদা মচল লুৱাংলেশ্বীনা ইকাইনা লেপ্লম্বদু উবে। লুৱাংলেশ্বী মচলবু উবদা, মতম কুইনা নোঙ্গাখ্রবা নুংশিবা মকুপ মপাথৌ লুৱাংপুতাংববু নিংশিংঙক্লুনা যাম্না নুংশিনা তবাম তবাম্না ইবুংগী ইবেম্মা লুৱাংলেশ্বী ! লাও কবিনুংগী ঙকচাননা লেপ্পুনা লৈবিবনো, কোযগনু খেঞ্জোংলাংদা চংলকউ হাযনা তবাম তবাম কৌশল্লী। ঈথায নিংথৌনা তবাম তবাম্না কৌবিবকপদুদা লুৱাংলেশ্বীদু হৱাও তয়াম্না চংঙক্লুনা ফমফমলাং ফিদাথক্তা ফমদুনা অৱা পোৎথাববে। অসুম্না মচিন মৌপ্বা খেঞ্জোংলাংদা ফম্মীন্নববদা কাযবেনবনা লুৱাংলৈমা মচন্দা মযুমগী ওইবা অৱা নুংঙাগী ৱাবীবু ৱাহংই, "ঈবুংগী ঈবেম্মা লুৱাংলেশ্বী ! ঈচনবু কমদৌনা পাল্লিবগে ? পাথৌ ঈতাওনা তাইবংদা নৌৱা ওইনা হুন্দোকলম্বা ঈপাবি মচিল মনাও অনিবু কমদৌনা নায়োক নাওকোন্দুনা শাবেপ ফাবকপনো"? হায়না পাওহংদুনা তকশি শিদং শোন্দুনা কপ্পী। পাম্মুইদকো পাথৌ ঈতাও নুংশিবা লুৱাং নংবু কাওঙমদেদা কলকইদা, হায়না শোন্দুনা কপ্পী।

অদুগী মতুংদা কায়বেনবনা লুৱাংলেশ্বী মচন্না লাকথোক্লুনা লাকপবু

ব্রাহংই, "ঈবেম্মা ! ঙসি ঈচন্না লমদম তাম্না লাকথোক্কনা নবুং ঐগীদা লাকপবু হাযনিংবা কবি লৈবগী খোংদোইবকপনো? চিংন পবৈ লৈতনা নবুং ঐঙোন্দা হাযযু"। কাযবেনবগী ব্রাদু তাবদা লুব্রাংলেশ্বীনা হায়জবকই ঈবুং ! নচল ঐনা ঈবুং নকাদা হাযজগে লাকচবা ব্রাফমসিবু কবি হায়নবু, ব্রাহৌসিগে খল্লুবদা হাযঙমদবে। ঈথায নিংথৌনা হায, "নবুং ঐবু কবিগী অদুক কোযবিবনো ? হাযনিংবা পুম্বা ননিং তম্না হাযযু থুপচাননু"। "ঈবুং নচল ওইবী ঐনা ঈবুংগী নকাদা লাকচবসিদি কনাগুশ্বী তবা চাকথুংদবী চবৈ ফিথুংদবীনা ইকাই ইকি থাদোক্তুনা নমু কনাগুশ্বগী যুমদা লামনা থৌবাংনা তবা চাক্লীবগুম অপাম মীহৌবনামমল ওইদুনা তবেৎ সেঙ্গা নিবগুম ঈবুং নকাদা হাযজগে নিজগে লাকচবনি"। ঈথায নিংথৌনা লুব্রাংলেশ্বী মচনগী যাম্না কিনা কোযনা হাযঙমদবা মতৌবু ঙাইঙমদদুনা হায লুব্রাংলেশ্বী! নংনা মতম কুইনা শাংন তিন্নবল্লবা নবুং ঐঙোন্দা হাযনিংবা ব্রাবু নাকোযনদুনা চবৈগুম থুমচানদুনা কবিগী হাযঙমদবলো ? হাযনিংবা হাযযু। লুব্রাংলেশ্বীনা হাযজৈ ঈবুংনা থৌজানবিববনিনা ঈবুং নকাদা হাযজবগে নচল ঐনা ঈবুং নকাদা খোঙদোযজবকপদি অতৈ মবমগী নচদে ঈবুং। ঈবুংগী তাংনা ন'ইতোম শাৎপী ঈমোম অমা লৈ হাযনা তাজৈ ঈমোম মাবু চবৈ ফিগাও শানা ঈবুং নকাদগী নিজগে হাযনা নচল ঐনা লাকচবনি। লুব্রাংলেশ্বীগী মপাও তাবদা কাযবেনবনা হংই, ঈচল লুব্রাংলেশ্বী নপাবি অনি শুই কবম্বা নপাবিগীনো ? অহনগীবা ? অতেনবা নচাগীবা ? লুব্রাংলেশ্বীনা খুম্মী ঈবুং ! পাবী অহন যাংহনবগীনি। অদু তাবদা কাযবেনবনা হায ঈবুংগী ঈবেম্মা লুব্রাংলেশ্বী নংনা হায়বা য়াদে হাযদুনা নবুং ঐবু ব্রাবৌ পুকলৌ নাইনু কিশী থমগনুকো। নবুং ঐগীদি ঈচা পিবাসু য়াওজদেদো নিংঙোলসু অনি শুদ্রেদো, ঈমোম মতোমদনিনা শজিক

থবাগুম য়েংজবিবা নবুংগী থৱায়নি খঞ্জবিবা ঈচা নিংঙোলনি। নং ৱাবৌনুকো। অদুগা নচা অতোনবা য়াংখুবগীনি হায়বগদি নমৌ ওইকবো নংগী নচা অতোনবদুদি ঐনা পাও তাবদা থাংতা হৈবদা মুক্লা কাংজৈদা লমজেন্দা মীথোয মীহেল্লী হায় মাগী ওইববদি ঙাই ওইনবসি, অহনগী ওইবগদি ৱাবৌনুকো ঈবেম্মা।

লুৱাংলেম্বী মযুমদা হলকপা

মৌ হায়কবদা পিবক্তবা হায়বসিদি ঈকাযনৈদো, লুৱাংলেম্বী মমাদু উপায লৈতে। ইকায ইকায ঈবুং নচল ঐসু অমুক চংচবগে, ইবেম্মা ! ৱাবৌনুকো, চংলো চংলো ঈবুং লৈহৌবে। কাযবেনবা লৈহৌবে, লুৱাংলেম্বীদি ইকায ফীরুক খুমদুনা তাংজ মকলুক্লা নুংঙাইতনা হলকপনা মোংবা মযুম যুমজংঙকই। মমা হলকপা উবদা যাংহনবা মচানা হবাওনা মমাগী মনা ক্লা চংঙক্লা ৱাহংই। পলেম অপোকপী ! ঈথায কাযবেনবনা মচা পিনি পিবোই কবি ৱা হাযবকপগে ? নচা ঐঙোন্দা পলেম নপাও লিবিযু। "পাবী যাংহনবা ! ঈমানা কবি হাযনা পাওদমসিগে ? ঈমানা হাযবদুনি, হাযনা হাযনা ঈমাদি ইকায ফিরুক খুম্লেদো"। যাংহনবনা হংই ঈমা ঈথায নিংথৌনা কবি অথি ৱা হাযবকপগে নচা ঐঙোন্দা শেংনা পাওদম্বীযু। ঈমাগী যাংহনবা ! ৱাফম অসি ঈমানা হাযনিংদবা ৱানি, মনুংদা অকাইবা যাম্না লৈ, অদুবু নংনা খংনিংই মহাযববনিনা হাযবগে, ৱাফম অসি তাবগা পাবী থম্মোযনুংদা নুংঙাইতবা মালোমদি থমগনু। "ঈমা কবি ৱা হাযবকপনো নচাদা ফীগৈ শেংনা তাকপিযু"। ঈমানা মচা নিংঙোলদু ঐগী ঈমৌ ওইজবগে পিযু হাযবদুদা কায়বেনবনা হংই কবম্বা নচাগীনো ? অহনগীবা অতোনবগীবা ? ঐনা হায মযাম্বা অহন যাংহনবগীনি, ঈমাগী ৱাদু তাবদা কাযবেনবনা হাযবকই ঈবুংগী ঈবেম্মা নং ৱাবৌগনু ঐগী ঈচা নিংঙোলসিদি অমত্ত পোকপিনি অনি শুজবা নত্তে নচা অহনগী ওইববদি পিববোই নং ৱাবৌগনু।

নচা অতোনবা যাংখুবগীনি হায়বগদি ঙাই ওইনসি মথৌনা মবিংজেল লৈ হায়ন তাই, ঈচা পিবা য়াওজদবনিনা ঈচা শকপা ইমাক ওইজগে। অসুম্না পাখুমমকপদুদ ঈমাগী উপাই লৈতবনা নমা ঐদি ইকাই ইকাই হলক্লবনি। ঈমাগী ঈবুংঙো। ঈচাসিদি খোইযুম মানা মাগী মচানিংঙোলদু নংগী ওইযু নোংদমদবননি, মদুগীদমক নবুক্ত নাইনু কীশি কিক্কগনু, মাবু হেনবা ঈচাগী তাল্লোই অমা তানফংগনি, নুংনাংগনু অঙকপনি। তাইবং মীওইবসে খোইযুম লাইগী নোংদমখোলনি হাযসিবা ? অপাম কলক মীহৌবগী অশাওবা মৈহৌনি হাযসিবা ? নত্রগ লুৱাংলেম্বী মমাগী পাওদমদগী হৌবা অশাও খাম্বী মৈনি হাযসিবা ? লুৱাং য়াংহনবগী থম্মোযনুংদা মশক উহন্দনা লোৎনা মৈ হৌখ্রে। ঙসি হৌবিব যাংহনবগী থম্মোযনুংগী খাম্বী মৈসিনা মশাদা হজ্জিদুনা সোইদনা চাক্লগনি।

অচ্চা লাকচৈদা - ঈথায নিংথৌ কাযবেনবা লুৱাং যাংহনবা ঐব ইকাযবা পিবা। খংর্ণনিদো শাবীশোন নংগী নমোম অতাংবিদো কোবৈ নোংমত ওইববসু তাল্লোইশিংদা চন্দুনা পাখং ঈতিক খংহনগেদো। অসুম্না শবি নাম্মুংদুনা লুৱাং যাংহনবগী থম্মোযনুংগী কলক মীহৌ খাম্বী মৈ অদু অহিং নুংথিল কাওবা লৈতনা চাক্লকপনা মপান ফাওনা মৈবী মৈৱাইবা হৌবক্লে চিংউ নোংদম কনবনা পোকচৈদগী পন্থৌ মপানা লাঙ্গোল্লক্লবা থৌৱাং মীবেল অমত্তগুম ঙাইহাক পুঙ্গোয তৎন থানদনা নুংশি চান্নগা লৈমিন্নবিব মবাল মবিক লৈজদবা ঈমা অমত্তগী গর্ভনুংগী ঈখায মনাও যাংখুবদা কলব মীহৌ খম্বী মৈবী মৈবাইখ্রে। মনাও যাংখুবদি মযাম্বগী কলক যেংথী মীংযেংদু কবিসু খংজদে।

যাংহনবনা খল্লী. ঐগী ঈনাও য়াংখুবসি লৈবিমখৈদি ঐহাক মাই পাকপা ঙম্মবোই, তাল্লোই তুহী ভম্বদা অপাম্বা নিংবা থুংগদবা লৈত্রে, হায়না ওন্ন তৈন খন্দুনা মনাওগী অকাইবা খোংথাং যেংদুনা তেমশিংনবা হৌখ্রে।

কায়েন মকম লোকপা চৎপা

থকশি খাশি খংনা চৎপা ময়াম্ববু পম্থৌ মপাগুম নিংজবা পাইমা লৌশিং চাওবা মীথোয়বা নোংমতা মযাম্বদা ৱাহৈ কাবন্নদবা মী মক লুৱাং য়াংখুবনি। মনাওগী মবাল মউবক্তুবদা নোংমা কোবৌ অমদি থাগৎ ৱাহৈনা মাং থা মনুং হু ফুম্বা মপান্দা লাংবল খোইহি তৈবা ৱানা হায়বকই ঈয়াম্বগী নুংশিবা যাংখু ! কবি ওইববনো যাম্নুং ননাওদা তাকপিনিংবা যাৱা তাকপিয়ু। "ঈশানৌ ঈবুংঙো ! নথৌনা নবিংজেল লৈবা ঈনাও অকনবগী ময়াম্বা ওইজবদগী নশাবী নযাম্বা এনা ইমান্নবা মমাংদা চাওথোকচবিবনিদো, ঈশানৌ নংদি নংনা তৌগে খনবদা ঙমদবা লৈতবনি। অদুগা ঈচিল ঈনাওগী মীংচৎ হেনগৎকদবা রা অমতং ঈযাম্বনা নঙোন্দা হায়গে"। মশাবী ময়াম্বগী ৱা তাবদা যাংখুবনা হায - ননাও ঐঙোন্দা চিংন পবৈ লৈতনা তাকপিযু কবি ৱানো যাম্নুং। "ঈশানৌ ! কাযেন মকম লোকউসি"। "যাম্নুং লমদম কদাযদা কায়েন মকম থুবিবগে"। "কংলাদা হৌবিবা উপাম্বী ৱাংথোইবদুদা কাযেন মহুম শাবি মকম কোকই হাযনৈ, হয়েংদি ইনুং নোংঙানবগা ঙাস্তানা চত্তুনা কাযেন মকম লোকউসি হাযববু ঈশানৌ কবি হাযবগে"? ময়াম্বগী ৱাদু তাবদা য়াংহনবগী থম্মোযনুংদা হু ফুম্বী খংদবনা লোকউসি যাম্নুং হাযনা হোয়াবে। অসুম্না কোবৌ নোংদুমা ইনুং নোংঙানবা ঙাইদুনা মচিন মনাও খোম্লেন তুমখুল তান্দুনা পোৎথাখি।

সিগী মতুং তাবদা ঈনুং ঙালক্লে, নুমীৎসনা খোমদোন্দী নোংপোক সনা চিংদোলপোক্তগী খীঙ খীঙ খোঙ্গাবক্লে। নোংঙালকপা উবদা য়াংহনবা যাংখুবা মোংবা মচিন মনাও অনিদো লম্লেন কংলা মপুংয়াই তম্লা য়াংনা খোঙদোয় হুলক্লে। কাযেন মকম কোকইবা তল্লা পামেল ৱাংথোইবা মখোঙদা থুংঙবে। মচিন মনাও অনিনা উজাও উতোন্দা হঙ্গংনা য়েংঙকপদা তল্লা উজাও ৱাংথোইবদুগী অচৌবা উশা কাবোঙদা কায়েন মহুম চাওনা শাবদু উবে। মদু উবদা য়াংহনবা ময়াম্বনা নিংবা থুংঙনি খন্দুনা মনাও য়াংখুব য়েংদুনা হবাও

মথোই কানা মনাওবু থাগৎতুনা লৌনম ৱানা হায়বকই। ঈশানৌ নুংশিবা কায়েন মকম শোইদনা কোক্লে। অদুবু ঈয়াম্বদি হৈশিংদেদো শামপাঙ্গল শোনবনা উসি কাবা ঙম্মোই, নংদি শোইদনা ঙমগনি। কাযেন মকম লোক্লগা শানৌগী মীংচৎ চাওসনু অদুনা অকনবা ঈনাওনা উ অসি কাবো। মযাম্বগী ৱা অদু তাবদা মনাও যাংখুবনা উজাও অদুবু মুন্না য়েংঙগা হায়। যাম্নুং ! উসি চাওদি চাওখ্রেদকো। ঈশানৌ ! কায়েন মকম লোক্তবা যাদে। ঙম্নবা হোৎনদুনা কাবো। ময়াম্বগী ৱাদু তাবদা লুৱাং যাংখুবনা ঙম্নবা হোৎনদুনা উশা অমদগী উশা অমদা লামদুনা মথং মথং কাবকপনা কাযেন মহুম শাবিবা কাবোঙ অদু যৌগদবা খজিক্তা ঙাইশলক্লে। মীনা নিংবনা অমা নোংদম্বনা শিনবনা অমনি। কংলাদা মকম কোকইবা কাযেন লাবা অমোম অনি অসিদি উচেক্লী হাযবদনি অচম্বা কায়েন নত্তে তাইবং মীবোল থোকপা উচেক্লী। লুৱাং পুতাংবা মপাবুসু শক খংই, মচিন মনাও অনিবুসু মুন্না খংই। মনাও নুপা য়াংখুবা মবাল লৈতে, ফত্রিবা লাল্লিবদি মনাওবু হাৎনবা শিল্লিবা মযাম্বা যাংহনবনি হায়বা খংদুনা যাংখুববু কনবিগে খন্দুনা নুংশিবিদুনা মকম কোলম্বদগী পাইথবক্লগা তাইবং মীবোলনা হাযবকই।

হা - হাই লুৱাং যাংখুবা ! নং উথক্তগী থুনা কুমথখ্রো। নংনা ঐখোয়গী ঈকম লোকপা ঙম্মোই। ঐখোযনা হাযবা য়াদদুনা অঙম তাল্লবদি ঐখোযনা নংবু চিকখাযগনি, উথক্তগী তাদুনা নং শোইদনা শিবা তাবে। নংদি নবাল লৈজদে হায়বা ঐখোযনা খংই। নংগী নযাম্বা লুৱাং যাংহনবনা নংবু শিনবা খুজিন থৌবাংনি খংজল্লু। খুবক্কী ঈ ওইবা নযাম্বনা নংবু মতম পুম্নমক্তা অচেংবা তাঞ্জা য়েংই। থম্মোযদা যেক্লবি হায়বসি কাওগনু মতম পুম্নমক্তা চেকশল্লু, নংগী থৱায কনবিববনি উথক্তগী কুমথখবো।

ময়ুমদা হলকপা

ইখং খংহৌদনা হায়বকপা কায়েনগী পাওতাক তাবদা লুৱাং য়াংখুবনা উথক্তা চপ লেপ্পগা খল্লী। চুম্মীনা কায়েন্না হায়বিবসি অচুম্বমক্তনি, অসুক চাওখ্রবা উ অসি কাবগা কায়েন মকম লোকউ হায়বসি ময়াম্বনা মনাও নুংশিবগী ৱাহৈ নত্তে, ঐবু শিনবা য়াম্মুংনা শিনবনি খংঙে। অসুম্না খল্লুবগা ৱাদি ফোংতোক্তনা উথক্তগী কুমথবকই। মদু উবদা নিংবা কাইববা যাংহনবনা হংই শানৌ ! কৈদৌবে উচেক মকম লোক্তনা কুমথবক্লবদি ? য়াম্মুং ! কায়েন মকোনসি ৱাংনা শাখিবনা ঐনা কাবা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈত্রে, য়ুমদা হল্লসি। মতৌ অসুম তৌনা মচিন মনাও মোংবা মবানয়াইদা হলক্লে। কায়েনগী মচিন্দগী ৱা তাবা নুমীৎ অদুদগী যাংখুবনা ময়াম্বগী মফমদা যেক্ল ৱাখল নাইনু কিশি কিদুনা মালোম থম্বা হৌখি। মপান্দদি শানৌ যাম্মুং মকৌনৈ। থম্মোয লকানুংদনা তাইবং কনাসু খংহন্দনা অমনা অমবু তেমশিংনদুনা মহৈ মহৈ অচেংবা তাঞ্জা যেংনবি।

কু চনবা

অসি মতুং মতম খবা লৈবগা নোংমা যাংখুবা মনাওনা ময়াম্বদা হায। যাম্মুং ! "ঙসিদি ননাও ৱা অমত্ত হায়জগে"। যাংহনবনা ঈশানৌ ! কবি ৱানো তানসি নশাবি ঐঙোন্দা হাযযু। "য়াম্মুং ! ঐখোযগী ঈমাসি অহল মতম ওইবক্লেদো, তাইবং পুক্সি হায়বসিদি হোবেল হযেং নোংদম খংদেদো তুংগী তুংলমচৎ পোলোয উবা নমু পোংওইবশিংনা তুংগীদমক মাংদা থৌবাং তৌনৈ। অদুনা পলেম ঈমা অপোকপিগীদমক হযেংনোং তংঙাইদনা চংদবা য়াদ্রবা অবোইবা য়াহিপ তাফম কু অমতং চনশিন্দুনা থমহৌসি হাযববু যাম্মুংনা কবি খনবিবগে" ? অসুম্না মশানৌনা ৱায়া ৱাহোমলক্লবদা যাংহনবা ময়াম্বনা পাওখুম্মী "ঈশানৌ নংনা ঙসি ৱাহৌবকপসি অচুম্বা ৱানি"। নংনা নিংশিংঙকপা য়াম্না ফবে, অফবা থবক্তি হোবেল হয়েং তঙাইফদে, ঙসিমক থৌপাংলুবসি। অসুম্না মচিন মনাও লেপ্পদুনা লোইবী চীংদা য়াংনা খোঙদোয় হলকই। (ঙসিগী কু চনবা

খোঙচৎসি মযাম্বা য়াংহনবগীদি ইচম চম্বা খোঙচৎনি। মনাও য়াংখুবগী পান্দমদি কাযেন মকম লোকপা চৎপগী পাওখুম্নী। অসুম্না মচিন মনাও লোইবী চিংদা থুংঙবে, চিংমাইদা কাদুনা পামেল উবক্তা চংদুনা অচৌবা উ অমা খন্দুনা যাল্লগা মচিন মনাও চংদুনা কু অমা চল্লে। কু অদুগী মখুম চন্দুনা অচা চাদনচিংবা পাদম লৌবা পুন্নোই লোইববদা যাংখুবনা ময়াম্বদা হায়বকই। য়াম্বুং নুংশিবা ! ঐদি যাম্বুংগী ঈবেমখাক্কীদো, পলেম ঈমাগা চাওবা শাংবসু খেৎনৈ, যাম্বুংগা ঈমাগদি চাওবা শাংবসু চপ মান্নে। মবম অসিনা য়ানি যাবোই য়েংনবা য়াম্বুংনা কু মনুং অসিদা অমুক্তা হিপ্লিযু ননাওনা মপান্দগী অচা চাদ অমুক্তা যেংজগে। মনাওগী মপাও তাবদা খন্থকবা তৌদনা ইতিং তিংনা চুম্মী শানৌ ! ঈযাম্বনা পাদম যেংগে, হাযবগা কু মনুংদা চংদুনা লোংনা হিপথখবে।

ঈন্থবকপা মতাং

মতম অদুদা যাংখুবা মনাওনা খুৎলৈ যাংনা কুগী মখুম খুমজল্লগা হুই কোইনা থাজনখ্রে। মনাওগী মতৌ উবদা মযাম্বনা হাযবকই, "ঈশানৌ যাংখুব ! ঙসি নংনা তৌবিবসি কবি মতৌনো ? ঈবেমখাক্কী ঈশানৌ নংনা নযাম্বা ঐবু কবিনুংগী য়েক্লবনো হংই"। "যাংখুবনা হায যাম্বুং নহান নোং ননাওবু হাৎনবা থৌশিনবিখিবা অদুগী পাওখুম্বু ননাও ঐনা পিজববনি, কু অসিগা লোযননা লেংবিখ্রো। ননাও ঐদি পলেম ঈমা অপোকপিগী সেবা মতোল লোম্না ফংজহৌখিগে"। অসি ৱাবু হাযবগা কু অদু তুবেল অচৌবগী ঈবোন্নুংদা থাদবকই। লুৱাং য়াংহনবদু মনাওগী ৱা তাবদা উপায লৈতে ঐনা তৌবনা ঐনা ফংবা, মীনা তৌবনা মীনা ফংবা নহান নোং মমাংদা মানা হৌখিবা খাম্বী মৈ অদু ঙসি খাম্বী মৈহৌবক্কুনা মৈবি হৌনা মশাদা হন্না মৈবী মৈৱাইবক্লে। মতোমদা খঞ্জবকই, মবাল লৈতবা ঈনাওদা ঐনা যেক্লকবগী মহৈনি। "ঈশানৌ নংগী নিংবা থুংহৌবো ঈযাম্বগী তৌদ্রী অদুদদী হাপ্পীবকউ"। য়াংখুবনা তৌদ্রী অদু

হাপ্পীবে। অসুম্না যাংহনবদু কু মনুংদা য়াওদুনা তুবেল ঈচেল ঈবোইননা মখা পাংনা তাওথবকই। অহিং নোংশোযবা কু মনুংদা তৌদ্রী নুংশিনা খোংদুনা তাওবকপনা লম্লেন ঈথায চিংজিল মপা যৌবকপদা চিংউ মাগী নোংদম্না ঈথায় কাযবেনবগী হিদেন মপাদা ঈশিং ঈবৈনা পুশলক্লুনা কু অদু লৈবাই নক্লা ঙাশল্লবে। নোংদম্বা মাগী নোংদমদী শোইবা যাদে মতাগুম নোংঙালকপগী অমম অঙাল সিন্নবকপা মতমদা ঈথায নিংথৌ কাযবেনবগী মমোমলোই যাংখুলৈমা ঈবেম্মদু তাইবং কনা য়াহৌনদ্রিঙৈ অযুক্কী য়েন্দা অঙনবদা ঙাস্তানা হৌগৎতুনা ইমুংদগী মপাল থোবকপদা ইখং খংহৌদনা পূক্নীং হুনা নুংশিববা তৌদ্রী মখোল অমা তাই। কদোমদগী থম্মোয হুবা তৌদ্রী মখোলনো হায়না কোইলৈ লৈনা মীৎয়েং শাংকৈবকপদা কু অমা ঈহন্না লৈবাই মযাদা তাওশল্লক্লুনা লৈবা উবে। কু মনুংদগীনি নিংঙোল পূক্নীং হুনা থোকলকইবা তৌদ্রী মখোন্দো। য়াংখুলৈমনা ঙাইহাক পুঙ্গোয ঙকচাননা খল্লী, খোইযুম লাই ওইবমগদ্রা মুনু তাইবংবু ওইবিদ্রা মাগী তৌদ্রী মখোলনা নিংঙোল পূক্নীং হুখ্রে। ঙসি কোবৌ নোংদা শিবা হিংবা চিংউ মাগী নোংদম য়েংঙগে। অসি ব্রাখল খন্দুনা অকি অখঙ থাদোক্লুনা কু অদু লৈবাই মথক্তা ব্রানা চিংখৎলগা মখুম হাংদোক্লুনা য়েংউবদা লুব্রাং য়াংহনববু উবে। চিংউ নোংদম অঙকপনি, শাবি শানৌ অনিমক উনবা খুদক্তা মীৎকা মীৎকা মীৎচানা থম্মোয থম্মোয় শিন্নখবে। যাংখুলৈমনা নুংশিনা ব্রাহংলকই, "ঈবুং নংবু কবি লমদগীনো ? নচন্না ব্রাহংজববু উনবী পূক্নীং থুপচানদনা অশেংবা পাওখুম্বীযু। ঈকুংগী কোলোয মীংনা কবি কৌবনো ? কু মনুংদা হাপ্পগা তুবেল লাইজ ঈচেন্দা তাওথবকপনা লীংজেল খাবা মীনুংশি খংদবা মীফম্ত তম্বা কনাগী খুজিল থৌবাংনো ননাও ওইবী ঐঙোন্দা ব্রাগী ফীগে শেংন তম্বীযু"। অসুম্না য়াংখুলৈমা ঈবেম্মনা নুংশি নুংওন্না মশাবী কাদা ব্রাহংলক্লবদা থোকখিবা যৌদোক খুদিংমক লুব্রাং য়াংহনবনা মনেমচা কাদা লোইনা লীবে। ব্রাবী পুম্নমক লোইনা তাববা মতুংদা য়াংখুলৈমনা মশাবী কাদা হায়জবকই। ঈশাবী নংবু

নুংশিবা থংলেন নংগী তৌদ্রী মখোল তাবদা চেংলৌ শকখংনদ্রিবৈঙে কোলোয় মীংসু খংদ্রিবৈঙে পাখং নপাওখোল তাদ্রিবৈঙেদগী ননাও ওইবী ঐগী থৱায় হকচাং পুম্বা হন্দক মপোকশিমগী নুংশি নকাদা কৎথোকচখ্রবনি। লৈপাক ৱানা লাইজ ঈপাক ওইববসু পল্লৌ লীংজেল খাবনা পল ওইনা থিংঙবসু পল্লানমিন্নসি, ঈবালমিন্নসি ঈশাবী নংনা ননাও খুজেং থাদোকপিনু । পলেম পল্লৌ হৌদ্রিবৈঙে তাইবং কনাসু তাদ্রি খংদ্রিবৈঙেদা নিংঙোল কাদা চংঙসি, "ঈশাবী নহাকপু ননাওনা চৈবে থুপচানবগা লুবাক তাবুনুংদা হাপ্লগুম নিংঙোলকাদা থমজগে, তাইবং কনাবুসু খংহঞ্জবোই"। অসুম্না হাযবকপা মশানৌ মনেমচা যাংখুলৈমগী খোইবেল খোইহিংগুম থুল্লবা নুংশি মপাও তাবদা থম্মোয মহি চেন্দুনা পাখং মীংস্না থম্বাল লকাদা তবং লাইজ ঈহৌনা কপখী।

মশানৌ যাংখুলৈমগী তনৌববী খুজেং চেৎনা পালোযনবগা কপ্লা কপ্লা পাওখুম্মকই। হন্তক মপোক লাংওনগী লোইখ্রবা পাখং ঐগী পুন্সিবু থৱায মীবেল হাপ্তুনা শানৌ যাংখুলৈমা নংনা ঐবু কনবিববনি। মপোকসিমগী ঈশানৌ নংগী নুংশি লমন তোল্লবনি। হন্তক মপোক লাংঙোন্দী পাখং থৱায হকচাং পুন্না নুজা নকাদা পিববনি, নিংঙোল ননিং তমজবো, থম্মীংবা মফমদা থমজবো। অসুম্না শাবী শানৌ অনিমক চেক্লোগুম চিন্দিন্না পোম্বীগুম চিলোক্লন্দুনা ঙাইহাক পুঙ্গোয নুংশি ৱাবী শানবগা তাইবং কনা খংহন্দনা নিংঙোল কাদা পুশন্দুনা মশাবী যাংহনববু থুপ্না থমখী।

নোংদম্বা মাগী নোংদমদি শোইফদে মতাগুম শাবী শানৌ অনিনা পলেম পল্লৌ খংহন্দনা নিংঙোল মাগী কাদা হৈবাং লোঞ্জানা লৈবাং লোঞ্জিন্না লৈবকপনা নুমীৎ শীংবুম কযা হৌখিবনা লোইদাম কযা হাযবক্লে। নুংশিবনা ঙমদববু মফম কৈদা লৈবগে ? নুংশি মশুংলাংগীদমক থৱায় ফাওবা থাঙম্মী। যাংখুলৈমনা মশাবী লুৱাং যাংহনববু অযুক নুংথিলগী মতমদনা পল্লৌ মপাগী কৈবী কৈজাও মনুংদা পযানা কোইশল্লগা তাইবং কনাসু খংহন্দনা থম্মী। অহিংগী

মতম ওইবকপদা মতমগী খোংলৈ যেংদুনা মশাবী মাবু নিংঙোল মাগী কাদা লোৎনা থুপ্লা কনাসু খংহন্দনা নুংত্তী নুংবুম খুদীংগী নুংশি চিলোক্লে। অসুম তৌনা লৈবকপনা চহি কুমওন ওইবক্লে। থিংঙমদবা মতমগী খোংচৎ তুংইন্না নুজা যাংখুলৈমা নুংশি খুদোল তাওজীংমক তাবনা খোইজীথা মীহুল মীতমখ্রে।

মীগী মীপাও ব্রাশাবনা মথৌ নত্তনা মথৌ শাবগা নুংঙাইজবা তাইবং মীওইপোক্লি। পংনা পাল্লি হায়বদগী তাইবংপাল কৌবা তাইবংনি। মীগী মচিল মেলঙমদে, অনি ফক্সে চিবোল চিবোল নাপ্প চিক্লা ব্রাশানৈ, অহুম তিল্লে ব্রাবিনৈ। ঈথায় নিংথৌ কাথবেনবগী তাংনা শাৎপী মমোম যাংখুলৈমা ঈবেম্মসে তাওজিং মক হুনবা উই মপু কনাগী খুদোলনো মপুদি মশক খংদ্রি তুংগী পোল্লোই কবি থোক্লগদগে খংদ্রি। অসুম্না মীপুম খুদিংনা চিবোন চিবোন ঙাংনবকপনা ঈথায় নিংথৌগী নাকোঙ শীংজা য়েববে। মমোমগী ব্রাবীনা নোঙ্গাংদনা ব্রাশানবকপনা কাযবেনবদু ঈমুংদগী মপাল থোক্লীংদে পাথৌ মমান্নবশিংগী মমাংদা ইকায় ফিব্বক খুম্বনা অশাও খাম্বী মৈহৌবক্লে। অচচা লাকচৈদা কাযবেনবা ইতিক খংদবা মথৌনা মবিঙজেল লৈবা তম্বা কনাগী মচা লমকেৎ লমহেনবনো ? ঐবু কিদবা খংগনিদো, শবিশে', কাযবেনবা ইতিক খংহনগেদো। ঐগী থাংলেন খুৎশু থাংনা লমহেনবা তম্বা মাগী মঙক লুবেল কক্কে। অসুম্না ঈথায় নিংথৌনা অশাও খাম্বী মৈহৌনা শবী নামুংখী। অসুম্না কাযবেনবন অশাও পবৈনদুনা ফাবগা যাইবী মথবস্য লৌগনি হায়না শবী ব্রাশকখিবা তাবদা অকি তুঙ্গুংবগা লোইননা অব্রা মৈশা লাংবা হৌখ্রে। তাইবং মীওইবগী পুন্সি হায়বসিদি নুংঙাইবা মচেৎনি অব্রাবনা মপুন্নী। মপন পন্থৌকোন্দা ইংনা চিকনা লৈশাৎ তমজবী সনা কপাথক্তা যাওন যাতাজবী কোনগে মনিং তম শাংগে মনিং তমজবী নুজা লাইবক চাওবিদো থম্মোয়

খাম্বী মৈ চাকপা হৌবল্লে। মশাবী থংলেন থরায ওইবা লুরাং যাংহনবা নুংশিবা মশুংলাংগীম্মক চাবে চাফম খংদে তুম্মে তুম্মম খংওক্লে। লৈবাং থম্বাল নৈনাদ খাম্বী মৈবাইবগুম নুবা মাইথোঙ থা লাংশিনবদি থাজনা মাইহিং কাবগুম মাইথোঙ কাশি থই। শল্লাং চেইতাইননা অরাবা রাখলনা মপান্দ ফাওবক্লুনা শুব শদৌ হোলী। নুবা গীম্না থম্বাল নৈকাদা তব, লাইজ ঈহৌবনা খুদাং পিফম তৈদ্না লোৎনা লোৎনা কপচৈ।

মশানৌ মনেমচান মশাবী মাপী মশুংলাংগী মাইথোং খগুম লাংবা পিকেইনবা উবদা পাখং থম্মোয খাংওমদে। অদুব কবি উপায তৌগনি নিপামচা মশিল ফোংনা শবে পাস্লেম ওানবা যাবা মতাংসু নত্তে, মতমগী তাপ্পা ওইবা তাই। ঈশানৌ যাংখুলৈমা ! নংদি লুবাং ঐগী থৌরাম মীবেল ওইবিনি নংগী নদৌ উবদা পাখং নশাবী ঐগী থম্মোয লাইযুম কাইবেদো ঈশানৌ। নহাননোং মথক্ত নংগী ঐগী শক খংনা থম্মোয থম্মোয পিনইঙে কোবৌনোংদা নুংশি নবাদা শবী রাশকাখবদুনা নশাবী ঐগীদি অবেপ্পা পান্দম্মী। লোযখুবা ঐগী পুম্সিন্ নিংঙোল নংনা কনবনি স্বুক মপোক লাংওন্দী পাখং থরায হকচাংপুম্বা নংশি নবাদা লাম্লেকখবনি। পামনিংবা মযমদা থমজী পিনিংবা মযমদা পিযু নিংঙোল পোকপ পল্লৌনা ঐবু হাংকনি হাযনা থাং পাযদুনা শবী রাশকখ্র। ঈশানৌ নংগী ঐবী যাংখুলৈমা ! নোংদম্বা মাপী নোংদমখোল তাইবং মপুগী থৌশিলন তাইদা কনানসু থৈদোকপা ঙমদে। ঐনা শবী রাশকাি ঈথায নিংথৌ কাযবেনবগী মযোম নু শিখোইবী নংবু কোবৌ লোংমত ওইববসু পাখং ঐগী পুন্সি লৈপুল ওইজগে হাযনা। পাখং ঐগী রাশক্তি থরায ওইবী নংনা থুংহল্লে। পাবী মমোম ওইবনা গলেম পান্দৌগী বাশক থুকপদি পাবমচং পূবমচংনি মবম অসিনা ঈশানৌ ! নশাবী ঐবু নপল পন্থৌ মযাংদা লৈপাক খংনা ফোংনা পুথোক্লুনা পন্থৌ শমু খুত্তা থুংশিননৌ। অদুম তৌববদি পোইবৈ মৈত্রবাক শালেমদা মীংচং উবোং লৈহৌগনি। হন্দক্কী মতাংসি পাথৌ ইমান্নবা

শামান লেংমান্নবা শযেং পাম্বোম ঙানবা যাবা মতাং থোক্কেদো। ঈশানৌ পোকপা পঙ্খৌদি ঐগীসু ঈপানি ঈপাগী ব্রাশক ঙাকপদি মচা ওইবনা মথৌনি। তাইবংদা কুইনা শাংনা লৈবক্সু পুন্সিবনি হাযনদে, মতম শাংদ্রবসু মীচং উবোং খিলম্ববু মীওইনতুগী মীথোতই মীহেনবা পুন্সিদা কৌই ঈশানৌও। ঙসি বোবৌ নোংদা নশাবী ঐগী থম্মোযনুংগী অথ্খা যাবা অমতং ব্রাহেমগে, নুরা পূব্রা, খোইজংউ। নপাখৌ পঙ্খৌ মাগী মখুবক্তা খেইযুন মাগী নোংদম্না লাইবক থিবা নশাবী ঐগী পুন্সি লোমখিবা খোক্লবদি পাখং ঐনা হঙ্ঙবস্না হৈবাং মক অদুদাদ লম্মখাংদা মাংহনবিবক্কনু। তাইবং মালং যাওবক্লবা মতমদসু ঈমোম ওইলেংবে. পাবী ওইবে অদু মঙইবে, মপু মাগী নোংদম্বী। লুবাং ঈযেক শনাই ওইবা পাবী মত্রেগা ঈমোম অদুনা ওইবা, মালেমদা হৌ হৌ লাওনা মপুং মবা যানা পানবনু নোংদোলনক্তুগী নশাবী ঐনা মীৎযেং শা হৈখ্বেবকপদা অপেনবা ওইজগে। হৈবাং অদুদাদি হৈখোঙ তোইনা শোম লাইজ ত্রোইনা চটদুনা মহৌ মকা ফহল্লকউ। অসুন্না নুবাং যাংহনবা মশাবীনা নোংমদি শেযদনা গোক্লগনি খংনা নুংশি নুংওল ব্রাহৈনা মশানৌ থবায ওইবী যাংখুলেমা মকাযদা তুংগী যেংনা পুকনেল পাওম্মনকই। মশাবী মপাও তাবদা মীংবা মীৎচান কোক্কা বোক্কা চুশিনা নুবা পাখং অনিগী থম্মোযন অমত্তু ওই ঈঙা ঈঙেল থাগী নোংনা নোংখোঙ ফুইবগুম মীৎম্না তবং লাইজ ঈথৌনা কপম্মিন্নে। পলেম পঙ্খৌ পাবী মমোম ঈ ওইবা পুন্ন মক্তুগী মোমনু নুজা ওইবিনা মথংলেন মমান খাংবু শমু মহক্চাংগুম খল্লি। মিতোপ মীবাল ওইবা তম্বা কনাগী মযমদসু মীৎযেং লান্না শাঙ্খেদবী, নশাবী মহক্চাংগীদমক তবা চাকহেন্নবী লীচৎ পম্বাল লান্দী চেংলৌ শক্কোয নিংথিবী লীচৎ চুম্বী যাংখুলেমনা মপুবে ইববু সে, কমদৌন লাঙ্খোক্কনি। ঈশাবী ঈবুংঙো নুংশিবা ননাও লাইবক থিরীদা পাম্মুবা নংনা পাওমেনবিবনু কমলৌনবু হোযাসিনে। পলেম ঙমগে শাবিবী পঙ্খৌ ঙমগে ব্রাশকখা ঈবানমিন্নাসি পল্লানমিন্নম্পি ব্রাশক পবৈনবগা নজা পাঙ্গল শোনবনু ইদোন

থাদোক্লম্লগা পোইবৈ কৈদা পাখং খোঙদোয় হুনগে খনবনো ? অৱা নুংঙাই খুদীংদা ঈশাবী হৈনা নতুং ইঞ্জগে লাইবক থিবী ননাওবু খুজেং পাল্লোইনা পুবিয়ু। ঐদি শাগৈ হোংলবী লুৱাং শলাই যেক শাগৈ ওইববিনি।

ঈশানৌ ' নুংশি নোংদম্বী - নশাবী ৱাশক্তি থৱায মীবেন মানা তাইবং চকচাং থাদ্রিমখৈ লেংঙবোট, লোইবী চিংগুম লেপকনি, পাখং থৱায থাখিসনু থৱায ওইবী নংবুদি নশাবী ঐনা থাদোক্লোই। অসুম্না শাবী শানৌ অনিমক নুংশি পবৈ চেৎপা হেনখ্রে। নশাবী মথংলেনরু কৈদা শোইখিদগে হাযনা চেৎনা শেন্নবি। পন্থৌ মপা লীংজেল খাবা কাযবেনলনসু মচা নিংঙোলগী খোংথাংবু কুপ্পা যেংদুনা তম্না মাবু ফাগে খল্লী। যাংখুলৈমা ঈবেম্মনা নোংমনা নিংঙোল মাগী কাদা তবা চযোম পুবক্লনা পিজ পিথকই, নোংমা অমনা মপা নিংথৌগী কৈ মনংদা মীকুপ নাহম যেংনা পিজ পিথবই। অযুক নুংথিল অনিদি অহিং নোং ওান্দ্রিডে হৌগৎতুনা ঈথায খুনগী ৱাৎমা লান্না নোংলেনবা নুমীৎসু মবে. নিংঙোল কাদা খবা লেল, কৈ মনুংদা অযুক নুংথিল নোংলেনবা নুমীৎসু মযাওই, অসুম্না লৈবকপনা চহি কুম ওন হৌখ্রে।

চিংউ মাগী থৌশিল অত্তবপনি। নোংমা কোবৌদি যাংখুলৈমা ঈবেম্মনা লুখাক চগুম হৈদোকপা শাদুনা তবা চযোম পুখোক্লনা কৈ মনুংদা পিজ পিথক লোইবগা কৈগী কাচিন্দা পযা মপুল লৈবিবশিং অদুনা ইকোই কোইশিল্লগা, ঈশাবী, মসিদা ওাইহাক পুঙ্গেয পোথাবিযু গনম্লগা কৈনুংদগী মপান্দা থোবকই। চিংউ মাগী নোংদম কর্নাবনা নুমীৎ অদুদি মশাবী যাংহনবগী পুন্সি চেংজেল লোইযু নোংদমখিবোইদো। যাংখুলৈমা মচানা কৈনুংদগী থোকখিবা হাইফেং উহৌবে। মদু উবদা চিংনদুনা কৈ মনুংদা চংদুনা কনা কনা লৈবগে হাযনা কোযেং যেংবদা কনাসু লৈবা উদে।। মী অমত্তা লৈবমদবদুদা অশাও থাম্বী মৈ হৌখিদুনা তাইনফম লৈতদুনা মতিক মযাই কল্লবা মখুত্তা পাইবিবা থাংলেন খুৎশু থাং অদুনা কৈ কাচিন্দা পৈবিবা পৈযা অদুদা তাইনদুনা শবিশো ঐনা চিংনবা মীশক

অদু কবিগুম্বা লৈবম্বা থোক্লবদি অসুম তৌনা কায়বেনবা ঐনা মঙক থবং কক্কদবনি হায়বগা হাইগৎতুনা পয়াদা ককথবকপদা পয়াগা কোননা লুব্রাং য়াংহনবগী মঙক য়াওনা ককখ্রে।

ঈথায নিংথৌনা অশাও থাম্বী মৈ হৌনা লাওবকই। কাযবেনবা ঐগী শবী ব্রাশক পন্দোম লোম্মে। য়েক্রবা মঙক কক্লে ঐগী নিংবা থুংঙে হাযনা লাওই। পন্থৌ মপাগী অখাক অবাও খোঞ্জেল তাবদা ঈপায চাওবী যাবৌ শজী অমোমনা শাদানবগী লাললাও তাবদা ইপায থবায খোংনা লাওনা মাইগৈ খংদনা চেনবগুম ঈশাবী ! ননাও লাইবক থিবিদী হন্তক মপোক্কী মাংজবে হাযনা ঈনুং কাদগী কপ্পা কপ্পা য়াংনা খোঙদোম্ব হুলকপনা কৈ মনুং চংঙকপদা ঈঙাং পাকতক্র ঈমু পাম্ফেন্ন মশাবীগী শমু হকচাংগা কোক্কা তোংঙান্নবম্বা উবদা মালেম লৈমাইথক্তা তুখবে। ফুক হৌগৎলি, অঙাওবিগুম চেনশিনলকই মশাবী মখোং থম্বাল চেৎনা কোল্লগা থবো কাংদুম ওনবগুম ওন্ন থোইনা তেংথা না ওইনা কপ্পী। মশাবী মশুংলাংগী ইকায অকি ব্রাংমা লাপ্পী। নোংদম্বা নংগী নোংদম হাকমল্লী। মনিং মমাং ককলবা যাঙ্গোয তিম্মোক্কা চোংগুম চোংই, মাংদা চৎসি চৎঙমদেদো তুংদা হনসি হনঙমদেদো। ঈশাবিও নুংশিবা ! থংলেন মবাল নত্তেদা নুজা ব্রাখল থেনবী ননাও ঐগী ইবান্নী। পামমু হৈনা তুংঈনশি কদাইনো, ইনঙমদে, মীনোক মীশা খাঙদুনা তাইবং মালং ঈপাক্তা নোংলেল্লু হাযনা খোইযুম নোংদম্বা নংনা নোংদম্বীবমবোযদো, হাযনা নিংঙোল থম্মোয লাইযুম কাইনা তেংথা নাওই কপখী।

ঈথায কাযবেনবা নিংথৌদো লৈকায ঈথিল খোলনা পাথৌ মাগী নাকোঙ শিংজা যৈবদগী অশাও থাম্বী মৈ হৌবকপবু খন্থহৌদনুংনা থোকপা থোকহৈদবা থৌদোক্লী। অচ্চা ঐদি খন্থহৌদেদা শবিশো। যাংখুলৈমা মমোমনা মশাবী কাইন মৈনা চাকপা তেংথা নাওইখোল তাবদা মদোম থাম্বী মৈ চাকলকই। হুইঙক যেংঙক্রদুনা যুম্বী যুংগুম চপ লেপ্পুনা থাঙলেন মখুৎশু মালেম লৈদা

খংহৌদনা তাখি। মমোম লাংলেন মচাবু যেংঙগা খামজনবা ৱাহৈনা হাযবকই। ঈপাগী ঈমোম ! নপাথৌ পম্বৌ ঐবু ৱাবৌ পুক্রৌ তৌগনু পুন্নমক অসি টিংউ মাগী লেংদম্না থোকখ্রবনি। লাংলেন নহান নোং মমাংদা নশাবী মাগী মপা ওবু কবিগী নপা ঐঙোন্দা ৱাহোমদবনো ? ঐনা শবী ৱাশক্রিঙৈ মমাংদা লাংলেন নংন, বাগী মকা ফোংঙন্নবদি থোকহৈদবা থৌদোক অসি থোকওইদা। ঙসি থোকইবা থৌদোক অসিসু পাবী মাবু চেংলৌ মশক উনা যাইবী লৌখিনা নত্তে। ঐগী অশাও থাম্বী মৈনা হেনখিবনা লাংলেন খুৎশু থাংনা তাইনফম খংদনা পযা পযোম চবুন হকউবদা নশাবী পাবী মাগী মঙক যাওখিবনি। পুন্নমক অসি চিংউ মাগী থৌশিলমক্তনি, ঈপাগী লাংলেন অথোইবী ! পম্বৌ নপা ঐঙোন্দা নাইনু কিশী কিগনু বাবৌ পুক্রৌবগনু হাযনা মমোম যাংখুলৈমবু থেমজল্লী।

"ঈপাগী ঈমোম লাংলেন ! ঙসি থোকইবা থৌদোক অসিদি নপা ঐনা খক্তকবদা নংনগা থম্মোয নুঙ্গনা থুপচানবনে, মীরা মীপাও শাবনা মথৌ থৌশাব। মীথিঙ্গাঘশিংগী যাৱা খোম্মোক্তা তুংগী পোলোয খলহৌদবা নপা ঐগী অশাও থাম্বী মৈম্বৌনা পাবী মাগী পুন্সি পিখন্নখিবনি। ঈপাগী লাংলেন হৌখ্রবা ৱাগীদমক অবা হুইশৌ লাংলগনু ঈমোম নত্তৌ উবদা থম্মোয লাইযুম বাইবে, পুন্নমব অসি খোইযুম লাইগী নোংদমখোলমক্তনি," হাযনা কাযবেনবনা হন্না হন্না মচাবু থেমজনখি।

নিংজবা অমগী মখাদা তাইবং খুদিংমক্লা হিংনবি, অনিংবা ৱাখল লৈত্রবা মীগীদি অবোইবা পনথৈ ওইববনি। নিংঙোল যাংখুলৈমা মানা নিংজবন্থ পুম্বা পন্দোমখ্রে, কনাদা পাযৈ থম্মগা হিংইবনো" মীন লাইব খংদ্রিব পিবুবনংগী মশাবী যাংহনবনা তাংনা খুদোল তম্বীবম্বা নৱা মানা তাইবং ফাওবকপব ঙাইদুনা বানা নোংলেঙবী। তাইবং মীরা মীশাল ক্লা মৈশা লাংলবী নিংঙোল মাগী খুইবী খুইবীববা পুন্সিগী হিংফমদি পিবুক্লুংগী নৱাদুনি। মচাগী মাইথোঙ উম্দগা অনৌবা যেন্নী, লাক্তুনা পুন্সিগী মহৈ যানগনি নিংজবদুনি।

মতম মাগী খোংথাংদি লেপ্লা লৈতনা যাংনা চেল্লিবনি, অদুবু মাবু খৌবাংনা ঙাইজবিবা মাগী নাক্তদি থুংঙবা লৈতবনা ঙাইঙমদে। যাংখুলৈমা ঈবেম্মসু ঙাইঙমদনা ঙাইবি, নোংমদি সোইদনা থুংঙগনি হায়বা অনিংবগী মকমদা। মীকুপ পুংজা নুমীৎ থা নোংম নোংম হৌখিবনা লোইদাং থাজ তবা মপুং ফাবক্তুনা মমাগী পিবুকনুংদগী নৱা অদু তাইবং ফাওববে। লুৱাং যাংহনবগী মনুংযায তম্ফা যাযযোইবা মাদি পাবী ওইনা তাইবং মালংপান্দা লৈশাৎ তম্মকই। যাংখুলৈমা মমানা মপাবীগী থাজঙম্বা মাইথোঙ উজবা খুদক্তা থম্মোযগী মৈচাক মুত্তুনা অনৌবা যেন্নীং চোংবনা নিংজবকপা পুম্বা থুংজবে। তাইবং মীওইবগী মপোকতি কনানসু হাযঙমদে, কনা গুম্বনা নুংঙাই যাযফনা হৌবক্লগা ৱানা পন্দোম লোমখী, কনা গুম্বনা ৱানা হৌবক্লগা নুংঙাইবদা লোমখী কনা কনাগুম্বনা অৱাবনা শৈহৌ ওইবগা অরাবদা শৈবোইখী। কনাগুম্বনা নুংঙাইনা হৌবকপনা নুংঙাইনা লোইখী। যাংখুলৈমগী পুন্সিগী শৈহৌদি মপা নিংথৌ কাযবেনবগী মশাযগোলদা মদোম তংনা শাৎপি লৈবাংনি। শেৎনিংবদা শেং চানিংবদা চাবা সনা কনা মবক্তা যাওন্নবী মশক মতৌ হেনবী কেনা মৌনা লৈশাৎ তমজবী লৈবাংনি। তাইবং মীওইবগী খোংচৎতি অসুম থোক্কনি হাযঙমদে, পুন্সিগী মযায চবুক্তা হিহোনবা হিবোইনা নুংশিৎ নোংলৈ মাইযোক্লদুনা ঈথক ঈপোম মবক্তা হিমায চুম্বা ঙমদবনা ঈবাক্লবগুম ৱাখী। চিংউ মাগী থৌজালনা মপাবী অমা পিবিদুনা যেন্নীং নৌনা চোংঙক্লে তুংগী পোল্লোয থংদ্রি চিংউ মানা কবি নোংদমবিবক্কবা ? মচাগী মাইথোং উজভৈদগী মশাবী কাইন মৈচাক খবমখৈদি কোকচবে, অদুবু মসিমক্লা অৱা মৈচাক পুমকোক কোকপদি নত্রি। মপাবীবু চাওবা শাবেপ ফাদ্রিফাওবা পম্থৌ মপা যাওদনা নৌনা লুখ্রা ওইহৌববী নুজা পাঙ্গল শোনবী মানা নওযোক না ওকোনবা তবাইবা নত্তে। পলেম মমা ওইবিনা মপাবী মমোমবু মীথোই মাহেন ওইনবা লমচং শাজং শেম্বীবা হাযবসি মমা ওইবিগী অচৌবা থৌদাংনি। কোবৌ নোংমদি যাংখুলৈমা ঈবেম্মনা মপাবী নৱা অদুবু ফৈবা তাজিনথক্তা ফৈনা

পম্মগা শকোয় নিংথিবা মাইথোং থাবু নুংশিনা য়েংঙ য়েংঙগা মথংলেন মশাবিবু নিংশিংঙক্নো মীৎলু লাইজ পিবোইননা পশ্লৌগী চেংলৌ শক খংহৌদ্রবা মপাবীগী কোল্লোয মমীং থোল্লী, "ঈমাগী পাবী তম্ফায়ায ওইবা ঙসি কোবৌ য়ায়ফব্বা নুমীৎতা নৱা কোলোইবু পুহনবা হায়না পশ্লৌ নপাগী মহুৎ শিন্দুনা ঈমানা কোলোযববনি। পাগী পাবেপ পুগী পুবেপ ফানা তাইবং মালেমদা শজিক থবাগুম নঙান চাওনা পুন্সি নুংশাংনা মীথোই মীহেন ওইবো," হায়না মীংথোনখী।

যাংখুলৈমগী মপাবী পুহনবা হায়বা নৱা অসিদি অচম্বা অঙাং নত্তে। লাইনা থাবা মতিক মযায় লৈবা নৱানি, নোংমা পানবা থাজনা পুর্ণিমা থাবুঙ তমখৎলকপগুম মহৌ মকা ফনা নোংম নোংমগী খংহৌদনা চাওবকই। নুমীৎ সনা খোমদোনবী মশেক মঙানগুম মতিক মগুন হেল্লী। শাওং শাদা য়েংউবে অৱাৎপা লৈতে, মাইথোঙনা থাগুম ঈংই, মৱাহে মপাও তাবদা খোইবেল খোইহিগুম খোযথৃম্লে। অউবা মীপুম খদিংনা নৱা চেংলৌ উবদা থাগৎতবা য়াওদে। যাংখুলৈমা ইবেম্মগী মপাবী নৱা অসিদি মতিক মগুন হেল্লীদা লম্মথাংদা লেম্লা মাংওই, মীথোই মীহেন ওইগনি, অসুম্না অউবা মীপুম্না অঙাংবু থাগৎনৈ। যাংখুলৈমা মমানা মপাবী চেংলৌ শক্তম য়েংজবগা হবা ও নখোয কানা মোমোন নোকচৈ. নিংখোল অৱা পোৎথাজৈ। অযুক নুংথিল নুংদাং পুংজা খুদিংমক্তা চাবা তুম্বা চৎপা গুবা নোম্বদা নোংমতসু ঙইহাক পুম্নোযফাওবা থাদোকপা লৈতনা পলেম মমা অগোকপিনা কোযশেন শেন্দুনা লৈদো।

কেত্রু মক খাই নিম মনা খাই ফত্তনা হৌবকপা মীফত্তগী ফত্তবা ফনবা হোৎনবসু ইলাই লাইদে। লালুববা মীদি অবানবদা থল্লী, মীহাৎপা মী অমতসু ৱাই শংনা হাংনা খক চৎপা হৌনদে. মশাগী মবালনা মতোমদা য়েক্রে, মমীদা খংব ঙম্মী। ঐনা তৌজবা থৌহে ঐনা চাবনি, মীনা তৌবা ঐনা চাদে, মানা তৌতসু মানা চাবনি, ৱাহৈশিং অসি পাওবৌ নত্তে অচুম্বনি। ঈথায নিংথৌ কাযবেনবদু মানা তৌখিবা থবক্কী মহৈনা অফবা ৱাখল খনবা ঙমদে

ফত্তবদ মং মংই। মশু পুহনবগী মতিক মগুন হেনবা উবদা খোইবাং খোইশাওই, মাশানা তৌখিবা অবানবগী মহৈনা য়েক্লবগুম খল্লী। নুংতি নোংবুম খুদিংদা নোংমতা কাওদনা খল্লী, মৈগী মৈখাক থম্ফদে য়েক্লবদি মক ফুক্না মাংহনগনি। অঙাং অসিনা মপুং মবৈ ফাবক্লগা পম্মৌমপাগী মংসৎ তালক্কনি। চাওবা শাবেপ ফা ব্রাংবা লেপতম য়ৌবক্লবদি নবা অসিনা ঐবু শোয়দনা হাৎকে তেমশিংনবক্কনি। লুব্রাং মাগী সলাইনা কায়বেনবা ঐগী সলাইদা পান্নী ওইফদে, কায়বেনবা ঐগী মোংবনুংদা পানফদে। অঙাংনা পাঙ্গল লৌশিং মপুং ফাদ্রিঙৈদা যাইবী মথব্রায় মাংনবা থৌশিলহৌদবা যাদে। মসিনি ঈথায নিংথৌনা তুম্না চাবা খংদনা মংদম্মীবা, তুংগী পোল্লোইদি কবি থোক্লগবা য়েংখিবা তাবি।

পুহনবা অঙাং অসি নোংম নোংমগী মহৌ মকা ফম্না চাওবকপনা লৈকায মমানবশিংগা কাংজৈ কাংহ পায়দুনা লাক্ল ফান শান্নবা ঙমজবক্লে। অঙাংগী হৈথোয় শিংথোযবা মশক মতৌ নিংথিববু লৈকায মীয়ামগী কুম্মৈ ওইনৈ। মদু উব তাবগা কাযবেনবদু হবাওবগী মহুৎ অকি তুজুই, মপানথোংদনা হবাও শাই থম্মোযনুংদনা ঐনা তৌগদবা কবিনো ? লুবিবদি মমোম য়াংখুলৈমনা ঙাইহাক পুঙ্গোয কাংদনা মীকুপ খুদিং মচাবু কোইশেন শেন্নবী। পম্মৌ মপানা মশুদা যেংবা মীংয়েংবু চিংনদবা ঙমদে, "পাবী ঈচাগী পুন্সি খোংচৎপু কবি কবম্না চিংউ নংনা নোংদম্নীবীগবা"। চিংউ মাগী থৌশিল অঙকপনি নোংমদি কায়বেনবনা মশু পুহনবদা নুংশি শাবা ব্রানা হায, "ঈপুগী নুংশিথোয়বা পুহনবা!" " ঈপু কবি হায়গে"? ঙসিদি ঈশু ঈপু উ অমা য়ালুসি ঈপুগা চৎসি হায়, মপুগী ব্রাদু তাবদা হবাওনা হোয়াবকই, নব্রা ব্রাখলনিনা মপুনা মাবু য়েক্লে খংজদে, হায়বকই ঈপু ! হৈনা তুংইঞ্জবগে খোংদোইবসি। অসুম্না মশু মপু উ য়ানবা চৎখি। নুমীৎ অসিমদি যাংখুলৈমা মমাদো নোংদম্বনা অসুম্না থোকউ তমখিবনা মপুনা মশু পুখি হাযবা খংহৌদে, পাথৌ মমান্নবশিংগা শানমিন্নবমগনি খন্দুনা থৌশাহৌদ্রে।

অশোমদা মশু মপু লাকপনা উ য়ানফম য়ৌবক্লে, কায়বেনবনা "পুহনবা!

ঈপু উ য়ানগে নং ফম্মু হোবেল উ তুবমদায়দা ঈপুনা তাকপা মাইগৈদা লৈবগা উ অসি কন্না ঙাক্কদবনি চেঙ্খোবকপা য়াদেকো হায়"। উগী উমাই খংজদবা ইপং পংবা অঙাংনিনা "ঈপু ! উদু য়াম্দ যানবিয়ু ঐনা তুবমদায়দা শোয়দনা ঙাক্কনি," হায়দুনা উ তুবা ঙাইদুনা লৈবে। কাযবেনবনা উ যানবা হৌবে, পুহনবা অঙাংনা মুন্না য়েংদুনা উ তুবা ঙাইহবি। অসুম্না উ যালকপনা তুপকদৌবে উনা তুগদবা উমাই মুন্না য়েংলগা মশুদা হায়বকই, ঈপুগী নুংশিখোযবা পুহনবা উ অসি তুবনি ঙাক্কবো শোমদা কন্না ঙাকউ চেঙ্খোবকপা য়াদেকো নংনা চেঙ্খোক্কবদি উনা শেক্কনি ঈপুনা হাযবিবা মফমসিদা লৈযু, হায়দনা উ তুগদৌবিবা মাইগৈদুদা অঙাং লৈহল্লী। উদুনা তুপ্তুনা তুবকপদুদা "ও পুহনবা উ তুবে কন্না ঙাকও," হায়বিঙৈদা খংহৌদনা উনা তুবকপনা হান্দুনা চেঙ্খোকপা নংহৌদবনা খুদক্তুদা অঙাংগী যাইবী থব্লায় থাবে। পুহনবনা থব্লায় থাবদু উবদা কায়বেনবদু মাগী নিংবা থুংঙদুনা হাযবকই. "তৎস খংব্রদো, য়েক্লবগী মচা য়েক্লবা ! য়াইবী মাংঙেদো হৌজিক্তি কাযবেনবা ঐগী নিংবা থুংঙে য়েক্লবা মক ফুক্লে, য়েক্লতিঙ্খঙ লৈতনা হিক্ল হাইনা পাল্লনি। লৈজহৌবো য়েক্লবগী মচা য়েক্লবা," হায়বম্মগা মীনুংশি মবিক অমত্ত উত্তনা হন্না যেংঙমদনা মোংবা মবানয়াই য়ৌনা নিংঙাইদনা যাংনা খোংদোয হনখ্রে।

পুহনবদি উজাওদুনা নন্দুনা যাইবী থব্লায থাববা মতুংদা হকচাং পোল্লাং অদুনা উগী উখাদা তাদুনা অদুম লৈবে। ঙসাই অযুক্কী য়েঙ্খোঙ অঙনবদগী য়ুমদগী থোকখিবা পুহনবা মপাবীনা হঞ্জলক্তবদুদা যাংখুলৈমা মমাদু লৈফম চাফম খংঙক্লে খা বাই খংদনা খা ব্লাং মনিং মমাং কোইচেন চেন্দুনা কোইথি থিবি. "ঈমাগী পাবী নংবু ঙসাই নোংঙানবদগী মোংবনুংদগী থোকখিবনি তবা চাকসু চাখিদে পাবী ! পাথৌ নমান্নবা কনাগা চংলিবনো পলেম নমা ঐনা কৌবা তাববদি হলকও লাকও," হায়না মপাবীবু ইপায থবাযনা খুৎলাম তোযনা কৌজবি। হাযন হাযন অযুক্কী মতম হৌখবে, কোবৌ হনবা মানা থবী ময়ুম চংঙমদায়গী

চায়থবক্কবদা পলেম মমা য়াংখুলৈমদি লৈঙমদ্রেদ্রো। লৈকায় পাখৌ মমান্নবশিংগী য়ুমথোং খুদিং কোইচং চংদুননা হংউবদশু থংই উই মহায়বক্কবদা থবো কাংক্রম ওন্দুনা য়াঙ্গোয় তিল্লোক চোংগুম চোংদুনা মপাবী মচাবু কৌদুনা তেংথা নাওইনা কপ্পী, "ঈমাগী তম্ফা য়াইওইবা পাবী পুহনবা পলেম নমা ঐবু কবি ওইয়ু হায়বনো? নংবু পোকপা পঙ্খৌনসু তাইবং মালংপান্দা মনুং মতম চাদনা নমা ঐবু হুন্দোকপিবন্মে। ঈশাবী মৈচাক খাংঙমদনা লৈবিঙৈদা ঈপাবী নংনা অমুক অনৌবা মৈচাক হাপ্তুনা লাইবকথিবী নমাগী পুন্সি পিখমনৌ খোইয়ুম মানা নোংদম্ববা। ঈমাগী থব্রায ওইবা পুহনবা ঙসি কোবৌ নোংদা নংনা মহলক্কবদি পলেম নমা ঐসু পাবী হৈনা নতুং ইলক্লগে," পাবী পাবী কৌদুনা নুবা যাংখুলৈমা মোমনু লাইবক থিবিনা থবো থবো ওন্ন থোযনা কপ্পী। ঈথায লৈপাক্কী নুপী অঙাং পুন্নমক য়াংখুলৈমগী মপাবী কাইন মৈচাক উবদা খুদাং পিফম তৈদবা যাওদে। ওম্বোকইদা ঈথায নিংথৌগী নিংথৌকোন্দা তাংনা লৈশাং তমজবী কায়বেনবগী মমোম লাংলেন অতাংবী যাংখুলৈমা নুজাগী লাইবক্তা চিংউ মানা অসুমনা নোংদমগনি হাযববু তাইবং কনানা খংঙমদেদা হায়না ঈথায লৈপাক্লা শোন্নে।

পুহনবা হিংবা মতাং

লুব্রাং যাংহনবগী মপাবী লুব্রাং পুহনবা হায়বা নব্রা অঙাং অসিদি ইচম চম্বা অঙাং নত্তে। লাইগী মতিক ময়াই লৈবা লম্মখাংদা লেম্না মাংফদবা অঙাংনি। মবম অসিনা নুংদাংব্রাইবম মতম ওইবকপা থবিনা মযুম চংঙমদায লোইবী চিংয়া পাংঙকপা মতমদা লাইওইখ্রবা যাংহনবা মপাগী য়াইবী থব্রায মীবেন্না মপাবী নব্রা পুহনবগী মতৌ উবদা থাংবা ঙমদ্রে, "খংগনি ঙসিদি ঈথায় কায়বেনবা পাবী ঈচা পুহনবগী মতিক ময়াই খংহনগে, নংগুম্বা মীফত্ত মীতম্বালনা লম্মখাংদা মাংহনবা যাবা অঙাং নত্তে"। অসি হায়দুনা উনা নন্দুনা লৈবিবা মপাবী মনাক্তা চংঙক্লগা মচাবু নল্লীবা উ অদু ইম্বোক্লে। উবক ব্রাবক অদুদা কোইপাই পাইদুনা

লৈবিবা মপাবী থৱায় মঙামকপু মাগী থৱায় মীবেন্না ফাবগা মচাগী হকচাংদা মীকোল থাগোন্দুনা হাপ্পীববে। পুহনবদু য়াইবী থৱায় মীবেন্না হকচাং কায়দোংনুংদা চংখিবগা তাইবং মীকপ থোবক্তুনা তুম্মুবদগী মীকপ থোবকপগুম মমীৎ পাংঙকপদা পম্বৌ মপাগী থৱায় মীবেনগী মমী উবে। শকখংদবা মপাবু উবদা ইঙক ঙক্লা য়েংদুনা লৈ, মদু উবদা য়াংহনবনা হায়বকই "ঈপাগী পাবী নুংশিথোযবা পুহনবা। পাবী ঈবুংঙো ঙক্কনু, ঐ অসি নংবু পোকপা পম্বৌ নপা লুৱাং যাংহনবনি। পলেম নমা পোকপা কায়বেনবনা ঈপাবু ইঙক কক্কুনা হাৎপনি। ঈপাগী থৱায় মীবেন্না ঈচাবু মতম খুদিংদা শেন্নবি ঙসিসু নপুনা নংবু উনা নলহল্লগা হাৎলিবসিনি। মতুংদসু নংবু হাৎনবা হোৎনবকখিগনি, অদুনা নহাক হৈনা শিংনা চেকশিন্না লৈয়ু, ঈপানসু নংবু ঙাক শেন্দুনা লৈগনি। হোবেল নপুনা হংলবদি ৱাবী অসি হায়দোক্কনু, অসুম হায়না পাওখুম্মু, ঐদি ঈপু লাকখিনি হাযদুনা ঙাইবনি ঈপু লাকমন্দবদুদা লাক্লবনি হায়না খুম্মু। নমাদসু হায়দোকউনু নতোমদা খংউ," অসুম্না তাকপিবন্নগা ঈপাদি চৎলগে হায়বম্লগা মাংখ্রে।

পুহনবনা পম্বৌ মপাগী ৱাদু তাবদা মংগুম খল্লী, খোইয়ুম লাইবা ঐবু পোকপা পম্বৌগী থৱায়না ঐবু কনবা লাকপবা ? খল্লুবগা মনাক্তা তুবম্না পামেল উজাওদু উবদা নিংশিংঙকই - "মানি ঐবু ঈপুনা হাৎকদবগী তুগদবা মাইগৈদা উ ঙাকউ ঙাকহনখি, ঐদি শিকবেদনা। চিংউ মাগী থৌজালনা পম্বৌ শক্তম লৌদুনা ঐগী যাইবী থৱায় মীবেল হাপ্লিববা ওইবিগদ্রা, পোকপদগী পম্বৌগী চেংলৌ শক্তম উহৌদ্রবা পলেম লুখ্রাবী ঈমানা নাওযোক নাওকোলকপা নোংদম থিবা ঐবু চিংউ মাগী থৌজালনা ঙসি কোবৌনোংদা পম্বৌ চেংলৌ শক্তম লৌদুনা তাকপিববনি"। অসুম্না ৱাখল খল্লুবগা মাংদা উবম্বা পম্বৌ শক্তম উখিদবনুং তেংথা নাওই কপ্তুনা হা পম্বৌ পম্বৌ হাযনা খুংলাম তোইনা কৌজখি। পম্বৌ মপানা অমুক হন্না পাওখুম্মক্তনা পুহনবা নৱাদো মোংব ময়ুম পাংনা যাংনা খোংদোইবকই।

কোবৌহনবনা ময়ুম চংওমদায় নোংচুপ লোইবী চিংগী চীংদোন্দা থবী মাগী মশেক মঙান্না নাবল চংবা মতম্নী। ঈথায় কায়বেনবগী মোংবা মশায়কোন্দু অঙাং মাংখিবগী মীয়াম অমা নুপী নুপা তিন্দুনা কপ্লা লাওনবী। পলেম মমা যাংখুলৈমদি শুমাং মথৌবুংদা থবো কাংক্রম ওনবগুম ওন্দুনা পাবী পাবী কৌনা শন্নাং ইফা ফা মাইগৈ শলাই খংদনা ওনববু খোইনৌ মমান্নবিশিংনা থেম্নবম্মী।

মতম অদুমক্তদনি পুহনবা মচানা, "পলেম অপোকপী নপাবী ঐ লাক্লে, কবিনুংগী পলেম্না তেংথা নাওই কপ্লিবনো"? ঈমা ঈমা হায়না মমাগী মনাক্তা চেনশিনলকই। লৈবম্মীবা মীয়াম পুন্নমক অদু পুমঙক ঙক্লদুনা পুহনববু মঙগী মতৌগুম্না য়েংনৈ। পলেম মমা য়াংখুলৈমদি মপাবী খোঞ্জেল তাবদা অশিবনা হলকপগুম হবাও মথোই কাখিবনা অঙাওবীগুম চেনন্দুনা মপাবীবু চেংনা কোল্লগা নুংঙাইবনা "ঈমাগী থল্লায তম্ফা য়ায়ওইবা" হায়না নোংখোংগুম কপখি। মপান্বোমনা চেংনা শমু হকচাং পক্লা কোল্লগা পাবী খজাস য়েং ওই লেংওন্নন চুপ্পগা মপাবীগী কোক্তা মনম শুং শুং নমদুনা পিবাং পিবোইনবা উবদা মীয়ামসু লোইনা কপ্লবি। ঈথায় কাযবেনবদি অকি তুজুংই, উনা নন্দুনা শিহৌববা নল্লা অঙাংসিনা তেকত কাইদনা হলকপবু মংলা হাবা কাযবেনবদু অঙক লাংদা থুবে, থম্মোযনুংদা খল্লী, অঙাং অসি অচম্বদি নত্তে কবি উপাযনা হাৎসিগে। অসিদগী মীযামপুন্বা অঙাং হল্লকপদু উবদা ময়ুম ময়ুমদা হবাও তযাম্না হন্নখ্রে। অসিদগী যাংখুলৈমা মমানা মচাবু কোন্দুনা ঈমুংদা পুশন্দুনা পিজ পিথক্তুনা পোথাহল্লী। কাযবেনবনা ব্রাহংই "ঈপুগী নুংশিবা পুহনবা নংবু ঙসি মফম কদাযদা লৈকবগী অসুক থেংনা হলব্রাইবকপনো," হংই। ঙসাইঙৈদা পন্থৌ মপাগী থল্লায মীবেন্না তাইবং কনাদসু হায়দোকউনু পাওমেল্লকপনা থৈদোক্লগা পাওখুম্মী। "ঈপু ঐদি ঙসাইগী মফম অদুদা ঈপু লাকখিগনি খন্দুনা ঙাইবনি ঈপু লাকমন্দবদুদা লাক্লবনি, হাযনা পাওখুম্মী। পলেম মমানা ব্রাহংবদসু অঙাং ব্রা ওইনা ঐদি ঈপু লাক্কনি ঙাইবদা খোমলেন

তুমখুল তাল্লুবে মীকপ থোবকপদা থেংঙম্বদু উবদা য়ুমদা হলক্লবনি" হায়না ব্রাথৈননা পাওখুমখী।

মচাগী মপাও তাবা কোবৌ নোং অদুদগী য়াংখুলৈমা মমাগী থম্মোযনুংদা পম্লৌ মপাগী পুকচেল খোইবা মীৎয়েংবু মকাদি ফোংদনা খংজিনখি। নুমীৎ অদুদগী ঈথায নিংথৌ কাযবেনবদি পুহনবা মশুগী মতিক ময়াই চাওবা উবদা কলক যেংথি মৈনা থম্মোয লৈযোম্নুংদা খাম্বী মৈচাকপা হেনখি। "অচ্চা, লাকচৈদা, লুব্রাং চাগোক শল্লাইনা কাযবেনবা ঐগী মোংবনুংদা খোই মহুম শাবদি কবি মতিক লৈগনি খোঙ্গুল মূৎনা মাংহনগেদো শবিশো"। অসুম্না ঈথায নিংথৌনা চাব তুম্বা চংদনা মশুবু হাৎনবা মীকুপ নাহুম খুদিংগী খোংথাং কাইবা থিবী। মমোম যাংখুলৈমনসু পম্লৌ মপাগী মীৎযেং খোইবা মতৌ উবদা মচাবু কবি থোক্লদগে খনবদা মীহুল চেংগুম চেঙ্গানৈ। অফবা পাওতাক কযা পিদুনা মপাবী পুহনববু চেৎনা লাঙ্গোলজৈ। মী ফত্তবদি মহ্‌ পানবা তাংজ লিলনি। লিলনা চিকপদি অমাইবনা হিদাক থাদুনা লাইযেংঙগা ফহল্লী, ফত্তবা মীগী হুদি লাইযেংনবা হিদাক লৈতে। হৈদি ঐনা থাববসু মহৈদি মতম্না যালহনবিবনি, মতমগী ব্রাংমা খক লাম্লোক্তে। মতম মাবু মী লাই কনামত্তনা থিংবা ঙমদে, মতম লাক্লবদা হৈবাং মহে যাল্লী লৈবাংসু লৈশাৎ তম্মী, তাইবং মীওইবগী পুঙ্গিসু মতম্না থুংঙববদা ঙাইহাক ফাওবা পম্বদে। ঐনা তৌবনা ঐনা ফংই মানা তৌবনা মানা ফংই হাযবসিদি সোইফদবা মহৈনি। ঈথায কাযবেনবগীসু মতম অদু থুংঙবে, মশানা শেমজবা লম্বীদা শোয়দনা চৎকনি।

কাযবেনবা শিব মতাং

নোংমগী কোবৌ নুমীৎতা কাযবেনবনা খল্লী, মসিগী অঙাং অসি তুবেল অচৌবদা পুথবগা লাইজ ঈবোলনুংদা লোংনা থিন্দুনা য়াইবী মথব্রায লৌবগে, তাইবং কনাসু খংহন্দনা তুবেলগী ঈচেন্দা ইছুদুনা তাওহনব্রগে অসুম্না

খন্দুনা পুহনবা মশুদা নুংশি শানা হায়বকই, "ঈপুগী নুংশিথোয়বা পুহনবা"। "ঈপু ! কবি থৌশিবিগদবনো ? নশুদা তাকপিয়ু," হায়না নুংশিনা মন্না পাওখুমজে। "ঙসি কোবৌ নোংদি তুবেল অচৌবা ঈবেন্দা ইল হুল্লগা লেৈগ্লে ঙা ফাকসি ঈশু ঈপু চৎমিন্নসি," হাযবকই। পুহনবনা হবাও শানা পাওখুম্মী, "ঈপু ঐনা ঈপুগী হৈনা নতুং ইঙ্গগে," হায়না হবাওবা মতৌ ফোংনা খুম্মকই। অসুম্না মতিক ময়াই কল্লবা কায়বেনবা মাগী মখুৎশু লোংশা মাপন লোংবা লোং অদুগা নুপা ইনজাও অদুগা শমু মবেঙবান্দা থোংদুনা লমলেন ঈথায় চিংজিল মপাদগী খজিক্তুং হাইজল্লগা নৈবিবা চিংদুম মচা অদুগী চিংখোঙ অদুদা ঈহল ঈবেল অমা লৈ । কায়বেনবনা ঈবুংঙো, ঈপু ইন হুল্লগে, হায়দনা হুল্লী। অদুগা ঙা থুবসু নত্তনা ইন অদু কৌবী কৌবাংদা পল্লে অদুবু খংনা খংনা খংশন্নদা শাদুনা মশুদা হাযবকই, "পুহনবা!" "ঈপু, কবি হায়গে," "ঙা অচৌবা অমা ইন্দা থুবে, ঈশু ঈবুংঙো ঈপুদি ইনগী খুর্জি থাবা যাদ্রে ঐনা খুর্জি শেন্নগে নও অমুক্তা ঈবোলনুংদা লুপ্লগা ঙা অসি কোম্লগা পুখৎলকউ ঙা নাম্থোকহনবা য়াদেকো," হাযবকই। মপুগী ৱাদুতবদা পুহনবনা "ঈপু ঐ লুপকে," হাযদনা লাইজ ঈবোলনুংদা লুপথখবে। কায়বেনবনা লোংশা মাপন ফংবা লোংদু পায়বগা পুহনবনা ঈশিংদগী ফাওগৎলকপা ঙাইদুনা খোংফম শেমদুনা লৈখী। সোমদা লুৱাং য়াংহনবা মপানা মীকুপ অদুমক্তদা মাগী থৱায মীবেন্না মপাবী পুহনবগী নাকোঙদা তাকপিববে, "পাবী ঈবুংঙো পুহনবা ! নংনা ঈশিংদগী ফাওগৎলকপদা নপুনা নংবু লোংনা থিন্দুনা হাংকন্দবগী লোং পাইবগা ঙাইদুনা লৈবে, অদুনা অতোপ্পা মফম অমদা ফাওগংলু। অদুগা নপুনা তৌবিবা মওং অদু যেংউ সোইদনা খংগনি। নপুদা হংউ লোং পাযদুনা ঈপুনা লৈবিবদু কনাদা থিনগদৌবিবনো হায়না, মাগী পাওখুম তাও অদুদা শোয়দনা খংগনি। ঈশিংদগী ফাওগৎলগা অসুম্না নপুদা হায়যু, ঈপু ঙা অসি য়াম্না চাওখ্রে

ঐনা থাঙ্গৎপা ফাবা ঙমদ্রে ঈপুনা অমুক লুপ্পিয়ু ঐনা ইনগী খুজির্জ শেন্নগে হায়
নপুনা লুপখিবগা নংনা লোং অদু চেৎনা পায়বগা ফাওগৎলকপা ঙাইয়ু, হেব
ফাওগৎলকপগা নখুৎ অনি থাদুনা লোংনা থিল্লগা হাৎলো"। মপাগী পাওতাব
অদু তাবদা মবম পুম্নমক লোইনা খংলদুনা অতোপ্পা নাকল অমদা চৎলগা লৈবাই
ময়াদা ফাওগৎলগা খুৎলৈ যাংনা লৈবাই অকংবদা কাখৎলে। মপুনা লো:
পাযবগা লুমম্বদু উবদা হাযবকই, "ঈপু! কনাদা লোং থিনগদবগী লুম্মীবনো"?
কাযবেনবনা হায "নংনা ঙা থাঙ্গৎলকপদা নাম্বোকখিবা য়াই হাযদনা লো:
পাযবগা ঈপুনা ঙাইবম্বনি। ঙাদি থেংনবকপবা"? "ঈপু! থুবিবা ঙাসিদি ওম্বোক্ল
চাওখ্রবা ঙানি, শুক্লেং লেংদে ঐনা থাঙ্গৎপা ঙমদ্রে ঈপুনা থাঙ্গৎলবদি শোইদন
ফাগনি ঈপু অমুক্তা লুপ্পীযু"।

তাইবং মীওইবা অবোইবা মতম মানা থুংঙববদা অহে অশিং মতিব
মগুনদা লাইগী থাক যৌববা তাইবং মপোক কনা কনানা নাম্বোকপা ঙমখিবগে?
ঐনা নিংবনা অমনি লাইনা সিনবনা অমনি, তাইবং মীপোকসে পোনি, মপুনা
পাযবগা থম্নীংবা মফমদা থম্বনি। ফন লৌশিং মৈবা পাযদুনসু ওন্ন তৈন মবাকই,
শিবা হিংবা অনিদা লেংদবদি অচুম্বা লীচুম চৎপা মাদনি। ঈথায় কায়বেনবনা মশু
পুহনবগী ৱাদু থাজবনা খম থেংখী। নোংমত ওইদ ৱা ৱাশাদবা নৱানি মানা লেম্লৈ
ঙাজাও অমা থুবে হাযবসি চুম্মমগনি খল্লী। "ঈপু অমুক লুপকে" হাযবম্মগা
মশুগী ৱাদু থাজবনা লাইজ ঈবোনুংদা চোংথদুনা লুপথখবে। মপুনা হেক লুপখিবগা
পম্থৌ মপানা তাকপিবদু নিংশিংদুনা খুৎলৈ থুনা ময়ায় লৈববা লোং অদু মখুৎ
অনিনা চেৎনা পাযবগা খোংফম চেৎনা লেপ্পুনা মপুনা ফাওগৎলকপা ঙাইদুনা
লৈখী। কাযবেনবনা ঈশিং মনুংদা যেংবদা ঙাদি থুবমদে, ইন পনবা ওইবন্নে।
খংগনি ঙসিদি ওইদবা ঙাংবা অঙাংসি যাযবি মথৱায় লৌগেদো হাযদনা

অশাওবগা লোয়নননা খংফাও ফাওগৎলকই। কায়বেনবা মপুনা ঈশিংদগী ফাওগৎলকপগা হান্না লৈবাই মথক্তা লালুমদুনা লৈবিবা পুহনবা মশুনা অবোইবা পাঙ্গল থাদুনা মপুগী থবাক্তা লোংনা থিনখ্রে। "ঈপুগী পুহনবা ! নংনা ঙসি ঈপুদা লোংনা থিল্লিবসি কবি মালোয়্নো "? পুহনবনা হায়বকই "ঐগী ঈপু নুংশিবা ! নশু ঐবু ৱাবৌ পুক্লৌবিগনু ঐবু পোকপা পচ্ছৌবু নখুৎশু থাংলেন্না মঙক কক্তুনা হাৎঙম্বা, নচা নিংঙোল ঐবু পোকপী পলেম ঈমাবু নৌনা লুখ্রা ওইহনবা, নশু ঐবু উনা নল্লগা হাৎপা ঙম্বা, ঙসিসু ঐবু হাৎকে হায়না লোং পাযবগা ঈপুনা নশু ঐবু হাৎকে তেমশিংবা, পুম্নমক অসিগী পাওখুম্নু নশু ঐনা ঈপুনা পাইবা খুৎশু লোংনা পাওখুম পিজববনি। ঈপুগী ঈথায খুবম্নু নচা নিংঙোলদা অউনপোৎ ওইনা ঈমাদা পিবিবম্মো, লুৱাং ঐগী ইবল ওইজহৌবগে," হাযনা পুতাংবনা মপু কাযবেনবদা ফত্তবা থবক তৌখিবা পুম্নমকপু ৱাবী ৱাহোন্নগা লোংনা মপুবু নমদুনা হাৎখী হায়বদগী মবম লমদম অসিবু লোইবী চিংগা কোন্ননা "ঈথায় পুনম চিং" হায়না ঙসি ফাওবা কোলোযনবি।

মতাং অসিদা ঈথায় কায়বেনবগী ৱাবী অনিশুবা তাঙ্ককী অহানবা ৱাবী লোইবে। মসিদা হাযনিংবা অমতং লৈ মদুদি পুযাগী মনুংদাইবিবা ৱাবীশিং অসি অমগা অমগা খেৎননা লৈবা উই, মদুগী মবমদি কনাগুম্বনা হায়বদগী লৈবুং ৱাবী ওইনা তাবা ৱাবী অমদা অসুম্না হায়নৈ। পুনম চিং হাযবা নত্তে, পুমনম চিং হায়বনি হায়বা ৱাবী অমা লৈ। মদুগী ৱবীদু ওইবমগনি। কবিগীদমক পুমনম চিং থোল্লিবনো ? মোইবাং লীলা য়াওবা কাও পোকপী ষণ লাংহনবীনা শিবগা তাওথবকপদা চিং অসিদা পন্দুনা পুম্বদগী পুমনম নম্মী হায়দুনা পুমনম চিং কৌবনি ৱাহৈ থৈথবকপদগী হৌজিক্তি পুনম চিং হায়খিবনি হায়বা ৱাবী অমখক্ক কনাগুম্বা অখং অহৈনা

শাবিবা অমসু তাজৈ। অদুবু লাইবিক অদু ঈশামক্লা উদবনা হাযবা ঙমদ্রে, ঐনা লাইবিক অসিদা ইবিবা ৱাবী অসিদি লুৱাং খুম্ভোক্লোন্দগী ইজবনি।

মণিপুবগী লোক্তাক অমদি ইথায়না অনিশুবা তাঙ্কক অসিদা ইথায়দা ফৌওইবী হাযনা মীংথোনবা ৱাবী মতেক অমতং ইবি। অসিগুম্বা ৱাবী অসি য়াম্না শম্ভোক্লা ইবা নত্তে, ফৌওইবী লমকোই ৱাবীনচিংবা অতৈ লাইবিকশিংগী মোং কয়া খোমজিন্দুনা ইবনি। ইথায় হাযবা খুঙ্গং অসি পীকচববসু মৈহৌবোলগী খোইয়ুম লাইগী লীক্লম অবিবা ৱাবী য়াম্না লৈ। অদুগুম্বা ৱাবীশিং অদু পুয়াশিংদা অখং অহৈ মাইচৌশিংনা মপুং ফানা মৈতৈ ঈযেক্লা অমদি অবিবা মৈতৈ ঈবোন্দা ইবম্বনি।

মণিপুবগী লোক্তাক অমদি ঈথায়না লিবিবা ফৌওইবী ঈমাগী ৱাবী অসিদি ঈথায়গী ৱাবী খক্তং লৌখৎপনি। অসিগী মনুংদা ময়েক অমদি লোলসু অনৌবা ময়েক্তা অনৌবা লোন্দা ইবনি। লৈচু মান্নদবা লৈবাং কযানা নাচোম শেম্বগুম অবিবা অনৌবলোল কয়ানা তিন্দুনা ৱাবেংজবা ৱাবীনি লাইবিক অসিনা অনৌবা প্রমান কযা অমসু হাপ্লুনা অলঙ্কাব তৌবা মতাং য়াওই। ইথায়দা তম্ফা ৱাঙম্লোয ঈমা ফৌওইবীনা শান্নখিবা লাংওল ৱাবিবু নুংশিজবনা ইথায়গী ওইবা ৱাবী মচেৎ অমতং লীজবনি। অসিগুম্বা শাযোল লাংওন য়াম্বী লাইবৈম্মগী মতিক ময়াইবু তাইবং কনানা শিংথাবা ঙম্বা হৌনবগে? হে ঈমা ফৌওইবী! নমু পোঙ ওইবা তাইবং অপংবা নদাযবেন্না ঙাংলৌ নখোং থম্বাল লৈকাদা অবাল অহুই পুম্বা ঙাকপীযু হাযনা পুনেমজবি।

ফৌওইবী লাইবৈমগা মোইবাং অকোঙজাম্বগা লাংওন অমদা নুংশি পুন্থুংনসি লৌন লৈনসি শবি ব্রাশক্লবা লৈখিবনা নোংমা কোবৌদা ফৌওইবীনা কেগে মোইবাং লৈবাক তান্না লাক্লুনা অকোঙজানবা মশাবীগী মোংবা মবাংয়াই হংদুনা চংঙকই। নুমিৎ অদুদা ফৌওইবীনা লৌবকপা চেংলৌ শক্তমদি হাওনুবীগী শক্তম লৌবগা হাওশম লেংকোৎ তুংয়ান্নবকই। চিংউ থাংজিংগী নোংদম্না নুমিৎ অদুদি মশাবী অকোঙজানবদি লৈবাক নিংথৌ ব্রানা কনবনা য়াবৌ শা তানবা চৎখি, মোংবা মবাংয়াইদা লৈবমদে। অকোঙজানবা পোকপী মমা থোয়া নিংওন থোইদিংজানবী লৈবম্মী। "লাইবৈমনা শুমাং মথৌবুংদা লেপ্লগা থোইদিংজানবী লৈবা উদুনা হংঙকই। "ঈমা. য়ুম অসিবু মোইবাং ইবুং অকোঙজানবগীবা? থোইদিংজানবীনা খুম্মী-"মানি মানি হাওনুবী লোইবী কদায়বমদগীনো? কৈদৌনুংগী পাবী ঈচাবু হংবনো পাবী মাদি য়াবৌ শাদানবা চৎখি, ঙসিদি য়ুমদা হল্লকওই। হাওনুবী নংবু পাবি ঈচাদা কবি হায়নিংবা লৈবগে মমা ঐঙোন্দা হায়বম্না যাববদি হায়বম্মু"। তম্ফানা হায় -'ঈমা! ইবুং মাগা হন্তক মপোক্কী মোংবা য়ুমদিন্নসি হায়না শবী ব্রাশক্লখিবা লৈ অদুনোংগী লাকপনি ঈবুং মা হল্লকপা ঙাইজগে'। তম্ফাগী ব্রাদু তাবদা থোইদিংজানবীদু খাম্মী মৈহৌবগুম খংশাও শাওবকই। "হাই... লোইবী হাওনুপী, শকথিবী! নঙগুম্মী হাওনুপীনা য়ুমলেপ চাব তমদ্রিবা ঈচা পাখংদা নতিক নপা চাদনা অপাম মীহৌ মীতাজবা শায় যেনিংদে, চৎখ্রো শকথিবী," "লাইবৈমনা পাওখুমজে - ঈমা অদুক হাক্লা ব্রাবৌ পুক্লৌবিগনুবা ঈবুং মাগা হায়নবা লৈবগী লাকচবনি, অমুক্তদি উনজখিগে"।

"হা হাই- হাওনুপী! নপাওদু তানিংদে ঐনা চৎলো হায়বিঙে চৎহৌবো ময়াদ্রবদি খোংপাক চেনগাওন খুৎতুম লাল্লোইনবক্কনি নশক্তু য়েংনিংদে চৎখ্রো চৎলো"।

"তম্ফানা হায় - পলেম! ঈমা নংবু হাক্লা শাওগনু কৈদৌবগে নপাবী ঈবুং মা লাকফাওদদি তঙাইবিয়ুবা"।

"ইকাইদবী চিনগনবী মীনা চৎখ্রো হায়বদি কোক মচৎখোদনা হাযবগা তম্ফাগী খুজেং পাইদুনা চিংথোকই, ফৌওইবীনা কন্না খাংই,ওকশম লাক্কুনা ইল্লি, তম্ফানা খাংই"।

অসুম্না ইম্থোক ইনশিন তৌনবিঙৈ চিংথোক চিংশিন্নবিঙৈদা য়োইময়াই তাওদনবা মাদি থবী ময়ুম চংখ্রে। নুমিৎ তাশনলকপ উবদা ঈবেম্মনা থোইদিংজানবীদা নোল্লুক্না হায়জৈ। "ঈমা। পলেম নংবু কৈদৌগে ঐদি নুপীচানি, কেগে মোইবাং লৈপাক্তা ঈবুং মহাক নত্তবা খংন চান্নবা অমত্তা লৈজদে, কোবৌ মাসু থবী ময়ুম চংখ্রে, অহিং অসিমতদি নোংলেনজগে। ইনুং নোং হেক ঙানবগা ঙাইহাক পুঙ্গোই পম্বুজবোই খোংদোইজখিগে"। "কবম্না নুপী নমগনবীনোনহে নংবো, ইকায়দবী লমহেনবী লোইবী হাওনুবী অহিং ওইগে ওইজৌ নুংথিল ওইগে ওইজৌ ঐগী ঈবানয়াইসিদা ঙাইহাক পুঙ্গোই পম্বুবিবনু খোংদোয়খ্রো"।

" পলেম' তাইবং মীওইপোক্কী, নুপী মচা মশেন্নী, হাক্না থম্মোয নুংওইনবীনু, নয়ুম মোংবনুং চংজবোই, কাযবৈ য়েঙ্গোল মচি অমদা ঙসি অহিংসিমত্তদি নোংলেঞ্জগে "।

"ইকাইদবী হাওনুবী শকথিবী লৈফবোই যেল্লাই তানি"। " তেকপী ওককোন মচি অমদা লৈজগে"। "লৈবা যাবোই ওক্লাই তাগনি"। "যেনখা মচি অমদা লৈজগে"। "লৈবিনু সুক্লে লৈবা যাবোই" অসুম্না ইন্নবিঙৈদা নুমিৎ ময়ুম চংখিবনা মমশিল্লক্লে। থম্মোয নুংগুম কনবী মীনুংশি মবিক লৈতবী মাং তুং যেংদবী থোইদিংজানবিনা "হাওনুবী শকথিবী ইকাইদবী লৈজহৌবো হায়বন্নগা ঈমুং চংখ্রে , থোং চেৎনা লোনশিল্লগা নিংঙাইদনা লৈখি। তম্ফা ৱাঙমলোয়দি তেকপী ওককোল মচি অমদা চংদুনা অহিং নোংঙানবা ঙাইদুনা নোংলেনখি।

নোংঙানবগী ৱাবী

ঈনুং নোং ঙালক্লে, মবিং য়েনবা ফৈজাওবনা ক্রে কে কে

য়াকৈবক্লে। চেক্লামুবী ক্বাকসু ক্বা ক্বা খোংলক্লে, চবোইগী তেতু মখোন্না মাইকৈ খুদিং নিলক্লে। নুমিৎ সনা খোমদোন্না নোংপোক চিংদোনপোক্তগী মঙাল মপৈ মপৈ পুদুনা খিং খিং খোংদোয়বক্লে।

নোং ঙাল্লকপদুদা ফৌওইবী লাইবৈমনা খল্লি, ঙসিদি নুপীচা ওইবীগী লীবি খোইবি লৈতবী, মীনুংশি য়াওদবী, থম্মোয নুংগুম কনবী, মাং তুং য়েংদবী, ঈশাবী পোকপী থোইদিংজানবিসি লাইবৈমা ঈতিক খংহল্লমগেদো খংগনি। অসুম্না খন্দুনা শুমাং মথৌকুং দাবী মখাদা লেপ্লগা হৌদোবকই। "পলেম ! ইনুং ঙাল্লে য়াহৌবো, নমোমসু খোংদোয়জখ্রগে"। লাইবৈমগী মপাও তাবদা থোইদিংজানবী ফমুংদগী হৌগৎলকই। খল্লি, ঙবাংঙৈগী অনম কনবী শকথিবী হাওনুবিদু লৈবিমানে ঙসিদি ইতিক খংহনগেদো খংগনি। অসি হায়বগা থোংজি কাং পৌবোল শৎ থোং হাংঙবে। ইমুংদগী মপান থোবক্তুনা য়েংঙকপদা ফৌওইবীনা শুমাংদা লেপ্লম্বা চেংলৌ শক্তমদু উবদা থোয়া নৈমা থোইদিংজানবীদু অঙক লাংদা থুদুনা মীৎ কুপ্তমখৈ লেপখবে।

ফৌওইবীগী শক্তম

ঙবাংঙৈগী হাওনপী শম্বুবিদু ইনৌ নৌবী থাবল মচু ঙস্বী লৈশাবী ওইবম্মে। পানখৎলকপা হুম্নী পানবা থাজগী মাইথোঙনি। তবা তবাবী চিম্বাল থক খানা তযাল মচুনা তাংজবিনি। খুৎহৈবনা মতা য়েংনা চনবা অঙৌবা মুক্তা পবেং ঙস্বী যাতানি। মীম্না থম্বাল লৈনানি। পিশুম্না লিকং ঙস্বী, মীৎমৈদি সোইফদবা সন্ধান্নি। পুম্বুম তাবা পাম্বোম্না শামু নাতান ঙস্বীনি। মাইয়োক্তি থঙ্গোঙ জুবানা লাইজথক্তা তাওবিবী, নোপ নোপ লাওবী খ্বাংনা লাংবন উচিখোইনা ইকাইজবী খুবোম্না মকা হাওবা খুবোম্নী। ফৈবোম্না লফু লেম্নানি, খুনিংনা ঙাতেল মাঘ মচিন্নী, শল্লাং খোইমু মচুনা চামোবনা লৈনুংদা লোৎলিবী থম্বাল লৈনম নম্বী তম্ফা ব্রাঙমলোইগী চেংলৌ শক্তম্নী।

লাইবৈমগী চেংলৌ শক্তমদু উবদা মীৎফম হোংগে ঙমদে, ঙবাংগী বাদু নিংশিংই - কবিনুংগী তাথি বাহৈ ঙাংউবা থম্মোয়নুংদা মদোম খাম্নী মৈ হৌবকই, মী নত্তে লাইনিদনা আ. . খম্মুহৌদেদকো।। " ইমোমা ঙবাংগী বাদু বাবৌ পুক্নৌনবগুমশি ঈমোমগী চেংলৌ খংদবনা বাহৈ কাবল চনখিবনি, অয়োল অবাল ঙাকপীয়ু। খেঞ্জোংলাংদা ফম্মোলাও নবুং অকোংজানবা লাক্লেনি ঙাইহাক পুঙ্গোয় পোংথাবো"। "ঈমা নমোমদি ঙাইহাক পুঙ্গোই পম্মুবোই খোংদোয়বনি, নংগী শুমাং মথৌবুংদা চবাই থাবোলাউ লোইমোম থন্না পিবিবমগে"। তাবদা থোইদিংজানবীনা শুমাংদা ফক্লেন অমা তিংথোক্তুনা থাবে। ফৌওইবীনা ফক্লেন ময়াইদা লেপ্লগা চবে নমখাং কম্মুবকপদা ফক্লেন চিয়া মবি চোন্না ফৌনা চিংগুম পৈখি। মতাং অসিদা কনাগুম্বগী মোংনা হায়বা বাবী অমদা হায়বনা ফৌওইবীনা ফক্লেন ময়াইদা লেপ্লগা খুবী অনিনা শমখোংদা থিংজিল্লগা নিকথবকপদা ফৌনা ফক্লেন চোনখি। মতৌ অদু উবদা থোইদিংজানবীদি য়ুম্বীগুম ঙক্লা লেপখি। ঐনা খম্মুহৌদ নুং লালুবগী মহৈনি, কল্লকইদা। ফৌওইবীদি হন্না য়েংঙমদে খবাই থোঙ্গাল বাংমা লানখি।

অকোংজানবনা থুংঙবা মতাং

ঙাইহাক লৈবগা অকোংজানবা হল্লক্তুনা মোংবা য়ুমজংঙকপদা শুমাংদা ফৌ চোন্না পৈবম্বদু উবদা ফৌওইবী লাকলম্মী হাযবা খংঙে। মমাদা হংই - "পলেম অপোকপী ! কনা কনা লাকলম্বগে? শুমাংদা ফক্লেন চোন্না পৈবিবা ফৌ অসিনা কদাযদগী ফৌনো"? মপাবীগী বাহং তাবদা থোকখিবা বাবি পুম্নমক থোইদিংজানবী মমানা লোয়না তম্মী। পলেম মমাগী বাবী তাবদা ফৌওইবীনি খংদুনা ফৌওইবীবু অমুক্তা হল্লকখো হায়ক হাযদনা মনাই য়াংবা থাবকই।

যাংবগা ফৌওইবীগা থেংনবা

লাইবৈমগা মযামগা বাবী শান্নবা

ফৌওইবী অকোংজানবা

মপুগী য়াথং তাবদা মনাই যাংবনা ফৌওইবীবু তান্নবকপদা ফৌওইবীনা শায়ওল কয়া ওন্দুনা লোত্তুনা চেল্লী, মদুদগী লৌদুনা মোইবাংগী লমীৎ তুমীৎ থোনবা ব্র বী কয়া অমা লৈখ্রে। মতাং অসিদি মণিপুরগী লোক্তাক অমদি ঈথায়না শমতক্ল। লীবগে। তম্ফাগা যাংবগা থেংনবে, য়াংবনা ফৌওইবীদা খুকমজে, অকোংজানবগী মনাইনি তাকই। "তম্ফানা হংই - মপু মানবা য়াংবা ! ঐবু থিবকইবা কবিগীনো ? নবুংঙোনা কবি হায়বকই তম্মু"। "ঈবেম্মা তম্ফা ! য়াম্মুং অকোংজানবনা অমক্তা হল্লকখো হায়হৌই। য়াম্মুংদি য়াবৌ শাদানবগীঅব্রা পোৎথাহৌই ঐ পাওখোল লাকচবনি লেংঙসি"।

মনাই য়াংবগী ব্রা তাবদা হায়- "য়াংবা ! ঐদি অমুক মোইবাংদা হল্লবোই ঐগী ব্রাসি ঈশাবী নয়াম্মুংদা তম্বীয়ু। হল্লক মপোক লাংওনসিমদি কোঙয়ানবা মবানযাইদা হল্লক্লবোই হযেংমুক্তী মপোক্তা নুংশি মকাদা য়াঙ্গোয়জগে হায়না তম্বীয়ু"। "যাংবনা ইবেম্মা তম্ফা ! কবিনুংগী য়াম্মুং অকোংজানববু অদুক তাথিবনো"? "যাংবা ! অতৈ মবমগী নত্তে, ঈশাবী পোকপী থোয়া চনু থোইদিংজানবী মমাদো মীওক মীচান ফজদে ব্রাতা খোন্দা কনমল্লি, ইশৌ লাংমল্লী লৈমিন্নবা ঙমজবোই। কোংয়ানবা মানা লাকউ মহায়বদি মাগী খালৈ মবৌচাদা হৈবাং হৈফাং থা তেকপী ওক য়াওনা মোইবাংগী লৌবেনপুংদা লৌবুক্তা উনসি হাযবিয়ু পজেং ফিবাল য়ুংওম্মু তম্ফা হায়না কৌবকউ ঐ লাক্কে, মমাদি য়াওহলক্কনু হাযযু"। "যাংবনা হংই - ঈবেম্মা ! তম্ফানা লাকই হায়বদি কবি খুদম পিবিবক্কদগে"? "ঐদি মালংবা ওইনা লাক্কে ঈবুংঙোদা পাওদম্মুবো" হাযবল্লগা তম্ফাদি মাই মখা ওন্দুনা চৎখ্রে। মনাই য়াংবসু হলক্কে, যাংবা হায়বিবসি অকোংজানবগী পুক্লিংবুনি হায়না ফৌওইবী লাংওন্দা হায়।

অকোংজানবনা মনাই যাংবা হল্লকপা উবদা কোঙযানবনা হংই। "যাংবা !

অসুমা ঙাইহাক পোৎথাববা মতুংদা হঙোই কোন্দো নাওশেক্লচিংবা ময়াম অদু কৌশন্দুনা পুলপ পুন্না তিল্লগা ফৌওইবীনা মখোয় ময়ামদা ৱাবী লীদুনা শিন্থা পিবকই। " সে সে হঙোই কোন্দো, নুবাবা নুবাবী চেক্লাওবী উশুক খংৱাংচাক নখোয় ময়ামদা ৱাবী লীগে কাওগনু মুন্না তাও"। "মায়াম্না ঈবেম্মা লীবিয়ু তাজগে"। "লাইবৈমনা ৱাবী লীবা হৌই - "তাইবং মীওইবসে গুরুনি, ফৌওইবী ঐনা তাযবং মীগী চীঙ্গাক ওইনবা ফৌ ওইনা লাংওলবদা নখোযসু লোযনা তাইবং মপু গুরুগী পাইমনুংদা লাংওনমিন্নশি। নমীং নাওশেক থোল্লবনি, কোঙ্গ্রেং থোল্লগে হযেং তাইবং কুমল্লগা ঐগী যুম অমা লৈবমগনি নখোয খংনিংব্রা"? "ময়াম্না খুম্মী তাকপিয়ু ঈবেম্মা ঐখোয তাজগে"। "হযেং তাইবংনা ফৌওইবী ঐবু যুম যুমদা থম্লবগনি। মতম অদুদা ঐগা চৎমিন্নগদবদি মি, চুম, উচী উতিন, হঙোই, যুম্নমা নখোয অতৈ কযা অমসু যা ওমিন্নসি। অসুম্না তাইবংগী যাথংদগী কৈবী কৈবেন্দা নৈগদবা নখোয খবমখৈদি লৈমিন্নসি। ফৌ ওইবী ঐগী ইলৌবু তাইবং মীওইবনা লৌবুক হাযনা কৌনবগনি। মতম অদুদা হঙোই নংনা ঐবু কৌও কৌবদি কুম "া হাযনা কৌও। হঙোই নংগী যাৱা খোঙ্গেল তাবগা তাইবং মপুগী পুক্নিং ওল্লক্লনা অনৌবা কুম অমা হৌবক্লনা লাইজ ঈশিং ৱৌও খবোই হঙোই নখোয ঐগী লৌবুক্তা নাওশেক নংসু ঐগী ঈপাৎ ঈকোন্দা থবাইকোকপী তেংবী নখোয লোযনা নযুম নবৈ ওইদুনা ফৌ ওইবী ঐগা চৎমিন লৈমিন্নসি মতিন মকাং নখোযসু নযুম পান্দুনা শান্নমিনসি। উশুক উবা, খংব্রাকচাক, উবেক, উথুম, তিংই নখোয লোযনা ফৌওইবী ঐগী ইকাযদা নকম থাবোলাও। খংব্রাকচাক নংদ ঈতা শানসি, ফৌওইবী ঐগা লাংবন কামিন্নসি মেবা কুমিন্নসি। নখোয পুন্নমক্তা ঐনা যাথং পিবনি হাযনা তম্ফানা তাকপিবে। ৱাবী অসি লন্নেন ঈথায চিংজিল তুবেল অচৌবা মপান্দনি।

অকোঙজানবা থুংঙবা

অসুম তৌনা তম্ফানা মফি মবোল শুদোক্লনা মালংবদা কংহন্দুনা

মযামগা নুংঙাইনা ৱাবী শান্নদুনা মনাইশিংগা নৈবিঙৈদা মশাবী অকোঙজানবদু লাঙ্গোয থৌদুনা লাকপনা ঈথায চিংজিন্দা থুংঙবে। অবাপ্পদা লাঙ্গোয় থৌবকপা মশাবী অকোঙজানবগী লাঙ্গোয মখোল তাবদা খংব্রাকচাক্তা হায়। " ইতা খংব্রাকচাক ! অঙস্বা কনানো লাঙ্গোয যাংনা থৌবকইবসি অমুক্তা যেংবিক "। খংব্রাংচাক্লা যেংবদা মোইবাং অকোঙজানবা লাকপা উবে। "ঈবেম্মা ! মোইবাং অকোঙজানবনি"। "অদুদি ইতা ! শগোল মখোল তানিংদে লাঙ্গোয পুশনবীবক্কনু হায়যু"। "খংব্রাংচাক্লা ঈবুংঙো! ঈবেম্মা তম্ফানা লাঙ্গোয পুশনবীবক্কনু হাযহৌই" ৱাদু তাবদা অকোঙজানবনা লাঙ্গোয শগোলদু লাপ্পা থনম্লগা ফৌওইবীগী মনাক্তা চংঙক্লগা হাযবকই। "ঈশানৌ তম্ফা! ঙাইহাক্তসু ঙাইবিবমদনা খোঙদোইববু কবি পুকচেন্নো ? মবুংঙোগী ৱাদু তাবদা ফৌওইবীনা ৱাবৌনা খুম্মকই - " ঈশাবী পোকপী থোযানৈমা থাইদিংজানবী পলেমদো ৱাহৈ ৱাতা কনমল্লি নুপীগী থম্মোয চেন্দে ঙাইহাক পুঙ্গোয পন্নিংদে ৱাবৌবিগনু" ফৌওইবীগী ৱা তাবদা অকোঙজানবা ইকাযজখি।

ফৌওইবীনা অকোঙজানববু খামজনবা

মবুংঙো অকোঙজানবনা ইকাইবদু উবদা নুংঙাইতদুনা নুংশিনা থেমজন্দুনা ৱাবী লীবকই। "ঈশাবী ইবুংঙো নুংশিবা ননাও ঐবু ৱাবৌবিগনু, পাম্মুবা নংবু ননা ওদি নযুম কেগে মোইবাংদা অমুক হল্লবোই। হস্তক মপোক লাংওনগী শবী ৱাশক্লখিবা অদু কোরর্বাস" কেগে মোইবাং লৈবাক্তা ফৌওইবী অকোঙজানবা হাযবা ৱাবী অসি নৈহৌকনু। নহান মপোক্তগী যোমকপা তবা চযোম থোক্লুনা শাবী শানৌ অনি চামিন্নবে। তবা পবা লোইবগা তম্ফন। মশাবীগী মফমদা হাযজৈ। ঈশাবি ও ! তাবিযু ঐদি লাই ওইবনি, ঈমান্না মী ওইনা মোইবাং লৈবাক্তা লৈবিবন্মু। নোংমা নোংমগী তবা চযোম অমমম পুবিবকউ, ঐবু লাইবেনবী তম্ফা হাযনা হেক হেক কৌবিবকউ। চবা ৱানমিন্নসি শিংজু চামিন্নসি কাংশোয

চামিন্নসি ঐগা মোইবাংগী লম্মিং তুমিং থোনমিন্নাসি, ঈমান্না ৱাববা কান্দা ঐনা নবল ওইনা শাযওল্লক্কে।

অকোংজানবনা হায - "ঈশান্নৌ তম্ফা! নংবু কৈদৌগে মোইবাংদা হল্লসিবা"। "ঈশাবী ঈবুংঙো নুংশিবা ননাও তম্ফাবু ৱাবৌবীনু হন্তক মপোক লাংওনগীদি কেগে মোইবাংদদি হল্লরোই, লাইজ ঈপান লান্না থোইনা চৎখি হাযবগী মপোক অমদা ঈমিং পাম্হোইবী কৌগে। মোইবা, নৈবাক্তা থোইবী ওইনা পোকলক্কে নিংথৌগী মমোম ওইরক্কনি। ঈশাবী নংগী কোলোইনা ঐবু থাম্বা যাদে হাযবগী থম্বা হাযনা কোলোম্বিবস্মু। কেগে সৈমযোন শান্নসি থাংজিং লীনা থাওসি ফৌওইবী ঐদি নৈক্হীবগে ইবুংঙেদি লেংবিবো। হযেং নযুম কেগে নৈবাক্তা শাবী নহাক্না ৱাববা মতমদা নিংওল ঐবু চাক্কৌবকউ"। তম্ফা মপাও তাবনা অকোংজানবনা বাতম্মী। "তম্ফা নংবু কমদৌনা চাক্কৌগদগে" "ঐবু চাক্কৌবদি থৎব নবৌচাদা। ঈমোম সৌবাম ওইনা ঐবু থাবনিদো, নযুম মোইবাং নৈবাক্তা নম্মু তাইবং মী ওইবনা লোইমোম থাবদা মহৈ মবোং পানবা না লবদা তম্ফা ঐবু বৌবিবগী নুংশিবিবকউ"। ফৌওইবীনা হায- লোইমোম ঐবু বৌবদি থাদৈ নংগী নবৌচাদা ফক্লেন চবাই থা লোইমোম ফৌবোম চপ ফৌবোম মম্মী থম থুদাপ হাক নাইনা ফৌ ওইবী, ঐবু বৌবা থাদৈ নবৌচাদা ফিবাল সেনা খুংলম্মু চংউ মতং শাংনা খুং শীংঙেল নৈবম তাওজিং হৈবম থাবো তম্ফা ঐগী ইও শম্মু নবে ফিদম্মু চফু থান্দোং তম উযান থোইনিং নপ নিংঙেল থুমজা মইতোবী থাগুপ্পবোশিংগী থাইবোক থাও শিংঙেল নৈপুন শেল্লগা শীংজু শুও।

তম্ফা ঐবু চাক্কৌবাদি

লেইপ্লে ঙানা হোংবা কুমদি ঙানা কৌও, তাওজিং হৈনা হোংবা কুমদি হৈনা কৌও, তকপী ওক্লা হোংবা কুমদি তেকপী ওক্লা কৌও, কাইন যেন্না

হোংবা কুমদি যেন্না কৌও, অঙাংবা যেনবী মঙাং মযেকচানা কৌও। লৈচ্রেং লৈতাং লৈতাই যেননা কৌবদি খাব নযেকচানা ঙানবা নপাচানা খা ঙানবা নযেকচানা কৌও। মোইবাং নযেকচানা কৌবদি অবাংবা যেন্না কৌও। তেকপী ওকলম তবেৎ কাইনযেলম তবেৎ, ঙাবম তবেৎ শাগী শাবম তবেৎ, শম্মু নপাঙ্গল কনবা কুমদি যাবৌ শাদাল্লগা য়াংদৌ শাদাল্লগা যাংদৌ শাবম লীবগা কৌও। ঙা ফাবা হৈব কুমদি লেম্লে ঙানা কৌও, মৈনা ব্রাই তাংনা শম্মা হযেং তাইবং মীওইবদ্দু তাকপিযু"।

লৌ যৈবা লোইবা নুমিত্তা তৌগদবাবু ফৌওইবীনা তাকই তম্ফাগী ব্র তাবদা অকোঙজানবনা হংই- "ঈবেম্মা তম্ফা নংদি কমদৌনা লাংওল্লক্কদগে"।

ঈমান নংনা থাঙ্গ লৈকাই কোইবকউ। থাবৈ নবৌচাদা লৌচি লৌযা কোইনা তাওজীং অবেনবা খুল্লু তম্না মীনা কৌবা খুমগনু। নুবা কনাগা চিঙ্গোয ব্রাবী শাবিনু, পাথৌ নমাননবা কনাগা পাওখুম্নবিগনু। থংলেন নংগী পাইমনুংদা ফৌওইবী নহাক্তবু কদাযদা লৈবগে হাযদুনা পাখং ঐনা লোইমোম নং কৌবিযে কুমশি শাবল লমথোকখিগনু থাঙ্গ লৈকাই কোইগনু লোইমোম নংনা হাযবগী লৌপুবেল অকোঙজানবা ঐহাক্না ফৌওইবী নংবু কৌবিযে হাযনা খন্দুনা থংলেনগী লৌবী লৌযাদা কোইদুনা চৎপিযু।

ফৌওইবী মাবু কৌশলগদবদু তাকই

পানী মকুপ থন্নবা ঈমোম মবুক থন্নবা কৈবি কৈবেল থন্না কোঙ্যানবা ঈযুম ঈবানযাইদা ফৌওইবী নকৈ শেম্মো। ফৌওইবী নংগী নকম থাবিযে হা তম্ফা ফৌওইবী নহাকপু লাকও লাকও ফৌওইবী লাও লাও হায়না নিংঙোল ঐবু তোইনা কৌবকও।

ফৌওইবীনা লাকপগী খুদম তাকই

মতম অদুদা মালং থঙ্গোং নামী হই তম্ফা ঐদি থংলেনগী হমাং লৈবিক

লোকপা নুংশিং ওইনা পাম্মুবা নকাদা থাবৈ নবৌচাদা নোংমদোল লৈনা লাকচগে। কেগে পাখং তম্বনা উপাল লেঙ্গা চৈবোং পায ফৌবী হাইবংননা নিংঙোল ঐবু লোইমোম মহে য়েবদা কেগে নুবা তবেংনা ফৌবোম চোঙ্গা খোম চক লৈনা পাযদুনা কল্লবদা লোইমোম এদি কৌজেং হাবৌগুম কুমশিদি খবাই চবাইথক্তা থনম্লগে হযেংগী খবা লৈমাযথক্তা তাহৌগে শিংঙেল লৈখোক অদুনা ঈমিংদি হনুবী হাযনা কৌগে লোইমোম মাবু শিংলি হাযবগী শুমচীং হাযনা কৌগে, লোইমোম ঐবু ইল্লি হাযবগী ফৌযিস্তোক হাযনা কৌগে তম্ফা ঐবু রামেম্নে হাযবগী মেকক বৌগে। নিংওল পোলোয শম্পোৎ পুনা চকপা নযুম যুমজংমিন্নসি তম্ফা ঐদি কোবৌ নোংমদোন নোংফাইনা ইমান নকাইদা চহি কুমশিং যাম্না চবা হুন্না যোক্লগে।

ফৌওইবীনা মখাদা সাইওলক্কদবা রাবী

হযেং থংলেন নকাযদা লাক্লবদা মপোক অমদা নমোম ওইজৌও অযাং লৈমা পাম্লোইবী ওইবগে নিংওল ঐগী অরোং অউন তম্লগা চিংউ লাইদা থাজৌও। নহানগী লৈবনা ফাইবেল লোইদাম থা যৌবগা কেগে নযুমদা অমুক চাক কৌও। তম্ফা ঐবু খুকুমজৌ কৈবী হাযনা ঈমা হাযনা হাযজৌও। কবোক পোকপী চনুদি নযোম হাযজৌও কবোক লৈমাই চাই নিংঙোল ঐহাকপু হৈশোয থাবগা তম্ফা কাবকও তম্ফা ঐসু ঈপন সোবাবেন্দা পাওহংলুগে অদু নোংবু ফাইবেল কৈ পাবা লংকোৎ কোৎলাই খুকুম্না তম্ফা কৈবাই খুকুম্না কোৎলাই থাবা হায়জৌও তম্ফা ঐনা যাবিগে। ইমান নহাক্লা পাইমা নবৌশিং লৈবগা অকোঙজানবা নহাক্তি লৌদা লৈবগা লৌকঙহনবা কৌবকও, কৈদা লৈবগা কৈকঙহনবা কৌবকও। তম্ফা ঐনা লাংওন অমদা কেগে নুবাবী ওইববদা থংলেন নহাক্লা নুবাবা ওইবকও। থাংজিং লাইগী মনাই ওইগে হাযনসি নহাক্লা য়োংপাক খুত্তা পায নপাঙ্গল কন্না লৌ শুবম্মু। ফৌওইবী ঐসু অহোং চনু ওইনা

হাওশম তুংদা য়ান ফিমু কোকশেং লাইফী খোইদোম্না নুবা খ্বাঙচেং মচি লাং তবা চাকয়োম পুনা থংলেন নকায়দা খোংদোইবক্কে। থংলেন নহাকসু নকোক চিবোঙ্ থেং নাদা চোম্লাং য়ান খুবোম যাইশি লোন খুদাং হৈচাও পুন কপত্রেং ফিজেং শেং ঈপন কুম্বী পুবা লাইগা পলেম কুমদিনবীগা খুবম্বা চিংউ মাগী মযাথং পুবদুনা থংলেন নহাকপু কেগেদা খুন্দামিন্নসি মোইবাং লৌতামিন্নসি নিঙোল ঐনা থংলেন নংবু কাওবোইয়ে। হন্দক্কী মপোক লাংওন্দি ব্রাইনা শমদীঙ তেৰ্বসি থংলেন শাওবগনু চিংউ ব্রাবৌগনু হাযনা তম্ফানা লম্লেন ঈথায চিংজিন্দা মশাবী অকোঙজানববু পাম্মুবা লৈবিহৌবো তম্ফা ঐদি লাইজ ঈবান্দুনা লমদম অমদা চৎচকখিগে ঐদি লাইনিদো গুরুগী যাথং মতুং ইন্না খুম্হোক্লুখিগে, চাকযোম লা মসিগী লাক্ত অসি থাগে মসিনা হৌববা কান্দা ঈবুংঙোগা ঐগা থুংনগনি। হয়েংমুক্কী মপোক্তা থংনসি চৈশু অসিশু থাগে মসিনা ব্রা ওইনা হৌদুনা ব্রাপল্ল কাববা মতমদা ফৌওইবী ঐগা থুংনগনি হাযনা থংনসি"।

ব্রাবোহাশন

তম্ফাগী ব্রা তাবদা অকোঙজান্বসু যাবে অমুক হন্না শাবী শানৌ অনি ব্রাশক্লদুনা লম্লেন ঈথাযদা ব্রাগা লাগা থাবে। মসিগী মতুং তাবদা মবুংঙোনা তম্ফাবু লাইজ ঈবানবিদুনা তম্ফা খোংদোয হনখ্রে, অকোঙজানবসু মযুম কেগে মোইবাংদা হলব্রাইবক্লে। অকোঙজানবনা মযুম মোইবাংদা হলক্লগা হাযনাখৰা ব্রাগী তুংইন্না ফৌওইবীবু কৌখী। তম্ফা লাইবেনবীসু মবুংঙোনা কৌবদা মযুম কেগে মোইবাংদা অমুক হলব্রাইবক্লে। মতম অদদগী হৌনা তম্ফা ফৌওইবীবু মচেং কাযনা খোম্লা মযুম কেগে লৈবাক্লা লাইগা মীগা পালকপদগী তম্ফাবু ফৌনি ঙানি খুম্নী হাযনা নমু তাইবং মীওইবগী মবৌশিংনা ঈশ্বরগী মফমদা কৎনবা ফৌওইবীবু তাইবংপানগী মমানি হাযনা খুরুমজবা ঈবাৎপা থৌনিবা ফৌকৌবা হৌদোক্লম্মী। মহে মবোঙ পানববু পিনবিযু তাইবং মীওইবা থব্রাযবু যোকপিবিবী চিংউ লাইবু যোকপিবিবী পলেম ঈমা ঈবেম্মা ললৈমা ললগী অথোইবী তম্ফাবু

খুরুমজৈ হায়এ।

মতাং অসিদা ফৌওইবী অকোঙজানবগী ৱাবী ঈথাযদা ফৌওইবী হাযবা অনিশুবা তাঙ্কক লোইবে।

ফৌকৌবোল

ফৌগৌবোল অসিদা চংগদবা পোৎলমশিং অদু মখাদা হায়বিবা পোৎলমশিং অসিনি। চফু অমা উয়াল অমা লফোই লফাঙ চং থোকপা অহুম শি তাবা অনি লৈশং মবোঙ অমা যেন অমুবীগী মকুম অমা য়েকুমদুদি চাবা য়াদে চাকনু। হৈ মনম নাইবা অনি কোনযাই পু অমা খুদৈ মচা অমনা ফীবাল ওইগনি। অনম অথৌ কোক্লবা মবাক তাইবা ফীবাঙ অমা চফু মচা অমা শাবেঙ অমা ঙাপাং অমা ঙাবোই নত্রগা অফংবা ঙা অমা হেক্তা যাই, হাযবিবা পোৎশিং অসি চংগনি।

লাইবৈমগী ফমফম ফী থাগনি

যেৎ থংবদা লাইবুংথৌ মাপনগী ফমফম লফুৎ মাপন থাগনি। ওই থংবদা লাই নুবা তবেৎকী ফমফম লফুৎ থাগনি।

লাইবোল

হযাহে হে লিক্লাইও যিবুংথৌ নোংথৌবেনবু নদাযবেম ইৱাক মানা হযিচকঙৈগী খোইমোম লাইবেম্মা যাংমোম মহুই লোইনাই লোইমোম ফৌওইবী। তবা চাকওইবী পোইবৈ খুনযোকপী তাযিম নাইযোকপী লৈনুং ফাইবী তেব কোনলাংনশিনবী। থাংযি অহোংপি লোইমোম অচৌবী। যাংমোম মহুই লোইনাই থাংই মমীৎযাম লোইমোম ফৌমীং হকপী। হাইনু লৈমা হাযমিন্নবী খোংজিনুং লাইবম চনু লেন্নৈ ঙাবা ঙা ওইবী। ৱাকচিং হাওকোনবম চনু নিংঙোল নুবাবী লৈমা থুম ওইবী। যাংমোম মহুই লোইনাই পাৎথি লমদম্না হাওনাতোন চৈ

যৈনা ওনমানবী। তোইবী কোনমিংনবী কোনলাং লসিন্নবী খোইনৌ মতা মাদি কদাইবম তুজোং পল্লানখিবনো। য়োইবু খোইমোম লাইবেম্মা লোইমোম ফৌওইবীনা লৱাই যুপুগোয যুনাযেক চিবা পাওনাইদবনা লৌবী থিনবী মনম ফাংনা মবানযিমগা তম্বা চেক্লা অযুক লৌকুম অমা তৈ নুমিদাং লৌকা অমা তৈনা মপাবী নাওথক্লা মমোম নাওহম্লনা লিক্লা উনগোয়নুংদা মনুং যাতাবিবী ফৌৱাও। উবীৎ লোনযাম্বী যাংবা মীবাই কংচাল লকা শেৎনা মবান যিমগ তম্বা চেক্লা অযুক লৌকুম অমা তৈ নুমিদাং লৌকা অমা তৈনা মপাবী নাওথক্লা মমোম নাওহম্লনা লীক্লা উনগোইনুংদা মনুং যাতাবিবী ফৌৱাও।

খুনু মালথিক তোং তেবা মমা পুচেংলৈ নৈবিচা কোওযাংবা খুনু চিংশোং লমজৈমানা লাংলেন কোঙযাং ৱাতোনখক্লা শিংবী যাদা চিক্লা মবানযিমগা তম্বা চেক্লা অযুক লৌকুম অমা তৈ নুমীদাং লৌকা অমা তৈনা মপাবী নাওথক্লা মমোম নাওহম্লনা লীক্লা উনগোইনুংদা মনুং যাতাবিবী ফৌৱাও. নৌ[illegible] লৌওানু ওানু খেবে চিনপাকপী চানা সোইবন খুম্বীথক্লা হুপনৌতোনগা চিক্লা মবান যিমগা তম্বা চেক্লা মপাবী নাওথক্লা মমোম নাওবম্লনা লীক্লা উনগোইনুংদা মনুং যাতাবিবী ফৌৱাও।

মানবী জিতেপ্পা কা ওবেন কোনস্বেনা থাদিন নেৎকা নেং লোইমোম শাইগ শাইনা বাওবেন বাশাও খুন্দা মনুং যাতাবিবী ফৌৱাও।

তথম লৌবম চনু তবা চা তান লোইনা নোংপোক চাক্লাই থাংতোং কোনবা ওাংখুন খান্নী লৌখৈ থাং কাংওই নুবাপি ফানথাং মচিন খবং হাযনু মানবা মথৌ কোনবী হৌবা থাংনা শেকপী যাতানবা মযা ৭৬০ পানবা থাংনা যেৎতবৈ থাংগা হাইবৱ হাইযোনবী ওই তবৈ চাগা খোম্বৱ খোমযোনবী থাংই চবৈথা লোইমোম খুদাপ খোম্বনা থাংযি থাদা পম্বৱ পমযোনবী ফৌৱা মবোই তোইবী খুবক হৌনা শাবা ফক সোংপু লাইবা কাবিং ফক্তা ফক্লোং চবাই থাবৱ থাযোনবী লাইচম নৈমা খেকমোন থানবিগী শমু মখুৎফাং মঙা মানা ওইখিবা

উপন চৈবোঙ মঙা ফাংবনা থাংই চদোন হাইনা লোইমোম পোপতেক ফুব্বু ফুয়োনবী ফৌব্রাও। মপন থোংনাং নোয়াম্বীচা ফৌবা য়াংলাই কোকশু লান্দা চৈ তাংখুল হুইচা নিংথৌবা য়িতম সোইশেনবা ফান চৈনা য়েয়োনবী তম্মুম লৌরম চানা পামেল উমাই কোম্না থাংয়ি চেপকোংনা লোইমোম চিগা পৈবরু পৈয়োনবী য়াম্না হুমাই মাইবেং হৌবরু হৌয়োনবী ফৌব্রাও।

লৌবম অবাম যাংবা চালোইমোম ফৌবম চেনবদা পোংপু লেংলম তেক শংবায় নাবোঙ তৎন থাংয়িং খুৎয়োংন থাঙেদা লীক্লা উনকোইনুংদা মনুং য়াতাবিবী ফৌব্রাও।

তযুম লৌবম চনু খুৎলং নুবাবিনা থাংয়ি লুথোঙপু লোইমোম ফৌবম চেনবদা লৌবী খুথিনা ষষ্টী খু খুন্ননা শাকোন খুবৌ থাং নাংজা লাই খংনা থংই ফৈথাননা লোইমোম চেপহৈনা থাংই খুযোম থাঙেদা লীক্লা উনকোইনুংদা মনুং য়াতাবিবী ফৌব্রাও নংবু কৌজবিয়ে।

লীক্লাই নিংথৌবেনগী কৈবেন হাপসা কৎলিবা কম্বী নবৈখু খোইজু তোম্লোই ইক ৱাংলৈ খকুঙ ওইবম খিল্লিবা অসিদা তুমীৎ য়ুবান ওই নুংজেং চামি ওই তুবেল চংলৈ লৈঙোই হাবগুমবু থাংই নয়াফম লোইমোম নতিনফমদা তিল্লবো।

যাংমোম মহুই লোইনাই লোইমোম ফৌওইবীদি লৈনুং থোংঙাবেন অহনবদা তাংথখিয়ে। মমা লৈনু পিয়াইনু চা সৱা কংলৈ পুংফাবনা সুমাই উচিন লৈএ লৈনুং থোংঙাবেন অহনবনা থাংয়ি হোংইগীদি হোংনা ঙমদে লোইমোম চাওয়িগীদি চাওনা ঙমদবী ফৌব্রাও।

থাংয়ি অহোংবিদী খমনুং লাংওন খোন সৱা পনগেন খোনবু নাচুংঙমদবগী তোপ্রা হলাল্লমএ। লোইমোম ফৌওইবিদী কদায়বমদ তুজোং পনলালখিবনো ? চিঙ্খোঙ পোইবৈতোন পোংফাং অতোনবনা মালেম খুনফা উবকপদা হৈনা মতুং ইন্না সনা মমৈ ৱাইখংলকপি ফৌব্রাও।

য়োইবু খোইমোম লাইবেম্মদি কদাইবম তুজোং পনলানখিবনো ? কুকমলেন মৈনাইবা মৈশুং সেম্না মৈবা তাওবদা তাংথখিয়ে। য়োইবু তম্ফা লাইবেম্মদি মৈশুং মৈবাওখোন খাম্নী মৈচিংখোনবু নাচুংওমদবগী তোপ্লা হুলানলময়ে। কুকমলেন মৈনাইবনা কংলৈ পুংফা নাবৌদে অহোং তানফং নাবোলদবী ফৌবাও।

লোইমোম ফৌওইবীদি কদাইবম তুজোং পন লানখিবনো ? সোংচা নিংথৌবা হেবু কংচিকপদা তাংথখিয়ে।

য়োইবু তম্ফা লাইবেম্মনা হেবুকংচিকখোল ঙাংচেং লৈতকখোনবু নাচুংওমদে তোপ্লা হুলাললময়ে। শোংজা নিংথৌবা হেবু কংচিকপদি কংলৈ পুংফানবৌদে। অহোং তম্ফা নাবৌদবী ফৌবা থাংয়ি অহোংবীদি কদাইবম তুজোং- পললানখিবনো ? য়াংমোম মহুই লোইনাই লোইমোম ফৌওইবীগা হাইনু লৈমা হায়মীংনবী চিংনু লৈমাচিংমিংনবী খোংজী নুংলাইবম চনু লেমলৈ ঙাবা ঙা ওইবী ব্রাকচিং হাওকোলবম চনু লোইবু থুম্লেমা থুমওইবীগা তোইবী কোনমীংনবী কোলাংনুগা নিনপাল নিপাল মানা লোইনদুনা সুনা হায়নবম্মী। অদুনোংগীদি লোইমোম ফৌওই চিংও থোন্নবময়ে।

খোইনৌ মতা তককমক্লা শিংবী মকু খোক্লা শিংনবময়ে হায়বগী শিংথা লৈওইয়িও কৌযে। নোংথাং কাবোংলাই কাফাবাইবু য়িতালসে হায়না খোইমোম লাইবিক ইনা হায়নবময়ে। অদু নোংগীবু শিংথালৈ থোইয়ি খোইমোম লাইবিকযিও থোন্নবময়ে। হয়েং কৌবা নোং পাশোই মোবা তৈনা ঙালক্লবদা খোইনৌ মতা তককমদি থোংনা ময়াং পাংগে হায়না যিলতানখিববু হামসি লুংলাইকোল তংখু লৈহৌপোক্লা লাইজ মথি নাই ঈমু মবাং হৌ নুংবী খমখাই য়াম নিবেল কংশিনিক তম্না ফৈদোই হক লাইজ মথি নাই য়িমু মবা হৌ মেননাং তনবা খুয়ৌ ঙমজৌ হুলনা লাইজ ঈবেল নুংঙম্লবগী য়াংমোম মহুই লোনাই খোইনৌ মতা তককমদি লাইজ ঈতা হৈবগীনা শাম্না ঈকোংতম ঈমু খোংগাওননা লাইজ ঈবানখিযে। লোইমোম ফৌওইবীদি লাইজ ঈতা হৈতবগী ব্রা ওইখিযে। লাইজ মথি নাই ঈমু নুংস ক্রমনা ঈবাং হৌঙম্বনো হায়না কোঙয়াং মচৈশুনা

লাইজ পুং খাইনা য়েবম্মে অদু নোংগী লোলোই য়িয়েও তৌনা কৌয়ে। য়াংমোম মহুই বোইনাই খোইনৌ মতা তককমাদি হে ঈতা লেপ্লে ঙারা ওইবী ঙাওইবীও হয়েং লোইদাম মনুং ওই থাংয়ি ময়াই কাববদা চামনৌ লুকপাল থক্তা লমওক্লসে ঈতাও হায়না পাওমেন্নবময়ে।

খোইনৌ মতা মঙামসু পোইবৈমৈতে পাংনা মাবা মখোং শুনবু য়িতানখৎলকয়ে, পোইবৈ ওন্দেবক রাঙম হুলরাইবকয়ে। য়োইবু খোইমোম লাইবেম্মা থাংয়ি অহোংবিদি কদাইবম তুজোং পলানখিবনো ? য়িচিক শিরা কোংনিংথৌবা তুবেল রাইখুবীচা মনম মথা ফাৎনা লৈমু সেংতাক্লা লৈহৌ সেংওইননা রাইকোক লম্মাহন তোংবদা তাংথখিয়ে। ঈমু ঈফোং লাইজযিবাওখোলবু নাচুংঙমদে। য়োইবু খোইমোম লাইবেম্মনা তোপ্লা হুলাললময়ে। রাকোং নিংথৌবদি কংলৈ পুংফানাবৌদে, অহোং তানফং নাবৌদবী ফৌরাও।

লোইমোম ফৌওইবীদি কদাইবম তুজোং পললালখিবনো ? কৌববোল নামোইনু সনালিনগোইপি হোংনেম লুরাং নিংথৌ পুন্সিবদা তাংথখিয়ে। হোংনেম লৌশোইলেন শোইবেন য়িমাক য়াংলা হৈতুপ পোক মোংবা য়িমজাওমান সংদিং লোনঙৌ চিংদা চনু লুক মতৈ চংঙে লুক্তা লেমনা অহোং তানফংনবৌয়ে। থাংযি হোংইগীদি হোংনা ঙমদে, লোইমোম চাওইগীদি চাওনা ঙমদবী ফৌরাও। হোংনেম লুরাং নিংথৌবা তানলোই লুমদিনখোন চবৈ ফিফুখোনবু নাচুংলমদে তোপনা হুললালময়ে। থাংয়ি অহোংবিদি কদাইবম তুজোং পললালখিবনো ? লমলেন হাওমনয়াং কাইবিং পোকতোংবনা নুংপান শুদনা লুরাং ঙাংতাবদা তাংথখিয়ে। খোইমোম লাইবেম্মনা কোকলৌ তাওথোংচি শিংথা লৈথোম য়িনা ইহা ইকেং মাবু থাফদে। য়িহৈ য়িবোং মাবু য়ানফদে হায়না হুললালময়ে। নোংবান শুদবা লুরাং ঙাংদবনা কংলৈ

পুংফানাবৌদে অহোং তানফং নাবৌদবী ফৌবা থাংয়ি অহোংবীদি কদাইবম তুজোং পললালখিবনো ? হাওকু য়াংনমপুসু লমলেন কায়িং কায়া লৈতোংবদা তাংথখিয়ে।

লোইমোম ফৌওইবীনা চান ঈবাওখোল তোংলেন লৈশংখোনবু নাচুংওমদে, তোপনা হুললালমযে। হাওকু য়াংনম পুসুনা কংলৈ পুংফানবৌদে অহোং তানফং নাবৌদবী ফৌবা থাংয়ি অহোংবিদি কদাইবম তুজোং পললালখিবনো ? কম্বোং খিংগমপোং বায়াবা পোবোমপাং খারম লান্দোংবদা থাংথখিয়ে।

কম্বোং খিংগমবোং বায়াবনা য়ুহি লামাচেন য়ুওৌ লামাতৈ খাবি লৈচু খোংচু হাওনম মখোইলৌ ওাইবোও ওাবকশা খুংপিশিং লাইনা কম্বোং খাবম পাংপু হেসোখোন য়েন্নাও নাহেখোনবু নাচুং য়ুহোংনা থাংওা লাইবম পাংপু য়ুনৈনা হোংয়িগীদি হোংনা ওমদে লোইমোম চাওযিগীদি চাওনা ওমদে লোইমোম ফৌওইবীনা থুমনাও হেসোনখোন যেন্নাও নাহেখোনবু নাচুংওমদে হায়না তোপনা হুললালমযে। খোইমোম লাইবেম্মদি কদাইবম তুজোং পললালখিবনো ? য়িয়োক য়িবাইবা লোকপা ফৌওই চিংদোংবদা তাংথখিয়ে।

লোইমোম ফৌওইবীনা ঈবোক ঈবাওখোল তাম্মা হুইশোনখোনবু নাচুংওমদে তোপনা হুললালমযে। খোইমোম লাইবেম্মদি কদাইবম তুজোং পললালখিবনো ? য়িবোক য়িবাইবনা কংলৈ পুংফা নাবৌদে অহোং তানফং নাবৌদবী ফৌবাও। থাংয়ি অহোংবিদি কদাইবমদা তুজোং পললালখিবনো ? য়িচিক সিয় কাংগাওন লোয়া কাংওা মুংতোংবদা তাংথখিয়ে।

লোইমোম ফৌওইবীদি ওকলেন য়াওতমখোল লাইবেন য়াতমখোল য়াওবৌ শাচেনখোনবু নাচুংওমদে তোপ্না হুললালমযে। য়িচিক সিয়ু কাংগাওন

কংলৈ পুংফানাবৌদে অহোং তানফং নাবৌদবী ফৌৱাও। থাংয়ি অহোংবিদি কতাইবম তুচোং পললালখিবনো ? নুংপাল ফানতেক শোকলাইবদা তাংথখিয়ে।

ফালতেক শোকলাইবনা সুমাই উথিলননা থাংয়ি হোংয়িগীদি হোংনা ঙমদে চাওইগীদি চাওনা ঙমদবী ফৌৱা লোইমোম ফৌওইবীনা তালোই মরুপী লৈমা হাওবেমনা নপা খুৎফুখোনবু নাচুংঙমদে, তোপ্পা হুললালময়ে। থোইমোম লাইবেম্মদি কদাইবম তুজোং পললালখিবনো ? কুকি অহোংবা লাইকি অচৌবদা তাংথখিয়ে।

কুকি অহোংবনা লাইবেন খুলবী লোক্তা কংলৈ পুংফানবৌয়ে। অহোং তানফংননা হললু লুকথুংদববু লুকথুংনহুনবা লুতেক তাববু লুকতেক্রবৌয়ে কুকি অহোংবদি হোংইগীদি হোংনা ঙমদে চাওইগীদি চাওনা ঙমদবী ফৌৱাও। থাংয়ি অহোংবীনা তুবী য়ুমফুখোন লাইবেল য়ুকৌখোনবু নাচুংঙমদে হায়না হুললালময়ে। লোইমোম ফৌওইবিদি কদাইবম তুজোং পললালখিবনো ? কেগে থোইদীংজম নিংওলবী মপাবী মোইবাং অকোঙজানবদা তাংথখিয়ে।

কেগে অকোঙজানবদি লাবা খুমনগীবু য়াংদৌ শাবম লীখিপদা য়োইইবু তম্ফা লাইবেম্মনা কেগে থোইদীংজম নিংওলবীও য়োইময়াই তাওদনবসু মতাং তেনখিয়ে, নংগী ফুঙ্গা লাইকনুংদা তাংথবমগে হায়না পাওমেনববু কেগে থোইদীংজম নিংওলবীনা হোয়াবমদে। নমু হিংগুম্বী নংদি ঐগী ইবান লোল য়িমনুংদা চংফবোইয়ে তাওয়িহুই য়াময়ে কায়বৈ য়িয়েনহকয়ে হায়না ৱাবৎনখিয়ে। তৌইগীদি কাওবেন নংগী ষণকোননুংদা তাংথবমগে হায়না পাওমেনববু কাওবেন য়িষণচাবু য়ায়েতেকপী য়িওক হকয়ে তাংথফবোইয়ে। লোইমোম ফৌওইবীনা সুমাই নখৌবোম তাংববোইদা তাংথবমগে হায়পসু মেনলাং তনবা শাকাবমনে তাংথফবোইয়ে হায়না শমুনা খুৎলাক্রা চিংথোক্রে। তম্ফা লাইবেম্মদি য়িমলেন সাইগংখা তিনগুি সাইগং মাশোকলমদা লমচুম

নমনা য়াতাখিয়ে। কৌবা নোংগাসোই লোইয়া মেলোন ঙালক্লবদা খোইমোম লাইরেম্মনা কেগে থোইদীংজম নিংওলবীও সুমাই নংগী নথৌবোমদা ফকলোং চবাই থাচরো হায়না পাওকৌখিয়ে। লোইমোম ফৌওইবীনা চরৈমলমখাংবু কন্থবমগে, থাংয়ি চিগাসা লোইমোম চিবুং পৈবে। য়োইবু খোইমোম লাইবেম্মনা কেগে থোইদীংজম নিংওলবী নংগী মোংবা নবানয়াইদা কুবিরমগে হায়বময়ে। কেগে থোইদীংজম নিংওলবীদি য়োইবু খোইমোম লাইবেম্মা লোইমোম নৎতবা খা চিকয়ে হায়না থিকলেন থাকা ফুনা মোলখোইখিয়ে। মপাবী মোইবাং অকোওজানবসু য়াবৌ সবান নোকলুববু মবান মোংবয়াইদা বাইথুংলবে। মপন পলেম মমানা যিপাবী কেগে অকোওজানবও লেইমোম ফৌওইবীনা কেগে থোইদীংজম নিংওলবী নংগী মোংবা নবানযাইদা তাংথবমগে হায়ববু য়াদববু খোইমোম লাইবেম্মনা নমচুম আনম নেন্না সাগংপলবান খাচা লেকলময়ে। লোইয়া মেলোন ঙাল্লে কেগে থোইদীংজম নিংওলবীনা মপাবীদা পাওদময়ে। মবম চেংলৌ শকখংহৌদবনো কলকযে হায়না মোইবাং অকোওজানবনা মাবোই কেগে পাসবাংবু থৌসিখিয়ে। খাবিখোমগহান সিং সিংয়াগায়োম ফীমুলৈকমসি হৈবাং খুৎচাসুনা থৌখামবিকও হায়না আচেন লৌবৈহৌ য়াংলা খুদোই হুন্না য়িদালখিয়ে। কেগে পাসুয়াংনা য়াওসু চৎলম ফানসাংলেনচা তানফুংলুবে। খোইমোম লাইবেম্মা নংবু হনদেলকও লোইমোম হলবাইবকও হায়না পুনেম্ববু কেগে পাৎসুয়াংও খোইমোম ঐদি হলবাইঙল্লবোইয়ে। নয়াম্বা নিংথৌ অকোওজাম্বদো হায়কও ফৈজাবা কুমদি তেকপী ওকশোম অমুবীনা কৌজৌও হৈজাব কুমদি কাইবৈয়ে নোম অমুবিনা কৌজৌও। হৈজাবা কুমদি কাইবৈয়ে নোম অমুবিনা কৌজৌও হায়বময়ে। কেগে অকোওজানবদি কংলৈপুং ফানবৌদে অহোং তানফংনবৌদবী ফৌবাও।

থাংয়ি অহোংবী লোইমোম অচৌবীদি কদাইবম তুচোং পললালখিবনো ?

কেংগে ঈথায় কাবেম্বদা তংথখিয়ে হায়না য়িতলকপদা য়িথায় কাসবেনবা মচিনজিনবু যৌববদা তুবেল লাইজপাক্রে চেলময়ে। লোইমোম ফৌওইবীনা য়াবৌ শজি তেংখুবানবু লাইজ য়িতম্বীও হায়না থৌনেকখিয়ে। থোইনৌ ইতা থোংখুবা নং কাইচোন নালশাও থোইনৌ নতা ঐদি লাইজ ঈবোই হৈতে লাইজ ইবোই তম্বীও হায়নথৌনেকখিয়ে। থোইনৌ ইতাও লাইজ ঈতম্ববু অথেনববুদি অপাবা কৌই অকম্ববুদি অহকপা কৌই। শজি থোংখুবানা লাইজ ঈবোই তম্বীবে। লাইজ অহকপবুদি শজি মবৌহৈনা খুকখুদুপ কুম্না লাইজ য়িতময়ে। থোইমোম লাইবেম্মবু য়াবৌ শমকোই তুবেল মীংথাং কৌই। নবা থোয়বেন থাংনা ৱাকয়ৈ হিগ ওই সংলৌ কৌথ্রাংকোন্ন খুমু নৌগ ওই পোম্বী ৱাইবংচেক মকেপা পানজু মবি চেক্লা থাংয়াংচাক থোংসুবিনা ৱাকয়ৈ হিনাও শানা লাইজ য়িবানখিববু ৱাকয়ৈ ঈথৈ চন্না হিউপলে লাইজয়িনা থৈথুবময়ে। লোইমোম ফৌওইবীদি লাইজয়িদা তুমলে। নোংথৌ মানবা ষণ লৌবায় মানশবিক্লা লাইজ য়িবোলনুংদগী থিক্রেন থাদা পম্না পুখংলক্লে। সংলৌ য়ুনাবেক মনাও তোম্বা লাংগোলয়েন তুবেল সংকোয়েন কক্লা ৱাংমা তাবিনা থোইনৌ ইতাথোই লোইমোম ফৌওইবীনা লাইবেম্মও লাও লাও হায়না কৌওময়ে। লোইমোম ফৌওইবীনা কৌবৌ ক্রম্বনা থাইথ্রবনো লাইজ য়িনাসুং কবম থেঙম্বনো কলকয়ে অদু নোংগীবু য়িথায়ও কৌনৈয়ে। থোইমোম লাইবেম্মনা থোইনৌ ইতা নোংথৌৱাংবা ষণ লাবাই মানশবিক নংদি হয়েং থাংয়ি য়িপানকা লোইমোম ইনাও তাবক্লবদা নহ নাকোং মাবু থাজবো। য়াউবৌ শামকোই তুবেল মিথাংকোই নং হয়েং তাইবং নমু মীওইবনা অনা নাহেনোং য়েন্নাও হেশোন নোংদা তাইবং মীওইবনা তবা চায়িন্নসনু। চামলৌ লুপনথক্তা লমওক্রসে ইতাও। সংলৌ কৌথ্রাংকোন নংগা ককল ৱামা তাবী নবিংঙাদি লাংমাই চাইচি লৌখন নুং লৌবী শেন্দোইনুংদা থাংয়ি থোংলোম্না লোইমোম থোংদিন্ন পানমিন্নসে। পোম্বী ৱাইবংচেক মাকপা পাঞ্জম্বী নংদি হয়েং থাংয়ি অবেম্বসু য়িনলকপবা হায়না কোংন কোংন য়েংলময়ে অদু নোংগীবু সিকোংও

ওইনা য়িমচংলিলাইদমদা নমু মীওইবনা ফক্রোং চরাই থা লোইমোম চিকং শৈবদা য়িহিক য়িতাং য়িতিন মাবু মনজবো।

য়াবৌ শাবৌ হে শক্তি খোংখুবা নুংকাই তুনানশা নংদি থাংয়ি য়িহেমা লোইমোম য়িতিলমা চারবদি কৌবৌ নোংমা য়েং মালেম লৈন খাংসুনো হায়না শোলময়ে হায়দববা লোইমোম ফৌওইবিদি কদাইবম তুচোং পললালখিবনো? ব্রাংঙা লৈমা মাইঙৌ তানবী পাইমা লীনগোয়গী কেগে মোইরাং য়িথায়বেম্বদা তাংথখিয়ে। লোইমোম ফৌওইবীনা শাবেঙ খমচাওখোন ঙাবেন হিবোনখোনবু নাচুংলমদে তোপ্পা হুললালময়ে। কেগে য়িথায় কাইবেম্বদি কংলৈ পুংফানবৌদে অহোং তানফং নাবৌদবী ফৌব্রাও। লোইমোম ফৌওইবীদি কতাইবম তুচোং পললালখিবনো ? কাচেং য়োংযৈবা তানতেক থাংশাবদা তাংথখিয়ে।

থাংয়ি অহোংবীনা কচেং যোংযৈখোন মৈবী তোংহুমখোনবু নাচুংঙমদে তোপ্পা হুললালময়ে। কোন্দে খুৎলাই থাংশাবনা কংলৈ পুংফানবৌদে। অহোং তানফং নাবৌদবী ফৌব্রাও। থাংয়ি অহোংবীদি কতাইবম তুচোং পললালখিবনো ? লেবা তুমাবা খোংনাং লমচাওবদা তাংতখিয়ে।

থাংয়ি অহোংবিদি মানবি চিয়খোন কাওবে লাইথেংখোনবু নাচুংলমদে তোপ্পা হুললালময়ে। খোংনাং লমজাওবনা কংলৈ পুংফানাবৌদে অহোং তানফংদবী ফৌব্রাও। থাংয়ি অহোংবিদি কতাইবম তুচোং পললালবিনো ? লেবা তুমাবা খোংনাং লমচাওবদা তাংথখিয়ে।

থাংয়ি অহোংবিদি মানবী চিয়িখোন কাওবে নাইথেংখোনবু নাচুংলমদে তোপ্পা হুললালময়ে। খোংনাং লমচাওবনা কংলৈ পুংফা নাবৌদে, অহোং তানফং নাবৌদবী ফৌব্রাও। থাংয়ি অহোংবিদি কতাইবম তুচোং পললালখিবনো ? পবান নিংথৌ শোকপাম্বা মচিংজিনবু য়িতানলকপদা য়াংমোম মহুই লোইনাই তোবী কোনমিংনবী কোনলাংনুংগা হাওনা তোনতেক্রবী পাথি লমদমনা নুংবী যৈন ওনমানবী তুবী অঙানবা লাইবেল অবেম্বনা তাংজ মশামক্রা থৌখাম্লরে। অদু নোংগীবু ককচিংও থোন্নেয়ে। খোইমোম লাইবেম্মা মতা মবি মানা হে খোইনৌ ইতা তোইবী কোনমিংনবী কোলাংনুপু লাক্কববা তুবী অঙনবা লাইবেল

তেংলেও তৌনা কৌয়ে। খোইমোম লাইবেম্মা মতা মবিমনা লেংনা কাবকয়ে অদু নোংগীবু লেংলেনও তৌনা কৌয়ে। খোইমোম মতা মবিমনা কোংয়াং মচৈশুবু কনাগীনা থোইবনো হায়না য়েংববু লোইমোম ফৌওইবীগী মচৈশু লোকলৌফাং অমা থোইয়ে, ককলময়ে অদু নোংগীবু লমলেন ককময়াইও থোন্নেয়ে। অশাইঙৈগী তুবী অঙনবা লাইবেল অবেম্বনা উগনি হায়না লেংখুনা চখিয়ে অদু নোংগীবু চোংখুও থোন্নেয়ে। লোইমোম ফৌওইবীনা কবম লম্বুবা থোংখোং পোংথোকপদা তাংথখিয়ে।

ফৌওইবীনা থোংখোং পোংথোকখোন কবান লম্বুবনা কংলৈ পুংফানবৌদে অহোং তানফং নাবৌদবী ফৌব্রাও। য়োইববু খোইমোম লাইবেম্মদি কতাইবম তুচোং পললালখিবনো ? লমলেন খোমিদোক উঙাম পৈতোংবদা তাংথখিযে। লোইমোম ফৌওইবীনা ককচেং শৌচিনখোন তিনখোক লৈতিনখোনবু নাচুংঙমদে তোপ্পা হুললালনমম্মে। খোমমিদোক উঙাম পৈতোংবনা কংলৈ পুংফানাবৌদে অহোং তানফংনাবৌদবী ফৌব্রাও। থাংয়ি অহোংবিদি কতাইবম তুচোং পললালখিবনো ? নুংপাক খাবং য়ুম্মোই চাম্বা কোকলেন লুহ্ থৌবা খাবং চেনচিন য়াংবা তেংলৈ ব্রানকং সাইকোইবা পকসি চাঙৌচিন শবিক নুংথাংনা য়াংলা শিবোন খোকুম লিকথা মোইকাসা থৌপোম মাইবোই খন্ন চবাইথা উপন চৈবোং ফান থাংই চবৈথেম লোইমোম পোপতেকফু থাংয়ি লুম্বান তোংবদা তাংথখিয়ে হায়না শেন্না লোংনা নিংলময়ে অদু নোংগীবু লমলোংগেও তৌনা থেন্নেয়ে। লোইমোম ফৌওইবীনা নোংপান খাবং য়ুম্মোইচাম্বা থাংয়ি হুম্বান তোংবদা তাংথখিয়ে হায়না শেন্না লোংনা শিংলমমিয়ে অদু নোংগীবু লম্লোংঙ্গেও তৌনা থৌন্নেয়ে লোইমোম ফৌওইবীনা নোংপান পাখং য়ুম্মোয়চাম্ব থাংথী লুম্বাল তোংবদা তাংথখিয়ে।

লোইমোম ফৌওইবীনা থাংয়ি চিপুংপৈ লোইমোম চিগা শানা লনগুবীবে। লুব্রাং খাপং য়ুমোই চাম্বনা কংলৈ পুংফা নাবৌদে থাংয়িগীদি

হোংঙমদে লোইমোম চাউয়িগী চাওনা ঙমদা হাপচা কৈরেনথন পাখং শংবাই নারোকতং পোৎপু লেংলম তেক অবা শোনখৈনিনিক য়েনবী তোম্না হইরবগী মপোৎপু তাংমুবনা লোইমোম চিংবুথক্তা লুমনম্না য়েববগী লোইমোম ফৌওইবিদি খাং নুংজেং লাও নোংথি লাইমন হে চুবা ঙৈচায়েক্লা থুমনাও হেসোনলে য়েম্নাও নাহেবে। মথংলেন নুংবান খাবং য়ুমোই চাম্বনা মোমনু তাম্লোই য়িকম্বীও নংদি কবিগী থুমনাও হে শোনবা য়েম্নাও নাহেবনো হায়না পাওহংববু হোইদা থংলেন ইনেমচাও নংনা পোৎপু তাংমুবনা লমগন চৈথাকননা য়েববগীবু থুমনাও হেশোনবনে। ঐবু তাইবংচৎপান্না পানঙমলোইম্নে, হায়না পাওমেনলকয়ে। ঐদি কৌবৌ নোংগাবগে চিংউ লাইরমলেনবু য়িন্দানলগে হায়ববদা নুংবাম খাবং য়ুমোই চাম্বনা খোইমোম লাইবেম্মবু য়িবাম লোনলেম য়িময়ি ঙা শং মতৈ য়িকেনশং মতৈনা নাওফং ফানা শংদা য়াতাশে হায়না পাওথেমববু খোইমোম লাইবেম্মনা পাওমেললময়ে। ঐদি কৌবৌ নোংগাবগে লমলেন পলেনকোন খানলৈ লমলোংগৈ খোইমোম লাইফমলেন অসিদা খবাই কোনগ খানা য়োইচানবিয়ে। হয়েং লাংহৈকুম ওলক্রবদা তেকপী ওকমোম অমুবীনা কৌচৌও লোইদামথা অমা ওলক্রবদা কাইবৈ য়েনমোম অমুবীনা কৌজৌও। থাংয়ি হোংইগীদি হোংনাংমদা লোইমোম চাওয়িগীদি চাওনা ঙমদবীনা লনকুবিবমগনিযে। অসুম পাওতাক পিবময়ে খোইমোম লাইবেম্মা লোইমোম ফৌওইবিদি লমলেন পুকসি তাউবোইপাৎলেনকোন খানলৈ লমলোংগৈদা খোইমোম কোবৌ নোংগাখিয়ে। হায়নু নৈমা হায়মিংনবী চিংনু নৈমা চিংমিংনবী য়াংমোম মহুই লোইনাই খোইমোম লাইবেম্মা নখোই মঙামকপু লিক্লাই নিংথৌবেনগী কৈথু চাকা তৈবসিংনা কম্বী মৈগখু খোইচু তোনলোনয়িকনা কৌজবিয়ে হায়না খুবমজবদা খোইমোম মঙামক্লা চমু লুকমাতে চাঙৌ লুক্লা লেম্ববু লনকুবিববগী খোইমোম মললকুবু অহোং তানফং নাবৌয়ে। তম্ফা লাইবেম্মগী বাবী অসিবু অকবা য়িয়ু নোংবান হোনেম লুবাং নিংথৌ পুনশি নৈনোংশাংবু হয়ি হয়া

থোন্নেয়ে। কোংয়াং মশুবু মালেমলৈদা য়ুংলম্ববু তিং লা ওয়ে অদু নোংগীবু লাওনা কোনশিনলমগে হয়ি হয়া হে হে হয়াবিও।

মতাং অসিদা অবিবা ব্রাবীগী মতাংদা ফৌগৌবোল হায়বা অহুমশুবা পবা লোইবে।

কোংলাই খুবম্বা

কোংলাই খুবম্বদা চংগদবা পোংলম অমদি মদুগী মওং মতৌ হায়গে। কোং অদুগী মমাংদা কোনয়াই হান্না হুনগনি লা লাতোল অমদা য়োং অনি সেল অনি ফৌ মবম তবেং (৭) কী চেং খুংনা খোকপা ওইগদবনি। চুহি খোইহি শঙ্গোম লফোই লফাং চং থোকপা অমা ফৌহৈবী অমা চেং খবা হৈগনি। হৈ লৈ ক্বা (থ্বা) মকু খোক্তবা অমা পান মনা মখোক পত্রিবা অমা লৈশং মবোঙ অমা থাগনি। অদুদগী লা লাতোল অমদা শাবেঙ অমা ঙাপাং অমসু হাপকনি। মনাক্তা চফু অমা উযাল অমা য়াওগনি, চফু অদুদ চেং খবা হৈগনি। মদু চবাল চফু কৌই থোংগদবনি খাবৈ ওংপা য়াদে চবাল য়েংগদবনি, অদুদগীসু ফৈ ফত্তে হায়বা খুদম পি। কোং অদুগী মখাদা লা উপ্লা থাবগা লাতোল মথক্তা ফৌবম তবেংকী চেং খুংনা খোকপা অদুগা হৈ লৈ পান ক্বা (থ্বা) কোনয়াই পু অমা লফোই চং থোকপা লফাং অমগা থাগনি। অদুগা কোং ময়াইদা লা লাতোল অমা থাগনি লোংনা থাগদবনি। ফৌ তবেংকী চেংনে লাংথ্রে মপোপনে হৈ মনম নাইবনে কবোক অথুম অহাও লফোই চং থোকপা লফাং অমগা ফৌ হৈবী অমা লৈশং অমা কোনয়াই পু অমা লিল্লাইগীদমক লা অমগা উপ্লা থাখোকবোক য়েকম অমা হৈ লৈ পান ক্বা (থ্বা) লফোই চং থোকপা সুনা থাগনি। অসুম তৌনা পোংলম পুম্নমক শুনা শেম শাবা লোইবগা মখাগী লাইরোল অসি লীদুনা খুকমগদবনি।

লাইবোল

কসা নোংথৌ লাইনিংথৌ অপোক অশাংপা অকু অয়েনবও নশা হেবুংথৌ নশু হেবেম্মা হৈবাং শিংলাংবী ননাই উমীং উতাগুম লমহৌবকপশিংনা মখুৎ খুথাং চাংজৌ তবামা শন্নাং লক্ষা অমনা খুবমজবি। ওসি কোবৌ নুমিত্তা থবি চৈচেন্দ থবা লানংদবা নুমীৎ অসিদা খোইমোম তবা চা ওইবী পোইবৈ খুনয়োকপী তয়ুম নাইয়োকপী নহান নোংঙৈদা মুব মচল থিংঙা তাওবিনা মথিং লাইবেল মাবু ফাহাপননা তবা চাক্লৌবদি মথিং লাইবেল মানা খোইমোম মবলকুবু কুবিবম্বদি পঙ্খৌগী ফম্মেল খা থংবদা কবি সেনজাওগা ফীথুপ ফীদায়গা সেলি খুজাইবু লোইমোম চিবু পৈনা লনকুবিবমও। মাংশোক লাইনা থংবদা কুবাও ফান্না ব্লাংলগা তয়ুম নাইনা তোইববু লনকুবিবময়ে। মুবা মচন থিংঙা তাওবিগী কংলৈ মশুমাংদা তেকপী কোনদৈদবা কাওবেল কোনদৈদা মচেং লৈবিক লৈবাক চবি মকৈবেন্দা কৈখু চগাতৈনা মথিং লাইবেম্মনা পাওমেনলকয়ে। হে ইথিং লাইবেম্মও নংনা নমোম লনকুবিবম্বা অসিবু কদৌনশিবনো ? তুবী নংবু নউল হুবিবম্মো। লাইবেল নংবু নতাং শিংপিবম্মু হায়না পাওমেনজববদা মথিং লাইবেল মানা পাওখুমবিয়ে। ঈমোম ঈবেম্মা ! মুব মচন থিংঙা তাওবিও ঐদি তাংজ নত্তেয়ে ইউল হুফবোইয়ে, লিলহা নত্তে ঈতাং শিংফবোইয়ে। ইবোই ইতাংলৈ তাংলৈ অয়াংবা নংদি লাইজ ঈবোলনুংদগীবু ফক্লোং চবৈ মচেনলুও, মুক্লাইব নংদি হামুক তোঙ্গা চেনলুও। ঙৌনাইবা নংদি নুংঙৌ তোঙ্গা চেনলুও, খৌনাইবা নংদি লৈচেং তোঙ্গা চেনলুও হায়না মথিং লাইবেল মানা খৌশিখিয়ে। ইবোই ইতাংলৈ তাংলৈ অয়াংবা নংদি লাইজ ঈবোলনুংদগীবু ফকলোং চবৈ মচেনলুও। মুক্লাবা নংদি হামুক তোঙ্গা চেনলুও। ঙৌনাইবা নংদি নুংঙৌ তোঙ্গা চেনলুও, খৌনাইবা নংদি লৈচেং তোঙ্গা চেনলুও, হায়না মথিং লাইবেল মানা খৌশিখিয়ে। ইবোই ইতাং লৈ তাংলৈ অয়াংবা নংদি লাইজ ঈবোলনুংদা ফকলোং চবৈ মচেনলুও। মুক্লাইবনা হামুক তোঙ্গা চেনলুইয়ে। ঙৌনাইবনা নুংঙৌ তোঙ্গা

চেনলুইয়ে, খৌনাইবনা লৈচেং তোঙ্গা চেনলুইয়ে, মবু মচন থিংঙা তাওবীগী কংলৈ মশুমাংদা ফকলোং চবৈ তানা মথিং লাইবেম্মনা পাওযেনববকয়ে। হা ঈমোম ঈবেম্মা ! পামা মচন থিংঙা তাবিও তুবি ঐনা মুনা ওল্লিঙৈদা অঙাং কোইচা য়েক্লুম য়েক্লা লৌও। খোইমোম ঐনা ঙৌনা ওল্লিঙৈদদি নুংঙৌ পাকতৈনা লৌও। হা ঈমোমও ! খুনবী নোংলৈশং অসিনা থাংঙা য়ুমলোই থিংনা লৌও অহুম অবৈ ঙাংনা লৌও হায়না মথিং লাইবেম্মনা মুব মচন থিংঙা তাওবীদি ললকুবিখিয়ে। অদুগুম্বা ঙসি কোবৌ নুমীত্তা নশু হেবুংথৌ হেবেম্মশিংদা ললকুবিবম্মু। নহাননোং ননোংয়াই লাইবেল সেনাবি খাগেম্বা সনা মহাকথক্তা লিংলম্বা সনা কৈথেললোমদগী হৈবাং নিংথিবা লৈবাং অহেনবা শিংঙেল মবোঙ নাইবা তাওজিং খুংখাংনাইবা হৈগী হৈবমসু লৈগী লৈবম সুনা নশু হেবেম্মা হৈবাংশিং লাংবিশিংনা লাংজবক্লে। চিংউ নংগী সনা মাং অসিদা চিংউ নংগী নহিবোই খোইয়ুম নংগী নঙাইবোই কৌবা চনু তোইবী সোনয়াই লানথাবীগী মপাবী নিংথৌ পানজুম্বগী মবান নুঙ্গাইচিংদগী হৌবকপা চংবী লানা চামলৌ লাগ থানা হৈবাং খুদোল শেম লৈবাং লৈহুন তমলক্লে। চিংউ নহিবোই খোইয়ুম নংগী নঙাইবোই ব্রাংব্রেন খানা চাওবগী লেমলৈ য়াকা ঙা শাবেঙ লমশাংবী চানা শবেল য়েংলম তুনা ইব্রাল চবালফুবু চিংউ মাংদা থানা খোইয়ুম সনা নখোং খাদা কংচবিয়ে, অহোংপুংবু থোনবিবম্মু। নদাইবেমগী তবা চা কোনুং চংবী মকৈবেন্দা কৌচেং চাকমি ওইনা তুবেল চং লৈঙোই হাবগুম্না ললকুবিবম্মু।

কাযেন মীওম্বগী ব্রাবী

মণিপুরদা মৈদিংঙু লাইবেল নোংদা পাখংবনা চহি কুমশিং ৩১৩৫ দগী ৩২৫৬ ফাওবা নিংথৌ ওইনা পাল্লী। খুয়োই তোম্পোক্লা ৩২৫৬তগী অমুক

ফম্বাল কাদুনা নিংথৌ ওইবনা কুমশিং ৩৩৬৬ ফাওবা ফম্বাল তোংই। তাওথিংমাংনা চহি কুমশিং লীশিং ৩৩৬৬তী ৩৪৬৬ ফাওবা মণিপুরগী ফম্বাল তোংই, শকাব্দ ১৪৬ নি। তাওথিংমাং নিংথৌগী সনা হাকতক্তা মণিপুর সনা লৈপাকসিদা অঙকপা অকিবা থৌদোক অমা থোকখিবগী ৱাবী লৈ। মদুদি হিংচা যাইতম্বগী মশক ওইবা কাকযেন মীঙম্বা কৌবা উচেক হিংচাবা অমা লাক্লুনা সনা লৈবাক অসি কাং খোং চাইনা অৱাবা তাখি।

কাযেন মীঙম্বগী শক্তিদু তাবদা অকি তুজুংবা পোকই, কযামুক শক্তি লৈবগে হায়বদা তুবেল অচৌববু মশা নাম্মনা পল থিংদুনা মৌখৎহল্লগা মখাদা ঈশিং লৎলগা কাবকপা ঙা থেঙ্গু লাইবেল অফ অফংবা জীব ফাদুনা চাই অমদি ঈশিং থিংদুনা তুবেল অচৌববু চাওখৎহল্লগা লোক্লাক্লী ঈশিং মৌখৎহলবনা কেগে মোইবাং লৈবাক্তি যুম তোইনা থুম্বা শা যণ লৈফম লৈহন্দবা লোক্তাক পাৎতা চাকথি ঙথিবা লৈত লাইববা পুম্নমক কাকযেন মীঙম্ববু কিবনা অমত্ত মপাল থোক্লদ্রে। কাকযেন্ন চাবসি ঈশিংগী জীবখক্ত নত্তে, কংফান্দসু কোইনা পাইদুনা মী ফংঙে ফাদুনা চাই যণ ইবোই হুই হৌদোঙ থেংন থেংনবা জীবা অমত্তা লেম্না থাদোক্তে। লোক্তাকতা পাইবক্লগা মী শা ঙা ফাদুনা চাই। মতম অদুদি কংলৈপাক অসিদা তাওথিংমাংনা নিংথৌ ওইবা মতম্লী। কাকযেন মীঙম্বনা মৈত্রবাক অসি মাংহল্লে হায়বা পাও অসি যোইমোংবা, তাওথিংমাং কংলৈ নিংথৌ মচিল মনাওনা তাবে। পাও অসি তাবগা মচিল মনাও অনিনা লৈপাক মীযাম্বু কন্নবা ৱা তানৈ।

যোইমোংবনা হায় " ঈশানৌ! কবি উপায় তৌবগা কাকয়েন হাৎসিগে ? কাকয়েন হাৎহৌদ্রবদি মৈত্রবাক অসি তুম্বা তাবে। ইবৈপাক্লা ৱাবগা ঈচিল ঈনাওনা নিংথৌ ওইনা লৈবাক অসিদা হিংবগী কবি কান্নগনি"।

"যাম্বুংনা তাকপিবা সনা যাথং অদুমক অচুম্বনি, ঈবৈপাকপু ঙাকপা প্রজাবু কনবা ঙমদবা নিংথৌ অদুদি হিংবদগী শিখিবনা শকক চাম্মা হেন্না ফৈ। ঈচিল ঈনাওনা নিংথৌ ফম্বালগীদমক হিংগদবা নত্তে মবৈপাকপু ঙাকপা ঙমদ্রবা

নিংথৌ অদুদি মীতম্বালনি। চেক্লা হিংচাবা মাবু হাংলগা লৈপাক মীয়াম্না কনবা হায়বসি ঐখোয়গী ইথৌনি, অদুনা কাকয়েন লাম্হেংনদবা য়াদে"।

"ঈশানৌ! কাকয়েন হায়বা উচেক অসি অচম্বা উচেক্তি ওইবোই লাইগী শক্তি লৈবা হিংচা য়াইতম্বনি। মাবু ঈচিল ঈনাওনা হাংপা হায়বসি ইলাই লাইনা হাংপা ঙমগদবা মান্দে। কবিগুম্বা কাকয়েন্না লাল ঙমখিবা থোক্লবদি মৈত্রবাক অসি তুম্না মাংখ্রগনি মবম অসিনা লাল হৌদ্রিঙৈ মমাংদা তানহৌসি, চিংউ কনাগী মখোঙদা চংজদুনা থৌজাল নিসিগে"। "য়াম্মুংনা তাকপিবা চুম্মী, ঈচিল ঈনাও কাকয়েন থেংনদবদি য়াদ্রে, শিবা চংবা লাইবক য়েংবা তাই, অদুবু তুংগীদমক মাংদা চেকশিলহৌবা চুম্মী, চেক্লা কাকয়েন থেংনবা তবাইবোই। চিংউ মাগী থৌজাল নত্তনদি ঈচিল ঈনাওনা য়েক্লবা লাকশনবা ঝাগনি, খোইয়ুম কনাদা চংজবগা কংলৈপাকপু কনসিগে"।

"ঈশানৌ নুংশিবা ! ঈয়াম্মনা নিংবা অমা লৈ, কংলৈ পোকপী ঈমা লৈমবেল শিদবীগী থৌজাল ফংজববদি কাকয়েন মাবু হাংতুনা কংলৈপাক কনবা ঙমগনি। মবম অসিনা ঈমা লৈমবেল শিদবীবু পবৈ চেংনা নিংজদুনা কংলৈপাক কন্নবা কাকযেন হাংপা ঙম্নবা থৌনিজবসি। খোইয়ুম লাইপাও তাবগা ঈমাগী পাওতাক মতুং ইন্না কাকয়েন মাগা লাম্হেংনসি ঈশানৌ"।

মশাবী মযাম্বগী মপাও তাবদা মনাও তাওথিংমাংসু হবাওনা হোয়াবে। শানৌ মচিন মনাও অনিমক পাইমা পুক্লীং লোংদনা ঈমা লৈমবেল শিদবীবু পবৈ চেংনা নিংবা হৌবক্লে। হা ঈমা ! তাইবং পোকপী মোংবা ঈচিল ঈনাওবু থৌজাল কুবিয়ু শিদবী ঈমা কংলৈপাকপু কনবিয়ু কংলৈ ঈবৈচাবু কনবা ঙাকপা ঙম্বা পাঙ্গল থৌনা লৌশিং পিবিয়ু। অসুম্না য়োইমোংবা তাওথিংমাং মোংবা মচিল মনাও অনিনা য়োইবু খোইয়ুম শিদবী ঈমা লৈমবেলবু পবৈ চেংনা নিংজবক্লবদা লৈমবেল ঈমানা পেনবিবদুনা খোঞ্জেল থোক্লা লাইপাও পিবিবকই।

"সে সে তাবো - য়োইমোংবা তাওথিংমাং ! ইপাবী মোংবা নচিল

নমা ঐবু নিংবদি অপাম্বা কবি লৈবগীনো ঈমাদা হাযযু ”।

অসুম্না ঈমা লৈমবেলনা নুংশিনা পাওখুম্বীবক্কবদা যোইমোংবা তাওথিংমাং অনিনা খুবাক খুৎশা তবা লোন্ন খুকউ খুদক লৈতানা য়াদা নাপি মবোঙ চিক্লা মুকমু লৈতোল কোন্না লৈশি লৈথোঞ্জবকই।

তাইবং পোকপী পলেম ঈমা ! অকোঙ তওবী অবাই কংদবী তবা চাক্লীং খাক্লা চাকশৌবী শংলৌ যেন্নীং খাক্লা যেনশৌবী ফৌবা মচেৎ খোম্লীবী নোং চুদনা শাযজোৎপী নুংশা শাদনা ফৌগংবী ঈমাগী ঙাংলৌ নখোং থম্বালদা খুকমজবি। তাইবং পোকপী ঈমা ! ঈচিল ঈনাওনা কাকযেন মীওম্বা হাৎপা ঙমজগে থৌনিজবি, ঈমানা থৌজানবিযু। চেক্লা মীওম্বনা মৈত্রবাকচা পুম্নমকপু তুম্না মাংহনগদৌবী। উচেক মীওম্বগী মপাঙ্গলনা মশা নামনা তুবেল অচৌববু পল থিংদুনা ঈশিং মৌখৎহন্দুনা ঈশিং লৎলগা চিংনুংহুত্তগী কাবকপা শাবেঙ ঙাবেল ঙাবা ঙাতিল থেঙ্গু লাইবেলনচিংবা ফাদুনা চাই, ঈশিং চাখৎহন্দুনা লোক্তাক্কী অকোইবদা তাবিবা খুঙ্গংশিংবু মাং তাকহল্লী। কংলৈ থুংনা পাইদুনা ষণ ইবোই হুই হৌদোং নমু তাইবং মীনচিংবা ফাদুনা চাই। কংলৈ মীপুম খুদিংমক কাকযেন মাবু কিবনা ইমুংদগী মপাল থোক্লদ্রে। মবম অসিনা কংলৈপাক্কী যেক্লবা কাকযেন হাৎপা ঙম্না পাঙ্গল থৌনা পিবিযু কাকযেন হাৎনবা খুৎলাই নিজবি, ঈমানা থৌজাল ললকুবিযু।

মোংবা মচিন মনাওগী লৈশি লৈথোল ব্রাহে তাবদা লৈমবেল শিদবীনা পেনবিবদুনা তাকপিবকই। “ঈমাগী পাবী অনিমক ঈমা ব্রা হাযগে তাও। কাকযেন মাবু হাৎপা হাযবসি অবাইবা থবক নত্তে, অদুবু ঈমানা মবম অদু তাক্কে। চেক্লা লমহেনবা মাবু হাৎনবা খুৎলাইসু ঈমানা পিগনি। অসি ব্রা হাযনা তাকপিবগা তেল মঙা লীকঙ তেন্দোঙ কোন্ননা লৈমবেল শিদবীনা পুথোক্লুনা পিবিবে”। ঈমা লৈমবেল শিদবীনা খুৎলাই পিববা মতুংদা অমুক্কা তাকপিবকই। “ঈপাবী ! যোইমোংবা তাওথিংমাং ব্রা অমগা হাযগে, তেল মঙা অসিগী

ননাওনা লাইনিং পবৈ চেৎপা উবদা ঈমানা পেল্লে। মোংবা নচিল ননাওনা তেলজিল ওইগদবা যোৎতি অতৈ য়োং অমনা ওইবা য়াদেকো, মসিগী যোৎতি লমলেন লাংমৈথেৎতগী যোৎনা তেলগী তেলজিল ওইয়ু"।

অসুম্না ঈমা লৈমবেলনা পাওতাকপিববদা য়োইমোংবা তাওথিংমাং মোংবা মচিন মনাও অনিনা হবাও নুংঙাইবগা লোয়ননা লৈমবেল শিদবীগী ঙাংলৌ মখোং থম্বালদা খুকমজৈ। লৈমবেল শিদবীগী মযাথংবু কোক্তা হাপ্তুনা মবম লাংমৈথেং তম্না যাংনা খোংদোই হুলক্লে। লাংমৈথেৎতগী যোৎ ফংদুনা হলক্লগা থাং অমগা তেলজিল মঙাগা শাখী হাযযে। লম্লেন লাংমৈথেৎকী যোৎ অসিদি ফেংবদা লংউ যাদবা মথৌদা হাযববদি থাংমী উৎপদা তুপ্পা ঙম্বা অঙকপা মথৌ লৈবা যোৎনি।

অসুম্না য়োইমোংবা তাওথিংমাং মচিন মনাও অনিমক কাকযেন লাক্লেংননবগীদমক শাফী লালফী ফীজেৎ লৈতেং লোইবদুনা লৈমবেল শিদবীগী খুযাখাদা চংঙক্লুনা কোঙযাং চৈশু তাবগুম মালেমথক্তা তিংনা তাদুনা লালঙমজগে হাযনা যাইফ থৌনিজৈ। মচিন মনাওবু পেনবিবদুনা ঈমা লৈমবেল শিদবীনা কাকযেন হাৎপা ঙমজবো হাযনা থৌজাল কুবিবে।

ঈমাগী থৌজাল ফংজববদা য়োইমোংবনা থাং পাযবে, তাওথিংমাংনা তেন্দোঙ নমদা পোবগা মখুত্তা লীকঙ চেৎনা পাযদুনা হাওবৈ খা সম্ভোঙ পাংনা তম্বা মচিন মনাও যাংনা খোঙশালকই।

য়োইমোংবা তাওথিংমাং মচিন মনাওনা য়াংনা খোংদোই হুলকপনা কেগে মোইবাংগী মবমদম লোক্তাক খোংবান্দা থুংঙবে। লোক্তাক মপালদা থুংঙবগা কাকযেনগী খোঙ্গুল লীবা হৌবকই, লোক্তাক্কী অকোইবদা কোইনা চত্তুনা চেক্লা লমহেনবা মাবু কোইথি থিবি, মচিন মনাও ব্রা তানৈ। য়োইমোংবনা হায ঈশানৌ চেক্লা হিংচাবদুবু পোইবৈ কদায়বমদা চাক্তাবমগদগে তম্বা কনাদা হংলগা চেক্লাগী লৈফম খংগদগে। তাওথিংমাংনা খুম্মী য়াম্নুং। "ঙসি

কোবৌনোংদা কাকযেন মাবু ফংনবা থিদবা যাদে, লোক্তাক পাত্তা নুংতিগী চাক্তাবে হাযনৈ মাবু কোইথি থিবগা যাইবী মথৱায লৌদবা য়াদে।

অসুম্না ৱাবী শাদুনা লোক্তাক মপান্দা কাকয়েন থিবি হাযবসি মোইবাং খুমু লৈবিজানবা মাইচৌনা খংদুনা মচিন মনাওগী মনাক্তা লাক্লুনা শক্তাক্লবে। "কদায কদায পাবী মদৌ মানবা কংলৈ মপু য়োইমোংবা তাওথিংমাং মোংবা নচিল ননাওনা মোইবাং লোক্তাক খোংবালসিদা কোইনা থিবিবসিবু কনাবু থিবনো" ?

লৈবিজানবা মাইচৌগী মপাও তাবদা মচিন মনাওনা পাওখুম্মী। " পপ্পৌ ঈপাশকপা ! নচা অনিনা থিজবিবসি কংলৈপাক্কী যেক্লবা কাকয়েন মীঙম্বা কৌবা হিংচা যাইতম্বা চেক্লা মাবু থিজবকপনি। কবিগুম্বা পপ্পৌনা কাকয়েন মাগী মবমদা খংবা লৈববদি চেক্লা লমহেনবা মাগী লৈফম তাকপিয়ু কাকয়েন হাংহৌদ্রবদি কংলৈপাক অসি তুম্না মাংবা তাবে"। মচিন মনাওগী ৱা তাবদা খুমু লৈবিজানবা মাইচৌনা পাওখুম্বীবকই। "ঈপাগী নুংশিবা কংলৈ নিংথৌ য়োইমোংবা তাওথিংমাং নচিন ননাওগী নপাও তাবদা ঈপাগী থম্মোয পেল্লে, হিংচা য়াইতম্বা লাকঙম ফাঙমদবা কাকয়েন মাবু হাংলগা কংলৈ নবৈপাকপু কনবা হাযবসি নিপামচা থৌদাংনি নিংথৌ ওইবগী মথৌনি কাকযেন মাবু হাংলগা কংলৈপাকপু কন্দুনা মালেমদা মীংচৎ উবোং খিলম্মু। পাবী নখোযনা কাকযেন থিবা ৱাগনি, ঈপানা নচিন ননাওদা চেক্লা মাবু লাইন যংনবা মফম তাক্কে। লোক্তাক অশিদা কাকযেন ঙাচাবুং লৈবনি মদুদি ঙাবম চিংদনি। চেক্লা মাগী ঙাচাবুং অদুদা চংলগা কৌবদা শোযদনা লাক্কনি। মোংবা নচিন ননাওদা ঈপানা হাযগদবা অমনা কাকযেন হায়বা উচেক অসি অচম্বা উচেক নত্তে ইলাই লাইনা হাংপা ঙম্মোই, য়াম্না চেকশিল্লু কবিগুম্বা কাকযেন্না ঙমখিবা থোক্লবদি মৈত্রবাক মথক মখা ওনগনি, মতৌ অসুম্না লৈবিজানবনা তাকপিবম্মগা ময়ুম মোংবনুংদা হনখ্রে।

মোংবা মচিন মনাও অনিনা লৈবিজানবগী পাওতাক ফংবদা মখুত্তা

মাগী মাগী খুৎলাই চেৎনা পাইদুনা লম্লেন লোক্তাক পাৎতা চেক্লাগী ঙাচাবুং থিবকপদা ঙাবম চিংগী অৱাং থংবা চিংমাইদা কাকযেন ঙাচাবুং থেংনবে। ঙাচাবুং অদুদা শরু ঙাক মপৈ মপৈ লৈবা উই, মদু উবদা যোইমোংবা তাওথিংমাং মচিন মনাওগী থম্মোয়নুংদা থাম্বী মৈ হৌবগুম্না শাওখি। "যোইমোংবনা ঈশানৌ ' ঈযাম্বনা থাংগী লালোং হৈনৈ থাং পাইগে, শানৌনা তেলগী লালোং হৈবনিনা লীরুঙ তেল পাইয়ু। ঈমা লৈমবেল চেৎনা থাগোন্নসি, ঙসি কোবৌ নোংদি চেক্লা মাবু নাম্ভে হনবা যাদে, লাল থেংনবদি ঈযাম্বনা হান্না থেংনগে, ঐ মাং থাগে কবিগুম্ব' কাকযেন্না নযাম্ববু লাকচবা থোক্লবদি নংনা ঐগী হুযেন লালথাংঙকউ। কাকযেন তিংচাবা মানা লাল ঙমখিবা থোক্লবদি কংলৈচা পুম্নমক তুমা চাখিবা যাই মসিনি ঈযাম্বগী থম্মোয় শোকপা অবাবদি"।

খেংহম্ম চেৎসি কাকযেন কৌবগে অসি হাযবগা কাকযেননা লৈবা মখাবোমদা মাই ওন্দুনা অশাও থাম্বী মৈহৌনা চেক্লা লমহেনবা কাকযেন মাবু কৌবকই। হা হাই মীহাৎপা হিংচাবা কাকযেন মীঙম্বা কংলৈগী যেক্লবা পোইবৈ কৈদা লৈবগে নংগী লাম্বা লাক্লে থোবকও কাকযেন নথৱায লৌবিগে। মতম অদুদি কাকযেন মাদি খা চিংনুংহুৎতা তুবেল অচৌববু মশা নামনা পল থিংদুনা ঈশিং লৎলগা ঙা চাদুনা লৈবা মতম ওইবনা অহানবা কৌবদু তাখিদে। অমুক হন্না যোইমোংবনা কৌই। হা হাই কাকযেন মীওৎপা মফম কৈদা লৈবগে নংগী যাযবীনথৱায লৌবা লাক্লে চেক্লা নতিক লৈববদি নংগী ঙাচাবুং লোক্তাকতা লাকও হুযেন লালথেংনসি চেক্লা নথৱায লৌবিগে হাযনা অনিবক হন্না কৌবদা কাকযেন্না মনা থাঙ্গৎতুনা তাই। ঙসি ঐগা লাম্ভেংনসি কৌবিবা নিপা অসি কযাম্নুক মতিক মযাই লৈবা তম্বা ওইবিগবা হায়না খল্লিঙৈদা অমুকশু হন্না যোইমোংবনা কৌবকই। হা কাকযেন মীঙম্বা কৌবা চেক্লা হিংচাবা নংবু কংলৈ মপু যোইমোংবা তাওথিংমাং ঈচিল ঈনাওনা কৌবি, ঙসি কোবৌ নোংদা চেক্লা নতিক লৈববদি নংগী লোক্তাক ঙাচাবুংদা ঈচিন ঈনাওনা ঙাইবি, থুনা যাংনা

লাকও য়াইবী নথৱায় লৌবিগে।

য়োইমোংবগী অকলবা খোঙ্জেল তাবদা কাকয়েন মীওম্বদু খাম্বী মৈ হৌবগুম শাওখ্রে। কাকয়েন ঐবু লালথেংনসি তেমশিংনবিবা তম্বা নিপা অসি কযা য়াম্না মতিক ময়াই লৈবা নিপা ওইবিদগে, খংগনিদো ঙসি কোবৌ নোংদি কাকয়েন ইগুন খংহনগে। য়াইবী মথৱায় লৌগে হায়বা ৱাখল অসি খন্দুনা খা চিংনুংহুৎতগী লেপ্লে ঙা চাবা থাদোক্তুনা অৱাং পাংনা লপ্লেন লোক্তাক চেক্লা মাগী ঙাচাবুং তম্না নোংমদোল থক্তা লৈথক লৈখা খোন্দুনা ঙ্রুং ঙ্রুং ঙংদুনা মালং মমাংথানা পাইবকই। লেইবী চিংদুম্না নোংমদোল থক্তা পাইবগুম্না মাইগৈ পুংমম মম্না পাইবকপনা লোক্তাক মাগী ঙাবম চিং য়ৌবকপদা অখাক অবাও তাবগুম খেক্র লাওনা খোংঙকই।

তম্বা কনানো ? ঐগী ঙাচাবুংদা থৌওইদনা কাকযেন ঐবু লালশিংনবা নখোংনা থোংনা নমং থিববেদো য়াইবী নথৱায় লৌবগে হায়না পাশিল্লক্লে। মীওম্বনা পাইশিল্লকপা উবদা "তাওথিংমাংনা মযাম্বদা হায- যাম্বুং ! কাকযেন যৌবক্লে খুৎশুথাং চেৎনা পাইবিযু হুযেল লালওং শেম্বীযু ঈমা লৈমবেল চেৎনা থাগোন্নবিযু"।

মশানৌ মপাও তাবদা য়োইমোংবা মশাবীনা লালগী লালওং শেম্ববু অসুম্না চাংদম্মী, লোইবী চিংগী চিংমাইদা পাম্বা কৈবেল সপ্ত সবাবা মানা শমান লেংমান্নবা মাইওক্লবকপদা কৈবেন্না শাথুপ যেং যেংদুনা চেগপ চেংবগুম শাবেল নোংশাগী থৌনাগুম কাকযেন মশক উবদা অশাও খাম্বী মৈহৌনা খুত্তা থাংলেন চেৎনা পাই থাদা চুঙ্গোয কোন্দুনা লাইৱা মন্ত্র শোন্দুনা থাংগী জগোয শাদুনা কদম চৎপা হৌবক্লে। মতম অদুদা মশানৌ তাওথিংমাংসু নমদা পোবা তেন্দোঙ থাবী হাযথদুনা লৈমবেল শিদবীনা পিবা তেল অমা শৎলগা লীকঙ লীবী চন্দুনা তেঙ্গা থোংঙগা শাথুপ্পুনা কাকযেন্দা পান্দমদুনা লৈখ্রে। মতম অদুদা কাকযেন মীওম্বনা নোংথক্তগী নোংথাং কুপ্প গুম যোইমোংববু যোৎলগে হুমদুনা

পাইশিলকপদা য়োইমোংবনা কোইবেন চক্রবাক্লা মশা পুম্নমক পুময়োম য়োম্না হাইবকপদা কোইবৌ নোংদোলথক্তা য়্নংনা পাইখৎম্রে।

নোংদোলথক্তা লৈনা লৈনা পাইদুনা য়োইমোংবগী খোংফম কাইবা অহোবা য়েংদুনা খা রাং লৈথক লৈখা নোংথাং কুপ্পগুম্না পাইবি। য়োইমোংবসু খোংফম কাইদনা স্বব ফীদুপ য়েংদুনা উচেক্কী অকাইবা য়েংদুনা লৈবি। চেক্লা কাকয়েন্না নোংমদোলথক্তা য়োইমোংবনা মালেম লৈমাইথক্তা অনিনা থেংনবা লালোং অঙকপা লালোংনি। য়োইমোংবগী লাল্লাওখোংনে কাকয়েন্না খেক্লা লাওনা খোংবগা অনিগী লাল্লাওখোন্না থাঙ্গচিংগী লোইবী চিংমাই নিকই, লোক্তাক ঈথক হৌবকপনা লেন্নে ঙায়াম মকোক ঙাওই, লোক্তাকতা চাক্তাবা উচেক শঙ্গু শঙ্গু ঈমাইদগী নোংদোলথক্তা পাইখৎলি। কেগে মোইবাং লৈবাক পুম্নমক্লা মাংবা তাবে কবম্লো হস্তকপু কাকয়েন্না লাল ঙমখিবা থোক্লবদি কংলৈপাকসি তুম্বা তাবে খা বায খৎদনা চেনৈ নুপী অঙাং পুম্নমক কপ্ন লাওনৈ।

লালবুংদা লালথেংনবিবা চেক্লা কাকয়েনগা যোইমোংবগা অনিগী লালসু মীৎফম চোয়বা য়ানদনা কুংশলনবকই। নংনা কৈদা ঐনা কৈদা অশাও খাম্বী মৈহৌনা অমনা হেন্দে অমনা রাত্তে অবোইবা পাঙ্গল থানদুনা অঙকপা ফংনা থেংনবিবা লালগী কুম্কে যেংনবিবা কেগে মোইবাং লৈপাক মীযামদি থম্মোয চেঙ্গুম চেঙগানৈ চেক্লানা লাল ঙমত্রবদি মৈত্রবাক অসি তুম্মেদকো চিংউ খোইযুম নোংদম্না নংনা কবি নোংদম্বীবগবা ? হাযনা মাগী মাগী থম্মোয লাইযুমনুংদা চেৎনা চিংউ মাবু নিংজবি। মযুম কেগে মোইবাংগী লৈপাক মীযাম নুপী অঙাং পুম্নমক্লা ইধৌ থাংজিংবু চেৎনা থাগোন্নবি।

লালবুংদা লালথেংনবিবা যোইমোংবা কাকয়েন অনিগী লালসু মীৎকুপ্পা নাহুম যেংদুনা মৈ হৌনা থেংনবি। মতম অদুদা যোইমোংবনা খল্লী, খোংফম থুগাযদ্রবদি কাকযেন মথরায লৌবা যাবোইদৌবি অসুম্না খল্লিউদো কাকযেন্না রাংনা পাইখৎলুবগা যোইমোংবগী কোকতোলতম্না অবোইবা থাদুনা ফুনা পাইথবকপদা যোইমোংবনসু মালেম লৈমাইথক্তা খোংফম লৈনা থিলম্লগা চুঙ্গোয থাদা চেৎনা কোন্দুনা চেক্লাগী যাইবী মথরায

লৌবগে খন্দুনা লোংনা চোংঙকপদা খোইয়ুম নোংদম কনবনা থাংগী অহোবা উবা কাকযেন্না যোইমোংববু মযানা উমদুনা নোংদোন থক্তা ফৈনা হুমদুনা পুখ্রে। "মতম অদুদা য়োইমোংবনা মশানৌবু কৌবগা হাযবকই ঈশানৌ নুংশিবা নশাবী ঐদি মাইথিবে, শানৌ নংনা ঐগী যাইবী কল্লু কংলৈপাক কন্নবা থৌদাং পাংথোকও"।

মশাবী মপাও তাবদা তাওথিংমাংনা "যাম্বুং ! খুৎলাই থাবিগনু ননাও লৈবি নুংশা থিবিগনু চেক্লা যাইবী লৌবগে থাং নাকন্দা যেপ্লিযু"। মনাওগী ব্রা তাবদা যোইমোংবনা লৈমবেলগী মীংখৈ শোল্লগা নাকন্দা থাং যেপখ্রে। কাকযেন্না পাইনা পাইনা যোইমোংববু যোৎখ্রে, অদুগা তাওথিংমাংদা হাইবকই- হা হাই তাওথিংমাং নযাম্বসু ঐনা যোৎলে নংবুসু যোৎলনি নংনা নিংগদবা লাই নিংজহৌবো। কাকযেনগী ব্রা তাবদা তাওথিংমাংদু পাইমা কজক হৌ তিলাং মখোই শাও থম্মোয খাম্বী মৈ হৌখ্রে। কাকযেন হিংচাবা ঙসি কোবৌ নোংদা তাওথিংমাং ইতিক খংহনগে হাযদুনা ঈমা লৈমবেল শিদবীনা যাইফবে হাযনা লাল্লাও লাওবম্মগা যোইমোংবা যোৎপগী মযাই কাবনা মাবুসু যোৎলগে পাইশিলকইবা কাকযেনবু শংত্রিক যেংদুনা লীবী নাকোঙ ফংনা চিংলগা খুৎলৈ যাংনা তেল কাপথোবক্লে। তেলগী তেলজিন্দা মৈ ফ্রী ফ্রী হৌই অহিংগী অমম্বা নোংলক্তা নোংথাং কুপ্পগুম মাইগৈ মবি পুমঙান ঙাল্লি, নোংমৈ শিংজং তাবগুম মখোল হৌই, লোক্তাক ঈথক হৌই। তাওথিংমাংগী তেলনা মালং মমাং থানা কাকযেন তমনা পাইশিললক্কুনা মীঙম্বগী মশা নামা ককথদুনা মালেম লৈমাইথক্তা থাদখবে।

চেক্লাগী মশানা তাবা লমদি চিং অনিগী কাবক লোক্তাক্কী ঈশিং চেম্মোকফম হৌজিক থাঙ্গ ঈথিং হাযনা কোলোইনবিবা মফম অসিদনি।

চেক্লা লমহেনবদু মশা শাকুণ্ড নাম্মাককখিবনা তেলগী চৈনাখোলনা ঈনা পুমণ্ডাং ঙাংবমখৈ মালেম লৈমাইথক্তা থবো কাংদ্রুম ওনবগুম থবো থবো ওন্দুনা লৈখ্রে। মতম অদুদা তাওথিংমাংদু শাদানবনা শা কাপ্লদা খুৎলাইনা পানথ্রবা শাগী খোঙ্গুল লীবকপগুম্না মখুত্তা লীকুণ্ড চেৎনা পাই নমদা তেন্দোং পোবগা কাকয়েন খোঙ্গুল লীদুনা ময়াম্বা য়োইমোংবগী য়াইবী থবায় কনগে খন্দুনা মালংবা মমাং থানা য়াংনা চেলকই।

অবাপ্লদগী মশাবীদা পাওমেলকই- "ঈশাবী য়াম্নুং নুংশিবা ননাওগী তেন্না কাকয়েন মশা নাম্মা কক্লুনা মালেমদা ওন্দুনা লৈবে চিংনবিগনু চেক্লা মবুক মনুংদগী মপাল থোকপিবক্লো"। "য়োইমোংবনা হায় ঈশানৌ কাকয়েন মবুক মনুংদগী নশাবী ঐদি কমদৌনা মপান্দা থোবক্কদগে" য়াম্নুংনা ঙসাইঙৈদা পাইখিবা থাং অদু কাওবিববা, থাং অদুনা কাকয়েন মবুক হোগাইবগা থোকপিবকউ"।

মনাওগী রা তাবদা থাং নিংশিংঙক্লুনা কাকয়েন মবুক লেনখাইবগা মপান্দা চোংথোবক্লে। মচিন মনাও চেজেৎ কোন্নবগা কংলৈ ঈমানা য়াইফবে, ঈমা লৈমবেল শিদবীনা থৌজানবিবে থৌজানবিবে কংলৈপাক যাইফবে হাযনা নোংশাগী লাললাও লাওই।

কাকযেন মীঙম্না হাৎলে তাবদা কংলৈপাক্কী চিং তম প্রজা পুন্নমক হবাও মথোই কান্নবে। লোইদাম কযা ঈমুংদগী মপাল থোকউদ্রবা নুপী অঙাং অহল পুন্নমক কংলৈপাক্কী মচি মচি খুঙ্গং খুঙ্গং খুদিংদা হবাও কুম্মোতনা মাইগৈ খুদিংগী রা রা নিন্নখি। কংলৈ নিংথৌ মৈতৈ লৈমগী মপাবী অথোইবা য়োইমোংবা তাওথিংমাং মচিন মনাও অনিগী মতিক মযায়বু শিংথাদুনা শৈশক্লে। অসুম্না

তাওথিংমাংনা নিংথৌ ওইদুনা মৈত্রবাক্তা পানবা চহি কুমজা ১০০ অসিদা কংলৈপাক্কী য়েক্লবা হিংচাবা কাকয়েন মীওম্বা হাত্তুনা য়েক্ল তিন্থং লৈতনা লৈপাক মবা তপ্না পানখি।

চেক্লা কাকয়েনগী মশা তাই হায়বা মফম অদু চিং অনিগী মবক লোক্তাক্কী ঈশিং চেম্থোকফম্নী। কাকয়েনগী মশা নাম্মনা ঈশিং পুমথিং থিংদুনা থমখি চেক্লা মশাদু কয়া চাওবিগবা ? কেগে মোইবাং লৈপাক অসি লোক্তাক ঈশিংনা মৌখৎলক্তুনা যুম থুম্নবক্লবদা লৈবা যাওক্তদুনা মোইবাং মীযাম হৌদুনা কাকযেন মশাদু হোম্তোকপদা থ্য অমা চংই হায। চেক্লাগী মশানা ঈশিং থিংই হাযবগী মফম অসিবু ঈথিং হাযনা ওসি কোল্লোযনবি। কাকযেন মাগী চিংগুম চাওবা শমু মহকচাং অদুদি যোইমোংবা তাওথিংমাং মচিন মনাওনা লৈপাক প্রজাগা লোইননা লোক্তাক ঈশা উঙাম্লেন পাত্তা ইন্থদুনা উঙাম তাওগুম তাওবক্লগা ঈথায ঈবেন অচৌবা তুবেল অহুমগী ঈতিনফম খেবা পুঙ মখোঙদগী অমুক খা পাংনা ইন্থবক্তুনা তুবেল অচৌবগী ঈচেলনা পুথবক্তুনা শুগনু নুংথোংদা ফুম্মগা নুংপাক্লা নন্দুনা থমখি কোবৌ নোং অদুদগী মফম অসিবু লম্লেনও নুংপাকথাবী হায়না ওসি ফাওবা কোলোইনবি।

মণিপুবগী লোক্তাক অমদি ঈথাযনা মতাং অসিদা লীবিবা ৱাবী অসি য়াম্না মপুং ফানা শম্তোক্লা লীবা নত্তে। লোক্তাকতা কাকযেন হাৎলি হায়বা ঈথিং অমদি উঙাম্লেনগী মবমদা লীবা ৱাবীনি। ৱাবীসিগী মনুংদা ৱাহৈ ৱাতা খবসু তোপ তোপ্পা লাইবিক অসিনা অলঙ্কাব তৌবী। মসিগী মবমদি অবিবা মৈতৈ লোন্দা লৈবা ৱাবীদগী অনৌবা হৌজিক খংনবিবা লোন্দা লীবা ৱাবিনি। অদুমকপু বেঙ্গলী মযেক্লা ইববসু যাবিবমখৈ ৱাহৈ ৱাতাদি সংস্কৃত বেঙ্গলীগী ৱাহৈ য়াওদনবা

য়ান্নদনবা কন্না হোৎনজে। হায়বিবসি কাকয়েনগী ৱাবীখক্তদা নত্তে, লাইবিক অসিগী অহুমশুবা তাঙ্কক অবিবা ৱাবী হৌবকপা ঈথায় কাযবেনবগী ৱাবী, ফৌওইবীগী ৱাবী, অমদি ফৌগৌবোল, কৈবাই খুবম্বা অবিবা ৱাবীশিং অসিদা শিজন্নবিবা ৱাহৈ ৱাতাশিং অসি মৈতৈ ঐখোযগী ৱাহৈ ৱাতাদা হৈবনি, কবিগুম্বা অশোযবা ৱাহৈ ৱাতা যাওবম্মবসু মৈতৈ ঈবৈচা পুন্নমক্না গুৎপিগনি।

মতাং অসিদা অবিবা ৱাবীগী মতাংদা কাকযেন হাৎপা অহুমশুবা তাঙ্কক লোইবে।

মবিশুবা তাঙ্কক

মী মখল খবগী ৱাবী

মণিপুরগী লোক্তাক অমদি ঈশ্যাযনা মী ওইবা জাতিবু মখল অহুম পেক্না খাইদোক্না নৈনবি। তাইবংপান অসিদা লৈবিবা মীওইবা হাযবসি মখল মান্না সৈখে মসিনা মনুংদগী মখল অহুমদং লৌথোক্তুনা নৈনবা যাই। মখোযাশিং অদুদি মীবক্তা মী, মীবক্তা হিংচাব, মীবক্তা লাই (দৈবাসুর মানবা) অসুন্না হায। মখোবাশিং অসি মীওইপোক গুাক্তনি, অদুবু মী অদুনা তৌথোবকপা থবক অমদি স্বভাবনা মবম ওইদুনা মশক তাকই। কার্য্যাৎ কারণঅনুমীযতে। পণ্ডিৎশিংনা মী অদুনা তৌথোবকপা থবব অদু য়েংলগা মাগী হৌবকফম খংনে।

অহানবদা মীবক্তগী মীনা হাযবা কবিনা খুদম ওইনা খংণদগে হাযনসি হান্না বিচাব তৌদুনা যেংসি। মীবক্তগী থোইদোক তেন্দোকপা মী অদুদা গুণ কযাম্বুক লৈ, দেশ ভক্ত (মৈরেপাব নিংবা) থকশি খাশি খংবা, মীনুংশি লৈবা, মমা মপা ব্রাহ্মন বৈষ্ণবকী ভক্ত ওইবা, অফবা থবক্কী মীংচৎ থম্বা, মযায কাবা নিশা চেনবা চিঞ্জাক চাদবা চাকচা ঈথক ফজবা মী অদু মীবক্তগী মী কৌই। মীগী

মাংনবা খন্দ্যা হিংশাগী ব্রাখল খন্দবা শাজৎ লীচং ফজবা মীগী নুংঙাইবা উবগা মানা হেন্না নুংঙাইবা ফিংহৌ চাওদবা মীদু মীবক্তগী মী কৌই। অথাঙ কনবা মীগী মবাল ঙাকপিহৈবা মীপোৎপু লৈতুমগুম উবা নুপী খুদিংমকপু মমা মচে মচল মনেমগুম য়েংবা মীদু মীবক্তগী মীথোয মীহেনবা মীনি। মথৌদা পুক্রিং চংব অচুম্বগীদমক অচান মীবাই থাইদবা যেক্রবা চান্নবা থাইদনা অচুম্বদা পুক্রিং লেঙ্কা মীদু মীথোই মীহেনবা মী কৌই। চাকচা ঈথক ফজবা, ফীজেৎ লৈতেং ওস অচাওবম কাদবা, ভুংগী মহৈ উনা থবক তৌবা ঈশ্বরদা অচেৎপা ভক্তি লৈং হিংইবা মী অদু মীথোই মীহেনবা মী কৌই হাযনা শাস্ত্রনা তাকই, অদু ওম্বা মী অদুনা অশাওবগু তপ্পা যাবা ঙম্বা বেদ শাস্ত্রদা মবুক্লিং চংবা গুরু শিষ্যগী ব্যবহার মশক খংবা মী অদুদি মথং মথং চাওখৎলক্কুনা লাইগী থাক যৌবকই।

অনিশুবা মীদি মীবক্তা অসুব- হিংচাবা

অনিশুবদা মীবক্তা মী হিংচাবা যাওই হাযবসি মী অদুগী লমচৎ শাজং চাকচা ঈথক ব্রাঙাং শাঙাং মানা তৌথোববগ থবক যৌবন্না অসুব- হিংচাবা হাযনা তাকথোকচৈ। অসুবগী মক ওইবা তৌবকখম স্বভাবতি আত্ম স্বা (মতোমতগী খনবা) হাযবা ব্রাখল অসিদগী হৌবকই। মহৈ মশিং ফল যা চাওখৎনা হৈদনবসু অসুবগী স্বভাব অদনা গ্রফবা ব্রাখল অমত্ত খনবা ঙমদ অবালবগী ... শাদনা পাইবগা মতম পুন্নমক্তা অচুম্বগী মাইয়োক্তা লেপ্পুনা যৌথায থিনগায- মীগী নুংঙাই য়াইফবা উবগা কলক মীহৌ চাওবা মশাগী ঙাইহাক্তংগী অপেনবা ... ক নুপী অঙাংশিংবু লৈখা তানা মপুগী মাংহনবা ঙম্বা অদুগুম্বা মী অদু মী ... শাদ হিংচাবানি। অসুবশিং অদুনা অযুক নুংথিলগী মতমদদি মাযা তৌদুনা মীবক্তা মী শাদুনা লৈ ... তাব্রবা হিংচাবা ওন্দুনা নুপী অঙাং চাবা হেক্তা লৈই, মীনুংশি নবিক অমত্তা লৈতে। মশাগী ওইজনবা খবগীদমক মবাল মবিক শমা ফাওবা লৈজদবা ছাত্র ছাত্রী

অঙাং কয়া ফাজন্দুনা অকি তুজুংবা পোকহল্লী, মাগী অনিংবদু থুংদ্রগা মীনুংশি লৈতনা হাংতোকপা ফাওবা ঙম্মী। হিংচাবশিং অদুনা লম্বী চৎপা মবাল লৈতবা যান্ত্রিকশিংগী মবল মথুম মুন্দুনা হাংতোকপা ঙম্মী। হরাগাড়ী কযা মমল যান্নবা মাল চাংগা লোইননা মৈ থাদোক্তুনা তুম্না মাংহল্লিবা পুম্নমক অসি হিংচাবগী লীচৎ ঙাক্তনি। বিদ্যা তম্ফম শঙ ওফিস হাযবিবশিং অসি ধর্ম্ম শাস্ত্রনা হায়বাদ মন্দিবলি হায় চংঙমদাযদা লাইবক কৎলগা চংনৈ। অসি ব্রহ্ম ধর্ম্মগী বাবীশিং অসি হিংচাবশিং অদুদা লীকৃববদি যেক্লে, মৱা লৌদে ব্যবহাব তৌবগী মহুত্তা কাওখায চৈখায় থাও হৈজন্দুনা মৈ তুম্না থাদোক্তুনা ঐখোযগী ওইবা মাংফদবা অবিবা পোৎ চৈ ঈবল ঈথুম কযা মাংহল তাকহল্লী, মদুনা হিংচাবশিং অদুনা অপেনবা ওইজৈ। অসুম্না অসুবশিং অদুনা মালেমগী মচি মচি খুদিংগী মৈ চুখৎপা হৌই। মীনা মীবু যোন্দুনা লালোনগী থবক তৌব, মহাব মশাদু মীনি হাযবা কাওথোক্তুনা ঈচা মীচা হাযনা তোংঙান্না যেংইবা মীৎযেং অদু হিংচা-যাইতন্নগী মীৎযেংনি মহাব অদু মীবক্তা গাওবা মী শাবা অসুবনি। অদুগুম্না হিংচাবশিং অদুদা হাযজ চৎচবা চংদে মার্গাদি মানা নিংইবা অপাম্বগী পম্বুং যৌবা অদুনি। অদুগুম্বা অসুবশিং অদুনা শা যগ উবী উপাল ফাওব চুম্না উব ঙমদে মশাগী থম্মোযনুংদা লৈবিবা কামগী অত্যাচাব অদুনা মাংহন তাবহন্নবগী ৱাখল ঙাক্ত খল্লী। মীযামগী ওইবা চাওখং যৌবাংগী মাইযোক্তা লৈদুনা মপুং ফানা শেম শাবা ঙমহন্দে, সমাজ পুম্নমক্কী কোক শাহল্লী। হিংচাবশিং অদুগী হৈনবী লীচৎ ত মোইথেম হৈবা, বিশ্বাস ঘাটক মীবু থাজহন্নগা মমৈদা হাংত্রোকপা, মমা মপা লাই গুরুগী পাওতাক মনাদা হাপ্তবা, হিংসাগী চিঙ্গাক চাবা, থম্মোয নুংগুম বনবা মীনুংশি লৈতবা অতোল অতাতবু খিদুনা তুহংপিব। মদুগুম্না মী অদু মীবক্তা মী শাবা হিংচাবনি হাযনা শাস্ত্রনা তাকই। হিংচাবা হাযবসিদা মখল অহুম থোক্লা খাইদোকই। মদুদি দৈত্য, বাক্ষস, অমদি অসুব হাযবা অসিনি। মথক্কী দৈত্য অমদি বাক্ষস হাযবা অনি অসিমদি মশাগী জাতি অমা ওইনা লৈজখ্রবনি।

অদুগা অসুব হাযবিবসিদি মীবক্তা মী ওইনা পোকপনি মহাক মীনি, তৌবত্
মহাক্কী স্বভাব লীচৎ শাজৎ চাকচা ঈথক্তি হিংচাবনি। অসিগুম্বা হিংচাবশিং অসি
লাকসনবা হাযবসি অবাইবা নত্তে, মবমদি মপান্দা ফোংনা খুৎলাই থাদ্
লাম্ভেংনবগা লাকশনবা যাবসু থোক্তে, মখোযদি মীবক্তা মী সাবা হুবানব
অসুবনি। অদুবু হৌজিক যাম্না লুবিবদি অসিগুম্বা হুবালবা অসুবশিং অসি
মাপেমগী মচি মচি খুদিংগী মৈ চুখৎলক্লুনা প্রলয ওইবক্কদ্রা হাযনা মীপুম খুদিংমক
থম্মোযদা মীপাযদবা য়াওদ্রে।

অহুমশুবা মী মখল অদু দৈবীনি

অহুমশুবা মী অদুদি দেব শক্তি লৈবা ঐখোযনা লাইপোক্পী হাযন
খংনবিবা মীশক অদুদুনি। মীওইবগী মবক্তা লাইপোক কযা যাওই হাযব
পৃথিবীগী ইতিহাসশিংনা শাখি ওইনা খংনবি। মী ওইবনা ওনফদবা থবক থৌ
কযাবু পাংথোক্লিবা মী অদু লাইপোক্পী। মখোযসু মীনি, মী নত্তে হাযবদি নত্
মীবক্তা মীওইনা পোকপনি, অদুবু মখোযনা তৌথোবকপা থবক্লা লাইপো
হাযবনি। অদুগুম্বা দৈবীশিং অদুনা অগ্না স্বার্থগীদমক (মশাগী কান্নবগীদম
থবক তৌদে। মখোযদি ত্যাগীনি, দাতানি। মখোযনা তৌবিবা থবক খুদিং
মথাক থমদনা সংসাবদা পিথোক্লুনা লোব শিক্ষা (লোক্তসু তম্বীবনি) পৌখি
পোক্লবিবা লাইপোক খবগী মীং পনবা যাবাদ শ্রীগৌবাঙ্গ মহাপ্রভু মীবক্তা পোক
মীনি অদুবু লাইপোক্পী। যীশু খৃষ্টস্ মীওইবগী মপোক্পী মহাকনা লাইপো
হজবৎ মুহম্মদসু মীবক্তা পোকপা মানি অদুবু মহাক্না তৌবম্বা থবক্লা লাইপো
হাযনবিবনি। অসিগুম্বা লাইপোক্শিংনা মশাগী মীংচৎ তানবা অত্মস্বার্থগী থ
অমত্তা তাইবংপাল অসিদা লৌখিদে। লাইপোকশিং অসিনা তৌবম্বা থ
তাকপিবম্বা পাওতাক পুন্নমক তাইবঙপানগী ফনবা তাকপিবম্বা তম্বীবম্বা
শিক্ষামক্তনি। মহা পুরুষশিং অসিনা লমজিংবিবম্মীবা অসি হিংসা যাও

অচুম্ববু লমজিংবিবা ধর্ম্মনি। দৈবীশিং অসিনা তোংঙান তোংঙানবা লম্বীদা লমজিংলবসু লমথুংফমদি অমত্তনি হাযবা যাই মদুদি ধর্ম্ম হায়বা ৱাহৈসিনি। ধ্রিযতে য স ধর্ম্ম (অতোপ্পবু চাওখৎনবা তৌবিবা পুবিবা অদু ধর্ম্ম কৌই) ধবতি ধাযযতি বা লোকমিতি ধর্ম্ম, (তাইবংপানবু পুবিবা অমদি পুহল্লীবা অদু ধর্ম্মনি) ধর্ম্ম হাযবা ৱাহৈ অসি হাযদোকপদা যাম্না তেল্লী অর্থ হল্লুববদি সৱ ব্যাপক্লী (পুম্নমক্তা শিন্থুংনা লৈ) কনাগুম্বনা হায় ধর্ম্ম হায়বদি লাইনিং লাইশোনবু হায়বনি হায়নৈ, মদুদি নত্তে ধর্ম্মনা লাইনিং লম্বীখক্তদা শিজন্নগদবা নত্তে, হিবম খুদিংমক্তা ধর্ম্ম চংই। বিহিত কর্ম্মঞ্জং ধর্ম্ম (অফ- অফবা থবক্তগী পোকপা মহৈদু ধর্ম্মনি) নিসিদ্ধা আধর্ম্ম (ফত্তবা অবালবা থবক তৌকবদগী ফংইবা মহৈশিং অদু অধর্ম্মনি) মচা মশু য়োকপা ধর্ম্ম চংই বাজনিতি ধর্ম্ম চংই, লাইনিংবসু ধর্ম্ম চংই, অসুম্না হায মৈতৈ ধর্ম্ম, হিন্দু ধর্ম্ম, খৃষ্টান ধর্ম্ম, ইষলাম ধর্ম্ম বৌধ ধর্ম্ম অসুম্না অবোই অবোইবদা ধর্ম্ম হাযবা ৱাহৈ অসিদা পুল্লি। মবম অসিনা ধর্ম্মগী অর্থদি অচুম্বা হাযবনি অচুম্বা হাযবসি অমত্তা ঙাইববা ঈশ্বরদুনি। যন যাম্না লাই নিংদুনসু অচুম্ববু চৎত্রবদি ফংদে, হৌবকফমসু মানি হঞ্জিনফমসু মহাক্লী। (বিঙ্গান্না যন চাওখৎলবসু ধর্ম্মনা লমথুংফম্লী)

ভগবত গীতাগী অহানবা অধ্যাযদা ধৃতবাস্ত্রনা সঞ্জযদা হায- ধর্ম্ম ক্ষেত্র কুরু ক্ষেত্রে যুযুৎসব। মামকা পাণ্ডবশ্চৈব কিং কুর্ব্বত সঞ্জয। হে সঞ্জয়! ধর্ম্মগী মফম ওইবা কুরুক্ষেত্রদা লাল থেংননিংবনা ঈখৌ লাংনবিবা ঐগী ঈচা চাম্মা ঈনাও পাণ্ডুনা পোকপা মচিল মনাও মঙানা হৌজিক কবি থৌবাং তৌনবিবগে? ধৃতবস্ত্রগী বাহং অসি যাম্না চুম্বা থম্মোয শোকপা ৱাহৈনি। কবি মবমগীদমক মীহাৎপুং হাৎনপুং কুরুক্ষেত্রবু ধৃতবাস্ত্রনা ধর্ম্ম ক্ষেত্র হাযনা সম্বোধন তৌবিবনো? ঐনা বিচাব তৌবা ৱাযেনবা ঙমদ্রবা হাযবা ইন্দ্রবা ঈচাশিং অসিবু হন্দাক্তি কুরুক্ষেত্রনা অচুম অবান খাইদোক্তুননা সোইদনা বিচাব তৌবগনি। হন্দক্লী বিচাব অসিদি থৈদোকপা যাববোইদবা অচুম্বা ধর্ম্মনা বিচাব তৌদুনা

বিচাব অসি খৈবগনি। মবম অসিনা কুরুক্ষেত্রবু ধৃতবাস্ত্রনা ধর্ম্ম ক্ষেত্র হায়না থোলবনি নৈনবিবা ৱাবী অসি ধর্ম্মগী ৱাবীনি।

গন্ধাবী সতীনসু মচা চাম্মদা হাযখিবা ৱাবী লৈ। ভাবত লাল চৎলমদায়দা দুর্য্যধন্নচিংবা মচিন মনাও চাম্মনা মমাদা খুবমদুনা বব নিবৈ। "ঈমা! হন্দক্কী ভাবত লাল অসি ঐখোয চাম্মনা মাই পাকপা ওইজগে, ঈমানা বব পিবিযু নখোয চাম্মনা লাল ঙমজৌ হায়না আশির্ব্বাদ মঙ্গল পিনবিয়ু ঈমাগী থৌজাল ফংজববদি ঐখোয়না সোইদনা মাই পাক্কনি।" "ঈমাগী দুর্য্যধন! হন্দক্কী ভাবত লাল অসিদি ধর্ম্মনা যয ওইজৌ, ধর্ম্ম হাযবসি লেংদবা ঈশ্বরনি থক কাওগনু, ঈমানা নখোয চাম্মদা বব কোকথোং অমা পিবগা লাল হেক্তা ঙমগদবা নত্তে। অদুগা নখোয চাম্মনা লাল ঙমকউ হাযনা বব পিবসু ঈমা যাম্না লানগনি, মবমদি নখোয চাম্মা মঙামক ঈচাঙাক্তনি অক্মানি। মসিদা ঐনা তেংঙানবা মীৎযেং থম্লবদি ঐগী ধর্ম্ম কাই। নমা ঐনা ধর্ম্ম কাইবগা নখোযনা কমদৌনা নমাই পাক্কদৌবিবনো? মবম অসিনা নখোই পুম্নমক মঙ্গল ওইনবগীদমক ঈমাদি ধর্ম্ম ঙাক্লগে। নখোযসু অচুম্বা চত্তুনা ধর্ম্মবু ঙাকউ, ঈমাগী পাওতাক অসি লৌববদি শোযদনা নমাই পাক্কনি। ঈমানা তাকপসি থক কাওগনু হন্দক থেংনগদৌবিবা লাল অসিনা নখোয নচিন ননাও চাম্ম মঙাগী অচুম অবাল বিচাব অসি খৈবগনি" গন্ধাবী সতীগী ৱাহৈ অসি অচুম্বনি কনাগুম্বনা অবালবা পাম্বৈনা ফন যাম্না চাওখৎলুববসু অবোইবা মতমদদি অচুম্বগী মখোংদা সোইদনা চংজবকই, মবম অসিনা অচুম্বা ধর্ম্ম হাযবসি ঈশ্বরনি।

মথক্কী ৱাবী অসি ধর্ম্মগী মবমদা নৈনবনি হৌজিক মতম অসি বিজ্ঞান্না খম থেংনা চাওখৎলবা মতম্নী। লঙ্কাগী বাবননা মৈ ঈশিং নুংশিৎ যাবগা শিজিন্নৈ হাযনা বামাযন্দা হায। হৌজিক্তি মী খুদিংমক বাবন ঙাক্তা ঙাইবে। বৈজ্ঞানিকশিংগী কোক্তগী পুথোকপা যন্ত্রগী শক্তিনা মীওইবা ঐখোযবু অসুক্কী মতিক নুংঙাইহল্লে। অসিগুম্বা বৈজ্ঞানিশিং অসি অচম্বা নত্তে, ঈশ্ববগী " বর্ন

আবেশনি, লঘুভাগবতামৃতনা হায়- ঈশ্বরগী জ্ঞান শক্তি মবিক অমতং মী অদুদা হাপ্পিববা মী অদুদি মীবক্তগী মীথোয মীহেনবা মী ওইবা মীশক অদু ভগবানগী আবেশ অবতাবনি খংগনি। অসুম্না হায়রী! শ্রীমদ্ভাগবদগীতাগী অধ্যায তবাগী শ্লোক নিমফুমাথোইদসু শ্রীকৃষ্ণনা অর্জ্জুন্দা তাকপি- যদ্ যদ্ বিভূতিমৎ শ্রীমদুর্জ্জিতমেব বা। তত্ত্বদেবাবগচক ত্বং মম তেজোহংশসম্ভবম।। (ধনঞ্জয়' মী ওইববসু শা ওইববসু কবিগুম্বা পোৎশক অমবু ওইববসু মযামদগী থোযদোকপা মগুণ চেনবা পোৎশক অদু ঐগী শক্তি মবিক অমা পোৎশক অদুদাচংবননি হাযবসি নংনা খংউ হাযনা তাকপিবি। শাস্ত্রগী বাক্য অসি লৈবনা নিংথৌ মন্ত্রি ওইবিবা মীকোক থোংবা ডাক্তব ইঞ্জিনিযাব কাবিগব খুৎহৈবা মীওইবনা উবদা অঙকপা ফংবা যন্ত্রশিং পুথোকইবা পুম্নমক অসি ঈশ্বরগী বিভূতি মবিক অমা চংবদগী পুথোকপা ওস্মাবনি। মহা ভাবত লাল নুমিৎ তবানিপান্নি থেংনখিবা মফম অদু কুরুক্ষেত্রদনি। অদুগুম্বা লাল অদুদা ধৃতবাষ্ট্রনা হস্তিনাগী বাজ সভাদা ফম্মগা মীকুপ খুদিংগী লালগী পাও তাখী। মদুগীমবমদি শক্ত্যাবেস বেদ ব্যাসনা সঞ্জযদা নুমিৎ ১৮ নি খক্তং দিব্য চক্ষু পিবি, মদুগী শক্তিনা কুরুক্ষেত্রদা থেংনবিবা লাল অদু ইনক নক্লা তাব উবা ফংই। লাল অদুগী বাবী পুম্নমক সঞ্জযনা মীৎনা উবা পাওদম পিদুনা তাহনখি। পৃথিবীদা ওইথোক্তবা মতমদুগী অমখক্তং পুথোকখিবা দিব্যচক্ষু অদু হৌজিক্তি শক্তি লৈববা মৈজ্ঞানিশিংগী বিজ্ঞানগী পাম্বৈনা খিজিন্দুনা মশক উনা পুথোক্তুনা মীপুম খুদিংমক্তা দিব্য চক্ষু লোইনা পিবিবে। পাক চাওববা পৃথিবী অসি ইম্নুং অমত্তগুম উবে, মালেমগী মচি মচিদা থোকপা থৌদোক ব্রাথোক খুদিংমক যুম যুমদা ফম্মগা তাব উবা ফংঙে। অমেবিকাদা জপান্দা থোকপা থৌদোক অদু সেকেন্দ অমগী মনুংদা ইন্দিযাদা ইঙান ঙান্না তাব উবা ফংঙে অসুক্কী মতিক ব্রাংনা চাওখৎলে। ব্যাসদেবনা

পুথোকখি হাযবিবা বিদ্যচক্ষ্যু হাযবসি হৌজিক্তা হায়ববদি তেলিভীজন্নী। অসিগুম্বা তেলিভীজনগী পাম্বৈনা দুবদর্শন শক্তি পিদুনা অকাপ্পদা লৈবা পিক্লবা পোৎশক ফাওবা ইঙান ঙান্না উহন্দুনা ৱা ঙাংবা ফাওবা তাহল্লি। বৈজ্ঞানিকশিংগী কোক্তগী পুথোকপা যন্ত্রগী শক্তিনা মীওইবগী ইন্দ্রী মনুংদা লৈবা লাইনা ফাওবা খংতোক্নুনা লাইয়েংবা ঙম্মে। লাই হাক্তক্কী ৱাবীদা বিমান তোংদুনা শক্তি লৈবা মীওইশিংনা অহাংবা অতিযা অমদি চন্দ্রলোকপু বিজয় তৌই হায। হৌজিক্তি মীপুম খুদিংমক বিমান তোংদবা অতিয়া বিজয তৌদবা কনা যাওবিদগে ? গকব্বনা পৃথিবী শিন্নুংনা মীকুপ্তা পাইবা ঙম্মী হায হৌজিক্তি গকবদগী হেন্না যাংবা গকব মশিং থিঙমদনা লৈবে। পৃথিবীদগী হেক্তোক্নুনা চন্দ্রলোক্লচিংবা গ্রহ উপগ্রহ ফাওবা মীওইবনা থিজনবা ঙম্মে হাযবিবা পুম্নমক অসি মীবক্তগী অথোযবা বৈজ্ঞানিশিংগী থিজিনবা হোৎনবা কনবগী মহৈনি। ব্রহ্ম অস্ত্র শূদ্রসন ত্রিশুল ব্রজ শক্তিসেন্নচিংবা খুলাই কযা মী লাইশিংনা পাইনবম্মী। হৌজিক্তি বিজ্ঞান্না পুথোকপা নিউক্লীযাব, এতোম্নচিংবা মালেম পুম্নমকপু পুংতুম তুমহনবা ঙম্বা খুৎলাইঙাক্তা পৃথিবীগী বাজ্য বাজ্য খুদিংদা পৈশন্দুনা থম্নবি। মীওইবা ঐখোযনাচাওথোকচবি, মীওইবনা ঙমদবা কবি লৈবিবগে ? অসুম্না চাওথাকচ অদুবু লাইগী থাক যৌনা ফন্ন চাওখৎলবসু মহা পুরুষশিংনা থম্নীবম্মীবা ধর্ম্মগী লম্বীবু হন্না যেংদদুনা বিজ্ঞানখক্ত চাওখৎপা তাল্লবদি প্রলয লাক্কনি হাযবসিনি। মতম অদু হৌজিক যাম্না নকশলক্লে, মদুগী মবমদি ধর্ম সঙ্কবনা শাসন তৌবা হৌবক্লে।

সঙ্কবগী মবম খবা”

বর্ন সঙ্কব হায়বদি বর্ন য়াম্নবা (মুকষণ) ধর্ম্মদা আধর্ম্ম চংঙকপা ধর্ম্মগা আধর্ম্মগা য়াম্নবা হায়বিবা অর্থশিং অসি বর্ন সঙ্কবগী অর্থনি। খুদম ওইবা ৱাবী অমা পিবা তাববদি ভোজ বংশদা কংশ পোকই কংশ বর্ন সঙ্কবনি: উগ্রসেনগী ক্ষেত্রদা হিংচাবনা মায়া তৌদুনা উগ্রসেনগী শক্লোন লৌবগা ছুনবা মকন্না কংশ পোকই। মবম অসিনা উতাংবিনা পাম্বী হাৎপগুম্না ভোজ বংশবু কাং খোঙ শানা চায়খাইখি। কনাগুম্বনা হায়নবা অর্থ অমা লৈ মদুদি ব্রহ্মনগা ক্ষেত্রীগা লৌন লৈন্দুনা পোকপা মচা অদু বর্ন সঙ্কবনি অসুম্না অর্থ হল্লী। অর্থ অসি চুম্মী, অদুবু মসিদি সাধাবন ওইবা অর্থনি হায়নিংই, মবমদি বব কন্যা অনিনা মশা মশা য়ানদুনা পোকপা মচা অদুনা শাগৈ অদুগী মাংন তাক্লবা খক তৌদে, বব কন্যা অনিদুগী অশেংবা মচানি। শুপ্নতগী বর্ন যান্নে হায়বখক্তনি অনিগী লুহোংদুনা পোকপা অশেংবা বর্ন ইঙ্কবনি হাযবা যাবদি কনাগুম্বী শাগৈগী মৌ অদুনা অতোপ্পা শাগৈগী মচাবু মপুবোইবা খংহন্দনা লোৎনপুশলক্তুনা পোকপা মচা অদু অশেংবা বর্ন সঙ্কবনি। মবম অসিনা কংশ অশেংবা বর্ন সঙ্কবনি হায়বনি। উতাংবিনা চাওখৎলক্তুনা পাম্বী হাৎপগুম্না ভোজ বংশদা কংশনা চাওখৎলক্তুনা ভোজ বংশবু চাইখাইদুনা উগ্রসেন মপাবু বন্দীশংদা মখোং যোৎহিলং থাংদুনা থম্মী। মমা অমত্তগী গর্ভদা পোকমিন্নবা মচলনুপী দেবকিবু লুহোংবা নুমিৎতগী মপুবোইবা বসুদেবগা পুন্না ফাজন্দুনা মখোংদা য়োৎহিলং থাংদুনা মচা নিপাল পোকপা ফাওবা বন্দী শংদা থম্মী। হিংচাবশিংগা লৌতুন্দুনা ব্রাহ্মন বৈষ্ণব, দেবতাশিংগী মাইযোক অমদি ধর্ম্মগী মাইযোক্তা লৈদুনা মাংন তাক্লবা থবক ঙাক্তা তৌই। কংশ মীবক্তা পোকপা মীনি, মচৎতি অসুবগী মচৎঙাক্তা চৎলি অদুনা মাবু অসুবনি হায়বনি। মচননুপী দেবকিনা পোকপা মচা তবেৎ মমাগী মথানুংদগী মুন্দুনা হাৎতোকপা ঙম্মী। দেবকিগী নিপালশুবা মচা অদু

ভগবান বাসুদেবনি শ্রীবাসুদেব কৃষ্ণদি ধর্ম্মগী মূর্ত্তিনি। মঙোন্দা ঐগী মীগী হায়বা লৈতে ধর্ম্মবু ঙাক শেলবা আধর্ম্মবু লৌথোকপা নেট্টা ওইবা জগৎকী কর্ত্তানি। কংশ নিংথৌ কৃষ্ণগী মমাগা হেক পোকমিন্নবা মাম্মনি মমাগা পোকমিন্নবা মামতুল হায়বসিদি মীৎনফাওবা খানা য়েংহৈদে হায়নবিবনি। অদুবু ধর্ম্মগী মূর্ত্তী কৃষ্ণনা লৈই অসিগী বাংমা লাম্বোক্লুনা মথুপুবগী ধনুর্যজ্ঞ বাজ সভা ময়াইদা চাঙ্গপবদগী মশম পাইদুনা চিংথবগা মীয়াম মমাংদা কুদ্ধে তৌদুনা হাৎলি। উগ্রসেন মবুথৌবু বন্দিদগী থাদোক্লুনা অমুক হন্না মথুবাগী নিংথৌ ওইহনখি। বসুদেব দেবকি মমা মপা অনিবু বন্দিদগী থাদোক্লুনা যদু শাগৈ অমদি ভোজ শাগৈ অনিমকপু মনিং তমহল্লি। ধর্ম্মগী মুর্ত্তী কৃষ্ণনা মমাগা পোকমিন্নবা মামতুলবু কবিগীদমক হাৎলিবনো? লুচিংবা নেট্টা অমনা তৌফম থোকপা মথৌ পাংথোক্লুনা অধর্ম্মবু নমথদুনা ধর্ম্মবু ঙাকপনি, উতাংবী হাৎলগা পাম্বী কনবনি, বর্ন সঙ্কব খাইদোক্লুনা জগৎতা অচুম্বা মশক তাকপনি। অসিগুম্বা বর্ন সঙ্কব খাইদোক্লুনা জগৎপু ঙাক্কদবনি হায়বসিগী মবমদা ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা পাণ্ডোপকী অর্জ্জুন্দা তাকখি। মতাং অসিবু মণিপুবগী লোক্তাক অমদি ঈথায়না ভগবৎ গীতা কর্ম্ম যোগদগী লৌখৎতুনা নৈনবি, মসিগী মনুংদা স্বকাম কর্ম্ম, নিষ্কাম কর্ম্মগী মবমসু গীতানা তাকই। বাবী অসি য়াম্না শন্দোক্লা লিবা নত্তে, মকওইবা খবদং মণিপুবগী লোক্তাক অমদি ঈথায়না নৈনজবনি।

"গীতা কর্ম্মযোগ নৈনবা মতাং"

ভাবত লাল তৌবমদায়দা পাণ্ডোপকী অর্জ্জুন্না মবুথৌ ভীষ্মনচিংবা মবি মতা ময়াম অদু উবদা অন্না- নুংশি য়ান্নদুনা মখুত্তগী খুৎলাই থাদোক্লুন দোলাইদা ফম্মগা কপ্পী হাযবা মতাং অসিবু গীতানা বিষাদ যোগ (অৱাবা লম্বী) চমন্নবা বাখলগী লংজিল পুনবা মতাং অমনি হায়না তাকই। মীওইবগী মবক্তা

মথৌনা মবিংজেল লৈবা মীতনা মীনুংশি খংবা ঙাকপিহৈবা গুণ চেল্লী। মথৌনা মবিংজেল লৈতবা মীদি ঙাকপি হৈতে মীনুংশি খংদে। মহাপুরুষ ওইবা কালা অবতার অর্জ্জুনগী থস্মোয়দা মীনুংশি চাওবা লৈ হায়বসিদা ঙাকফম থোক্তে। মহা যোদ্ধাপতি অতিবথি লী তেন চপ মান্ননা হৈবা অকিবা চোকথবা লৈত্রবা অর্জ্জুন্না লাল থেংনগদৌবিবা মবি মতাশিং অদু উরুবদা মীনুংশিতনা থস্মোয় মহি চেনখিদুনা মশা পুম্নমক পুমচোক চোকথখি। মখুত্তগী লীকও থাদোক্তুনা মক লুক্লা ফম্মগা মপি মতুম মতুম তাদুনা পলেপফম খংদবা চিন্তাগা লোয়ন্না কপখি। অর্জ্জুনগী অৱাবা মতৌ উবদা পুম্নমক খংবা শ্রীবাসুদেবনা নুংশিনা হংঙকই। *"ধনঞ্জয়! কবি তৌবে সখে? লালজিং পুবেল ওইবা নংনা যেক্লবগা মায়োক্লববা লাল হৌবমদায মতমসিদা পাংদবা মীচমগুম্না নখুত্তগী খুংলাইথাদোক্তুনা থস্মোয শোক্লা নপি তানা কপ্লিবা কবিগীনো?'*

"হে মধুসুদন! ঐহাক ভাবত লাল থেংনবা পামদ্রে, লাল অসি তোকহৌবনা ফবগনি খল্লে"। গোবিন্দনা হায- "মবম অদু হায়যু খন্নসি সখে"। "হে ভগবান! ঐখোযনা লাল থেংনগদৌবিবসি কনাগনো পুক্লিং অসি লৈতাফম খংদনা ৱাবে। যেংউ যেংউবদা অতোপ্পা অমত্ত য়াওবমদ্রে, ঈপাগা পোকমিন্নবা ঈপন্না পোকপা ঈচিল ঈনাওশিং ঈ তিন্নবা মশেল ঈখোং ঈখুৎ পায়দুনা বিদ্যা তম্বীবকপা গুরুজনশিং মীংনফাওবা য়েংহৈদবা ঈমাগা পোকমিন্নবা মাস্মশিং ঈশেল ঈবাই ঙাই শেল হায়বিবশিং অসিদা কমদৌনা খুং থাগদগে, হে গিবীধাবী! পুম্নমক অসি লৈখিসনু। ঈবুধৌ ভীষ্মবু উবদা ঐগী হকচাং পুন্না চোকথবে, থস্মোযদগী ফাওবকপা পুঙমদবা ৱাখলনা ঈন্দ্রিয় পুম্নমক চোকথখবে কবি অমুক হাযসিগে মপালগী উনশা ফাওবা চিক চিক লাওবে। হে হৃষিকেশ! বাজ পদবী সিংহাসন্নচিংবা লল থুম হায়বসিদি ঙাইহাক্কী ওইবা মংদা খুনবা সনা মতুম অমদি ঈমাইথক্কী কোঙ্গোলনি। অসিগুম্বা সিংহাসনবু মীহৌদুনা ঈপাশকপা ঈবুধৌ অমদি পূজা তৌজফম থোকপা গুরুজনশিং হাৎলগা ঈ তোৎপা বাজ

ভোগ চাদুনা কযা কুইনা নুংঙাইনা হিংগদৌবিবনো? শিবগা সোইদনা নোবোক তাকগনি। মবম অসিনা অসুক চাওবা পাপকী লম্বীবু ঈশানা শেমজদুনা কবিগীদমক নোবোক তাকগদৌবিবনো? খল্লুবদা চমম্নবে। হে মধুসূদন হন্দক্কী লাল অসিদি মাই পাকপা মাই খুবা ঐঙোন্দদি চপ মান্নে। কবিগুম্বা লাল অসি ঐখোয়না ঙম্বা থোক্লবসু পুন্সিচুপ্পা কণ্ডুনা লেলগনি, শিব তাবগসু পুন্যগী মফমদি ফংঙবোই সোইদনা নোবোক তাকগনি যাম্না হেন্না কিবিবা মবম অমনা লাল লোইববা মতুংদনা বন সঙ্কব চংঙক্কনি হায়বা অকিবসিনি। বর্ন সঙ্কবনা ৱায়েল্লবদি সংসাবসি ধর্ম্ম লৈখা তাদুনা জগৎ অসি মাংখিগনি হায়না খল্লী। মদুগী মবমদি মপুবোইবা লৈত্রবী শাগৈগী মৌশিং অসিনা ওক্তবা লমচং চৎলক্তুনা বর্ন সঙ্কব পুশলক্তুনা মদুনা মবম ওইদুনা ধর্ম্ম লৈখা তানা মাংখিব সোইবোই। মবম অসিনা লাল অসি থেংনদ্রিঙৈ মমাংদ পাপী দুর্য্যধন্দা সর্ত অমত্ত থমদনা লৈপাক লল সিংহাসন্নচিংবা লোইনা পিথোক্লম্লগা সন্ন্যাস ওইখিবনা ফবগনি খল্লে"।

অর্জ্জুন্না অৱা নুংশি যান্ননা ঙাংবা হস্তোকফম খংদবা লংজিল পুল্লব চমম্নবা ৱাখলবু হস্তোকপিগে হাযবগীদমক মখাগী ৱাহৈশিং অসি তাকপিবকই "ধনঞ্জয়! "নহাক মীনুংশি যাম্না লৈবা মীশক্কী হাযবসি ঐহাক্কা খংই, অদুগ ঙাংথোবকপা ৱাঙাংসু পণ্ডিৎকী ৱাঙাংনি। পুম্নমক অসি ফন ওইদুনসু ঐন হাযনিংই সখে! নহাক মনুং মপাল তুনা খংবা তুংগী মহৈ উবা পণ্ডিৎ অমা নত্তে। পণ্ডিৎ হায়বসিদি মাং তুং লোযনা খংবা ঙম্ববু পণ্ডিৎ কৌই। নহাক্ক উবিবা খংউবিবা অদুদি মপানগী ওইবা মাংবা নাইবা সোইদনা নোংমা মাংখিগদবা লেপ্তুবা পোংশক অদুবুনি। পণ্ডিৎশিংনা যেংইবদি অবেপ্পা মাংদবা নিত্য ওইবা পোংশক অদুনি। নহাক্তি সোইদনা মাংখ্রগদবা অনিত্য ওইবা মপানগী ওইবা পোংশক অদুগীদমক নমিত্তা নপি তাদুনা পলেপফম খংদনা কপ্পী"। মদুগী মবম অদু হায়গে- পোকপা, হিংবা, শিবা, অঙাং ওইবা পাখং

লৈশাবী ফাবা হায়বিবশিং অসিদি পবিবর্ত্তন্নী (অওনবা নাইবা) লেপ্তুবনি, মতমগী মখা পোনবনি। হাযবিবশিং অসিবুনি আনিত্য হাযবিবা পোংশক অদু, অসিগুম্বা অবেপপা নাইদবা পোংশক অদুদা প্রাজ্ঞশিংনা ঙক্তে। মৈ ঈশিং নুংশিং অতিয়া লৈপাক্ল পোংচাক ওইবা পঞ্চভূৎকী মওং ওইবা হকচাং অসিদি লৈপাক্লা শাবা চফুনা কাইবগা লৈপাক্লচিংবা পঞ্চভূৎতা তিনখি। জীব হাযবসিদি মৈনা, ঈশিংনা, নুংশিংনা খুৎলাইনা মাংহনবা হাৎপা ঙম্বা পোংশক নত্তে নিত্যনি। অদু ওইববদি নহাক্লা হাৎপা হাযবিবদু কনাবুনে? পিতামহগী পুবদা লুম্লবা শুম চাববা অমলবা য়ুমগী মশক নোংমদি সোইদনা মাংথ্রগদবা হকচাং অসিগীদমক থম্মোয শোক্লা ৱাদুনা তৌফম থোকপা নথৌ তৌবোইদৌবি। মবম অসিনা নাকল অমদা পুকচেল চাওবা মীনুংশি লৈবা মীশক ওইদুনসু নাকল অমবোমদদি কবিমতা খংদ্রে পুমহো হোবে"।

হে পার্থ! নহাক্লা ঙাংবা ৱাঙাং তাবদা ঐনা খংবা মবম অমসু লৈবে, মদুদি নহাক নশাগী স্বার্থগীদমক লাল থেংনগদৌবি মবম অসিনা নশা নতোমতা নিংজিং মাংজিংনদুনা পলেপফম খংদবনা চমমনদুনা নোবোক্কী কোমদা নখোং থাংজনবা হৌবে।

কবি মবমগীদমক ভাবত লাল থেংনগদৌবিবনো? হাযবা অবেপ্পা খংদবদগী ঐনা ঈবুধৌ অমদি শাগৈ ঈচিল ঈনাও হাৎলগা বাজ ভোগ চাগদৌবিবনি হাযনা অবালবা ঙাক্তা খন্দুনা ৱাখল চমম্লবিবনি। মবম অদু হায়গে- নহাক্ল তৌগদৌবিবা লাল অসিগী থৌহৈ শিন্নফম অদু খংদ্রে অদুমক্লা ৱাখল চমম্লদুনা অসুক যাম্লা ৱাবিবনি।

হে কৌন্তেয়! হন্তক্কী লাল অসিদি তঙাইফদনা থেংনদবা যাদবা লালনি। মদুগী মবম অদু হায়গে- অহানবদা ফংফম থোকপা সর্ত্ত তানবনি,

ঈপানা থম্বীবম্বা ঈবৈপাকপু ঙাকপনি। অনিশুবদা ক্ষেত্রী মচাগী তৌফম থোকপা মথৌ ঙাকপনি। অহুমশুবদা অধর্ম্মবু লৌথোক্কুনা ধর্ম্মবু ঙাক শেনবনি। হায়বিবা অহুম অসিগী মনুংদগী মক ওইবদি ধর্ম্মদা অধর্ম্ম চংঙকপা হায়বসি বর্ন সঙ্কব কৌই। অসিগুম্বা বর্ন সঙ্কব অসিবু খাইদোকহৌদ্রবদি অধর্ম্মনা শাসন তৌবক্কুনা জগৎ অসি মীপুম খুদিংমক অসুবগী স্বভাব লোইনা ওইবক্কুনা জগৎ অসি লৈখা তাবক্কনি। মবম অসিনা নহাকুম্বা মহাপুরুষ অমনা নথৌ পাংথোক্কুনা অচুম্ববু ঙাকপা হায়বসি লোক্তা শিক্ষা তৌবমগদবনি। মবম অমনা নশা নতোমতগী স্বার্থ যেংদুনা থবক তৌবোইদবনি। সক্ত কর্ম্মন্য বিদ্বা সো যথা কুর্ব্বন্তি ভাবত। কুর্য্যাদ্বিবংস্তথা সক্তাশ্চি কীর্ষুলোক সংগ্রহম্।। হে অর্জ্জুন! জ্ঞন লৈতবা অপংবা মীনা মশা মতোমতগী কান্ননবা মহৈ থিদুনা থবক তৌই, জ্ঞান লৈবা অশিংবা মীনা মীযামগী কান্ননবা লোক শিক্ষাগা লোইননা থবক তৌই। মবম অসিনা নশাগী স্বার্থগীদমক লাল থেংনগদবা নত্তে, নবৈবাক নজাতিগীদমক লাল অসি থেংনৌ থৌহৈ থক্ষমদি কৃষ্ণ ঐবু কাওগনু নঙোন্দা পাপ মবিক অমত্ত লৈবোই সংসাবদগী লানগনি।

হে বিভৎসু! হস্তক্কী লাল অসিদি মাইকৈ খুদিংমক যেংউবদা তঙাইফদনা থেংনফম থোকপা ধর্ম্মগী লালনি। মবম অসিনা অহল ওইববা মৎশ্য দেশগী বিবাৎ নিংথৌনা অবৈবা মবল মথুম পুথোক্কুনা মচাগা লোইননা হনবা লৈতনা লেপ্পী। পঞ্চাল লৈপাক্কী মবুংঙো দ্রুপদ মহাবাজসু ধৃষ্টদুম্না শিখণ্ডী মচা অনিগা লোযননা তেঙ্গোল অমদি অবৈবা মবল মথুম সম্পতি লোয়ন পুথোক্কুনা খোঙফম চেৎনা লেপ্পী। অতৈ অতৈ কল থৌববা মতিক মগুণ লৈববা নিংথৌ মচা পুম্নমক অসিসু লাল অসি থেংনবগনি হাযবগী ফীবেপ লৌখ্রে। ঐ ঈশামক নখোয মঙাগীদমক অমদি অচুম্বা ঙাক্কবগীদমক অঙম্বা শক্তি পুথোক্কুনা মাই পাক্কবা হোৎনগে খল্লিবনি। মবম অসিনা নহাকুম্বা লুচিংবা অতিবথি বিব পুরুষ অমনা লালফম অসিদগী নমাই লৈথোকপা নিংহন্নবা হাযবসি য়াম্না লালগনি।

"লুচিংবদা লৈগদবা গুণ"

হে সব্যশাচী! ভাবত লাল অসিগী লুচিং পুবেল অদু নহাক্কী। সখো! লুচিংবা হায়বসিদা গুণ য়াম্না চংই গুণশিং অদুদি- ক্ষেমা (ঙাকপিহৈবা) দয়া (থৌজালহৈবা) সহিৎ (অখাং কন্নবা) সদাচাব (লমচৎ ফজবা) দান্ত (পিনহৈবা) বিজিতেন্দ্রিয় (ইন্দ্রি খুদুম চনবা) শূব (থৌবা) সান্ত (তপথবা) সন্ন্যাস (থাদোকপা) শাস্ত্রচক্ষ্যু (লাইবিক হৈবা) সমদর্শী (মান্নবা মীৎয়েং থম্বা) মফম মতম খংবা মসিনচিংবা গুণশিং অসি লুচিংবা অমদা লৈগদবনি। মবম অসিনা নহাক্কুম্বা লুচিংবা অমনা চোকথ তম্বুবা নথৌদা পুক্লীং চংদবা তাববদি নহাক্কী তুং ইল্লিবা তেঙ্গোল পুম্নমক লোইন মথৌনা হম্বুখিদুনা চোকথবক্কনি। হস্তক্কী লাল অসিদি অচুম্বা ধর্ম্মবু মুন্না খংলবা দদা মহাবাজ যুধিষ্ঠিবমক্লা থেংনফম থোকই হায়বা ফীবেপ লৌববনি। লাল অসিতবু ঈথৌ লাংনা ঙাইবিবা দদায়াইমা ভীমসেন সহদেব নোকুল ঈনাও অনি অতৈ অকল অথৌশিং পুম্নমক নঙোন্দা আশা থমদুনা নহাক্কী য়াকা য়েংবা ঙাক্তনি। মবম অসিনা লুচিং পুবেল ওইবা নহাক্লা চোক্‌থববদি তেঙ্গোলগী মথৌনা হম্বুবক্কনি, লাম্মীনা মথৌ হল্লবদি কমদৌনা লাল অসি মাই পাক্কদগে।

হে গুবাকেশ! নহাক্লা কবিশু লৈতবা মীনুংশি মবিক অমগীদমক হস্তক্কী ভাবত লাল অসিদগী খোংফম হন্তোকপা থোক্লবদি অমাংবা মপৈ অমা তুংদা লাক্কনি। জ্ঞান লৈবশিংনা মাংতুং য়েংদুনা থবক তৌনৈ, হৌজিক্কী ঙাক্তা য়েংদুনা তুংগী য়েংহৌদ্রবদি মদুগী তেকচাক অদু নহাক্লা পুগনি। মাংগদৌবিবা মবমশিং অদু হায়গে- অহানবমত্তদা মাংগদৌবিবা অসি ললনি, মদুদি ঐথোয়না ভবেত থেংননবগীদমক লাংইবা খুৎশু খুৎলাই অচা অথক অশুক য়াম্না থৌবাং তৌবিবা পুম্নমক অসি মাংগনি। ফবে, মসিবুদি মাংজখ্রসনু অবাইবনি লল হায়বসিদি

অমুক তানবা য়াই। অনিশুবদা মাংগদৌবিবা অসিমদি মীংচৎনি, মীংচৎ হায়বসিদি সনা কপানা হেক্তা লৈবা ফংবা পোৎশক নত্তে। গুণ লৈবা মীথোয় মীহেনশিংনা মীংচৎ ঙাক্লবগীদমক মবল মথুম সম্পতি লোইনা থাদোক্লে, মবম চাববদি থৱায় ফাওবা থাদোক্তুনা মীংচৎ ঙাক্লবা হোৎনবি। ফবে, মীংচৎসু মাংজখ্রসনু অহৃমশুবা অমাংবা অসিমদি অচৌবা লৈপাক মীয়ামদা শোকপা অমাংবনি। মদুগী মবম অদু হায়গে, হৃন্দকপু ঐখোয়না ভাবত লাল অসিদগী খোংফম হন্দোপা তাববদি অচুম্বা হায়বদু লৈববোই লৈখা তানা মাংগনি, অচুম্বনা ধর্ম্মনা মপাঙ্গল লৈত্রবদি অবালবনা চংঙক্তুনা শাসন তৌবগনি, অবালবনা কর্ত্তা তৌববু বর্ন সঙ্কব কৌই, উতাংবিনা পাম্বী শাবা কৌই, অসিগুম্বা বর্ন সঙ্কবনা ৱায়েলক্লবদি মীওইবা খুদিংমক অসুব প্রকৃতি (হিংচাবগী) ৱাখল ঙাক্তা ওইবক্তুনা জগৎ অসি মাংনবগী মশক প্রলয লাক্কনি। মবম অসিনা পার্থ হৃন্দক্কী লাল অসি ধর্ম্মবু ঙাক্তুনা লোক শিক্ষ্যা থম্মম্লবা অমদি লুচিংবা অমগী তৌফম থোকপা মথৌ পাংথোক্তুনা মীংচৎ থনম্লবগীদমক চোকথবা থাদোক্তুনা নখুৎতা খুলাই পাইখৎলো। সংসাবদা পোকপা জীব পুম্নমক থবক তৌদবা যাওদে কবি অমুক হায়সিগে তাইবং মীওইবদি থমখিগে, শা উচেক অপিকপা তিল কাং স্থাবব জীব (চৎপ ঙমদবা জীব) ফাওবা সংসাবদা পোক্লববদি থবক শুবগা হিংবা মক্তনি। কবিগুম্বা মশাগী মথৌ তৌবা ঙমদ্রবা জীব অদু শিবে, অদুবু তাইবং মী নত্তবা জীবশিংনা শুবিবা তৌবিবা থবকশিং অদুদি মশা খক্তং হিংনবা তৌবা থবক্কী। মীওইবনা মী ওইনা পোক্লগা মথৌ অমা তৌদনা হিংলবদি মহাক অদু হিংনা শিববনি হাযবা য়াই। মহাক্লা হিংলিবদু অতোপ্পগী চাকখাও মৎপনি, মীযামদা ৱাই চিলহনবনি, হিংবা শিবা অজ্ঞানি হাযববসু শিখিবনা শকক চাম্মা হেন্না ফৈ। ঐখোযনা পোক্লবিবা সংসাবসি কর্ম্ম ক্ষেত্রনি, (থবক শুফম্নি) মবম অসিনা ঐখোযনা হিংলিঙৈ মতম খবসিদা মাগী মাগী অঙম্বা থাক্তা অফবা থবক খবা শুবম্বা তাই। অদুবু তৌগদৌবিবা থবক অসি মখল অনি থোক্লা

খাইদোকই, মদুদি মশা মতোমতগী স্বার্থ য়েংদুনা শুবা অমা, অমনা মীয়ামগী তুংগী য়েংদুনা শুবা থবক মখল অমনি। অহানবগী অত্মাস্বার্থগীদমক থবক তৌবা হায়বসিদি মী খুদিংমক্রা হৌজিকমক তৌবিবা থবক্নী। অদুগা স্বার্থ ত্যাক হায়বা থবক মখল অসিদি মালেমগী মনুংদা যাম্না তাংই। অসিগুম্বা থবক মখল অসিদি মহত্মা ওইবা দেব শক্তি লৈবা মীতনা ওম্বনি। অসিগুম্বা থবক মখল অসিবু ভগবান বাসুদেবনা অর্জ্জুন্দা তাকখি।

তথা গীতা কর্ম্মযোগ. ৩য় অংশ ২২ শ্লোকে।

নমে পার্থাস্তি কর্ত্তব্যং ত্রিষু লোকেষু কিঞ্চন।

না না বাপ্ত মবাপ্তব্যং বর্ত্ত এবচ কর্ম্মনি॥

হে পার্থ স্বর্গ মর্ত্ত পাতাল ব্রহ্মাণ্ড মবোল অহুম অসিদা ঐনা ফংদবা পোৎশক অমত্ত লৈতে, পোৎ অদুমা ফংনিংই হায়বা অপাম্বা ঐঙোন্দা লৈতে, মবমদি নিংবগা হেক্তা ফংই। থবক তৌদবা যাদে হায়বা কর্ত্তাসু লৈতে পুম্নমক মপুং ফাই।

শ্রীকৃষ্ণগী ৱাহৈসিনা ফোংতোকইবা নুংগী অর্থনা তাকই, ইবুংঙো মহাক্তি জগৎকী কর্ত্তানি মঙোন্দা ফৈ ফত্তে ৱাযেনবিনবা কনামত্তা লৈতে। কবিগুম্বা অমত্তং নিংঙকপদা হেক্তা ফংই, অদুবু মদুমা ফংনিংই হাযবা অপাম্বদুসু ঐঙোন্দা লৈতে, অদুবু ঐহাক পোত্থাবা লৈতনা থবক তৌবি। ঐনা তৌবিবা থবকশিং অসিদি ঐগী ওইনা তৌব নত্তে সংসাবদা লৈবিবা লোক সংগ্রহ জীব মপৈ অসিগী ফনবগীদমক তৌবিবা থবক্নী। অসিগুম্বা জগৎকী কর্ত্তা ওইবিবা ঐ ঈশামক থবক তৌবি, মবম অসিনা সংসাবসিদা পোক্লববদি থবক তৌদনা লৈথোকপা যাদে, তৌবতবু তৌগদৌবিবা থবক অদুদি স্বকাম কর্ম্ম ওইনা তৌবোইদবনি, নিষ্কাম কর্ম্ম ওইনা তৌগদবনি। স্বকাম কর্ম্ম (থবক্কী থৌহৈ লৌশনবা) নিষ্কাম কর্ম্ম (থবক তৌববসু থৌহৈ থাদোকপা) কৃষ্ণনা অর্জ্জুন্দা তাকইবদি নহাক্নুম্বা

লুচিংবা অমনা থৌহে লৌশনবা স্বকাম কর্ম্ম তৌবোইদবনি, নিষ্কাম কর্ম্ম (থৌহ
থাদোকপা) হাযবদি তৌবিবা থবক্তু মীযামগী ওইনা নবৈপাক্কীদমক তৌ হায়ব
অথনি।

তথাহি শ্রীভগবৎ গীতাযাম ৩য অংশ ২৩ শ্লোক.

যদিহ্যহং ন বৰ্ত্তেযং জাতু কৰ্ম্মন্য তন্দ্রিত.।

মম বর্ত্মান বর্ত্তন্তে মানুষ্যা পার্থ সর্ব্বশ ॥

অনিশুবা শ্লোক অসিনা শ্রীকৃষ্ণ মশাবু ব্রহ্মান্দ পুম্নমকপু শেম্ব, যোকপা লৌশনবগী
থবক তৌবিবা ৱাযেল্লিবা কৰ্ত্তাদু ইবুংঙো মহাক্কী হায়না ইঙ্গিৎ তৌই। অসুম্ন
হায় হে পার্থ পুম্নমক্কী লুচিং পুবেল ওইবা ঐনা চোকথ তম্বদুনা থবক তৌদবা
তববদি লুচিংলিবা ঐগী ইতৌ তমক্তুনা কনামতা থবক তৌবরোই। মীওইবন
থবক তৌদ্রবদি জগৎ অসি চাওখৎপা সুকঙম ঙম্মোয়, মবম অসিনা থবক তৌদন
তুমীন্না লৈথোক্লবসু য়াবা ঐনা মখাদা লাকপা মীওইশিংবু তম্বীগে হাযবগীদমক
অতংপ লৈতনা থবক তৌবিবনি। অনিশুবা শ্লোক অসিগী নুংগী ওইবা ৱাহম্বেক্র
তাকই, নহাক লাল অসিগী লুচিংবনি, অমসুং ক্ষেত্রীনি, নহাক্কীদি তৌযন
থোকপা নথৌনি। মীওইবনা মশাগী জাতিগী ধৰ্ম্ম ঙাক্তবা হায়বসিদি অমাংব
মপৈ অমা লাকই, অমদি নোবোক তাই। অচুম্বা থবক হাযবসি নহাক্তুম্বা লুচিংব
ঙাক্না চৎকদবনি, অদুগা মীওইপোক অসিদসু তম্বীফম থোকই। কবিগুম্বা নন
হন্দক্কী লাল অসিদগী হন্দোকপা তাববদি অচুম্বা হায়বদু লৈববোই অচুম্বদু
লৈত্রবদি অবালবনা চংঙক্তুনা তাইবংপান্দা লৈবিবা মীপুম শুদিংমক অসুবগী
স্বভাব চংঙক্তুনা অচুম অবাল হাযবা লৈবোই ধৰ্ম্ম পুম্নমক মথক মখা ওন্দন
মাংন তাক্লবগী মশক প্রলয় ওইবক্কনি। মবম অসিনা হে ধনঞ্জয় ধৰ্ম্মবু ঙাক্
মীওইববু তম্বীগে হায়বগীদমক ঐনা লেপ্লা লৈতনা থবক তৌবিবনি। অসিগুম্বা
অচুম্বা ধৰ্ম্মসি ঙাক্লবগীদমক নথৌনাগা লোযননা লাল অসি থেংনৌ।

মখাগী ২৪ শুবা শ্লোক অসিনা অমুক লুচিংবনা অচুম্বা থবক তৌদ্রবদি বর্ন সঙ্কবনা তাইবংপান অসিদা কর্ত্তা ওইবক্তুনা লৈখা তাবক্কনি মদুগী তেকচাক অদু লুচিংবনা পুগনি হাযনা ইঙ্গিৎ পিবি।

তথাহি- শ্রীভগবৎ গীতাযাং ৩য অংশ ২৪ শ্লোক

উৎসীদেযুরিমে লোকা ন কুর্য্যাং কর্ম্ম চেদহম।

সঙ্কবস্য চ কর্ত্তা স্যামুপহন্যামিমা প্রজা॥

কবিগুম্বা লুচিংলিবা ঐনা থবক তৌদনা লৈথোক্লবদি তাইবংপাল অসি লৈখা তাবক্তুনা বর্ন সঙ্কবনা কর্ত্তা ওইবক্কনি ধর্ম্মদা আধর্ম্ম চংঙকপবু বর্ন সঙ্কবনি হাযনা মথক্তা হন্না হন্না সন্তোক্লা হাযখ্রে। মসিবু ঐনা ঙাকহৌদ্রবদি মদুগী অমাংবা মপে অদু লুচিংলিবা ঐনা থোকহনবা ওইদূনা তেকচাক অদু ঐঙোন্দা তাগনি। অবানবা চুমদবা থবক তৌবিবশিং অসি উতাংবিনি, অচুম্বা ধর্ম্ম হাযবসিদি লেংদনা শেমজনবা যাদবা পাম্বীনি। উতাংবিনা চাওখৎলক্লবদি পাম্বী অদু কংশিল্লক্তুনা চাওজলথি মশা মবেং হাযদোক্তুনা নোই পেন্না মনিং তম্না হিংবা ঙমদে। মবম অসিনা মক ওইবা পাম্বী ধর্ম্মদুবু কন্নবগীদমক লুচিংবনা উতাংবিবু হাৎহৌবা হাযবসি লুচিংবগী তৌফম থোকপা মথৌনি। নহাক ভাবত লাল অসিদগী খোংফম হন্তোকপা যাদে, কবিগুম্বা পাপী দুর্য্যধন্দা বিজয বানা পিথোকখিবা তাববদি পৃথিবী অসি বর্নসঙ্কবনা গ্রাস তৌখিদুনা মী খুদিংমক অসুব ঙাক্তা ওলক্তুনা লৈখাতানা মাংঙক্কনি। মবম অসিনা ধর্ম্মবু কন্দুনা অধর্ম্মবু নমথহৌনবগীদমক অমদি তুংদা লাক্লিবা তাইবংপান লোকপুসু তম্বীবম্নবগীদমক অচুম্বা লম্বী থংননবা লুচিংবা নহাক্লা ঐগী হাযবা আত্ম স্বার্থ থাদোক্তুনা মাই পাক্লবা থব্রায যাওনা ভাবত লাল থেংনবসি হাযনা ভগবান্না তাকপিখি।

মণিপুবগী লোক্তাক অমদি ঈথাযনা গীতা কর্ম্মযোগদা শ্রীকৃষ্ণনা অর্জ্জুন্দা তাকখিবা বর্নসঙ্কব অদু হৌজিক ওইবক্রে হাযনা লাইবিক অসিদা নৈনবি। কবি মবমদগী বিজ্ঞান্না খম থেংনা চাওখৎলবা মতমসিদা অসুবনা মশিং হেনগৎলক্তুনা

বর্ন সঙ্করনা লৈপাক অসিদা শাসন তৌববিবনো? ধর্ম্মনা মপাঙ্গল শোঙ্গবকপা অধর্ম্মনা মপাঙ্গল হেলকপগী মহৈনি। লৈপাক অসি হিংচাবনা খুৎ লিংবা লৈপাক হায়বদুমক ওইবে। নোংম নোংমগী নোঙ্গাংদনা তাহে উহৈদবা থৌদোক রাথোক্ত মীয়ামগী নাকোঙদা শিংজা য়েববে। অসিগুম্বা তৌহৈদবা থৌদোক রাথোকশিং অসিবু লৈপাক্কী রায়েল চুপ্পী পাইবিবা সবকাবনসু অবালবশিং অদুবু মতিক ওকপা (চাবা) দগুি পিদুনা চুমশনবা ঙমদ্রে। ঙসি লৈপাক অসিদা ফংঙবিবা মহৈ অসি ঐখোযনা থাখিবা পাম্বী অদুদা য়ানবা পাপকী মহৈ অদুনি। মতাং অসিদা নিংশিংবা যাই, শ্রীবাসুদেব কৃষ্ণগী পাওতাক অমা মদুদি লুচিংবা ঐনা অবালবা লৌথোক্কুনা অচুম্ববু ঙাকহৌদ্রবদি উতাংবি হাৎলগা মতম চানা পাম্বীদু কলহৌদ্রবদি বর্ন সঙ্করনা মপাম্বী ওইবক্কুনা প্রলয় লাকই। মদুদা লাকপা তেকচাকশিং অদু লুচিংবনা পুগনি। গীতাগী পাওতাক অদুমক হৌজিক ওইবক্কুনা প্রলয় শেম্বা হৌবে। লৈপাক্কী লুচিংবশিংদা তেকচাক লাক্কুনা পুবা ঙমদবনা কোক শাবি। পুম্নমক অসিগী হৌবকফম মকদি ধর্ম্মবু মীবাইবা হন্না যেংদবা অনৌব খুৎশেমগী ইথিলনা ধর্ম্মগী পল নমথাইবকপগী মহৈনি। মতম অসি ধর্ম্মগী ম ঙাংবা পনবা য়াবা মতম নত্রে, কবিগীনো হায়বদা অসুবনা মশিং যাম্বা হেনদ্রে। জগৎ অসি ধর্ম্মনা য়োকই ধর্ম্মনা পুই, ধর্ম্মতনা অফবা চাওখৎপা পুবকইবনি। মথক্তা কয়াবক হন্না হায়খ্রে ধর্ম্ম হায়বসি লাইনিং লাইশোলখক্তদা উগদব নত্তে। হিবম পুম্নমক্তা ধর্ম্মনা চংদবা লৈতবা মফম লৈতে। অদুনদি ধর্ম্ম হাযবা রাহৈ অসিগী অর্থদি অচুম্বা হাযবনি, অচুম্বা হাযবসি ঈশ্বরনি। লমচৎ শাজৎ ধর্ম্ম চংই চাকচা ঈথক ফাওবা ধর্ম্মগী চিঞ্জাক অধর্ম্মগী চিঞ্জাক হাযনা অনি থোক্লা খাইদোকই। ধর্ম্মদগী অফবা চৎনবী শেম্বদি য়াই, ধর্ম্ম যাওদব খুৎশেমগী অনৌবা চৎনবিদি মাং তাক্লবগী মশক ওইবকই। পৃথিবীদা লৈবি মীওইবা হাযবসি জাতি মখল কযামুক থোক্লা লৈবি। জাতি তোংঙানবগী মতুংইন্না চাকচা ইথক ফীজেৎ লৈতেং চৎন লোনচৎসু মাগী মাগী অদুম্মক লৈনে

ঐখোয়গী মণিপুবগী ওইনা মীংয়েং থম্মুবদা জাতি তোংঙানবা ময়াম অমা লৈববসু জাতি অহুমদং পৌনা লৌখৎপা য়ায়। চীংমী, তম্মী, মুষলীম হায়বিবা জাতি অহুম অসিনা লৈপাক অসিগী যুম্বীনি। হাও, মৈতৈ, পাঙল অহুম অসি নত্তবা অতৈ অতৈ জাতিশিং লৈবিবসিদি তাংজববা মীতোপমক্তনি।

কংলৈপাক্কী লৈমাযদগী হৌবা চীংমী তম্মী অনি অসিদি ঈমা অমত্তনা পোকপা ঈচিল ঈনাওনি। লৈপাক্কী ওইবা অপুনবা থৌদোক ৱাথোক লাকপদা ঐখোয় পুন্না চৎমিন্নে। অদুমকপু মৈহৌবোলদগী হৌনা নাং হাযব অমদি লাই হাক্তকতগী থাইনা চৎনবকই। নাং হায়ব ৱাহৈ অসি ঐখোযগী মণিপুবদা চৎনবা লোন্দা পুদানি। বেদগী নিযোম চৎপা সংস্কৃৎকী লোন্দা হাযবগদি র্বন ভেদ (র্বন তোপ্পা হাযনা ৱাহন্তোকপিব যাই। মদুদি -- ব্রহ্মান, ক্ষেত্রী, বৈশ্য, শূদ্র হাযনা মবি থোক্লা থাইদোকই। মথক্তা পল্লিবা র্বন মবি অসিগী চাকচা ইথক ফীজেৎ লমচৎ শাজৎ তোংঙাল তোংঙালব তৌফম থোকপা মথৌ তৌই। মণিপুবী ঐখোযগীসু লৈফম অমদি নাংকী ওইনা চাকচা ইথক চৎনবী কলা কলচব লাইনিং লাইশোল ধর্ম্মগী লীচৎ তোংঙাল্লী। মসিগী মনুংদা দেশাচাব লৈপাক্কী ওইবা চৎনবী) আইন কানুন লৈঙাকলোল অসিমদি ঈমা অমত্তগী মচানি। লৈপাক্কী ওইবা থবক থৌবম পুম্নমক্তা লীংজেল মান্ননা চোংথোক্তনা শিব কিদনা থবক তৌমিন্নবি, ঐখোয় ঈচিল ঈনাও নত্তে হায়সিবা?

অদুবু মাগী মাগী জাতিগী অমদি নাংকী ওইবা মচৎতি মা মাগী জাতিগী নাংকী ওইনা চৎনবকই। শা ষণ লোযব ফাওবা জাতিগী নাংকী ওইনা চীংমীশিংনা চীংগী লমদা ষগুং ওক যেন্নচিংবা লোইনৈ। মুষলীমশিংনা হামেং যাও ঙানু যেন খুনুনচিংবা তম্পাক্কী লমদা লোইবা চৎনবকই। মৈতৈশিংনা ষণ ইবোই হুই হৌদোঙ ফাওবা লোইবা চৎনবকই। মসিগী মনুংদা ষণ ইবোই হুই হৌদোঙ লোইবদি চীং তম অনিমক্তা লোইবা অদুম চৎনবকই। শা ষণ লোইবদা তোংঙানবগুম্না চাকচা ইথকসু জাতিগী মনাংকী ওইনা তোংঙানলকই। যুমগী

চীংমীশিংনা পুকয়ু ৱায়য়ু থোংদুনা থকপা ওক ষগুংনচিংবা শা উচেক কয়া লমশা অমদি য়ুমশা চাবা জাতি অমদি নাংকী ওইনা চাব চংনৈ। মুষলীমশিংগীসু শা যেন ঙানু খুনু হামেং যাও য়ুমশা লমশা চাবা চংনবকই। মৈতৈ ক্ষেত্রী, ব্রহ্মনশিংদি মনা মশিং হৱায় চেংৱায় ঙা ফাওবা চাব চংনবকই। ঙাপ্রুম যেকম ফাওবদি ঐখোয়না অঙাং ওইবিঙৈদা চানবকই, কবিগুম্বা মদু চাকুববদি অহল লমনশিংনা নকোক তুমথোকউ ঈকুজথোকউ হায়না ঈকুজহল্লী। মদুদা ঐনা খল্লী শম্নবা যাদে মাংই হায়বিমাননে হায়না মদু নংলমদ্রে মাংঙী হায়বা ওইবম্মে।

অসুম্না মৈতৈ ক্ষেত্রী ব্রহ্মনশিংনা চংনবকই। অদুবু অসিগুম্বা চাকচা ইথক্কী চংনবী অসি লাইনিং লাইশোল ধর্ম্মদগী লাকপনি হায়বা যাই। অসিগুম্না চিঙাক্কী চংনবী অসিনা হিংসা থাদোকপা থকশী খাশী শেম্বা অচুম্ববু ঙাক্নবা ধর্ম্মদগী লাকপ' চংনবীনি হায়বা যাই। ধর্ম্মদগী সমাজবু চাওখংনবা চংনবী শেম্নদি যাই, ধর্ম্মবু নাকোযনবক্লগা অনৌবা চংনবীনা সমাজগী চংনবী ওইহল্লবদি সমাজ পুম্নমকপু পাকতক্লনা মাংনবা চংনবী ওইবকই। ঐখোযগী মৈত্রবাকসিদা মৈতৈশিংনা শা উচেক চাবা পুকয়ু ৱাযয়ু থকপগী চংনবী অমা লৈবম্মী হায়বসি উমং লাই হবাওবনা খুদম্নী। অসিগুম্বা চাকচা ইথক্কী চংনবী অসি মণিপুবদা বামান্দি ধর্ম্ম অমদি গৌবদর্ম্ম চংলকপদগী তোকখিবনি হায়বা যাই। মসিদা কনাগুম্বনা ঙাং শকপা হৈ- শিংবশিংনা ধর্ম্মদা মবাল থৈজিন্দুনা ধর্ম্মবু হুন্দুনা চীং তম নুংশিনদবনি হায়না ঙাংবা যাওই। মদুদি মণিপুবদা চীং তমগী নুংশিনবা কাযহনবসি গৌবধর্ম্মননি হায়না লাওবী। ৱাহৈ অসিনা ঐখোযগী অপুনবা পুবক্কদবা নত্তে, ৱাহৈ অসিদি ঐখোয মসেল অমুক হেন্না নুংশিনদনবা কাইননবা ৱাহৈনি। ধর্ম্মনা ধর্ম্মবু হুন্দে ধর্ম্মনা মীওইববু অফবা লম্বীদা পুশল্লী ধর্ম্ম হাযবা ৱাহৈ অসি অচুম্বা হাযবনি, ধর্ম্ম খুদিংমক্কী নুংগী ৱাহন্দোক চপ মান্নে। কনাগুম্বন ধর্ম্মবু নিন্দা তৌববদি মহাক ধর্ম্ম চংতবা ধর্ম্মবু মশক খঙদবা মীনি হাযনা লৌগনি।

ঐখোয়গী মণিপুব অসি চীং তম অনিনা অমত্তা ওইবা লৈপাক্নী। মৈহৌবোন্দগী নুংশিনা চানন্না লোযনবকই, চীংমী তম্মী লৌন লৈনবকই, হৌজিকসু লৌন লৈনবি। মণিপুবী ঐখোয়গী চংনবী অমা লৈবকই, কনাগুম্বী নিংওল অদুনা মপামগী শাগৈ জাৎ থাদোক্নুনা অতোপ্পা শাগৈ অমদা ময়ুম পানখ্রবদি মপুবোইবগী যেক সলাই যুম্নাক্তা তিনখি। চীংমী নিংওল অমা তমগী নিপা অমদা ময়ুম পাল্লবদি চীংগী চংন লোনচৎ ফীজেৎ চাকচা থাদোক্নুনা তমগী চাকচা ইথক ফীজেৎ লৈতেং লমচৎ শাজৎ ওল্লে মহাক মৈতৈ জাতিদা তিল্লে। অসুম্না তমগী মৈতৈ নিংওল অমনা চীংদা ওংখ্রবসু চীংগী চাকচা ইথক ফীজেৎ শাজৎ মপুবোইবগী জাতিদা তিনখি হাযবিবসি মণিপুবী ঐখোযগী চংনবীনি।

চীং তম অনিনা পোকপা মচাশিংনা চীংদসু তমদসু মশিং হাযঙমদনা লৈ মসিনসু চীং তম অনি খাইদোক্লবা যাবোই হাযবা অপুনবা ঐখোয় অমত্তনি হায়বা ঈচিল ঈনাওগী মবি তাকই। মসিগী মনুংদা লাইনিং লাইশোলগী ধৰ্ম্ম চাকচা ইথক ফীজেৎ লৈতেং কলা কলচবগী চংনবীদি জাতি অমদি নাৎকী মতুং ইন্না মথক্তগী হৌনা তোংঙান্না চংনবকই। মবম অসিনা গৌবধৰ্ম্মনা চীং তমদা কাইনবা ঈথিল পিবা নত্তে কবিগুম্বা ধৰ্ম্ম অমত্তনা হিংসাগী লম্বী তাক্তে ধৰ্ম্ম অৰ্থ, কাম মোক্ষগী পাওতাক ঙাক্তেনি। মসিগী মনুংদা কবিগুম্বা জাতি অমদা পোকপা হাযবদি মৈতৈ অমনা চীংমী নত্রগা মুষলীম অমনা মশাগী জাতিগী লাইনিং লাইশোন ধৰ্ম্ম থাদোক্নুনা পামজবদগী অতোপ্পা ধৰ্ম্ম অমদা দীক্ষা তৌবা চংবীববু কনামত্তনা অথিংবা থমদে। অদুগা ধৰ্ম্ম অমনা ধৰ্ম্ম অমবু হন্থনা যেংবা নিন্দা তৌববুসু ভাবত সংবিধান্নসু যাদে হায়না অথিংবা পি, থিংফমসু থোকই। লাইনিং লাইশোন ধৰ্ম্মগী লীচৎ হাযবসি ধৰ্ম্মদুবু পান্না চংলিবা মী অদুগীদি থব ষ্য হকচাং পুন্সি থমফম্নী।

মণিপুবগী লোক্তোক অমদি ঈথাযনা নৈনবিবা ব্ৰাবীশিং অসি লাইনিং লাইশোনগী মবমদা অৱাৎ অহেন নৈনবা নত্তে। মসিদা নৈনবিবদি থকশি খাশি

চিঞ্জাক অমদি অনৌবা চৎন লোনচৎনা অচুম্বদা অবানবনা চংলক্কুনা বন শক্কব ওইবক্কে হায়না নৈনজবনি।

পৃথিবীদা লৈবিবা আশ্রমশিং অসিগী হৌবকফম মক ওইবা আশ্রমদু গৃহস্থ আশ্রম (যুমনি) যুম হায়বসি অচৌবা ধর্ম্মগী আশ্রমনি, যুম হায়বসি পৃথিবীদা খ্বাইদগী চাওবা স্কুলনি, আশ্রম পুম্নমকপু য়োকপা হৌবকফম হঞ্জনফমসু গৃহস্থ আশ্রমনি। যোগী ঋষি, মুনি, ডাক্তব, ইঞ্জিনিয়াব, সাইন্তিস লাইপোক ওইবা লাইগুম্না শক্তি লৈবা অফাওবা পুম্নমক গৃহস্থ আশ্রমদগী হৌবকপমক্তনি। ফত্তবা থবক তৌবিবা হিংচা যাযতম্বা মীনুংশি লৈতবশিংগী পাপ পুইন্যাগী হৌবকফম অদু গৃহস্থ আশ্রম অসিনি। ব্রাবী অসিনা তাকই, যুম হায়বসি মন্দিবনি লাইশংনি। থকশি খাশি অফ ফত্তগী হৌবকফম শিক্ষ্যা পিবা খ্বাইদগী মক ওইবা স্কুলদু যুমনি।

মবম অসিনা মমা মপানা মচা মশু চাওনবা যোকপদা অহাও অথুম মবাং কাযনা পিজ পিথকপা মমল যাম্বা ফীজেৎ লৈতেং শেৎহন চাহনবা মহৈ মশিং হৈনবা হোৎনবা ঙাক্কনা মচা মশু যোকপা শেম্বা কৌদে। যাম্না মক ওইবিবদি লমচৎ শাজৎ ব্যবহাব ভক্তি থকশি খাশি ওঝা গুরু মমা মপা মথক থোংবদা ঙাংগদবা মমান্নবা অমদি মখা তাবগা লোযনগদবা নিযোম্নু জ্ঞান তানা মমা মপা অমদি লুচিংব, ঙাক শেল্লিবশিংনা নিংথিনা জ্ঞান তানা তাকপি তম্বীদুনা মচা যোকপা হাযবসি সমাজবুসু শেম্বা যাওববনি। অঙাং ওইবিবা অমগী মহি

লাংলিবা কোক্তা চংহৌবা হৈনবী ব্রাখল হাযবসিদি অযবা ওইববসু ফত্তবা ওইববসু কাওগন্দে পুন্সিগী ওইনা লৈগল্লি। যুম হাযবসি লাইশং মন্দিবনি মসিদা শা উচেক শেমদুনা চাহৈদে, স্কুল হাযবসিসু জ্ঞান মন্দিবনি চংঙমদাযদা লাইবক কৎলু। ওঝা গুরুশু লাইগী শক্তিনি উবদা নকোক নোম্না ব্যবহাব তৌ হাযনা যুমদগী তাকপী তম্বীবক্কবা মচা অদুনা স্কুল মৈ থাবা কাওখায চায়খাযবা ঙম্মোয।

মমা মপাবু লাইগুম্না নুংশিনা নিংইবা মচা অদুনা লৈকায খুঙ্গংগী অমদি লৈপাক্কী ফত্তনবা থবক অমত্ত তৌবোই। মবম অসিনা লৈপাক অমা চঙখৎনবা শেন্না হায়বসিগী হৌবকমম মকন্দু গৃহস্থ আশ্রম যুমনি।

অসিগুম্বা আশ্রম অসিদগী ৱাখল লম্বী লান্না চৎখ্রবা মী অদুনা যুমগী লৈকাযগী অমদি লৈপাক্কী ওইবা অফবা থবক অমত্ত তৌবকওই। অসিগুম্বা অফ ফত্তগী তেকচাক খুদিংমক অদু যুমগী মমা মপা অহন লমন ওইবশিংনা পুফম থোকই। লৈপাক্কী লুচিংবশিংনা অবানববু নমথদুনা অচুম্ববু ঙাকহৌদ্রবদি লৈপাক অদুদা বন সঙ্কব চংঙক্কুনা অসুবনা খুৎলীংঙক্কুনা লৈপাক্কী লুচিং পুবেলশিংদা তেকচাক লাকই।

ঙসিগী মালেম অসিদা ধর্ম্মগা নকশন্নবা যাদবা অনৌবা চৎন লোনচৎ কযানা হিবম খুদিংমক্তা ধর্ম্মদা ঈথিল পিদুনা ধর্ম্মবু নমথবা হোৎনবি। ধর্ম্মগী বিধান যেংদুনা চৎনবকপা মীঙ্গৌ থংগৌ চাকচা ইথক পুম্নমক অনৌবা চৎন লোনচৎনা লোযনা নমখাইখ্রে, ৱাবী অসি মথক্তা শুগাযনা হায়খ্রে, ঐখোযনা মবানবগী পাম্বী থাখিবগী মহৈনা ঙসি তেকচাকশিং অসি লাকইবনি।

অনিশুবদা জাতি অমসুং ইনাৎৱী লৈই ৱাংমদা ধর্ম্মগী লীচৎ শাজৎপু নাক্কোযনবগা লান অল্লগা লোযবে হাযবা অথিংবা থমদবা মনিং তম্বা লীচৎ, চাকচা ইথক আসিনসু হিংচাবগী লৈপাক ওইনবা কন্না হোৎনবি। মসিগী মকওইবা হৈবকযমদি জাতি ভেদ থাদোক্কুনা নাংকী ওইবা চৎন লোনচৎকী পল লাম্হোক্কুন। তৌবিবা থবক থৌবমশিং অসিনি। চাংমী অমদি মুষলীম্না শা উচেক চবা পুকযু ৱাযযু থকপদি মনাৎকী জাতিগী ওইনা চাব থকপা চৎনবকপনা অথিংবা থমদে। মৈতৈ ক্ষেত্রী ব্রহ্মায়া শা উচেক চাবা যু থকপদি অথিংবা লৈ, অদবু ঙসিদি অদুগুম্বা অথিংবদু লৈখিদ্রে।

হৌজিক্তি মৈতৈ ক্ষেত্রী ব্রহ্মান্না ওক য়েন লোয়দুনা খুঙ্গং অমদি সহব ফাওবা ধর্ম্মবু থৈদোক্লগা শেন্দান লম্বীবোমদা চৎথবক্কী। মসিদসু নত্তে খুঙ্গং অমদি সহবদা যু শুংদুনা য়োল্লী, অসিগুম্বা ধর্ম্মগী ওইবা থবকশিং অসিদা কনাগুম্ব ওথোবিত্তি অমত্তনা যাদে হাযবা অথিংবা থমদে। যু শুংবা থকপা যাদে হাযবা আইন লৈবগসু আইনবু শেন্নবিবা খুর্জি পাযবিবা কর্ম্মচাবিশিং অদুসু পৈশান মমীৎ তাংশিন্নে ঐগী ফুবিৎখাও থল্লগা লোযবে লৈপাক্কী মাংবা তোংবা খংদে লৈপাক্কী লুচিংবশিংনসু মফম চাবা চাদবা থিদনা ওক যেন ঙানু লোইযু হাযনা জাতিগী নাৎকী ওইবা যাবা যাদবা যেংদনা অর্থিক অবস্থা চাওখৎনবনি শেন্ন ফাওব পিদুনা লৈপাক্কী লুচিংবশিংনা তত্তনা লাওবী। অসিগুম্বা অনৌবা ধর্ম্মগী মাইগৈবু নাথৈবা চৎনবী অসিনা হান্নদগী কাইহৈদনা লৈজবিবা ধর্ম্মগী ... কাইবকইবসিবুদি হন্না যেংদে। অসিগুম্বা মফম চাদবদা ওক যেন লোইবা শুংবা ঈনাৎকী পল ব্রাংমদা তৌবিবা থববকশিং অসিনা সহব অমদি খুঙ্গং লেক খুদিংদা ওক যেন লোইদবা যু শুংদবা কবম্বা তম্পাক্কী মফম লৈবমখিগদগী লৈবম্মবোয।

মসিদগী অমুক হেন্না দর্ম্মবু নমথবিবা অঙকপা অকিবা অমদি মণিপুবগী লৈবক খুল্লক্তা সহবগী মফম পুন্নমক্তসু হুই, হৌদোঙ মনশা যা... শেমদুনা ইফোং ফোংনা যোন্দুনা শেন তাল্লি। লৈপাক অসিদা লৌ... ইনখৎলক্লীবা নহাদগী চহি হুম্ফুতবা শুববা মীওই ফাওবগী মনুংদা শা চাদব... থক্রবা মীওইদি ১০০ গী মনুংদ ৫ শুনা যাওবম্মোয। তঙাইফদনা তৌ... শোবাৎ ফীবোই উসন মেলা ধর্ম্মগী ওইবা থৌবম পাংথোকপা ফাওবা থোংনবে। কবম্বা শা ঙা চাবা লাইদা কৎলিবনো? উসব চাবা লাবই ভাবোকশিং অদুসু যু থক্রবদি চাক চানদ্রে। অশিব হকচাং পোৎলোযবদ পিথক্রবদি মৈ থাবিনবা মী লৈত্রে। অসিগুম্বা অনৌবা অধর্ম্মগী অচৌবা ল... শেমদুনা মীপুম খুদিংমক্তা অসুবগী স্বাভাব পোকহন্দুনা মীনুংশি লৈহন্দে। অদ...

লাইবিক লাইশু ফন হৈববসু মবল ফন লৈদুনসু লৈকাযগী সমাজগী চালখৎনবা ফনবা ব্রাখল খল্লোই। যু থকপা হুই হৌদোং ষণ ইবোই চাবা মী অদুনা মচা মশুদা কবম্বা থকশি খাশি ব্যবহাব অমদি লমচৎ শাজৎ তাক্কদগে।

ঐখোযনা ঐখোযগী জাতিগী নাৎকী ওইবা চৎনবী ঙাকপা হাযবসি ধর্ম্মবু ঙাকপনি। অফ অফবা থবক তৌবদগী ফংবা মহৈশিং অদুবু ধর্ম্ম কৌই। ফত্ত ফত্তবা থবক তৌরুবদগী লাকপা মহৈশিং অদুবু অধর্ম্ম কৌই। মবম অসিনা ধর্ম্মবু নাথৈবগা ললতমক উববদি অবানবা লম্বীদগী লাকপা লল অদুনা মৈ ওলক্কুনা চাওখৎপগী মহুৎ তাঙ্গোয ওইনা তুমখিগনি। ধর্ম্মগা ললগা পুন্না চৎমিন্নগনি, লল হাযবসি ধর্ম্মদা যুমফম ওইবগা তানগনি, ললন' ধর্ম্মবুসু ঙাক শেনগনি। ধর্ম্ম অমদি লল অনি অসিদি কাযনবা যাদবা লম্বীনি। অনি অসিবু পুন্না চৎমিন্নবা ঙন্নবদি হিংসা লৈতবা মবা তপ্পা তংদু লৈতাবা সমাজ অমা শোমদনা ওইগনি' অচুম্বদা অবানবনা চংঙক্কুনা অচুম্ববু শমথবা অসিবু উতাংবিনা পাম্মী হাৎপা বন সঙ্কব কৌই হাযনা ভগবান বাসুদেবনা পাণ্ডোপকী অর্জ্জুন্দা তাকই। মতং অসিবু মণিপুবগী লোক্তাক অমদি ঈথাযনা গীতা কর্ম্ম যোগগী মতাংদগী শ্লোক অহুমদং লৌথোক্তনা আলোচনা তৌজবানি।

পোলোইবা

মীওইবনা শিববা হকচাংবু কবিগুম্বা মফম অমদা লোইশনবা চৎনৈ। মসিবু ঐখোযগী লোন্দা পোলোইবা কৌই. সংস্কৃৎনা সংস্কাব অদুগা বেদনা যজ্ঞ তৌবা কৌই অসুম্না অতৈ অতৈ লোন্দসু জাতি জাতিগী লোইনা লৈনবমক্তনি। হকচাং হাযবসি প্রকৃতিগী পোৎচাক মঙানা শেম্বনি মসিবু সংস্কৃৎনা

পঞ্চ দ্রব্য নত্রগা পঞ্চভুৎ কৌই। মদুদি ভূমী, আপ, নল, বায়ু খং- (লৈপাক, ঈশিং, মৈ, নুংশিৎ আকাশ) মঙা অসিনি। অসিগুম্বা পঞ্চভুৎন শাবা হকচাং অসিদা জীবনা মযুম ওইনা পবমাত্মাগা লোইননা মতম খব লৈবম্বনি। অসিগুম্বা হকচাং কৌবা যুম অসিদা পবমাত্মা ঈশ্ববনা লেংশিন্দুন লৈবা মবমনা মন্দিবনি- লাইশংনি। মবম অসিনা অবানবা লমচৎ চৎহৈদে অমম্বা অঙানবা পুন্নমক্তা জীবনা তৌবিবা অফ- ফত্ত খুদিংমক মানা লোইন খংই হাযবদগী আত্মা অন্তর্যামী কৌই। অসিগুম্বা হকচাংগী মশক যুম অসিন তেকখ্রবদা জীবনা অনৌবা অহনবা যুম অমদা অমুক হোংখী। মতম অদুদ পঞ্চভুৎ অসিনা মাগী হৌববকমদা তিনখী মথক্তা হাযবিবা লৈপাক্লচিংবা মং অসিবু ভগবৎ গীতানা অপবা প্রকৃতীনি হায।

গীতা ৭৫ দা

অপবেযমিতস্তু ন্যাং প্রকৃতিংবিদ্ধ মে পবাম জীবভূতাং মহা বাহো যযে ধার্য্যতে জগৎ॥ কৃষ্ণনা অর্জুন্দা হায ধনঞ্জয়া লৈপাক, মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ আকা মঙা অসি বাহ্যকব্বী মপান্দা মীৎনা উবা মপানগী কুযোম ওইবা পোৎশক্লী। ম বুদ্ধী, অহঙ্কাব অহুম অসিমদি মিৎনা উবা যংদবা অহুকবন মনুংদা লৈবা পোৎশ মথক্কী মঙা অসিগা অহুমসিগ অষ্টধা নিপাল আসবু অপবা (হন্থবী) প্রক হাযনা কৌই। মঙোন্দগী পব (হেনবী) জীব কৌই। শক্তি অমা লৈ হাম্বা নংনা খংউ। হে পাক্সোম কনবা সখে। অসিগুম্বা জীব শ ক্ত মানা জগৎ অ পুবিবনি। ভগবান বাসুদেবনা গীতাদা তাক্লই অসিন হায়বিবদি পবা শক্তি ওইবী জীবদুনা অপবা শক্তি নিপাল্লা শাবা হকচাং কৌবা যুম অদা লেবম্বন পবমাত্মা ভগবানগা লোইননা থাদোকখ্রবা মন বুদ্ধী অহঙ্কাব অহুম অদুদি মশ হৌবককমদা খংহৌদনা হনখী। অদুগা মীৎনা উবা লৈপাক্লচিংবা মঙা অদু ঐখোযনা পোৎলোইবা হাযনা চৎনবিবা অসি, আসিগুম্বা পোৎলোই অসি ম

মঙা থোক্লা খাইদোকপা যাই। মদুদি লৈপাক্কী পোৎলোই, মৈগী পোৎলোই, নুংশিৎকী পোৎলোই, ঈশিংগী পোৎলোই, অতিয়াগী পোৎলোই মখল মঙা অসিনি। অসিগুম্বা পোৎলোই মখল মঙা অসি পৃথিবীদা লৈবিবা জাতিশিং অসিগী মাগী মাগী ধর্ম্ম শাস্ত্রনা তাকপা চৎনবীগী মতুংইন্না পোৎলোইবনি। অবানবা অমত্তা যাওদে অচুম্বা ঙাক্তেনি। মণিপুবগী ওইনদি পোৎলোই মখল অনি চৎনৈ, মদুদি মৈ থাবা লৈপাক্তা ফুম্বা অনিসি চৎনৈ। চীংমী অমদি মুষলীম্না লৈপাক্তা ফুম্বা সমাধি পোৎলোই চৎনৈ। অদুগা মৈতৈ ব্রাহ্মন্না মৈ থাবা যজ্ঞ তৌবা চৎনৈ। মৈতৈ ব্রহ্মনগী ওইনা ধর্ম্মগী লীচৎ লাইনিং লম্বী তোংঙাল্লবসু পোৎলোইবদি মান্নে। মসিগী মনুংদা গৌবধর্ম্মগী ওইনদি পোৎলোই মখল অহুম চৎনৈ। মদুদি - ঈচেল নাইবা গঙ্গাদা বিসর্জনা কথোকপা, পৃথিদা ফুম্বা সমাধি পোৎলোই, মৈদা যজ্ঞ তৌদুনা কৎপা অহুমমক চৎনৈ যাই হাযবা লৈ, অদুমকপু মৈদা কৎপা যজ্ঞনা অযাম্বা চৎনৈ। ঈশিংগী পোৎলোই নুংশিংকী পোৎলোইদি ঐখোযগী মণিপুবদদি চৎনদে। মতম খবগী মমাংদা চৎনবম্বা অমদি লমশি শিবা থৌবী যান্দুনা শিবগুম্বা মীওইশিংদি মৈ থাদ্না পোৎলোইনবমদে লম্মাংদা হুন্দোক্লুনা নুংশিৎ নুংশাদা কংদ্না মাংহনবা পোৎলোই অমা চৎনবম্মী। মসিবু নুংশিৎকী পোৎলোই হাযবা যাই অদুবু হৌজিক্তি লৌশল্লগা যজ্ঞ তৌনবে হুন্তোকপা চৎনদ্রে।

ধর্ম্মদগী অমবা চৎনবী কযা শেম্বা যাই অদুবু চৎনবীনা ধর্ম্মবু শাইহন্নবদি অবালবা চংঙকই। অদুমকপু তংগাইফদ্রবদি চৎনবী ধর্ম্মদুনা সমাজদা শাক্ত লাক্কদবা লৈববদি থৈদোক থৈজিন তৌদুনা সমাজগী যনবা তৌবনা অচৌবা ধর্ম্মনি। মবম অসিনা কনা গুম্বনা জাতি অমগী ধর্ম্মগী চৎনবী অদুনা মালেম শিনবা থুংনা সমাজদা মাংগদবা লৈববদি অদুগুম্বা ধর্ম্মগী চৎনবী অদু লৈথোক লৈশিন তৌদুনা শেমতোক্লগা মালেম্মু কনবা হাযবসি অচৌবা ধর্ম্মনি, ব্রাবী অসিনা ধর্ম্মদা মীচং মীখায নাইবা হন্থনা উবা মবিক অমা ফাওবা যাওদে।

হৌজিক্কী মতম অসি প্রকৃতী (মহৌশা) লাইবেনবী ঈমানা যাওলকপগী মতুং ইন্না মীওইবগী চাকচা ঈথক ফীজেৎ লৈতেং কলা কলচব সংস্কৃতীদসু ইতং

তত্তনা অহোংবা নাইবী। মীওইবনা লৈকুৎ লৈবাইদা শা ঙাগুম্না লৈবম্বদগী ঙসিদি থা কাবা ঙম্বগী জ্ঞানগী থাক যৌবে। পাক চাওববা পৃথিবী অসি পিশক পিক্ত তাশন্দুনা বিজ্ঞানগী শক্তিনা অমখক্তা ওইনা উহলবা ঙম্মে। অসিয়ৌনা চাওখৎলবা মতম অসিদা লমদি পিকশলক্কী, পৃথিবীদা মীগী মশিংদি ঈশিং ঈচাওগুম্না নোংম নোংমগী হেনগৎলক্কি। মতম অসি যৌবক্লবা ফাওবদা ধর্ম্মগী চৎনবী ঙাকপা হোৎনবদা অশিবগী মোংফম্না অচংবগী লম কনশিলক্কুনা অচংব মীগী লৈফম লৈবকত্রে। ব্রাহৈশিনা ধর্ম্মদা শিংনবা হম্বনা য়েংবা অমদি যাদে লাল্লী হাযবা অথিংবা থম্বসু যাওদে। মথক্তা পল্লিবা পোৎলোই মখল মঙামক অবালবা অমত্ত যাওদে, পঞ্চভূৎনা মশাগী পঞ্চভূত্তা হঞ্জিনখিবা অচুম্বমক্কনি ধর্ম্ম হাযবসি সমাজগীদমক যনবা তৌবিবা অদুবু ধর্ম্ম কৌই। কবিগুম্বা ধর্ম্মগ চৎনবী অমনা সমাজদা শিনবা থুংনা মাংঙক্কদবা লৈববদি অদুগুম্বা ধর্ম্মগী চৎন অদুবু অতোপ্পা লম্বী অমদা খজিক্তং লৈথোক্লগা সমাজগী ফনবা তৌবা, কন হাযবসিনা অচৌবা ধর্ম্মনি।

মথক্তা হাযবিবা পোৎলোই মখল মঙা অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী মতম চানবা পোৎলোইদি মৈ থাদুনা যজ্ঞ তৌবা পোৎলোই অসিনি। অসি পোৎলোইশিং অসিদি মালেমগী সমাজদা সাফু পিবমক্কনি। মসিগী মবম ঈশিংগী পোৎলোই আসনা খ্বাইদগী হেন্না হৌজিক্কী মতমদা সমাজদ শোকহলগনি। মথক্কী চৎনবিদা হকচাংবু ঈশিংদা থাদৈ হাযবা পোৎলোই অদু পৃথিবীদা চেল্লিবা তুবেল অচৌবা মচা পাৎ তু খোং পুম্নমক মনিং তম্না চেলম্মী হৌজিক্তি খোঙ মচা অমা ফাওবা মনিং তম্না চেননা ঙমদ্রে, মীওইবনা ফাদু লোইনা শিজম্নবে। মবম অসিনা হকচাংবু ঈশিংদা থাদদুনা পৎথ পুমথহনবন মহিক মখল কযা পোক্কুনা মীওইবা সমাজবু পাক্কনা মাংহলক্কনি। হৌজিক্কী মতম অসিদি ঈশিংগী মবমদা যাম্না চেকশিনফম থোকপা লুববা মতম অম ওইবে। মীওইবা ঐখোয খুদিংমক্না ঈশা ঈশানা জ্ঞান তানা পুখ্রী গুহা

তুবেলনচিংবা ঐখোযনা চান থক্লবিবা মফমশিংদা ফীশু ফীজান্বা অমোং অকাস লংথবা যাবা মতমদু নত্রে হাযবসি খংনা নিয়ম তৌফম থোক্লে। মথংদা নুংশিংকী পোংলোই, অতিযাগী পোংলোই অসিশু অদু মওাই সমাজদা শাফু পিবমক্তনি। অদুমকপু হাযবিবা পোংলোই মখলশি পৃথিবীগী কবম্বা মফমদা চংনবিবগে হাযবদি উখিদ্রে। হৌজিকমক মালেম অসিদা চংনবিবা পোংলোই মখলদি লৈপাক্তা ফুম্বা মৈ থাদোকপা মখল অনি অসিনি। লৈপাক্তা লৈবোল চনবা পোংলোই অসিবু সমাধি পোংলোই কৌই। অসিগুম্বা পোংলোই মখল অসি যাম্না ৱাংবা বৈজ্ঞানিক ওইবা পোংলোইনি হাযনা থাগংনৈ। অদুবু মণিপুরগী লোক্তাক অমদি ঈথাযনা হিবম অসিদা নৈনদুনা যেংউবদা মতমগা চান চুনবা ৱাংলি হাযনা লৌই। মসিগী মবমদি পৃথিবীগী মীশিং অসি পোকপা অমদি শিবগী মবমদা চাংদম্মুবদা শিবদগী পোকপনা নোংমদা মশিং যাম্না ৱাংই, ঈশিং ঈনোং কাবব পগুম্না হেনগংলক্নি। অদুবু অৱাবদি শিবগা পোংলোইদবদি যাদবনা সমাধি মকম বোনবী শান্নবা মসিনাচংবা শান্নদুনা খুগানা ঐগী জ্ঞান পিবিবকউ। মবম অসিনা ঐগী হকচাংগী উং খবনা ঈমাগী লমন শিংব শকচগে।

অনিশুবদা ত্রিবেনীদা উং কংপগী মবমদি ঐগী হকচাংগী উং মবিক অম ে ওইববসু তুবেল অচৌবগী ঈচেলনা পুবিবগা পুন্নমক্কী ইতিনফম ওইবা মভা তিৰ্থ সমুদ্রদা তিঙ্জখিগে।

অহুমশুবদা ঈথায লৌকোলনা ঐবু জ্ঞান মপৈ মপৈ পিবিবগা লোযনন। মোকপিবকউ। পাক চাওববা ঈথায লৌকোলদা মনিং তম্না চেন চেংদুনা শান্নজে ঃসি ফাওবা ঈচা ঈশু পুন্নমক্ক লোযননা যোকপিবি, মবম মসিনা ঐগী হকচাংগী উং খব অদুনা ঈথায লৌকোলগী লোযনাইদবা লমন শিংব শকচগে।

ঐখোযনা ঐখোযগী মণিপুবদা চেল্লীব তুবেলশিংবু তিথ নংতবগুম উবা লানগনি . শঙ্গোল ষণ চিদেনবা লমগী ষণ চিশাংবা সনাগী সনা অম্মাদা

মমল মান্নহন্দবা লালগনি। গয়াদা, গঙ্গাদা, যমুনাদা, ত্রিবেনীদা ঈপাগী ঈমাগী অস্থি চিন্তামণী পুবগা ফুল চল্লুদ্রবসু তুবেল অচৌবদা কোংবা তুবেলদা লোক্লাকতা মণিপুবদা চেল্লীব তীর্থ অমদা হেক্তা কৎপা যাই। ৱাহৈ অসিনা অবাপ্পদা চেনবা তীর্থশিংবু থাজদব হন্থনা উবা নিন্দা তৌব কবিমত্তা লৈতে তৌবতবু ঈনাক্তা নক্লা চেল্লিবা তীর্থদা কৎচবা সেবা তৌজবনা পৈশা তিংদে পাঙ্গল ৱাদে মতমসু শিত্তে। পুন্যাদি থাজবগী মখা পোনগনি। অদুগা লোযননা ঐখোযগী ঈপোৎ ওইবা তীর্থশিংগী মগুন হাপ্পা মমল লৈহনবা হাযবসি ঐখোযগী চাওখৎপনি। কনা শুম্ব সামর্থ লৈবা মীনা পৃথিবীগী তীর্থ ধাম পুম্নমক কোযনা চত্তুনা পবিক্রমা ঙমজবা হাযবদুদি লাইবক ফবা অথোইবনি। মসি পুম্নমক অসিগী মনুংদা ঐখোযবু যোকপীবিবা তীর্থশিং অসিবু ঐখোযন থাজব থমদবা তাববদি মীবালচাশিংগী মীৎযেংদা যাম্না হন্থনা উগনি। কনাগী অমাংবনো, ঐখোযগী মাংজবনি।

ঐখোযনা যাম্না থাজগদবদি মালেমগী ঈতিনফম মহাতীর্থ সমদ্র অদুদা মণিপুবদা চেল্লীবা তীর্থশিং অসিসু ঈতিল্লুবিবনী। মণিপুবগী শ্রীগোবিন্দবু বৃন্দাবন্দগী শ্রীকৃষ্ণদু নত্তে মান্নদে হাযগদ্রা? কৃষ্ণ মশানি অমত্তনি লৈফম তোঙাল্লুবগী ৱানি, অদুগুম্না মণিপুবদা চেল্লীবা তীর্থশিং অসিশু গঙ্গা, যমুনা, গযা, প্রযাগনচিংবদা চেল্লীবা ঈশিং অদুগা চপ মান্নবনি। ধামগী- (মযমগা) ৱাবিখক্তা তোপ্পনি। গযাদা পীণ্ডদান কৎত্রবদি পিতৃলোক্লা লৌদে হাযবা লৈবোই। ঐখোযগী তুবেল মচৌবদা পিতৃলোক্কী পীণ্ডদান তর্পন কচ্চববসু শোযদনা গঙ্গা মতানা লৌবিগনি, পিতৃলোক্লসু পেনবিগনি, ঐখোযগীসু চাওখৎপা মঙ্গল ওইবা ফঙগনি।

লোইববা।

